
ষোড়শী

(দেনা পাওনা)




শরৎ চন্দ্র চট্টোপাধ্যায়

[illegible]

বসুমতি

ষোড়শী

(দেনা পাওনা)



শরৎ চন্দ্র চট্টোপাধ্যায

ছন্দোকচরা

রঘুমণি

ফোংঙবা
এল, রঘুমণি শর্ম্মা
ব্রহ্মপুর নহাবম, ইম্ফাল।

অহানবা থুংনম
১৯৮২ ই.।

কোপী মশী,
লিশিং অমা

মমল
লুপা কুন্থ্রা

নম্ফম
দেবলা প্রেস
ব্রহ্মপুর নহাবম, ইম্ফাল।

হৌখি' কুমজ্জা লিশি্-অমা-চামাপল-মরিথু তরামাথোই
থাশিং থাবুম তরামাথোই
হূমিৎ শী্বুম নিপাপনি চনবা নোংমাইজিং হূমজা
পূজি থোদা লোইরমদা, মপুং মতম চাদা,
হূ্শির' মরূপ 'দেবেন' থুজং পাজোইনহূনা,
নপা ঐবু থাদোক্লম' পূসি ঈথম্রবা ,
পাংথোকঙমদ্র' নপাগী থোদা্, থোদা্ মপুং যানবা
পাম্রি ওইবা নহাক্লা থোদা্ বাথল পীহূনা
শোম্বরুব' নপাগী বাথল অনৌ-আশা পীহূনা
থোদাং শরুক য়াহূনা, মপুং ফানবা হোংনরবা
পামজরবা নহাক্কী "ষোডশী"
ইচাগী বাথল তু্ইয়া, ওইরে ঙসিদি
মপু্ ফাব' মশক অমা
পূন্সি থোদা্ লোইরমদা চংখ্র' ডু দা নহাক্লা
পামজরবা "ষোড়শী" তম্লবনি থুদোল ওইনা
থোং নৌর' ইচা ইবু ঙো 'রবিচন্দ্র'
নহাক্কী থুক্তা ইপানা
লৌশিল্লুকো লংনদনা মমল য়াদ্রে' থুদোলসে।

ষোড়শী

অমা

চণ্ডীগড়গী ৺চণ্ডী যাম্না জিরবা লাইনি। হায়রবা লৈ, নিংথৌ বীরবাহুগী কনাগুম্বা মপা মপু অমনা লান অমা জয় তৌরগা বাক্কই তুরেলগী কোর্দোন্দা মন্দির অসি লিংখৎলম্বনি, অদুগা মতুংগী মতুংদা মহুদা আশ্রয় ওইহুনা চণ্ডীগড় খুঙ্গং অসি তপা তপ্না খুন্দারখিবনি। নোংমা খাঙ্গশেংনমক চণ্ডীগড় খুঙ্গং অপুম্বা দেবীগী সম্পত্তি ওইরম্বা য়াই, অদুবু ওসিদি মন্দিরগা থংনবা লৌ পরি খরা নত্তনা অতৈ পুম্নমক্তি মহৈ মহৈ খোপচিন্নখ্রে। খুঙ্গং অসি হৌজিক্তি বীজগাঁগী জমিদারগী মখুং চল্লে। করমতৌদুনা করম্বা অরোনবা পাম্বেনা লাইরবা আতান-অত্তাগী সম্পত্তি অমমুং জম্ন্না সহ'য় লৈত্রবা লাইগী লম জমিদারগী পুক্কিদা চনখ্রিবনা রারী অদু অচম্বা অপাবমা খণ্ডলুবগী কাম্নবা লৈতে। ঐনা হায়নি শিবদি মসিত্তনি মদুদি, চণ্ডীগড় খুঙ্গংগী অয়াম্বা শরুক চণ্ডীগী হক্কী নান্তোকখ্রে। লাইগীদি মসিদা অমাং-আতোং লৈতবা যাই অদুবু মাবু সেবা চংশিবশিং অদুদি মুংঙাইতবা ওসি ফাওবা কোকত্রি, অদুনা ওসি ফাওবা খংম-চৈনদনা তোক্কে অমসুং মরক মরক্তা মদু অচৌবা র খোক ওইগদবগী তৌরকই। অত্যাচারীনি হায়না বীজগাঁগী জমিদার শাগৈমু মতম চুপ্পদা থিনা ঙাংনরকপা অমা লৈ, অদুবু চহি খরগী মমাংদা মচা পোক্কবা জমিদার শিরবদা মচল মুপীনা পোকপা জীবানন্দ চৌধুরীনা জমিদার ওইখিবা মুনিত্তগী মচা-অচৌবা প্রজা পুম্নমক তশেং জশেংনা খাংঙমদবা

ওইখি। মীনা অস্থুম্না ভাংবৈ মতুদি, লৈখিদ্রবা জমিদার কালিমোহন বাবু কাওবনা হুপা অসিগী ভাওশিন্নবা খাংবা অমুক ওমদ্রহুনা মহাকপু তাম্লোকে বাশক্লমই, অদুবু খঙহৌনা শিখিবনা মাগী অপাম্বদু থবক্তা ওন্থোকপা ওয়মদবনি।

জীবানন্দ চৌধুরী অদু লৌ-শী, য়েংশিনবগী মফমদা চণ্ডীগড়দা থুগলরে। খুঙ্গং মনুংদা ইচম চম্বা মওংগী জমিদারীগী ওফিস অমদি অতুম লৈরকই, অদুবু বাকুড়া জিলাগী লৈতেম মাম্নবা চীংয়া মকপা খঙ্গ অপি ককচাং ফবগী মরমদা খোইদোক্লা মমিং চৎলি, অমসুং মক্ক থইনা লৈত্তাই তাবা বাক্লইগী ঈশিং খোইদাক্লা মহাও লৈ হাযহুনা জীবানন্দগী মমা পোকপা মমুংথা রাধামোহন বাবুনা খুঙ্গংগী চিদায়দা তেরেল মরাদা শাম্বকুঞ্জ মমিং থোন্দুনা বাংলো অমা শারমই অদুগা মরক মরক্তা হোইনা লাকচনা লৈরি। অদুবু মাগী মচাথুপা কালিমোহন করিগুম্বা ওুমিগুম্ব মফম অসিদ খোঙদরদে। মরম অসিনা নোংমা কত্তরম্বা, নুংগা চলম্বা কল্লক্লিজাই ওইরম্বা অকোয়বদা লৈবা বাপাদা আচৎপু বিল নাইদনা চৈক-বাহৈনা থলম্বা অদুগুম্বা মম অদুবু খোশাবিদ্রবনা শাতনা মোৎশিল্লে অমসু, নখী-খীকন থনখ্রে। মফম অসিদা মালো লেতে, মনাক নকপদা মী তাদে ভুপ্নগী বাক্লই তুরেলগী তোর্বান মরাদা যাম্না বাংচাউরবা মুন অদু উমং-রামংগী ময়াইদা লেপতুনা খোশাবিদ্রবগী মতৌওম অকিং-মুংথিল চুপ্পা ইহাং হাংহুনা লৈরি। মতম কয়া শাংনা মফম অসিদ কনানু চংবিদ্রব প, কাছারিগী (জমিদারীগী খাজনা খামগৎনবা অফিস মশা) কনচারী মকোক্লা সদরদা (জমিদারীগী ওফিস মকোক) ভুপগী নৌনম্বতা হায়জিন্দুনা মতম কয়া শাংনা লেপ্লরবাগ, মতুগী হিসাব য়েংশিন্নবা কনানু লৈতে।

অসিগুম্বা ফিভম অসিদা ইথঙ-থঙতৌদনা নোংমা মাচংবা মতমদা ভুপ্নগী মী অনিথক লোইনহুনা অনৌবা জমিদার লাকহুনা খুঙ্গংগী কাছারী ওফিসকী নমাংদা থুংলরে, লোলাইদগী কুম্বা কাওবা

কুমথদে, শুপ্নগী গোমস্তা (জমিদারীগী খাজনা খোমগৎপা কর্মচারী) এককড়ি নন্দীবু কৌথোক্লগা মহাক মুমিৎ থরনি শান্তিকুঞ্জদা লৈগনি হায়রমই অমস্থু, থংনবা মিংকুপমক্তদা লমথুংকম তম্না চংগ্রে। পাখংপনা এককড়িগী মাইথোং কাহংখ্রে। মফম অদুদা চংননবা লম্বী লৈরমদবা য়াই খোঙ-খোঙনাও পূন্নমক হুখিরম্বা। য়াই কাশিংহুদা কৈ-শওমগী কাংবুগী মকোল ওইরম্বস্থু যাই — মহুদা করি লৈরিবগে অদুগা করি লৈত্রবগে মতুগী মরম এককড়ি করিমত্তা খঙদে।

সন্ধ্যাগী মতম অসিদা কদায়দগী মী ফংগদগে, কদায়দগী থাউমৈ থিকুগদগে, কদাযদগী চান-থক্নবা লাংলুপ্নদগে—হৌজিক খুদক্তা মহাক করি তৌগদগে, কনাগী মফমদা চংজক্লগদগে, থমবদা মহাক হুমাং অনপ্পা কারক্লে অমস্থু মকোক শাওরক্লে। থবক্তি মশানা তৌকপা তারবনি — মদু ওইজরসন্নু, অদুবু তমথীরবা অনৌবা মপু অসিগী মরমদা মহাক্ল হৌজিক ফাওবদা কংবা পাউদগী থঙলে, মহাক করিগুম্বা মওংদস্থু নাম্বোকপা য়ারোই হায়বা। অদুগা পাউস্থ পীরক্তে, ইঙ্গিতস্থু ফংদে খঙ্গহ্‌ন্দবা হেক্তা লাক্লিবসি শুপ্নগী মাপীদমক্তনি, মহাক অদুমক্তা জমিদাবীদা লৈরম্বদগী মতু-মচা পুংনা কদায়দা চেল্লগা মহাক হিংগদাগ, মতুগী করিগুম্বা পান্নফম অমত্তা মমিত্তা উখিদ্রে। মপুন্থবু মহাক্ল করিগুম্বদস্থু মশক উখিদ্রি — মতুগী দরকারস্থু লৈরমদে, ওসস্থু মহাক্ল। ইচং থৌনা মক্তোন্দা য়েংলুবা ভমথিদে, অদুবু অথুবা লম্বীদা দোলাইরেংশিং উখ্রদবগা লোইন-লোইননা মাগী থম্মোম মি তা ফাওরকপা দোলাইগী অমম্বা মরক্তা উরিবা মাইথোং অদু য়াম্না অকিবগী মশক্লি। মহাক্লা চেকশিনহৌদবা কযা হুরানব কয়া মতু ফন ফন চো খোরক্লগনি, মতুগী করম্বা শরুক কনাগী মথক্তা মরাম অদু ননশিনবা য়াগদ্রা যারোইদ্রা, মাসমক মহাক্লা থনবা হোংনরিই মতম অসিমক্তদা কাছারিগী পিযন অহল চেন্না চেন্না থুংলরে। মহাক তাগাদাদা চংলুবনি, লম্বীদা পাউ অসি ফং[illegible]। মুংশাম্বর থবেং থবেং হোন্না হংলকই, "নদাসশাই, হুজুর লেংল[illegible]

এককড়িনা মমিং য়েংখৎলদুনা শুপ্নগী হায়রকই, "হুঁ।"

বিশ্বম্ভরনা ঙকতুনা এককড়িগী মাইথোং যেংলকই, অদুগী তুংদা হায়রকই, "ভ হায়বদি করিনো নন্দী-মশাই ? হুজুর মশামক লেংলক্লবনিনে।"

এককড়ি মপুক্কিং হুৎঙাইতবনা শিগদোরে, খোঞ্জেল কায়না হায়রকই, "লেংলক্লগা ঐ করি তৌ হায়রিবনো ? পাউ পীরক্তে, খঙহন্নকপস্থ নত্তে, হুজুর লেংলক্লে ! হুজুরনি হায়দুনবু ইঙক্তি কক্লবা য়ারোইদনা !"

খঙহৌদনা ফিঙ্গংশকপা অসিগী অর্থ পাক হেক খঙবা ঙমদদুনা বিশ্বম্ভর ঙাইহাক তুমিন্না লৈ, অদুবু মাগী খোপ লূবা অদুক ঈংই, অদুগা পিয়ন ওইরবস্থ গোমস্তাগা মরি য়াম্না চেৎনা লৈনৈ। মহাক্না এককড়িবু মমুংদা পুশিল্লগা মতম খজিক্তংগী মমুংদা ঈৎখহল্লে, অদুগা য়ু লিক্লি, শা অমম্নুং মদুগা লোইননা অংেোপ্পা অমগীস্থ ইল্লিত তৌরগা অমুকী মতিক অচৌবা আশাগী রাফম ঙাহনবদা নিংজিং-মাংজিংনদে মদুদি, মুপাগী লাইবকী ঙমথৈ লাইশিংনা ফাওবা লেপ্পা ঙম্বা নত্তে, অদুনা হুজুরনা মিংয়েংবু তারবদি তুংদা নোংমা করিগী সদরগী নায়েবকী ফম ফংলোইদগে, অসিগুম্বা রাসি কনানস্থ ইচং খোৗনা হায়বা ঙম্লোই।

থিন্দনা এককড়িনা মী খরা, থাউমৈ অনি অমম্নুং অচম্বা উহৈ-রাহৈ খরা পুদুনা বিশ্বম্ভরগা লোইননা শান্তিকুঞ্জগী অতেকপা গেট ময়াদা থুংলরে, মতম অদু সক্ক্যা মতুং ওইরে। উরে, চৈরক অসিদা উশা-রাশা খরা ককথৎতুনা লম্বী চৎপা যাননবা শেম্লম্লে, অদুম ওইনমক শোংলবা লম্বীদুদা পাক ৎক চংশিনবা ফনা কুইনা কনাম্নু ঙয়ত্রে। অদুগা চংশিল্লবদস্থ খোঙথাং থুদিং মথোয় মতূ চুংই। রিঘা তরাম্নী লম শন্দোক্লিবা উমংগা শয়াত্রি, অদুগা লম্বীস্থ থোইনা লাপ্তবা নত্তে, মদু লাম্থোকপগী অৱাবস্থ থোইনা য়ামদবা নত্তে। কদায়মু মৈ অমত্তা থান্দে, শুপ্নগী ঙমাং মচি অমদা লাপ্তক্লা অকংবা উকক্ অমা

মৈ থারিবা অহূনা মফম থরদি কুফেৎ-কাফেৎ ওাল্লি। পাউ ফংলহূনা মীমাই থোয়রক্লগা একাকড়িবু কা অমগী মনুংদা পুশিল্লরে। কা'পূম্বা য়ুনম্মা থল্লি, মচি অমদা মোমবাতি অমা থাল্লি, অমস্তুং অতোপ্পা নাকন্দা অতেকপা কাংথোলদা যম থারগা বীজগাঁগী জমিদার জীবানন্দ চৌধুরী ফাম্লি। নুপা অসি থোইদোক্লা অনা শক মাল্লি অমস্তুং কুচু ওাই, চহি কয়া ওরমগদগে হাযবা য়াম্না লুনা থোকই, মরমদি মমাই কংশিন্দুনা তশেংনা অকংবা উগুম কনাশল্লে। মমাংদা য়ু থম্না য়াউবা লিক্লি গিলাস অমা লৈ অমস্তুং মহূগী ময়াদা অঙকপা মওংগী য়ু লিক্লি অমা লোইনিংচিং লৈ। মোন মখাদা নেপালী খুঁগ্র অমগী শরুক থরা উই অমস্তুং মহূগী মনাক্তা হাংজুনা লৈরিবা উপু অমগী মনুংদা পিস্তল জোড়া অমা শেমজিন্দুনা থম্লি।

একাকাড় লৈমায় শোক্লা খুরুম্লগা মথুং লোম্নহূনা লেপতুনা লৈ। মাগী মবুংওোনা হায়রকই, "নহাক্কী নমিং একাকড়ি নন্দী নত্রা? নঙমা মফম অসিগী গোমস্তাবা?"

কিবনা একাকড়ি নিংদোল চোংলক্লে, মহাক্লা মঙক নোমহূনা শেংফাত্তবা ওনিকপা খোঞ্জেলনা হায়রকই, "হুজুর।"

হন্দক্তি য়ুম অসিগী বাফম হোৌদোরকনি হায়না মহাক্লা হায়না খল্লক্লবনি, অহূবু হুজুরনা মহূ করিমতা পল্লকত্রে, অদুগী অস্থম্না হংলকই, "নহাক্কী কাছারীগী আয কবানো?"

একাকড়িনা হায়রকই, "আজ্ঞা লুপা লিশিং মঙারোম্নি।"

"লিশিং মঙা? করে, ঐ হূমিং নিপাললি লৈখিগনি, মসিগী মনুংদা লুপা লিশিং তরা পান্মী।"

একাকড়িনা খুম্নকই, "কনি আজ্ঞা।"

মাগী মবুংওোনা হায়রকই, "হয়েং অয়ুক মহাক্কী কাছারীদা ফংগনি — মতম পুং তরা-তরামাথোই ওইবা য়াই — মহূগী মমাংদা ঐ মিংকপ থোক্কে। প্রজাশিংদা পাউ পীখো।"

একাকড়িনা হন্নাওনা মঙক নোমহূনা হায়রকই, "কনি আজ্ঞা।"

মরমদি মসি হায়রকহুনা কায়দে মহুদি, খাজনাদা নওনা শেল খোয়ন-গংপবু এককড়িনা ওংপা অমম্তুং নৈবনি হায়না খন্দে। মহাক্না মপুক্কিং হয়াওনা হায়রকই, "ঐ ওসি অহিংসক মাইকৈ মরিদা মী খাজগনি, কনানস্থ মতম চানা পাউ যংদে হায়দনবা।"

জীবানন্দনা মঙক নোমহুনা যানিংবা উৎলকই, অহুগা যুগী পাত্রহু খাংগৎতুনা অমুক্তদা থকচিল্লগা মহু ওপ্পা ওপ্পা থম্লহুনা হায়রকই "নখোয়গী লম অসিদা বিলাতী যুগা হুকান লৈতমাল্লে নিংই। মহু লৈত্রবস্থ ঐনা পুরক্লিবা অসিনা হুমিং থরনি অসি শিজিন্নবা কোম্নগনি, অহুবু শাদি ঐ ও.তিগী পাম্মী।"

এককড়িনা খোয়াং ভোহুনা লৈরবনি হাযরকই, "মসিদবু অমুক তাক্লনিংঙাই করি লৈগদাগে হুজর, ইমা ইবেম্মা চণ্ডীগী অথোইবা মহাপ্রসাদ ঐনা হুমিং থুদিংগী ওজবদা কচ্চগনি।"

হুজবন হয়াওনা হায়রকই "ফবে।"

অহুগী তু দা শিক্রিদগী নুখরা পাএদা হৈরগা মহু থকচিনল্লে অমস্তুং মচিন তৈথোক তৈথোক্ল হায়রকই, "অহুগা বা অনগা লৈরি এককড়ি।"

এককড়িগী মথোনা হেনগৎলাক্ল, হায়ৱকই "য়াথং তাকপিযু।"

মহাক্ল মাচন্দ লবঙ্গ অনিথক হুঞ্জিল্লগা হায়রকই "য়েংঙোই এককড়ি, ঐ লুহোংদ্রি — কৈদোঙদস্থ লুহোংলোই হায়না খল্লি।"

এককড়ি ভুমিল্লা লৈ। মতম অহুদা য়ুনকপা জমিদার অহুনা কংনোক নোক্লগা হাযরকই, "অহুবু মহুনি হাযহুনা ঐ ভীষ্মদেব — হঙ্গে মহাভারত পারেদনা? ঐ ভীষ্মদেব শাহুনস্থ লৈতে — শুকদেবস্থ ওইদে — হায়যু, হাযবিবসি থঙলেদনা এককড়ি? মহু পাম্মী।"

এককড়িনা ঈক ঈরহুনা মক্ল লুকথরগা মঙক নোম্লকই, মযা কাথোক্লুনা পাউথুম পীবা ওমদ্রে, অহবু ঈকাই-থঙদবা য়াঙাংনা জমি-দারগী গোমস্তা ফাওবা ঈকাইবা পোক্লিবা বা অসি নীঙাইবা লৈতনা হায়রিব। মহাক্ল মহু ৎেশাক্লবা লৈতে, হায়রকই, "মীনা তৌনবগুম

মীনাইবু অসিগুম্বা রা অসি হায়হনবা পামদে, মতুদা ঠোগ ভোগল্লি। ফরে হৌজিক্তি চংগ্রো। ঐগী দোলাইরেংশিংগী চান-থক্লবা খরা শিল্লমউ, মখোয় পুক-যু শিজিন্নমাল্লে। মতুংসু খয়া য়েংশিল্লু। ফরে চংলো।"

এককড়িনা মঙক মোমহ্নুনা য়াম্নিংবা উংলগা লৈমায় শোক্লা খুরুম্লগা থোকখিগদবগী তৌরকই, হুজুরনা খঙহৌদনা হংলকই, "খুঙ্গং অসি ফত্তবা মখোং চাদবা প্রজা কনা কনা লৈ খঙব্রা?"

এককড়ি হঞ্জিল্লকতুনা লেপ্লরে। মসিদা মতম কুইনগী মমাংদগী মাগী অরিবা দাগফম অমা লৈ—মবুংঙোগী রাহংহুনা মতুমক্তদা চৈনাখোল শীররে, অদুবু চৈনাখোলদু খাংবগী কুযোম্না য়োমশিল্লগা হায়রকই "লৈত্তে আজ্ঞা', মতুগুম্বা কনাসু—তারাদাস চক্রবর্ত্তী—অদুবু মহাক হুজুরগী প্রজা নত্তে।"

"তারাদাস হায়বদি কনানো?"

সেবায়তশিং, অসিগা জমিদারীগী মরিদা এককড়িগা থংনচৈনবা কয়া থোকখি, অদুবু মদুগীদমক মহাক থোইনা সুংঙাইতবা লৈতে। অদুবু চহি অনিগী মমাংদা অকংবা উ অমগী মরিদা রা থোকখি, মহাক মৈচাক অদু থোকখিদ্রে। মরমদি উহু মাগী মশাগী মযুমগী দমক্তনি অমসুং মহুদগী মৈরথংদা মহাক্না লাল্লে হায়না মশানা যাজহুনা লোম্না তাইশিন্নবা লানি।

এককড়িনা হায়রকই "করি ভোগনি হুজর, সদরদা রাকংলবসু অচুম্বা বিচার ভোবাদ, দেৱানজীনা খোশাবিদ নক্লবদবু চক্রবর্ত্তী লাকশিনবদা কয়া বুইনা চংগনি। অদুবু হঙ্গং চহৌরিবসিনি, হুজুরনা থজিত্তুং পল্লবদা মখোযনা প্রজাবু ইরাং হৌহনগনি—মতুমা খুঙ্গং শাসন ভোবা লুগনি"

অদুবু হুজুরদি নেশা হেনগংরে, মহাক্না খোঙেল ফাইনা হায়রকই, "নঙনা তারাদাসকী মিং পনখিবিদ য় এককড়ি—অহুগা অমুক মখোয় হায়রিবদি কনা কনানো?"

এককড়িনা হায়রকই, "চক্রবর্ত্তীগী মচানুপী ভৈরবীবুনি। নত্রবদি চক্রবর্ত্তী মশামক্তি অদুক হাক্না ফত্তবা নত্তে, অদুবু মচানুপীদুদি তশেংনা হায়রবদা মাং-তাকপীনি। লম অসিগী বোম্বেদা গুন্দা ওইরবা পুন্নমক মাগী গুল'ম্মি।"

জমিদারবাবুগী মনাদা হায়রিবা বা পুন্নমকসি চংলমদবা য়াই। মহাক্না শেংফাত্তবা খোঞ্জেলনা হায়রকই, "ওইফম থোকপা বানি। মাগী চহি কয়া শুরে? য়েংবদা কমদোই?"

এককড়িনা হায়রকই, "চহি কুনহুমদোই কুনমবি শুবম্বা য়াই। অদুগা করিগুম্বা মশক্কী বা হায়বা তারবদি হুজর, অদুদি মগাক তমথীবা সিফাইনি। মুপীগী শক য়াউদে, মুপীগী শকওং শাদা নত্তে। জঙ্গলীনা খুলাই পায়দুনা লান চংবগুনই। মদুমক্তনি লমদম অসিগী অতোনবা কাংবুনা মাবু চণ্ডীমক্তি হায়না লৌনরিবা"

জীবানন্দ খঙহৌদনা চুম্বা কল্লে। খঙনিংবা অমদি লাংতক্লবনা ঊকারবা মমিং লাওথোক্লদুনা হায়রকই, "হায়রিবদু করিনো এককড়ি? থোদোকতু শুগায়না তম্মু তাসি। জঙ্গলী ম মী উরবসু শাগৈ-জাং নাইবা ব্রাহ্মণগী মচানিদবা— মাং-তাকপীনা কমদোনা ওইরিবা, অদুগা বোম্বেগী ওক্তবা কাংবুনা কমদৌনা মাগা কদায়দা থেংনক্লরিবা?"

এককড়িনা হায়রকই, "মসিদা অমুক ওক্লিংঙাই করিসু লৈতে হুজর।" হায়রগা মহাক্না ভৈরবীগী ইতিহাস লিবা অদুগী শম্নপা অসিনি—

ভৈরবী কনাগীসু মমিং নত্তে, চণ্ডীগডগী অথোইবী সেবিকাশিংগী চংনবী উপাধি অমনি। হৌজিক লৈরিবা ভৈরবীগী মমিং ষোড়শী কৌই অমসুং মতুম্না মসিগী মমাংদা লৈরম্বা অদুগী মমিংনা মাতঙ্গিনী ভৈরবীনি। ইমাগী য়াথংনা মাগী সেবায়েত করিগুম্বদসু মুপা ওইবা য়াদে, মুপীতনা কম অসি মতম পুন্নমক্তা ফংলকই।

চাউবাক্না চহি তরামঙা-তরাতক্লক্কী মমাংদা খঙহৌদনা নোংমা

খঙনরকই মাতঙ্গিনী ভৈরবীগী মপুরোইবা শিরে হায়রবা। বাকম অহু য়াম্না বানা অচুম্বনি হায়বা অশেংবা প্রমাণ ফংই, মতম অহুদা উপায লৈত্রহনা মাতঙ্গিনী ফম থাদোকতুনা কাশিদা চৎপা তাখি।

জীবানন্দ ওসায়মখে তুমিন্না তারমই, ওক্লহনা হায়রকই, "লুপ্রাবী ওইরবদি ভৈরবী ওইবা তোকপা তাবা?"

এককড়িনা খুম্লকই, "অহোয় হুজর।"

"অহুনদি মহাক্না মপুরোইববু লোৎতুনা থম্বা তাবেনে?"

এককড়িনা হায়রকই, "মহু নত্তুনা অতৈ করিগুম্বা উপায় অমতা লৈতে হুজুর! ইমাগী য়াথংদগী লুহোংবগী অহিং অহুমগী মতুংদা মপুরোইবনা অমুক ভৈরবীবু শোক্লনবা উপায় লৈতে। অহুনা অরাপ্পা লৈবাক্তগী লাইরবা অনৎবগী মচা ফাহুনা পুরকতুনা লুহোংলপা মথংগী নুমিত্তা শেল-থুন পীহনা মাবু থাশোকখিবা তাই অহুগা কৈদোঁউদম্মু অমুক হুন্না কনানম্মু মাবু মমি ফাওবা উবা ফংদে। মসিনি নিয়ম, অস্মুন্না মমা্ বৈদগী চৎনরব্লিবনি।"

জীবানন্দনা নোকতুনা হায়রকই, "হায়রিবহু করিনো এককড়ি, লৈবাক্তগী পুমতান তাম্নোকপা? ভৈরবীস্মু মীনি, আহংগী অচিকপদা যু পাত্র অমা হৈবা — অশাবা মশলা থাকতুনা ময়াইকাবা মহাপ্রসাদ থোংহনা চাবা — শুপয়ামক ময়াদ্রবা?"

এককড়িনা মওক হাইহনা হায়রকই, "যাদে হুজুর, ইমাগী ভৈরবীনা মপুরোইবা শোক্ল-শমবা য়াদে। অহুবু মহুনি হায়রহনবু মপুরোইবা নত্তুনা খুঙ্গংদা নুপা অমুক লৈত্রব্রা? মাতঙ্গিনী ভৈরবীস্মু উঠহোরে, ষোড়শী ভৈরবীবুস্মু উরে। মীয়াম্না কাশদবদা মাগী মখোঙ কোমবা নত্তে। করিগুম্বা বাকম অমগীস্মু হুক্লা হুজুরগা কেশ তৌনৈ।"

জীবানন্দনা নোকতুনা হায়রকই, "নুপী মথন্তুনিদনা! মহুগী দোষ লৈতে, অহুবু মাতঙ্গিনীগী মতুংদা মাবু কমদোনা ফংলিবনো?"

এককড়িনা হায়রকই "চক্রবর্ত্তী মাতঙ্গিনীগী মচেগী মচানি। ঢাকাদয়া কদায়দনো মহাজন অমগী কারবারগী হিসাব শুরবই, চিঠি

ফংহুনা লাকপনি, চহি তরাগী নুপীমচা অমা পুরকই। কদাযদগীনো বর অমা কাহুন' পুরকই — করি জাতনো কনাগী মচানো খঙদে — অহিংদা অহুম লুগোংই, অহিং অহুদা অহুম খাপা থাদোকখি — অহুদগীদি তশেংনা গদিদা ফমহুনা রাজভোগ চারিবসিনি। কনানা রা ঙাংলুগদগে, কনানা করি হংলুগদগে? খুঙ্গংদসু মী লৈতে নিংথৌগীসু শাসন লৈতে।" হায়রগা মহাক্না জমিদারদা মুম্না য়েংলকই, অদুবু যেংথোকউবদা খঙ্ল, মানা ঙাংলিবসি অরেম্বদা তারে। নিংথৌগী উত্তরুম্নবা মিং মিংকুপ্পা তুমথখিবগুমদ্রে। যনা কুইনা রা ঙাংদ্রে — মহাক্না থন্তবা রা পনগী তুম্বা কায়খিগদ্রা কিবনা মহাক লাইফদিবীগুম চপ য়ুংনা লেপ্লহুনা মপুক্কি দা য়ু ঙাওবা অহুগী মপা-মপু খুম্না চৈরগা তুমিন্না মপান্দা থোকগ্রগে থল্লকই, মতম অসিমক্তদা জীবানন্দনা তশেংনা করিসু তৌদবগুম অমুক রা ঙাংলকই। হাযরকই, "চহি তরামঙাগী মমাংদা নত্রা? ফরে, তারাদাস হাযবা মুপা অসি য়েংবদা যাম্না নেমত্রা, অহুগা ঙৌত্রা?"

এককড়িনা হায়রকই, "নত্তে হুজুব, চক্রবর্ত্তী কুচু ঙৌই হাযবা য়াই, অহুবু মহাক য়াম্না রাংই।"

"রাংবা? ফরে মুপা অহ্ চাকাদা মহাজন অমনী গদিদা হিসাব শুবমই হ্যবসি নহাক্না করমতৌনা খঙলিবনো। মহাক কলকাতাদা চাকথোংবা বামোনগী থবক তৌরগদি য়াদ্রনে?"

এককড়িনা মঙক হাইহুনা হাযরকই, "নত্তে হুজর, তশেংনমক হিসাব শুরম্মী। মাগী থা তরুক্কী তলব লৈগৌই, ঐনা কেশ তৌগনি হায়না কিহন্দুনা চিঠি ইহুনা শেল লৌথোকপীখি।"

জীবানন্দনা হাযরকই, "অত্ত ওইরবদি চুম্লগনি। ফরে, মুপা অহুনা চহি মঙাগী মমাংদা প্রজাগী উৎপাতকী কেশ অমদা মামাগী মায়োক্তা সাক্ষী পীখিব্রা?"

এককড়িনা হাযকই, "হুজুরগী মিংয়েংদগী করিসু নাম্লোক্তে। আজ্ঞা, মহু হায়রিবা, তারাদাস অসিনি।"

জীবানন্দনা তপা তপা মঙক নোমহুনা হায়রকই, "হুঁ! মহুদা লুপা য়াম্না থাদোকতুনা মাংহনবা তাখি। মখোয়না লম কয়া য়াম্না শিজিন্নরিবগে ?"

এককড়িনা মপুক্কুদা হিসাব তৌরগা হায়রকই, "বিঘা য়াংখৈ-হুম্ফুদগী তারোই।"

জীবানন্দনা মিৎকুপমুক ভুমিন লৈরগা হায়রকই "হায়বং নশানক চংলগা হায়রু, বিঘা অমদা লুপা তরা ঐনা লৌখৎপা পামই। ঐ সুমিৎ নিপাম্ম লৈখিগনি।"

এককড়িনা হঙ্গাননা অমম্ভুং চিংননা হায়রকই, "আজ্ঞা, মহুদি থাজনা লৌবা য়াদবা দেবোত্তরনি হুজুর।"

"নত্তে, দেবোত্তর খুঙ্গং অসিদা মচেং অমত্তা লতে। থাজনা কাদ্রবাদ পুন্নক পোশনবা তাবনি।"

এককাড পাউখুম পীডনহুনা লেপতুনা লৈ। মসি চক্রবর্ত্তী মহাশয়গী মমক্তা নত্তে, মাগী মচানুপী অবোৎ-অমেং শঙ্কুবী ভৈরবীগী বা নিংশিংলকপননি। জমিদারদি নোংমা চংখিগনি। অহুবু মহাক্তি খুঙ্গং অসিদা লৈহৌগদৌরিবনি। মহাক্না শেংফাত্তবা খোঞ্জেলনা হায়গদবগী হোৎনরকই, "অহুবু হুজুর --"

অহুবু মসিদগী হেন্না মথা তাথবা ফংদ্রে। হুজুরনা মরক থংহুনা হায়রকই, "অহুবু হৌজিক তোক্লসি এককড়ি। ঐ শেলগী দরকার লৈ, লুপা চামতা চাতরুক থাদোকপা ভন্নোই, মহু মখোয়না পীগদবনি। হয়েং চক্রবর্ত্তী কাছারিদা হাজির ওইরগদনি হায়না পাউ পীখো। দলিল-মুংলিল থরা লৈরবদি মহুহু মহাক্না পুরকপা য়াই। অদুং ওইরে, হৌজিক নত চংপা য়ারে। ময়ামগী চান-থক্লবা শিল্লম্মু — সদরদা হল্লগা নহাকপু কাউরোই।"

"হুজুরদি ইমা-ইপানি।" হায়হুনা লৈমায় শোক্না থুক্নম্নগা এককড়ি তপ্না তপ্না ইমুংদগী থোকখ্রে।

অনি

জমিদার জীবানন্দ চৌধুরী ওপ্নগী মুমিং মণ্ডানিদা ওয়রি চণ্ডীগড়দা থোঙদারবা, মতম খরদং অসিদা লমচৎ নাইদবা অমসুং ঙং-নৈবনা থুঙ্গং 'পূম্বা মৈ হৌদুনা তুম্না চাকপঙমগ্রে। নম-হানা শেল খোমগৎপগ্রে, অদুবু মসি করমতৌনা পাংথোক্লিবনো হায়বদু জমিদার সরকারগী থবক তৌদনদি খঙনবা হেৎনরুবা অঙাওবা ওাগনি।

তারাদাস চক্রবর্ত্তী যাথং মতুং ইন্না অহানবা মুমিত্তা হাজির ওইরবদা শেল পীযু য়ারমদে, পু, তরুক চুপা য়াক্লবা মুংশাদা লেপহল্লবা ফাওবদা য়াহনবা ওমদে। অদুবু ময়াম মথাংদা না পায়দুনা হৌগৎ ফমথ তৌবা শগোল অমসুং হাজোই শাদুনা জগাই শাবা মসি তৌহনবদা মহাক অমুক খা বা ওমখিদে। চণ্ডীমাতাগী মফমদা পুক্রি অনি লোংদনা জমিদারগী শাগৈ ভূমহনবিনবা হায়রজস্মী, অদুগা ফোংনা মুমিং মণ্ডানি শুবদা শেলদু পীরগে হায়না য়ারবদা থাদারকতুনা মযুমদা হল্লকখি। মুমিং অহ ওসিনি, অদুবু অযুক্তগী মাবু কদায়দম্ব উবা ফংখিদ্রে।

মরক অসিদা মুমিং খুদিংগী মহাপ্রসাদ লাংবা তাই, পুখ্রীগী ঙা, বাগানগী উহৈ রাহৈ, চেং-চাক জমিদারগী মীনা নম-হাদুনা লৌখি — ষোড়শীনা থাম্মিংই, অদুবু তারাদাসনা মওং অমদা রা অমত্তা ওাংহন্দে। মাগী মখুং পায়দুনা কপ-খোংদুনা কবিগুম্বা মওং অমদা থেমদুনা নৌদুনা থমল্লিবনি। মপাবু ঈকাইবা পীরকপদগী চৌদুনা ঙং-নৈবা পূম্নমক অসি মগাক মওং অমদা খা লক্লিবনি। মপান তুমিন্না মাংখিবগী মরম অমসুং মদুগী শোইদনা ফংলগদবা মহৈশী পোংলুম মাগী থম্মোয়দা মতোমত্তা ওসি অমুক শুজবা ওয়্রকত্রে। অন্থুম তৌদুনা অয়ুক চুপ্পা হৌখিদুনা মুংখিল ওইরক্লু, মতম অদুদা অহিংগী অমম্বদা চবা হেল্লবা মপা লোম্না হল্লকনি হায়না আশা

তৌছনা মহাক করিগুম্বা থরা থোংগদবা ফমথগ্রে, অসিগুম্বা মতম অসিদা মন্দিরগী শিল-লাংবনা লাকতুনা থঙহল্লবা ওং-নৈবা অদু শম্না অসিনি মহুদি, যু-থকপা জমিদারনা পাথা মতুং ইন্না মাগী মীনা শা অমা মহাপ্রসাদ ওইহন্নবা পুরকই। পুরোহিতনা অহানবদা য়ারমদে, অদুবু মমৈথংদা য়াথং মতুং ইন্না মহুবু বলি কংতুনা মহাপ্রসাদ ওইহনখি।

ভাবমক্তদা ষোড়শী চফু নৈরংদগী শং থাংথরল্লগা শাউবনা জ্ঞান মাংহুনা থুনা-য়াংনা মন্দির তন্না চংগ্রে, মপালগী থোঙদা হিন্দুস্থানী চৈশাং পায়বা মুপা মরিনা মাগী লম্বী থংলরে। বিশ্বম্ভর অরাপ্পদগী যুম তাক্লম্নগা থৈদোকগ্রে। মথোয় জমিদারগী দোলাইরেংনি। মচিন্দা পুকযুগী মনম মম্মী, মমিংশিংতু ভাংই — ওস্থাক্লা মওং চাদবা ফিভম্নি। বাংলা তম্লবা মুপা অদুনা অহানবমক্তদা হংলকই, "ঠাকুর থোরাবীদু যুমদা লৈব্রা? থোরাবীদু শেল পীদনবা চেনপ্রব্রা?"

ষোড়শীনা লৈদুনা য়েংবদা কদায়দা কনাসু উদে। তুংদা হৌন-লোনচং থঙনবা যু ভাওবা শাশিংসিনা থোক হেক ঈকাইবা পীরকত্রা ক্ষিদুনা মহাক্লা ফাঙমদ্রবা অশাউববু যাম্না বান। নমথরগা থোক্লেল তপ্না হায়রকই, "নত্তে, বাবা যুমদা লৈতে।"

"কদায়দা চংখিবগে?"

"ঐ থঙদে।" হাযরগা ষোড়শীনা থৈ দাকতুনা চংকে তৌরকপ-মক্তদা মুপাহুনা মথুং তিংথোকতুনা থংলহুনা যাম্না হঙ্গোইনিংঙাই ওইরবা বাহৈ অম। শিজিন্নরগা হায়রকই, "লৈত্রবদি নঙ চংসি। নঙক্লা থুদৈ থাংলগা চিংহুনা পুশনি।"

ঈকাইবা পীবা অসিনা ষোড়শীবু তশেংনা অঙাওবী মহনগ্রে। মহক্লা কন্না ধমকা তৌহুনা হাযরকই, "হেনজিন্নকনু হ য়ারবাসিনি। চংসি, ঐ চংকনি — নথোয়গী যুঙাওবহুনা কৈদোবা ওয়গে য়েংগে।" হায়রগা মহাক ঈকাই-ঈকি থঙদবীগুম মশামক থুনা য়াংনা চংথংগ্রে।

লম্বীদা শকথঙবা মী অম-অনি থেংনৈ, অদুবু ষোড়শীনা হন্না

ফাওবা যেংলে। জমিদারগী মীশি চু তুংদা লাংথুনা চংলি, মচিগী অর্থ থুঙ্গগী মীওই কনাদা শন্দোক্লা হায়রকথুনস্থু কান্নবা ফংলোই হায়বগীদা নত্তে, কনাদস্থু ৎেকবা, নিকথুনা অমুক শাথীনা ঈকাইবা নংলিবা অসিবু অমুক মচা মক্লা শন্দোকচবা মহাক্লা বরিহন্না মঙৎদস্থু পামজদে।

কাছারি যুম থোংনবা লাম্পু, এবকচি মমাংদা লৈরম্মী। মহাক্লা উবমক্তুদা হায়রক্ই, "ঐ থঙদে, ঐদি করিস্থু খঙদে — সর্দারজী, হুজুরগী মনাক্তা পুখ্রো।" হায়রম্লা শান্তিকুঞ্জরোমদা মখুংনা ইঙ্গিত তৌরম্লগা মহাক থুনা যানা মমুংদা চংশিনখ্রে।

তৌজিক্তা যোড়শী নশাগী থুদাংথীবগী চাং মপুংফানা থঙবা ওম্লক্লুনা নীংহন্নবা পোক্লক্লে।

কদায়দা চৎকদোরিবনো থঙনা থঙনা হংলকই, "ঐ কদায়দা চৎপা তাবিবগে?"

মুপাথুনা এককডিনা ত্তারম্বা লম্বী অদু উৎথুনা অস্থুম্নদা হায়রকই, "চৎলু।"

চৎপা তাবনি অদুম ওইনমক হায়রকই "ঐচোন্দদি শেল য়াউদে সর্দার হুজুরগী মনাক্তা ঐবু পুরগা নখোযগী করি কান্নগদগে?"

সর্দারনা মসিগী পাউখুম পীবদা তমথীনবা শকওং অমা উৎথুনা হায়রকই, "চৎশু লমহেনবী, চৎলু।"

যোড়শী অমুক বাঙাংদ্রে। মখোয অসি মীরমদা লাকপনি, মাবু ঈকাই থুম্নগনি হায়বগী রাখল লৈতে। মরম অসিনা শেলগী-মমক, খাজনাগীদমক মুপী মুপা থায়দনা অচম্বা প্রজাশিংদা চৎপদা মুংতিগী হৈনরবা শাকং অদুদগী মখোযনা মাগীদমক মওং হোংলক্কদবা লৈতে। হাযজ নোঙবা অাংম্বনি, কপ-লাউরুথুনস্থু বনাস্থু তেংবাবা লাকপিরোই। অপনবা পীক্করবদি মহুনা হেম্না লম্বী ময়াইদা কাদোক ফাজিন তৌথুনা ফজদবা অমা থোকপা য়াই। ফোংনা লমজাওদা ঈকাইবা নংগদবথুগী ওমথীবা শক্লোন অদুনা মাগী মচিল মেনশিন্দুনা

মাংলোমদা ইল্লকপগুমখ্রে। লম্বীদা যণশেনবা হুপাশিংনা মণ লোইগৎখ, লমাশিং নুংথিলগী থবক লোইরতুনা মকোক্তা পোৎলুম পুতুনা শমুমদা হল্লরি—ময়াম্না চঙ্কুনা য়েংনরোই। ষোড়শীনা কনাদসু হন্না যাংবা ঙম্লুদে, শুপগী মপুরিংদা হাজ্জরকই, ইমা মালেমলৈমা চেকথাযবিররোগবা!”

নুমিৎ তোখ্রে, মমশিল্লরে। স্ট্রিংনা চৎপা লাইথিগুম তুনিন্না শান্তিকুঞ্জগী মল্লংদা চংশনখ্রে, লেপনবা, যানি দবা উৎননবা কদায়দসু খজিক্তো ফাওবা ঙাংনরুদে।

মাবু পুশিল্লখ্রিবা কা অসি এককড়িনা নোংমা চংন্দা কিবনা ত চুংখিবা কা অতনি। চায়রিবা অহুক যুনম্না থল্লি। অঙৌবা, অমুবা অরাংবা, অনেম্বা মঙ্গ কয়াগী খুঙ্গিক্লি অহাংবনা কা থন্না চাযরি। লুখুমগী ফক্কাংদা ইরং-লংবা খুগ্রি অনি য়াম্লি মচি ঙমদা নাংমৈ অমা যান্দুনা লে, মখুৎ মযাদা অকায়বা টেপয় (মথোঙ অরুম পান্দবা অকোয়ব টেবিল মচা) অমদা পিস্তল জোড়া অমা লৈ, লাপ্তক্লা হেক মমাংগী মাঙ্গান্দা জঙ্গলগী শা অমগী শাউন ছাদতগী য়াম্থরি—মহুগী নমথিবা মনম মরক মরক্তা নাতোন্দা লৈরে। জমিদার ফমুংদা উত্রাক্লা হিপ্লহুনা লাইরিক অমা পারি। মকোক ময়াদা অথাবা লাইরিক অমদা মোমবাতি থাল্লি, মহুগী মঙালদা মিংনা বুপ্পদা পোৎ কয়া কযা ষোড়শীগী মিত্তা উরকই। ফমুংদা মোনপাকফিদক লৈতবনা ওইরমাল্লে মমল যায়বা শাল অমা থারি মহুগী মচি ফন। শাংনা লৈমাঙদা হাইথরি, মমল য়াম্লবা সনাগী ঘড়িগী মথক্তা ঙংখায চাক্লবা চুরুট মতেক অম। লৈরিবা অহুদগী লৈখু লিবি লিরি কারি, মহুক্কী ময়াদা সনা মচুগী অরংবনা মপাল চনবা চাদর অমা তারি, মখুৎ মযাদা খুৎ তৈথোক্লবা রুমাল নত্রগা গামছা লৈতবনা মহুদা খুৎ তৈথোক্লমাল্লে।

লাইরিক্লা লুমশিনথিবনা মুপাহুগী মাইথোং ষোড়শীনা উবা ফংদে, অহুবু অহুম ওইনমক মপুক্লিংদা থল্লকই, মহাক অসিবু মশাক্লা মিংশেলদা উবগুম মমেক শেংনা উরি। মাগী ধর্ম্ম লৈতে, পূণ্য লৈতে,

ঈকাইবা থওাদ, চিংনবা লৈতে — মীয়ুংশি হৈতবনি, নুংনি। মাগী মিংকুপকী দরকারগীদমক্তা ফাওবা মহাক্না করিগুম্বা পোৎ অমত্তগী মওঙ তাকপা লৈতে। হিংচা-য়াইতম্বগী যুম অমিগী মমুংদা অকি-ভূজুংবনা থল্লবা খুবাম-মুংদা মশাবু মতোমতনি হায়বা খল্লুবদা তাইহাক্তি ষোড়শীগী ইশ্রি পূম্নমক চপ লেপ্পতমখ্রে।

শাউম ফংদুনা নুপাদুনা হংলকই, "কনানো?"

মপান্দগী সদ্দারনা থোদোকতু শম্না তম্লপা চক্রবর্তীবু পলইহদবা মীচৈবা চৈরগা হিন্দুস্থানীদা হায়রকই, "মাম্না মচান্নুপী ফাদুনা পুজরক্লে।"

"কনাবুনো? ভৈরবীবুরা?" হায়রগা জীবানন্দনা লাইরিক লংথোক্লগা হোৗগৎতুনা ফম্মী। হুকুম অসি মহাক্না পীখিদমাক্লে থল্লকই। অদুবু থংনবা মিংকুপ্তা হায়রকই, "য়াম্না ফরে। য়ারে চৎলো।"

মথোয় চংখ্রবদা ষোড়শীদা হাযরকই, "ওসি নখোয়গী শেল পীরগদবা নুমিংনি। পুরক্লবা?"

ষোড়শী মখনাও কৎতুনা থোঞ্জেল ফ জিনখ্রে, করিগুম্বা মওংদমু বা তাংথোকপা তমদ্রে।

জীবানন্দনা তাইহাক তাইরগা অমুক হাযরকই, "পুরক্ত্রে হায়বা থওলে। অদুবু করিগীনো?"

হন্দাক্ত ষোড়শীনা য়াম্না কম্না ঙাংনদুনা পাউথুম পীরকই। তপ্না তপ্না হায়রকই, "এগোম্বগী লেজদে।"

"লৈত্রবদি অহিং চুপ্পা নহাকপু চৈশাং পায়বশিংসিগী কাদা কাদুনা থনগনি। মদুগী অর্থ থওব্রা?"

ষোড়শী খাওবাদা মথুং অনিনা চেৎনা পায়দুনা মমিৎ উই-শিন্দুনা ভুামম্না লৈখ্রে।

মাগী তমথবা ফংনা মশক ওল্লবা মাইথোং অসি লাপ্না লৈরবদু জীবানন্দগী মিংতা উরমাক্লে, বাস্তুদনবা কল্লা হোৎনরিবত্তুসু মহাক

থঙলমাক্নে, মিমিট থরা মহাক মশামকম্থু পঙথবগুম লৈ। অদুগী তুংদা মোমবাতিছু তাপ পায়রগা অশিবগুম রাম্থবগুম্লবী মুপী অমুগী মাইথোং ময়াদা চংশিন্দুনা লেপ্লরে, অদুগা আরতি কত্রিবৈগী মমাংদা পূজাৰীনা থাউমৈ থাল্লগা প্রতিমাগী মাইথোংদা য়েংবা অদুম্মক তৌদুনা মহাপাপী অসিনা মাইথোং ঈংনা চীং-লেম্লবী সন্যাসিনী অসিগী উইশিল্লবা মিত্তা মুন্না য়েংলগা মাগী গেরুয়া ফিজেৎ, মাগী থৌশাবিদ্রবা চোইজাইনরবা শম্লাং, মাগী ভাংনবা চিনবান মাগী মতোপ-মকাং ফরবা খুংশেম চংদবা হকচাং, পূম্নমক মাগী লাওথোক্লবা মিংনা তুমিন্না য়োংপা লৌরকই।

অষ্টম

মুপীগী তোপ তোপ্পা শক্তম অমা লৈ, মতুবু যৌবনগী অতোপ্পা ভমথৈ য়োদনদি মুপা ওইবনা কৈদৌঙৈদস্থু উবা ফংদে। মুপীগী উঙমদ্রবা শক্লোন অদু ভসি ষোড়শীগী থাউ তৈদবা শম্লাংদা, মাগী ব্রত চেৎলবা হকচাংদা মাগী থৌওইবিদ্রবা যৌবনগী শাযুদা, মাগী নৈংহৎপিরবা আশাগী মখোল অকংবদা শন্নদা, মাগী হকচাং কয়াৎ থুদিংমক্তা মসিনা অহানবা ওইনা জীবানন্দগী মিৎয়েং মাংদা শং শং চোংথোরকতুনা উরক্লে।

মুপীগী হকচাংদা মুংশিহৈত্তবা লীলা চক্তি কুন চুপ্পা অথিংবা লৈতনা শাম্লরক্লি — নিংথিবা কয়া ঈকাইবা কয়া মাধুর্য্য কয়া অদুবু লমচৎ নাইদবা অসিগী ঈরম্মুংদা লুপহনাখি, মতুগী দাগ অদু ফাংবা ওক্তবা অসিগী থম্মোয়দা মমি তাহৌদে, অপাম-মীহৌবগী অকনবা শাফু অদুদা ভসি থঙহৌদনা অপনবা ফংলে, মতম অসিদা ভাইহাক্তি মকম থঙদবা অঙকপা অসিনা মহাক্কী কারাম্মা ময়াই কাররা ওমথীরবা মিৎয়েং থংজেপ শেপহনত্রে, চীংলেমক্তনাত্র অমম্থুং ভূত চুমগুমত্রে।

ভৈরবীদ মকোক্তা কি বুপ্পা য়াদে, মহাক লুকচাম্নবা মখিৎ উংশিন্দুনা জ্ঞান মাংলবগুম লেপতুনা লৈ, অদুবু জীবানন্দনা তুমিন্না

হন্দোকপ্রগা মৈতু থমগ্রে অমম্থু যু লিক্লিদগী পাত্রদা হৈরগা কয়ারক হম্না থকচিনগ্রে।

ভৈরবী হান্নগুম অতুম লৈ।

জীবানন্দনা অমুক হায়রকই, "নহাক্কী চহি কয়া শুরবগে ?"

অতুবু অতুম ওৎনমক পাউথুম অমত্তা ফংদ্রবদা মাগী খোঙ্গেল কনখৎলক্লে, হায়রকই, "তুমিন লৈবনাদ করিস্থু কাম্নরোই। পাউথুম পীযু।"

ষোড়শীনা যাম্না রানা খোঙেল পিক্লা হায়রকই, "ঐ চহি কুনতরুক শুরে।"

জীবানন্দনা হায়রকই, "অতুনি। অতুদি ঐনা তাবা পাউনা অচুম্বা ওইরদি চহি তরামাপল-কুন অসি নহাক ভৈরবী ওইরক্লে, অতুনদি শোইদনা শেল যাম্না তুংশিল্লম্নগনি। পীবা তম্নোইদোরিবদি কারগীনো ?"

ষোড়শীনা অতুম তপা তপা খুন্নকই, "হান্নমা খঙহঙগ্রবগুনি, ঐগী শেল লৈতে।"

চিংনবগা লোয়নবা তপ্লবা খোঙ্গেল অসিদা য়াউরিবা অচুম্বগী লেংদবা অতুনা জমদারগী নাকোংদা যেররে। মহাক্না মতুদা অমুক য়েত্রে। হায়রকই "ফরে, অতু ওইরবদি মী অতৈনা তৌনবগুম তৌরো। শেল লৈবা মীদা লৌ থম্নগবু ওইবসু, য়োল্লগবু ওইরবসু পীখোকউ।"

ষোড়শীনা হায়রকই, "লৌ লৈবা মীদি মতু তমই। অতুবু লাইগী সম্পত্তি বন্ধান থম্বা, য়োনবা মহুগী অধিকার ঐগী লৈত্তে।"

জীবানন্দনা মীকুপমুক তুমিন লৈরগা থংনোক নোকতুনা হায়রকই, "লৌবগী অধিকার ঐগীবু লৈত্রা ? শুপ্পে লৈতে। অতুবু লৌরি, করিগীনো হায়ববু ঐনা পাম্মী। পাম্বা অসিমক সংসারদা শেংলবা অধিকারনি। নহাক্না পীববু পাম্নবদি — খঙলেদনা ?"

ষোড়শী বা তাংদনা চপ লেপতুনা লৈ, জীবানন্দনা হায়রকই, "উবদা নহাক লাইরিক থন্না হৈরম্মদবা মাল্লি, অহু ওইরবদি

জমিদারগী ফংফম থোকপা অতুগীদমক অমুক রা থোকহনগনু — পীথোকউ।"

ষোড়শীনা হন্দক্তি মথৌনা যুদোকতুনা মমাই নোনখৎলগা হায়রকই, "মহুবু জমিদারগী ফংফম থোকপনি হায়বিনিংব্রা ?"

জীবানন্দনা হায়রকই, "ফংফম থোকপনি হায়নিংদে, মহু নথোয়না পীনিংবনি মসি হায়নিংই। নহাক্না থল্লম্বা যাই, জমিদার অতৈদদি পীরক্তে। মতুগী মরমদি মথোয় ঐগুম্না চমদে। শেংনা হেক্তা দাবি তৌদে, অদুবু থুঙংগী অয়াম্বা শরুক তপ্না তপ্না আইন কায়না দখল তৌশিল্লে। মথোয়না মওং অমা থম্বই, ঐনা মওং অমা থম্বই। ফরে অহিং অসিদা নতোমতা নয়ুমদা হনখিবা ঙমগদ্রা। নহাক্না লাকমিন্নরকপশিং অতুগাদ শোয়নদুনা অমুক থানিংদে।"

ঙসায়নবৈ অমুক যাম্না রা ঙাংনরকপা অসিদা ষোড়শীগী অকিবদু থরমথৈ মখুং তাগ্রে, মহাক্ন নেল্লুক্ত হায়রবই, "য়াথং ফংলবদি ঙমগনি।"

জীবানন্দনা হুক্না হায়রকই, "নতোমতা। অমম্বা অহিং অসিদা ? য়াম্নবু ৱাগনিনে।" হায়রগা নহাক নোল্লকই।

মাগী রাঙাং অমম্বুং মীনোক্নী ইঙ্গিত অসুক্নী মতিক ময়েক লাগ্রে মহুদি, ষোড়শীগী হস্তগ্রবা চিংনবা অদু শরুক মরি থংহেন হেনগৎল্লে। মহাক্না থোক্ত থাংগদবগী তৌবমক্তদা জীবানন্দনা হাম্নগুম নোকতুনা হায়রকই, "ফরেনে, শেল পীরোই হায়রবনু পীরগনু ষোড়শী। মতুদা নতুনা অতৈ মথল কযাগী থুদোংচাবা —"

মহাক্না হৌদোরক্লিবা রাকমসি লোইশিনবা ফংখিগ্রে। মাগী মচিন্নগী মশাগী মমিং তাবদা ষোড়শীনা থওহৌদনা মতক থংহাই-হাইরদুনা হায়রকই, "হুজুরগী শেল, থুদোংচাবা, অদুম লৈকসনু, ঐবু থাদোকপিরো।" হায়রগা মহাক ঙশেংনমক হন্দক্তি থোঙকম অমা থাংদোকখ্রে। অদুবু নিপা অসিনা ফাওবা লোয়নদুনা চংখিন্নহন্নিংত্রবা মুপাশিংদু মাংদা লাপুক্না ফল্লম্বা উবদা মহাক মতোমতা চপ লেপচবে।

মহাক্কী বা অমসুং থবক্তা অপনবা অমতা জমিদারনা পীদে, অদুবু মহাক্কী মাইথোং কাহৎত্রে।

মিংকুপ অমা তুমিন্না লৈরগা জমিদারনা হায়রকই, "নঙ য়ু থকপরা ?"

ষোড়শীনা হায়রকই, "থক্তে।"

জীবানন্দনা হায়রকই, "নঙগী থম্মোয়দগী চাসবা মুরুপ্পী অনিথক লৈ হায়না তায়। চুম্বরা ?"

ষোড়শীনা হায়রগুম মকোক হাইরদুনা হায়রকই, "মীনম্বা বানি।"

জীবানন্দনা অমুক ওইহাক তুমিন্না লৈরগা হংলকই, "নঙগী মমাংগী অমত ভৈরবীশিংদি য়ু থকই — চুম্বরা ?"

"চুম্মী।"

জীবানন্দনা হায়রকই, "মাতঙ্গিমী ভৈরবী লমচৎ মাইদে, হৌজিকসু সাক্ষী লৈ। চুম্বরা, লানব্রা ?"

ষোড়শীনা ঙকাইনা থোঙ্গেল তপ্না হায়রকই, "চুম্মী হায়বনি।"

জীবানন্দন হায়রকই "তারবা ? ফৈ অদু ভৈরবীদি নঙনা হেক্তা নশাগী কা বুদগী গোত্রদগী মপাল থোকদুনা অফবা ওইদে তৌরুরিবা-করিগীনো ?"

পাণ্ডাখুম ওইনা ষোড়শীনা বা অসি হায়বগে লৌরকই মদুদি, অফবা ওইবগী অধিকার মা পুম্নমক্কী লৈ, অদুবু থঙাহৌদনা মুপাগী থোক্তাকপা থোঙ্গেল অমনা মহাকপু মরক্তা থংলেপ লেপহনত্রে। জমিদার জীবানন্দনা চুন্না হৌগৎতুনা ফম্নগা হায়রকই "মুগী-নহাশিংগা ঐ মরৈ য়েৎনদে, মথোঙ্গী মতামত ঐ কৈদৌউভেদসু থঙবা পাম্লুদে। নহাক ফৈ ফাত্তে শম-না থিদুনা মদুগী বিচার তৌমনবা মতমসু ঐগী লৈত্তে। ঐনা হায়নিংবদি চণ্ডীগড়গী হাল্লগী ভৈরবীশিংনা লেনথিবা অদুম্না নহাকসু লেনবনা য়াইফবা ওইগনি। ঙসি নঙ য়ুম অসিদা লৈরগদবনি।"

হুকুম তাবদা ষোড়শী বন্দুনা পানবঙম তশেংনা চপ বুংনা

লৈগ্রে। জীবানন্দনা হায়রকই, "নহাক্কী মতাংদা কমদৌদুনা ঐনা কয়া থাংলিবনো থওদে, অদুগা অতোপ্পা কনাগুম্বনা থজিক্কং বেরা তৌবা ওইরম্লবদি ওসায়না মাবু মীনাইশিংগী মথুক্তা শিন্নপ্রগদবনি। অসুম্না কয়া তৌগ্রবনি।"

মসি পংহায় হায়জিনবা নৎতে, মসি তাবতদা থওবা ওম্মী। ষোড়শী থংকপ কপথোরক্লে, মতক্তা মফি ফিজ য়েংলগা মখুৎ লোয়হনা পীরাংনা থুমহৎলবা থোজেংনা হায়রকই, "ঐগী লৈজবা পূম্বা লৌবিরগা ভাস ঐবু থাদোকপিবো।"

জীবানন্দনা ওাইহাক তুমিন লৈরগা হাযরকই, "করিগী নো ক্বাযথু? অসুম্না কপ্পম্ব অনৌবা ওইন। থাক্লে, অসুম্না ভিক্ষা নিবসিন্থু লৌনা তাবা নত্তে। অদুবু মখোয়গীদি মচা মবা লৈ — মদু থরমথে থক্কই।"

মখোয়গী মচা-মবা লৈ? তাবদা ষোড়শী তু চুংলকই।

জীবানন্দনা হায়রকই, "অদুবু নঙগীদি মতুম্ব লৈতে। চহি তরামথা তরাতরুক্কী মতুংসিদা নপুরোইবদুবু নঙনা মশাক ফাওবা উত্রি। মদুদা নত্তনা নঙগীদি মসিদা দোষম্থ লৈতে।"

ষোড়শী মখুৎ লোয়হনা লেপতুনা লৈ, পীরাং খুমহৎপা থোজেংনা হায়রকই, "ইপুরে ইববু ঐহাক ফজনা লৈশিংবা থোকত্রে অচুম্বনি, অদুবু মহাক লৈদি লৈরি? অদুম্বদা হায়জরিতসিনি, কৈদোৈদম্থু করিগুম্বা অরানবা অমত্তা ঐ ভাস ফাওবা তৌরকত্রি। থৌজাললাবদুনা ঐবু থাদোকপিয়।"

জীবানন্দনা লাউনা কৌরকই, "মহাবীর —"

ষোড়শীনা পাথপনা নিক্না হায়রকই, "ঐবু হৎতোকপিবদি ওমগনি, অদুবু —"

জীবানন্দনা হাযরকই "কৈ, নখোৌনদু মখোয়গী কাদা চৎলগা উৎলুচো, মহাবীর —"

ষোড়শীনা লৈমায়দা হাইথনা তুরদুনা কপ্পা কপ্পা হাযরকই,

"কনাগীসু মতিক লৈতে ঐহাকপু হিংনা পুন্থনা চৎপা ঙমগদবা। ঐবু নমা মক্কুদা ঙম্মনৈখ অরাবা দশা তাহল্লু, ওৎ-নৈহল্লু নহাক ব্রাহ্মণনি, ঙসিসু ভদ্রলোক ওইবার।"

অদুবু অমুক চাউব য়াকংতসু জীবানন্দ নায়রকই, মীনোক অছু লূম্বা অছুক তমথী। হায়রকই, "নঙগী য়াহু তাবদা ফজদনা খোক্কে, অদুবু ঐদি খোজাল পোক্কে, মহু য়াম্না থারে। হুপীদা ঐ মীহৌবা খজিক্কা লৈতে — পামত্রবাদ মীমাইদা হেক্কা লাম্থোকই। নঙবুসু পীথোক্লম্লগদবনি, ঙসিদি ঐ অহানবা ওইনা মীহৌবা খজিক্কং পোক্লমাল্লে অছুতননি। অরেম্বা খংদে — নেশা কোক্ত্রিবনৈখ ভাব তারোইদৌরি।"

মহাবীরনা খোঙজিল ময়াদা চৎলগা হায়রকই, "হুজুর!"

জীবানন্দনা মমাংগী খোঙদা খুদোম্থী থিন্দুনা হায়রকই "মাবু ঙসি অহিংদি কা আসদা খোঙ লোন্দুনা থম্মু। হয়েং মতিং খঙগনি।"

ষোড়শীনা পীরাং পীফম থৈনা হায়রকই, "ঐগী মা-জগদম্বা অমুক্তা থম্বুদুনা য়ংবিয়ু হুজুর। হয়েংদি ঐ অমুক মাই উৎপা ঙম্লরোই।"

জীবানন্দনা হায়রকই, "নোংম-নিনদনি। অদুদগীদ ঙমকনি। লিভরগী অনাবা ঙসি অমুক কনখৎলক্লে — অমুক পোইমা ওৎলম্লু — চৎখ্রো।"

মহাবীরনা চৈথুনা হায়রকই "হাই চৌগৎলু লমচেনবী—চৎলু।"

অদুবু মাগী বা লোইত্রিবৈদা খঙহৌদনা মখোয় অমিমক চঙলক্খ্রে। জীবানন্দনা কনা শমকা তৌথুনা হায়রকই, "খবরদার হে লমহুই, ফজনা য়া ঙাংউ। মতুংদা অমুক করিঙম্বদা ঐগী হুকুম য়াউদনা নুপী-নহা অমত্তং কাত্তুনা পুরক্লুরদি নো মৈনা কাপত্তুনা হাংকনি।" হায়না হায়না কোক্কা মোন্দু শৎ চি শিল্লগা উপ্প হিপথক্লে অমম্থুং অনা চৈনাখোল অমুক্ত লাউ-খোংহুনা থাংলগা হায়রকই, "ঙসিদি কা অসিদা লৈরক্রো, হয়েং নঙগী সতী শাবগী খন্ন-নৈনবা হায়বহনি। চৎখ্রো ঐগী মাংদগী হন্দোকখ্রো।"

মহাবীরনা তপ্না হায়রকই, "লেংলসি।"

যোড়শী পাউথুম পীদনা হৌগৎলগা হায়রিবদুগী মতুং ইন্না থংনবা অমম্বা কাদা চৎশিনখ্রে, খওহৌদনা মমিং পীন্দনা কৌরগা জীবানন্দনা হায়রকই, "ঙাইহাক্কা ঙাইখো — নহাক পাবা হৈবা নত্রা ?"

যোড়শীনা খোঞেল পীক্না হায়রকই "হৈ।"

জীবানন্দনা হায়রকই "অদু ওইরবদি থবক মচা অমত্তা তৌরম্মু। উপু অসিগী মনুংদা চেপী বাক্স অমা লৈবনি। অচৌবা মচা লিক্লি কন্না য়াউবনি, বাংলা ময়েক্না 'মরফিয়া' থাবা লিক্লিদুগী তুমনবগী হিদাক থজিক্কা পীরকউ। অদুবু য়াম্না চেকশিনগদবনি, মদু শাথীবা হুনি। মহাবীর মৈ পাময়ু।'

মোমবাত্তিগী মঙালদা যোড়শীনা মখুৎ নিক্না উপু হা লগা লিক্লিদু লৌথোয়রে অমত্তং কিনা হংলকই, "কয়া যাম্না পীরকউ হায়রিবনে ?"

জীবানন্দনা অকনবা অনা-চৈনাখোল খাংবদা অমুক খোনফম শোক্না লাম্বিরগা হায়রকই, "হায়রিবদুনি থজিক্কনি। ঐ তৌগৎপদু ঙমদ্রে, ঐগী থুং-শাস্ত পঙথরে, মিংসু উরকত্রে। মদুদা লিক্লিগী চামচ অমা য়াউবনি, মদুগী তংখায়দগী তাহনগদবনি। থজিক্তুং চেম থবদা নখোয়গী চণ্ডীগী মপা লাক্লগা ফাওবা তুম্বা কায়হনবা ঙম্নরোই।"

যোড়শীনা খিদুনা চামচ লৌথোরক্লে, অদুবু চাং তম্বদা মখুৎ নিক্লকই। অদুগী তুংদা যাম্না যতন তৌনা য়াম্না চেকশিন্না মহাক্না তাকখিবদুগী মতুং ইন্না হিদাক পুদুনা মনাক্তা লেপ্লরে, মতম অদুদা থল্লুবা লৈতনা হু অদু মখুৎ তিংখোকতুনা লৌরগা জীবানন্দনা ময়াদা হুকচিনখ্রে। হুদে, চাং য়েংদে, মামৎ পাংথোকতুনা অমুক্তমু য়েংদে।

মবি

থংনবা অমম্বা কাদা থনম্নগা মপান্দগী থোং লোনশিন্নগা মহাবীর থোকখ্রে, অদুবু মনুংদগী থাঙ লোম্নবা উপায় লৈত্রদুনা যোড়শী লোম্নবা থোঙ অদুদা মনঙলনা ঙাথরদুনা য়াম্না চেকশিন্না

কম্লি। থম্মোয় হকচাং য়াবা অমদি চোকথবগী অয়োয়বা ওমথৈ য়ৌগ্রে, অমম্মুং অহিংসিদা করিগুম্বা থৌদোক অমত্তা থোক্লদবা য়াই, অদুবু অহুম ওইমমক করিগুম্বা মওংদম্তু তুশ্বদি য়াদে। মফম অসিদা কোমথোকপা য়াবা বিন্দু অমগী লম লৈতে — মফম 'সিদদি ফশেংনা ওইথোক্তবা ফনা ওইছুনম্বু মহাক মওং পূম্নমক্তা মিং না শিংনা লৈবা তাবনি।

অদুবু য়াংলিবা অহিং অসি মওং অমদবু লেপ্লবম্তু হয়েং মাগী সন্তীগী থোইদোকপা অকনবা চংয়েং তৌগনি শায়বা মহাক মনাকোংমক্ত। তাগ্রে অমম্তুং মাসদগী নাপ্তোক্লবা করি উপায় লৈবগে মহুম্ত মহাক শুপথও থগুদে।

মপাগী বা নংশিংলকপদ। ষোড়শী আশা চাউথদি লায়রহুনা ঈকাইবনা শিগদোরে। মপাবু মহাক্ত মুলা থগুই, মহাক পাংদবা অহুক মপৃকাংচল পিকই। অহিং অপেংবদা মযুমদা হল্লক্লবম্তু থোদোক অসি থওনা থওনা মহাক্ত ফোংদোক্তবা য়াই, থাদোকহুম সমাজিক্কী ইয়াং শিবলগী থুপচায়না থম্নবা তোংনগনি। মপুক্লংদা অসি হায়না তর্ক তৌগনি, ষোড়শীবু নোংমদি জমিদারগী যুমথগী থাদোয়ক্কনি, অদুবু রাফম অসি মীগ্রোন্দা শক্ক্লুবদগী দেবী সম্পত্তি করিগুম্বা মথুত্তগী নাপ্তোকখবা তারবদি ওইজবদগী মাংবগী ফক্কনা থোইনা তেনখিগনি মহুগী মথক্ত। জমিদারনা তাল্লক্লিবা শলাম অহুগী ময়মদম্তু মাংমি মিনয়েং থব য়ালু। কাশগ্যদগে হুয়ব স্ত যাউশিনা মযেক লানা উই। অহুদা লন্তনা তমথীববা জমিদার অংসগী মথক্তা মহাক্তা করিবু তৌবা তমগনি। যুথক তক্লক তরেং অসিগী মহুংদা থানা অমত্তা লেতে, পুলিশ ষ্টেশন লৈতে — পুলিশতা পাউ পীক্লবা তারবদি মহুদা মতম, শেল অমদি মী চংগনি, মহু অমত্তম্তু তাপাদাসকী লৈতে। ময়ম অহুনা ওং-নৈবা ফনা ফনম্তু কল্লসম্ন, অাচোবা শক্তি অসিগী মমাংদা কোক নোম্না থাংবা নত্তনা অতোপ্পা লম্পী অমা লৈতে য়াকম অসি মখিত্তা খুদোম্বী খিন্দুনা ষোড়শীদা হয়া হয়া উংলকই।

অদুম ওইনমক অম্বাবা রাথল পুন্নমক অসিগী মরক্তা থীন্দুনা মাগী অতোপ্পা রাথলগী ইচেল অম্বা মনা-মনিল নাইদনা অভংবা লৈতনা চেন্থরক্লি — মদু চণ্ডীমাতা অদুনি, মহাকপু অভাং ওইরিবৈভেদগী মানা পুক্নিং তানি লোংদনা পুক্না ভৌজিরক্লি। অদুবু হায়রিবা মুপা অদু থংনবা কানা তুনি — মানা লুংশাঙ্কর পিক্না চাউনা তোল্লিবা অদুগী শোংফাত্তবা মখোল মাগী মনাদা তাবি, মগী ধর্ম-অধর্ম, অক-ফজো, ঐগী-নৈগী — পৃথিবীদা লৈরবা পোৎ খুদিংমক্তা কয়াম্বা অমখীবা ফংনা তুংশি লৈতনা লৌথোক্লিবা! মুপীগী মিংথৌ পীরাংদা মাগী থম্মোয় পোত্তে; মুপীগী শক্তম অমনি থোকপা মহাক মমতো পোক্তে,

[illegible] মপুগ্রাহীব-মচা লৈবীগী সতী-ধর্ম মক্তোন্দা লোইদোক্তা অদনবনি; কাংশদা মদুং [illegible]; মখোয়গী থম্মোয়গী ঊনা থোঙ অলি পুণ্যপ্রবদ্ধ হুম্বা য়েংদা লৈতে; মশাগী মথৱায় ফাওবা লৌতিক্তা মাগী মথুংতা লাম্বোলদুনা মানা পীবা ফিলেনবা লৈতেব মহিং ইক্তিনদুনা চাই, থক্তুত থদুনে। তুকচবা অমদুং থৈনিংবা পোক্তবগী মপাল মাইদেনবা লুংচৎনা পোংলুব মাস ইক্তোকতুনা চণ্ডীমাতামক্তা মন্দিরগী নাম্বোরবা মাগী লম্বী থোক্তপিবা ভুমগরো!

অদুম তৌদুনা মহাক্তা থেংথ খুংথবা মাইকৈনা শুক-শুক থম্বা নপুনা মডাল শংদেং ফাওবা ঊবা ফংদে। মতম মহুদা মপুংফনা [illegible] কায়নবা মহাক্তী অনতা ভাঙমবা ঈশ্বরগী মন্দির কোইদুনা শুকপী কল্লনাগী লাং শাৎকই।

নোংডাম্লকপাম্বা মহাক হাইদেংদং ফুইদক্কই, থাদোকদনা মলঙ্খাং, চক্কপগী কউম ফাওবা থংনবা চুম্বা ফম্মনা উগে, খোঙ্গনাবা লুমিংকী মঙাল ফাওক্লিবাদা।

মপান্দগী থোঙ লারিবা মহাক অদুনা হুমরক্কই, "মপাং থোবাপক্লা, ঐ এককড়িনা।"

ষোড়শী মাকপানাদা লেপ্লিল্লগা খৌগংদা কু অমদং থোঙ হাংদোকপদা শাংদা উগে, মরাং আংংগী ফমুং অদুদা জীবানন্দ অদু

মোক্না ক্লাহ্নুনা লৈ। [illegible] মুৎশিবা [illegible] মাঙ্গথোং ষোড়শীনা নিংখিনা [illegible] অদুবু ঙসি মিৎবুপ অমগী মিংযেংদা ঊবা ফং[illegible], মতম শাংনা লৈ-নৈহুনদা [illegible] হৃকচাং কয়াৎ থুদি মক যাম্না থীনা শোক[illegible]। চিঙ্ অরেপ্পা [illegible] ঙমদে— নিফু [illegible] য়াই, মহুদগী [illegible] যাই [illegible] চিং অনিদা পোক [illegible], পাল্লবা লাইরক ম[illegible]প [illegible] লাইরে, মতুদা মাইহিং [illegible] নাৎপী ম[illegible] মান্দ বুংলি [illegible], চাইক্ক চপ্পি। [illegible] মকপিরে, মহুগা [illegible] অনাবগী খাংঙমদবা চৈনখোকগী মমি শিল্লা তারি।

জীবানন্দনা [illegible] থংলহুনা পোংফাত্তুনা [illegible] হায়রকই, "নঙগী কিনিংঙাই লৈতে, ইনাক্তা চংশিল্লকউ।"

[illegible] মফুরিংদা ঙক্লকই, অদুবু [illegible]। জীবানন্দনা হায়রকই, "জেলাগী মেজিস্ট্রেট চৎপদা বোশ (যুগৎ) খরা লাপা কেম্পা শাহুনা লৈ, নাথাবগী বাবানা [illegible] অভিষেক মাঙ্গী মনাক্তা চৎলগা পুম্মনক খঙলুরে। শুদ্রগী অহুতগী নত্তে, কে সাহেব মশামক্তা ঐঙ্গোন্দা শাউবা অমা লৈ। হৌখিবা চহিদা তনিরক মাগী লাংদা থুননবা হোৎনৈ—অদুবু ঙমখিদে—ঙসিদি ম[illegible] তারে।" হায়রগা নোকফেৎ তৌরকই।

ι এককড়ি মমাই কাহৎনা মনাক্তা লেপ্লি, হায়রকই, "হুন্দক্তি

৯ ঐখোযসু হিংগনি অমুক নিংদ্রে।"

ম জীবানন্দনা মঙক নোমহুনা হায়রকই, "ওইবা যাই।" ষোড়শীদা মহায়যরকই, "লমন থুম্মিংলবদি মতম অসিমক্তি। ঐবু জেল পীবসু ৮

খান ষোড়শীনা পাউথুম পীগে হায়হুনা মমাই নোমখৎলকপমক্তদা তারখানন্দনা মাবু মুম্না যেংহুনা লৈরম্মা উরে। মিৎয়েং লুকখরগা লৈখৈরকই, "মসিদা জেল চংগদৌরিবা করিগীনো?"

অসি জীবানন্দনা হায়রকই, "আইম্মনি। অদুদা নত্তনা কে-সাহেবকী বাকমত্তা তারে। বাহুরবাগানগী মেসতা লৈরিঙৈদা মাগী মথুত্তা তাহুনা

নুমিৎ বুগ্নি হ খোঙ্গুম্ লৈরক্লে। করিগুম্বা মওংদম্ জামিন পীদে — অদুগা জামিন মতম অদুদা করানবু য়াবিগনি।"

ষোড়শীনা থঙোগৎদনা ঙাংতরবা খোঞ্জেলনা হংলকই, "করিগুম্বা নত্তনদা বাহুন বাগানগী মেস ঙা লৈবিরম্বা?"

জীবানন্দনা হায়রকই, "লৈরমই। মতম অদুদা নুংশি হুংওনগী খেদোক অমদা ঙদা শাক্লগ — আযান ঘোষনা শুপথা থাদোক-খিদ — পুগানা শিখি। মাদাদ, মদু কুইরবা বানি। কে-সাহেবনা ঐনু কাউখ্রে, নুংঙাইজই। ঙাংঙু চেনবা উন্নমগদবনি, অদুবু মাহুনা ফংনা লৈত্রে, লেংবা ফাওবা উমাদ।"

ষোড়শীনা ঙঙাইদনা হংলবই, ঙরাংগী অনাবদু হৌজিক ফাওবা শাগ্রবা?"

জীবানন্দনা হায়রকই, "ফগে, আকিবা ফংনা হেনগৎলক্লে! অদুদা মতমগী মসি খুথাং কপদবা লায়নস্থ নত্তে।"

ষোড়শীনা ঙাইরাক ভুমিন লৈরগা হায়রকই, "করি তৌজো হাযবগে?"

জীবানন্দনা হায়রকই, "মসিদংদি হায়রু, নহাক নশানা য়ানা লাকপানি নশানা য়ানা ঙসদা লৈবনি। মহুগী মহুত্তা নখোযগী দেবোত্তর পূম্নমক থাদোকপিগনি, লুপা লিশি অমা নগদ পীগনি, অদুগা খাজনাগীদি হাযনানিংঙাই লৈত্রে।"

এককড়িনা য়াকম অসি অনুক হাযগে তৌরকয়াল্লে, অদুবু ষোড়শীগী মাইথোং উবনা খুদক্তা চপ লেপখ্রে। ষোড়শীনা জীবানন্দগী মাইথোংদা যেংনদুনা হায়রকই, "ব্রা অসি যাবগী অর্থ খঙবিব্রা? অদুগী মতুংদস্থ ঐগী কমদা শেল-থুমদা হক লৈখিবা যাই খনবিব্রা?"

জীবানন্দগী মাইথোং হায়না কাহংলবনি অমসু, তাইফেং তাইরবা মাইথোং অদুগী কুংলবা মিং অনি অদুদা কদায়দগীনো ঙরাং অহিংগী অত্তগুম্বা অঙকপা মিংয়েং তপ্না তপা হুজিল্লল্লে। ফনা কুইরবা ফাওবা বা অমত্তা ঙাংদে, অদুগী মতুংদা তপ্না তপ্না মঙক

নোমজনা হায়রকই, "মচু [illegible] য়াই যোড়শী, মচু ওইবা যাই পূন্সিদা ঙসি কাওবা নহাক পাপ তৌরক্ত্রে — মচু নঙনা হায়রবা দেগ্লোই, আন্তনি।" নোককেং ভৌর [illegible] হান্নকই "শেখ্রনাম লৌবনা ইকুং যেনবা য়াবা নত্তে — মদ ঐ কাইদ্রবা [illegible]! মচু [illegible] অচুম্বদমক নশাক হায়রু — অদিধংরগী মাইকপই হরিহশা পুদা-থীবা অমসুং নঙ্গোন্দা ফংলোই।"

এককডিনা মপুঙ্গি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] ফিংজিবা পোত্তদা মপানদগী [illegible] [illegible] কপা ম[illegible] [illegible] [illegible] ফংলে, নদাই [illegible] [illegible]।

জীবানন্দনা লাউনা হায়রকই, "[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মিংবুপাকদা হাংকত্রা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] কর্মচারী থরক্ত মপুদা জলাশী [illegible] নশায় [illegible] মলেংচুমাগী তারাদাস চক্রবর্তীনা [illegible] [illegible] [illegible] মসানা মপুদা চংলকপগা [illegible] হায়রকই "[illegible] মবুংগো [illegible] আসিনি ঐগী ইচাগুপী, চক্রবর্তীগী [illegible] মবুংতাগী [illegible] ফংজমত্রবদি অসি মাবু শেখরদনক হাংদোকাশত্রগনবনি।"

কে সাহেবনা যোড়শীগী [illegible] [illegible] [illegible] য়াবা শেখরনা বাংলা [illegible] [illegible], "[illegible] [illegible] [illegible] নহাকপু যুমদগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]?"

যোড়শীনা মতক [illegible] হায়রকই, "[illegible], ঐ [illegible] [illegible] লাকপনি, [illegible] [illegible] [illegible]।"

চক্রবর্তীনা [illegible] [illegible], "[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] য়ানি। [illegible] পূজা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] চৈশা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।"

মেজিষ্ট্রেটনা জাবানা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হায়রকই, "নহাকনা [illegible] [illegible] [illegible], নহাক [illegible] [illegible] নহাকপু যুমদগী [illegible] [illegible]?"

"নাত্তে, ঐ ইশানা লাকচবনি।"

"মফম অসিদা নহাক্কী করি দরকার লৈবগে ?"

ষোড়শীনা অস্সুম্নদা থুম্নকই, "ঐগী থবক লৈ।"

সাহেবনা নোকফেং তৌনা হায়রকই, "অহিং চুপ্পা থবক লৈব্রা ?"

ষোড়শীনা মঙক নোমজুনা খোঞ্জেল তপ্পা হায়রকই, "হোয়, অহিং চুপ্পা ঐগী থবক লৈ। মহাক নাবসিদা ঐ যুমদা হনবা ঙমদবনি।"

তারাদাসনা লাউ-খাংদুনা হায়রকই, "থাজবিরুগদবসু হুজুর, পুম্নমক মীনম্বনি, শাজিনবনি। ফজনা তম্বিরবা চোইরোলনি।"

সাহেবনা মঙোন্দা যেংদনা শুপ্পগী নোকফেং নোকফেং তৌবকই অমসু, হুই খোংদুনা অহানবদা রাইফল অদুগী তু দা বিভলভর অনিদু মুন্না য়েংলগা জীবানন্দদা অস্সুম্নদ হায়রকই, "পুম্নমক অসি থম্নবা হুকুম লৈরমগনি নিংই।" অদুগা তপ্পা তপ্পা ইম্নুদগী থোকখ্রে।

মপান্দা মাগী খোঞ্জেল তারকই, "ঐগী শগোল পুরকউ।" অদুগা ঙাইহাক্কী মতুংদা শগোলগী খোঙথাং মখোলদা খঙলে, জেলাগী মেজিষ্ট্রেট যুমদু থাদোকতুনা চংখ্রে।

মঙা

মেজিষ্ট্রেটকী শগোলগী খোঙথাং মখোল অস্সুম অস্সুম শামখ্রে, পুলিশ কর্মচারীসু মাগী লোইনরকপশিংদা মফম অদু থাদোক্নবা ইঙ্গিত তৌরক্লে হৌজিক্তি তারাদাস মশাগী যিভম মশানা খঙজরক্লে। ঙসায়মথৈ মহাক অপাম্বনা শুমহৎলবা লৈচিন-নোংফাই মরক্তা লেপতুনা লৈরম্বগুম্বী, খঙহৌদনা কুমিং যুংবগী মুংশাদা মদু মলিল ওইনা পাইথোকখিদুনা অরাংগী অভিয়া শিন থুংনা হশাবা মুংশিং শিংলকপগুমখ্রে। উরিবা খুদিংদা, কদায়দসু মরুম, কদায়দসু

চংক্রফম, কদাযদনু লোংফম লৈত্রে— মহাক্কা মাইয়োল্লনা লেপ্লবুনা আশবনা ময়া লাংতুনা নোক্লি।

জেপা পুম্বী মপু ওইরিব মহাক্কী চানবিবা অমদি থোজাল ফংবা থোইদোক চেদোক্লা ওইথোক্তবান অমসুং আশা তৌভমদবানি, হুইড়াইবা অদু ফংবদা মাগী কল্পনা মাইকৈ খণ্ডনা জ্ঞান মাংথ। মহাক্কী খল্লখা, মাসিনা লমচৎ নাইদবা য়ু-থকপা অসবু মাগী (মজুদ্রৈচক্কী) মথুংতা তাহনবদা নত্তে, মাসিদি মাগী লাইবক্কা তম্বা লমাগী লপ লনাংদবা দাল্লি। বব ফংলবা খুংশা তরাদগী ভাসি লিংথত্নুনা ত হৌগদৌরিবা অতুনা ভনিদাব শাগৈ মাংহনবদা নত্তনা মাগী লৌই থোনা অমসুং শেল থুম পুম্নক মাংহনগদৌবিবনি। মহাক্ক কল্লা চিংনরম্বাদ মথোয় মতম চানা য়েখা ওপোইদ্র, লোল্লা পাউ শীংথত্নুন ক্য়াল্লনা চকশিনখিগদো অসিনা, অদুগা হায়রম অসিদা মহাক্কা রাখল, হোৎনবা অমসুং চেকশিনবগী মপাল নাইরমদে। মাসগী ফল ফত্তবা নাবগী থুদাংথিবা অদুসু মহাক খল্লখিদবা নাত্ত, অদুবু ফত্তবা ফল থুলরিবা অসিদি মাইকে সে মদগানি, ষোড়শীগী মথুংমক্লা থ স্বাভাব মাগ অদুক চাওবা নুংগী দলান অদু ফক্লাংগা লোয়ননা উয়ুল তাপ্রে, মতম অসিদা তারাদাসনা অপঙবগুম লাউ-থোংলকই, অদুগী মতুদা দান মাংবগী মতৌগুম ফনা বুইনা চুমিল্লা পঙথবগুম লেপতুনা শৈরুবগা খঙতৌদনা মাগী থম্মোয শোকপা মীকপ অমনা ময়াম চমম্লহল্লগা পুলিশ কর্ম্মচারীগী মখোঙদা তুত্নুনা কল্লতুনা হায়রকই, "বাবু, ঐদি করি ওইরগনি! ঐবু ইন্দক্তি জাঁদারগী মীনা হিংনা যুম্লরগনি।"

ইসাপুক্টীর বাবু অসি অকল ওইরবা ভদ্রলোক্নি, মহক্কা তৌফম খঙদনা মাবু মথুং পাংত্নুনা কানথংলে, অদুগা বাদনবা থেমজিন্দুনা চানবিবা থোংদেলনা হায়রকই, "কিরুনিংঙাই করি লৈ ঠাকুর, নহাক মচৌশাগুম অতুম লৈয়ু। মেজিস্ট্রেট সাহেব মশামক নহাক্কী মত্তেং ওইরি— কনানসু অমুক নহাকপু ওংলবোই।" অসি হায়রগা

মহাক্না জীবানন্দদা মিৎয়েং থানা অমুক্ত য়েংলকই।

তারাদাসনা মপী ৈংথোক তৈথোক্না হায়রকই, "সাহেবতি শাউহন্না চঙ্খ্রে বাবু।"

ইন্সপেক্টর বাবুনা নোকফেং কৌহুনা হায়রকই, "নত্তে ঠাকুর, শাউদে। অদুবু ৎসিগী ফাগীসি মহাক ত্তগাই তরাই কাউগনি নিংদে। অদুদা নত্তনা ঐথোয়সু শিদি থাংনস্সু অমদি লৈ।" হায়রগা জমিদারগী ফমুংলোমদা অমুক্তং মানা লৈবা মিৎয়েংনা য়েংলকই। ইঙ্গিত অসিগী অর্থ ওইরিবা ইন্সপেক্টর, অদুবু জমিদারগী মাইকৈদগী করিগুম্বা মতংগী পাউথুম অমত্তা পানদ্রে। মিৎকুপমুক তুম্মন লৈরগা মহাক্না হায়রকই, "হৌজিক্তি চংলসি ঠাকুর, যৌরসি। চৎকদবা লম্বী যাম্না শাংলি।"

সব-ইন্সপেক্টর বাবু নপা ওইরি, মহাক্না নোকফেং নোকফেং তৌনা হায়রকই, "অঙ্গাদি ঠাকুর নথন্তা চৎপা তারেনে?"

বা অসিদা ময়াম নোক্রকই। চৌকিদার খোঙ্গ মযাদা লেপ্লি, মখোয়সু নোকত্তুনা মমাই লেংখোকখ্রে। এক্কড়ি ফাওবা মমাই ভাংহুনা উগী শাইদা নিংথেং থমখ্রে।

করেমবা ইঙ্গিত অসিনা তারাদাসকী মিৎকী পী মিৎনা কুপ্পদা মৈরি ওনখ্রে। মহাক্না ষোড়শীদা থানা য়েংলগা ভংহুনা হায়রকই, "ঐ ইতোম্মদা চৎলান। মাগী মশক অমুক য়েংলরোই, মাবু য়ুমদা অমুক চংহনখিগনি নিংদুনু।"

ইন্সপেক্টর বাবুনা নোক্না হায়রকই, "মহাকপু নহাক্না মশক য়েংদবা য়াই, লাইদি শেংল্লু লাকলুনু। অদুবু মাবু মশাগী ময়ুমদা চংহন্দহুনা অমুক মৌনা নশাবু খুদাংথীবদা তাহনগনু।"

তারাদাসনা চোং-ফম্নহুনা হায়রকই, "কনাগী য়ুমনো? ঐগীনি। ঐনা ভৈরবী ওইহনবনি, ঐনা মাবু থাম্না তাস্থোকখিগনি। চুক্রি তারা চক্রবর্ত্তীনা পাযরি।" অসি হায়দুনা মহাক্না মবুক্তা থুবাক্না থাদুনা হায়রকই, "মহাক কনানো থত্তবিত্রা? তাবিনিংত্রা মমাগী—"

ইন্সপেক্টরনা থামত্তুনা হায়রকই, “তোক-ও! শাউবদগী পুলিশকী মফমদা বা থাক্তনা ঙাংবা হৌনদে — মত্তুনা থুদোংথীবা ফংগনি।” ষোড়শীদা য়েংত্তুনা হায়রকই, “নহাক চংনিংলবদি ঐখোয়না নহাকপু নয়ুম ফাওবা থিনবিগনি। চংলসি, অমুক থিন্তরগম্লু।”

ঙসায়মথৈ ষোড়শী মাইথোং লুকচান্নবা তুমিন্না লেপত্তুনা লৈ, হন্দক্তি মঙক হাইরত্তুনা হায়রকই, “চংলোই।”

পুলিশকী বাবুমচানা মচিন থুমত্তুনা নোক্লগা হায়রকই “চংকদবা বাংলিমাল্লোন।”

ষোড়শীনা মমাই নোনথংতুনা য়েংলকই, অদুবু পাউথুমদি ইন্সপেক্টর বাবুদা পীরকই, হায়রকই, “বাবুখোয় লেংবিরো, এদি চংকদবা বাংলি।”

“বাংলিবা? ঈকাই-থঙদবী, নডবু করিগুম্বা হাংপা ঙনদ্রবদি ঐ মনে হর চক্রবর্ত্তীগী মচা নত্রে।” অসি হায়রগা তারাদাসনা অঙাওবগী মতৌগুম চোংশিন্দুনা মহাকপু ভশেংনা থিনা য়ৈগদবগী তৌরকই, অদুবু ইন্সপেক্টরনা ফাজিন্দুনা থম্লগা থমকা তৌত্তুনা হায়রকই, “অমুক করিগুম্বা মসিদগী হেঁডল্লত্রবদি নহাকপু ফাত্তুনা থানাদা পুগনি। চংলসি, ইফ-ফজনা যুংদা চংসি।”

অসি হায়রগা মহক্না নুপাত্তুবু মওং অমদা চিংবাই করিবোই পুত্তুনা চংগ্রে, অদুবু তারাদাসদি মহাক্না হায়রিবা অকৰা বাত্তু মনাদ্দা হাপ্তে। মহাক খোঞ্জেল হৌনা ষোড়শীগী মমাগী মবমদা ঙাংনিং ঙাংনিংবা চাংনা চানা অমদং মাবু থিন্দনা হাংকনি হায়না অকনবা বাশক শক্লা শক্লা চংগ্রে, মাগী খোঞ্জেল অস্নুম অস্নুম ত মগ্রে।

পুলিশকা মরি লৈনবা মী পুম্নমক ভশেংনা চংগ্রব্রা নত্রগ। কনা লোংত্তুনা লৈত্তৌবিবগে, হীরম অসিদা য়াম্না হৈ-শিংলবা এককড়ি মথুনিং কাংনা তুমিন্না মপান্দা থোকগ্রে, জীবানন্দনা ইঙ্গিত তৌত্তুনা ষোড়শীবু থরগা অমুক চংশিল্লক্লবা হায়রগা য়াম্না খোঞ্জেল পিক্লা

হংলকই, "নহাক মখোযগা লোয়ননা চংথিজ্রিবা করিগীনো ?"

ষোড়শীনা হায়রকই, "ঐ মখোযগা লৈ কন্নিবা নত্তে।"

জীবানন্দনা মিংকুপ থরা তুমিন্না লৈরগা হায়রকই, "নহাক্কী সম্পত্তি ইথোক-ইশিন তৌবদা হুমিং নিনি হুম্মি চংথিগনি, অদুবু শেংহু নহাক ঙসিমক পুরপক্রা ?"

ষোড়শীনা হায়রকই, "মদু পীগিন্নু।"

জীবানন্দনা মোম্পাক নচি অমদা মখুৎ থিংজিন্নপা নোট মপুল অমা লৌখোরকই। মদু মশিং থেনা থিবা ষোড়শীগী মাইস্তে দা হন্না হন্না য়েংলগা নোকপা হৌনা হায়রকই, "ঐদি করিমত্তদা ঈকাইবা থঙদবনি, অদুবু অসি নহাক্কী নখুত্তা শিন্নগে তৌবদ। ঐহাক ফাওবা নাহন্নাঙ্গা চত্রাই।"

ষোড়শীনা ঈংনা নোল্লুকপা খোঞ্জেলনা হায়রকই, "অদুবু মদুদি পীবগী ঐ লৈত্রবনি।"

জীবানন্দগী মাইখোং ডাক্তর ক্কি ঈকাইবনা ভাংলকই, হায়রকই, "ঐ লৈরাংবা লৈবসনু ষোড়শী, ঐবু কনবদা নহাক্না মাংহনজখিবা অদুগী মমল শন্না মনগিত্রে, মসি খপ্পুদবগী শককপুদি থে ইদোক্নহম ঐবু কন্থিরমদবনা হেন্না ফ।"

ষোড়শীন মহাক্কী মাইখোংদা মমিং কুপ্তবমথৈ য়েংলদুনা হায়রকই, "অদুবু নুপীশিংগী মমলদি অদোম্না মসি পীদুনা মতম চুক্নদা মস্তিক্রবক্কি।"

জীবানন্দ পাউখুম পীঙমদনা ফম্মি।

ষোড়শীনা হায়রকই, "ফরে, ঙস করিগুম্বা অদোমগী মত অদু ওন্নবদি শেল থমজিনবিগ্রবস্থ যারে, ববিন্নু পীবিরনু। অদুবু ঐহাকপু থাঙ্গৈমক শেংনা হৌজিক ফাওবা শক থঙবা ঙম্বিদ্রিত্র ? মুন্না অমুক্তা য়েংবিযুদনা।"

জীবানন্দনা তুমিন্না য়েংলকই, ফনা কুইরবা ফাওবা মমিং কুপথিজ্রে। অদুগী তুংদা তপ্না তপ্না মঙক নোমদুনা হায়রকই,

"থঙজনবঙুম হৌই। অঙাং ওইরিঙৈদা মহাক্কী নমিং অলকা নত্রা?"

ষোড়শী নাক্কে, অদুবু মাগী মাইথোং 'পূম্বা লংথংলক্রে, হায়রকই, "ঐগী ইমিং ষোড়শীনি। ভৈরবীগীদি মহাবিদ্যা ওয়াগী মমিং নত্তনা অতে প্পা মমিং অম লৈতে। অলকাবু নিংশিংবিরিত্রা?"

জীবানন্দনা যাম্না লাংতক্লবা খোঞ্জেলনা হায়রকই, "থয়া থয়া অরগী নিংশিংদনি। মহাক্কী নমাগী হোটেলদা ঐ মরক মরক্তা চাবা চংলম্মা মতম অদুদা নহাক্কি চহি তরুব-তরেত্তগী সুপীমচানি, অদুবু ঐবুদ মহাক্না লায়না শক খঙই।"

খোঞ্জেল অসি অমসুং মহৃগী অথুপ্পা অর্থ থল্লুবদা ষোড়শীনা ডাইহাক পাউথুম পীঙমদনা লৈরগা হাযরকই "মহুগী মরমদি অলকাগী চাহি মতম অদুদা তরুক তরেং নত্তে, মাপল-তরা তরে, অদুগা নিংশিংবিরম্বসু য়াই, মাগী মমানা মাবু অদোমগী শাদোংনি হায়না লৈক্লে। অদুদা নহনা অদোমগী শক অমুক ফনসু ওনখিবা যাই, য়েংথংব মিংকী শবক্রু অদুদি কৈদৌঙৈদসু হোংলরোই। অলকাগী মমাবু নিংশিংবিরিত্রা?"

জীবানন্দনা হায়রকই, "নিংশিংলি। মাগী মরমদা তারাদাসনা চংনা চংনা ডাংখিবশিং অদুসু তাব তারে। মহাক হিংলিবরা?"

"হৈংখিদ্রে। চহি তরাগী মমাংদা মহাক নোংঙ্গাক্রে। অদোম্বু য়াম্না সুংশিনা তৌরম্মী নত্রা?"

জীবানন্দগী মকশিল্লবা মাইথোংদা হন্দক্তি অয়াবগী মমি তারে, হায়রকই, "হোয়। খুদেংথীবা অমা থোকতুনা মঙোন্দগী লুপা চাম্মা পুথি মহু শিংথিত্রব্রা থন্নি।"

থঙহৌদনা ষোড়শী যোমোন নোক্লকই, অদুবু মহাক্না থুনক্তা নোকপা থাংলগা টচম চয়া হায়রকই, "মহুগীদমক সুংডাইতবা করিসু পুক্রিংদা থম্বিরুসু! অলকাগী মমানা শেল অদু পুথোকপা ওইনা পীখিবা নত্তে, অউনপোং ওইনা পীথিবনি।" ডাইহাক তুমিন লৈরগা অমুক হাযরকই, "ওসি শেল থুম্না লৈমিক-লৈরাক থয়বা মতম অাসদা

অয়াবগী য়াশিংছু নিংশিংবা পাম্বিরম্লোই, মুমিৎ অদুগী লুপা চাম্মতুগী মমল ঙসি হিসাব তৌবসু লুন থোকপা যাই, অদুবু হোৎনরবাদ মসিদংদি নিংশিংবা ঙম্বা য়াট্রে মদুদি মুমিৎ অদুসু অসিগুম্বা খুদোংচাদবা মুমিৎমক্তি। ঙসি ষোড়শীগী লমনবু য়াম্না লুম্না থনবিরি, অদুবু মুমিৎ অদুদা পিক্লিবা অলকাগী লেখা তারবী মমাগী লমন অদুসু হন্থনা লুম্বা নংখিদে।"

জীবানন্দনা চৈনাখোল ক হুনা হায়রকই, "মহু থম্বা চম্মগদবনি, করিগুম্বা মহাক্না শেল থবা অদুগীদমক্তা মাগী মচানুপীদু ঐহাকপু নমথুদ লুহোংনবা নংলমদ্রবদি।"

ষোড়শীনা হায়রকই "লু হানবা মানা তকশিনখিবা নত্তে, থোই দোক্লুম অদোম্মনি। অদুবু ফজদবা মাফমসি নৈনবম্মুসি। হৌজিক্তা হায়জখিবদুনি ঙসি অমুক কায়স্থ লৈতবা লুপা থবা অদুগী মমল লেপ্পা ওইথোক্লরোং, অদুবু অলকাগী মমানা তঙ্গবা মহুথক্তনি। মচানুপীগী করিগুম্বা য়াহৎনবা শিনবা তাবদা মহুনা নত্তনা অতৈ করিসু মথুঙা লৈত্রে, মকমতুদা লুপা থরদুগা লোয়মনবা মচানুপীবুসু অদোমগী খুত্তা পীবা তাখি। অদুবু লুহোংবদি অদোম হোংখিদে, ঙপগী তৌশিন্নবতনি। কন্যাদান লোইবগা লোৎপ্রবনি, মহুগী মতুংদা ঙয়াং উবা অসিনা অহংনবা ওইগনি নিংই।"

জীবানন্দনা হায়রকই, "অদুবু মহুগী মতুংদদি নহাক অশেংবা মওংগী লুহোংই হায়না তাই।"

ষোড়শী ফিংগস্তে। হায়গুম ঈংনা চৌংলেম্না হায়রকই, "মদুগী অর্থদি অমুক অতোপ্পা নুপা অমগা, অসি নত্রা? অদুবু মরাল লৈজদবী উপায় লৈত্রবী নুপীমচা অদুগী মরাইবক্তা থাংঙমদ্রবা থৌদোক অসি করিগুম্বা থোকথিরম্লবসু অদোমগা মদুগী মরি করিমতা লৈমদে।"

জীবানন্দনা হায়রকই, "ষোড়শী, মতমদুদা নহাক অঙাং ওইরি, অদুনা য়া কয়া মুম্না থঙদবনি। নহাক্কী নমা করিগুম্বা ঙসি হিংলম্বা থোক্লবদি মহাক্না তশেংনা করি পাম্নবগে হায়বদু মহাক্না সাক্ষী

শীরগদবনি। মহাক্কী বাবাবু ওসিগী মমা-দা হৈদ্রেবৈদসু উবিদ্রি, কন্যাদানগী অহিং অদুদা মমিংমথৈদনি তাথিবা, মহাক অতুমক তারাদাস অসিনি, নহাক্কা অমক নি, মসি ঐ মতুদা ফারেব শক্লদে।"

শোড়শীনা থুনা য়াংনা থামহুনা হায়রবই "ওসিসু থবু গী কায়রবা লৈতে।"

জীবানন্দনা হায়রকই, "লৈতসনু, অদুবু হাক্কী মমানা খঙবনি, নহাকপু নহাক্কী বাবাগী মনাক্তগী তেংওপ্পা থম্বগীদমক্তা মহাক্কা অমবু ওইরবসু তেক্কা —"

"লুচোংবগী লৈই কোইনা চিংহুনা থনম্বরা? মহু ওইংবসু ওইজসনু। অলকাগী মমাসু শিখ্রে, অদুগা অতুমক ঐহা মচুগীসু অদোম্না য়ানা থনবিক্রবগা কায়রবা লৈতে। অহুবু করিগী মথাবগা শোয়নবা চত্রিবন্না, করিগীদমক ইশাগী পুম্মা মাংনবা শিঙ্গবিবনো, য়াফম অসিমক ওসি হায়জরগনি। হবাং ঐবু লাইরিক হৈনমগনি থনবিরম্বা যাই, শাগা ইবদি একবডিন্নু হৈ, মহু নাত্তে, অহুবু ইপুত্তা করিসু শিন্নবিরমদবা ঐগী গুরু মহাক অতুমক্কী খুগাখাদা ইশাবু অথম তৌনা বলি তৌবদসু ঐ নীংজমদে।"

জীবানন্দনা ওইহাক তুমিন্না মাইথোং লুক্না লৈরক্রগা অপ্পা অপ্পা নোনখংলক্লগা হায়রকই, "অহুবু থনসি অচুম্বা রা, করিগুম্বা নহাক্না ফোদে কহুনা হায়রে, অদু ওইরবদি —"

ষোড়শীনা খুদক্তা হায়রবই, "অচুম্বা রদি করিনো? লুচোংবগী য়ারা? অহুবু মহুদি মশম্বা। লুখ্রাদে। অহুদা নত্তবা য়াফম অহু অলকাগীনি, ঐগী নত্তে। ঐ দিদা লৈহুনা য়ারি শারগা মাংজনগী চাং থঙ্জিন্তসু হন্থদোই। অহুবু "হুগী য়াহুদি ঐ খোইনা থলু দা। ঐনা হৌজিক যাম্না য়াগবদি ঐ ইশাগী নত্তে—অদোমগী থংবদনি। ওরাং থল্লম্মী, অদোমগী লিংজেল মপাল নাইদে — নশাক্কী থরায ফাওবা মহুগী মফমদাদি করিসু লৈতবনি, অহুবু ওসিদি মহু অয়ানবনি হায়রবা উবা ফংলে। মরাল লৈজদবী হুপীগী মমলনা ওসি নশা হিবা

পামখিবদা নত্তে মোংম্না নথবায় হিংননবগীদমক তাল্লবী সুপীমচা অমবু পাক্লবা ঈয়াইদা তাউহনখি, ঙসি মহাক অহুবু শক খঙনন্ববী থোনা ফাওবা নৈত্তে।"

জীবানন্দনা মিৎকুপ খরা তুমিন নৈক্লরগা খংহায় হায়রকই, "ষোড়শী, ঐহাক অস্তুক্কী মশক নৈখ্রা তারে মহুদি, গৃহস্থগী য়ুমগী মোগী য়াইফবা ফনা হায়ক্লকুনস্ত নপুক্লিংদা নোকনি, অহুবু নুমিৎ অতুদা অলকাবু লুপ্লোংলগা বীজণাগী জমিদার ইমুংগী মৌনি হায়না সমাজদা পুশল্লবনি অফবা থবক ওইরমগদ্রা ?"

ষোড়শীনা চীনব নৈজনা হায়রকই, "মহু শেংনা খঙদে, অহুবু অচুম্বা থবক ওইরমগনি হায়বদি খঙই। লাইবক থীবা পুম্নমক খঙনা খচনা খুৎ তিংথোকতুনা লোবদা অদোম নীংহল্লখিদে মতাক অহুবু অহুম্না হুন্দোকতুনা চেল্লমদ্রবদি অস্তুক শাথীনা হঙোইনিংঙাই ওইরবা থোও, অসি অদোমগী লাইবক্তা থোক্লম্লোই। অচুম্বা অহুমক্তা অদোম্বু খুদোংথীবা অাসদগী কনব ঙম্লমগনি। অহুবু ঐনা অরেম্বদা ঙাংলি, ছোজিক পুম্নমক অসি অদোমগী মফমদা অমুক হায়ক্লবা অরেম্বনি। ঐ চংলগে — অদোম্না বরিঙম্বা থরা পীননবা হোৎনবিহম্না ঐবু ঈকাইবা পীবিগনু।"

জীবানন্দনা বরিমন্তা হায়দে, অহুবু এককড়িবু থোঙজিল ময়াদা উরহুনা মহাক্না খঙহৌদনা কাঙ্গালীগী নতোঙ্গম হায়রকই, "এককড়ি, নখোয়গী অসিদা ডাক্তরকক নৈরো ? অমুক্তা কৌকবা ঙমগদ্রা ? মহাক্না অপাম্বনখে ঐ পীগে।"

ষোড়শী চঙক্লে। ঈক়ইবা নংনা অমম্বং লাংতক্লবনা অস্তুক কুইবাস মঙাক্তা মিংয়েং তকেনা মঙোদগী লেখোকতুনা নৈকই।

এককড়িনা হায়রকই, "ডাক্তর কাবগী লেঙগদগে হুজুর — ঐখোয়গী বল্লভ যাম্না খঙ-হেরবা অফবা ডাক্তরনি।" হায়রগা মহাক্না রাপাংবিরক্লবগাদমক ভৈরবীদা যেংলকই।

ষোড়শীনা ঙাংদে, অহুবু জীবানন্দনা খাংঙমদ্রব থোঙ্গেলনা

হায়রকই, "মখুম কৈশ্নুচো এককড়ি, অমুক মিনিট অমা ফাওবা লন্তরগনু। অদুগা মসিদা তারিবা লিক্রিশিং অসিদা ঈশিং অশাবা কনাগুনা হাপ্লগা থম্লকউ। কদায়দা চৎখ্রবগে মখোয় ?"

এবক্ষিংবা হায়রকই, "ঙাকম অসিমক হায়গে হায়দুনা লাকচ-বনি হায়রগ, পুলিশ কিবদগী কনানা কদায়দা চৎখ্রবনো খিবা কৌদ্রে।"

"অন তুংলেত্রবা, লোইনমক চেনখ্রবা ?"

"লোইনমক, নী-পোং অমত্তা লৈত্রে। মখোয়বু মীয়ান হুজুর! কদায় লৈদি —"

জীবানন্দনা লাংতক্লনা হয়রকই, "ডাক্তর কৌবা চৎলিনবা লৈত্রব্রা এককাড়ি ?"

এককড়িনা ঈকায়না হয়রকই, "করিগী লৈতগদগে হন্না ঐ ইশাগক মিংশি, হোজিক মহাক ময়ুনদা লৈরমখিগনি। অদুবু ঈশিং লুমদুনা লৈরবদি য়াগা খেৎখ্রগনি। অদুদা নত্তনা হুজুর লংঙামদা —"

অদুবু রাসি লোকশিন্নবগী উপায় লৈখিদ্রে। মুখী অকনবা অন্য-চনাখোল থা বনী খোলাও অমগা লোয়নানা জীবানন্দগী নাইখো, মিৎকুপ্তা এশক ওনখ্রে অমসুং নমথনবা উপথরগা শেংফাত্তবা খোঞ্জেলনা অসুমদা হায়রকই, "উ — ঐ অমুক থাবা ওমদ্রে !"

ষোড়শীদা কদায়দনো একনবা চৈনাখোল ফাওখরে। অসুক থম্মোয় শোকপা, লিংবা কাথরবা খোঞ্জেল মাঙন্না তমথীবা ওত্তবা অমগী নচিন্দগী থোরকপা যাই হায়বা মহাক মতদা খাওব থন-ঙমদে। অশেংবদি মী হায়বসি কয়াদা উপায় লৈত্রবা, অরবদা অমগা অমগা কয়াদা ঐগী ওইবা রাখল লৈরিবা, ঙাকম অসি থল্লুবদা মামত্তা ঈপা চেল্লক্লে। লিংখুগা অমদা মশাবু যাথজরগা মহাক্লা তৌকম খণ্ডবা এককড়িগা য়েংদুনা হায়রকই, "নহাক বল্লভ ডাক্তর বৌক য়া চৎলো এককড়ি, 'সিদা তৌগদবা 'পুম্বা ঐ তৌহৌরগে হোৌরক। লম্বাদা বেংনবা অনা হেক্লা থারকউ, হায়মু পুলিসকী

কিনিংঙাই করিস্নু লৈত্রে।”

এককড়ি ভক্তে, খোইদোক্নহুম হৱাওনা হায়রকই, “ডাক্তর বাবু লৈরম্বা মফমদগী ঐনা শেংদনা পুবক্কনি। অহুবু চাকশঙ ভাকচরমখোরা ?”

ষোড়শীনা মঙক হাইদুনা হায়রকই, “দরকার লৈতে, ঐ ইশানা থিজবা ভমগনি। নহাক মরম অমগীবু ওইববস্নু কুইরক্নু।”

“কুইজরক্লোই, ঐ যামা খুনা হল্লক্কান।” হায়না হায়না এককড়ি থুনা য়াংনা মপান্দা থোকখ্রে।

তরুক্

চাকশঙ থিরগা ষোড়শীনা ঈশিং লুগা লিখ্রিদা হান্দুনা পুরক্লে, মতম অদু ফাওবা বনাস্ম হৌজিল্লকখ্রি। জীবানন্দ অহুম উপ্না হিপ্লি। মহাক্না খোঙথাং মখোলদা মমাই লৈখোরক্লগা হাযরকই, “নহাক ? ডাক্তর লাকখ্রিব্রা ?”

ষোড়শীনা হায়রকই, “হৌজিক মখোয় য়ৌরক্কদবা মতম থরা রাংলি।” হায়রগা মহাক্না মথুত্তা পায়রিবা সিক্লি অনি অদু ফমু, মচি অনদা থাম্ন।

জীবানন্দনা রাতু তশেং ভশেংনা থাজবা ভমদে, হায়রকই, “হৌজিক ফাওবা মখোয় যৌরকপা মতম ওইখ্রিবা ? ডাক্তর কয়া লাপ্না লৈবগে খঙব্রা ?”

ষোড়শীনা হায়রকই, “খঙই, অদুবু মিনিট তরামঙাগী মন্থংদা হেক্কা য়ৌরক্কত্রা ?”

জীবানন্দনা নুংশা মপী হোন্দোক্লগা হায়রকই, “মিনিট ১৫ দা ভায়রিবা ? পুং অনি-অহুম ফারবোই নিংই, এককড়িনা কৌবা চংথিবদু মতুদগী হেন্না কুইরবোই খল্লুই। মহাকস্নু কিত্নুনা মফম অসিদা লাক্কবা য়াই ভলকা।” অসি হায়রগা অহুম উপ্না হিপখ্রে। মাপী খোঞ্জেল অমস্নুং মিংয়েংদা লাংতক্নবা অমদি নিংবা কায়বগী ভমথৈ

অমুক লৈখিদবগুমখ্রে।

ষোড়শীনা ওাইহাক তুমিন লৈরগা খোঙ্গেল মেংনা হায়রকই, "ডাক্তর করিগী লাক্কনি। ঈশিং অশাবা হানবা লিক্লি আন অহূ চিংশিনবিরোদনা ?"

জীবানন্দনা অহুম্না অতুম মঙক ওাইরকই, হায়রকই, "নত্তে লৈজরসন্থু। মসিনা ঐঙোন্দা কঁরিস্থু কাম্নদে, বাবা হেক্কহনবদনি।"

ষোড়শীনা থুদক্তা য়ানিংদবা করিমখা ফোংদোবক্কে। উপায় লৈত্রবা, লায়না চেল্লবা মুপা অসিগী মচিন্দা মথাক্কী অভাং ওইরিবৈজ্রগী মিং পল্লকখিবা অহুনা হৌজিক্তা অহানবা ওইনা মনাকোংদা তুং তুং ভংলহুনা করিনো খঙদবা অথুপ্পা অর্থ অমা হায়গদবগী হোৎনরক্লে। মহুদা লুপখিহুনা মহাক ঐগী মীগী, মাংগী তুংগী পূম্নমক কাউখিহুনা ভূত চুবগুম লেপহুনা লৈরিমাল্লে, খঙহৌদনা জীবানন্দনা কৌরকপদা মহাক মঙফাংনেরে।

"অলকা!"

মিং অসিবু মহাকা অমুক খোঙহৈদবা ওমত্রে হায়রকই, "আজ্ঞা!"

জীবানন্দনা হায়রকই, "হৌজিক ফাওবা মতম ওইদ্রব্রা? মহাক লাক্কবা যাই, কদায়দনো চৎলস্থু য়াই।"

ষোড়শীনা হায়রকই, "ঐ তশেংনা থাজৈ, মহাক কদায়দস্থু চৎলম্লোই।"

"মুমদা হৌজিক ফাওবা কনাম্বু হন্ডিল্লকত্রিব্রা?"

ষোড়শীনা হায়রকই, "হল্লকত্রি।"

জীবানন্দনা মিংবুপ অমা তুমিনা লৈরগা হায়রকই, "মখোয় অমুক হল্লক্কবা য়াই, এককডিস্থু চানাক হৌহুনা চংখিবা ওইমরগনি।"

ষোড়শী তুমিন্না লৈ। জীবানন্দ মশামকস্থু অনংবা খংংহুনা ওাইহাক কৈরকই, হায়রকই, "কোইকমক চংগ্রে, মখোয়দি চংখিবা য়াই — নঙদি চংপা য়ারোইদৌরি।"

"করিগীনো?"

"ঐ হিংগনি নিংদ্রে — অহুননি। ঐ শোর হোনবা ফাওবা ৱারে, পৃথিবীদা মুংশিং অমুক লৈত্রবোই নিংই।"

"অদোম য়াম্না ৱাবত্রা ?"

"হুঁ। অলকা, নহাক্না ঐবু ঙাকপিয়ু।"

ষোড়শী চঙক্লম্রে। জীবানন্দনা ঙাইহাক্কং লৈরগা অমুক হায়রকই, "ঐ লাই-ভীন থাজদে, দরকারনু ওইদে, অহুবু ঙাইহাক্কী মমাংগী পুক্নিংদা থল্লম্মী। পুন্সিদা পাপ যাম্না তৌখ্রে, মহুগী হৌফম-লোইফম লৈতে। ঙসিদগী তশেংনা লমন পুম্নমক কোক্তা থোংহনা পুবগনি থল্লি।"

ষোড়শী তুমিন্না অহুম লেপতুনা লৈ। জীবানন্দনা হায়রবই, "মীওইবা অমর নত্তে, শিবগী চহি মতংবু কনানম্বু দাগ থনমদে, অহুবু অনাবা অসি থাংবা অমুক ঙমদ্রে — উ — ইমা-ও!" হায়না হায়না মাগী মশা পুম্বা অনা-'চনাখোলনা হাকবক্লে।

ষোড়শীনা উরে মাগী হকচাংদা নত্তে, লাইবক্তম্বু হুমাং মরিক মরিক কারে অমসুং মাইথোং কাহংলে, মনিং উঙশিল্লি, ঈ থাংদ্রবা চিনবান থক থা ক্রক ক্রক চিকশিল্লি।

মিংকুপমুক করিনা থনমাল্লে, অতগা হাইফেং নীংহন্নবগুমম্বু ভৌই, অহুগী তুংদা অনাবগী মনাক্তা চংশিন্দুনা ফম্লারে। ঈশিং অশংবা লিক্লি অনি অহু যাম্না চেক্কশিন্না মাগী থবাক মযাদা চিংশিন্দুনা থগদা জীবানন্দনা শুপগী মিংকুপমুক্কং মনিং পাংত্রুংগা অমুক্কং শ্লোংলম্নগা উইশিনখ্রে। ষোড়শীনা এফি ফিজিংগা মহাক্কী লাইবক্তা কারিবা হুমাং তৈথোকই অমসুং হুমাই লৈত্তবনা ফিজি অহুনা তপ্না তপ্না হুন্নবই।

জীবানন্দ বা অমতা ঙাংদে, মাগী মখুৎ যেং তপা থাংগৎতুনা ষোড়শীগী তম্পাক্তা থম্নগা লেংদনা লৈত্রে।

মিনিট অরামঙারাম অস্থুম্না চিক্না লৈরবা তুংদা জীবানন্দনা হাম্না কৌরকই, "অলকা!"

ষোড়শীনা হায়রকই, "ঐবু ষোড়শী হায়না কৌবিয়ু।"

"অলকা অমুক ওইবা যাররোইদ্রা?"

"য়াররে।"

'কাংলুপ্না লুমিন্না করিগুম্ব মরমদগী —"

"হাংদোকপা য়া ড়াংবিয়ু।"

অদুবু হাংদোকপা য়া জীবানন্দগী মচিন্দগী অমুক থোরকাদ্রে, খাংজিনগনবা এংগা নংগী অরোইবা মচিং খঙ্জিক্তংদু তপ্না হোন্দোক-লহদুনা অদুদা বনা তীনখ্রে।

মিনিট অমা অদুগা মতুংদা ষোড়শীনা খোঙ্জেল তপ্না হংলকই, "নুংঙাইতবদু করম্না হংদবরা?"

জীবানন্দনা মচক নোমংদনা হায়রকই, "খরা হঙ্গরবোই নিংই। ফারে, কাগুম্বা তিঙ্খৈবদি নহাক্কী করনবা অমতা তৌবা য়ারোইদ্র ?"

ষোড়শীনা হায়রকই, "ঐদা সন্ন্যাসিনীনি — ঐগী ইশাংগী কাম্নবা কনাগুম্বু করি তৌবা য়াদে।"

জীবানন্দনা হাইনাক তুমিন লৈবগা খঙ্ঙহৌদনা হায়রকই, "ফরে, অসিগুম্বা অমংগা লৈদ্রা, মহাক সন্ন্যাসিনীনসু হয়াওগদবা ?"

ষোড়শীনা হায়রকই, "মহৌ লৈরম্বা য়াই, অদুবু মহাক দমক অহুক লাংতক্খিবিরিবদি করিগনে।"

জীবানন্দনা অমুক হায়দুনা কনোক নোল্লগা হায়রকই, "ঐগী দোষ নপাল নাইদে, অদুবু অহাক্পগী কাম্নবা তৌননবা লাংতাক্ক হায়বা লৈদে অসিদি হাস হাঙবা কনানসু ঐতোন্দা পীদ্রে। অদুদা নত্তনা হৌজিক হায়দোকখ্রে হায়দুনা নাবা ফরগা হায়গনি হায়বগীসু করিগুম্বা অরেপ্পা অমতা লৈতে — মসিসু ওইবা য়াই। পূম্নমক চুপ্পা মাস নত্তনা অসুম্মদি অমুক্তা থোকখিদ্রে।"

ষোড়শীনা তুংগা অমুক্কা মহাক্কী মমাইদগী হুমাং তৈথোকপিবে। জীবানন্দনা খঙ্ঙহৌদনা থুং অহু তাপ পায়শিল্লগা হায়রকই, "সন্ন্যা-সিনীদি অবা-নুংঙাই করিসু লৈদ্রা ? মহাক্না হয়াওগদবা অদুগুম্বা,

করিম্বতা পুন্দিবিদা লৈত্রা ?"

ষোড়শীনা হায়রকই,"অহুবু মহুদি অদোমগী খুবাম মুংদা লৈতে।"

জীবানন্দনা হায়রকই, "নোঙইবগী খুবাম-মুংদা লৈবা অহুঙম্বা থরা ?"

ষোড়শীনা হায়রকই, "মনুস্য নন, অহুবু নাবা করগা হংবিগক্রবদি মতমহুদা খঙহনজগে।"

মাগী খুং অহু জীবানন্দনা খঙহৌদনা য়বুক মযাদা থম্রগা হম্বা হম্বা মঙক হাইরহুনা হায়রকই "নত্তে নত্তে, অমুক করগা নত্তে—কম্বা নামরৈডে মহুং অসিদা ঐডে নদা হায়দু। মীবু য়াম্বা র হনগ্রে, ঙসি ইশাগী অনা-মৈচাক মরক অসিদা অতোপ্পগী মৈচাক, অতোপ্পগী অশাগী য়াহু খজিক্কা তানে। ঐ ইশাগী অবাবগীদি ঙসি থল্লুরনু।"

মখুং তপা তপা চংলোক্লগা ষোড়শী লেংদনা ফমহুনা লৈ। জীবানন্দ মশামকম্থু মিনিট থরা লেংদনা লৈরগা হায়রকই, "করে মহু ওইরসনু, মম্বামক্ষ্ম মতোগুম ঐস্থু ঙসিদগী ষোড়শী হায়না কৌরগে। ঙরাংদগী ঙসি ফাওবদা ঐনা অনা-চৈনাথোল মরক অসিদস্থু মরক মরক্কা য়াথল কয়া খনখি। নঙগী য়াথলনা হেল্লমগনি নিংই। ঐদি হিংলে, অহুবু নঙদি মকম অসিদা —"

ষোড়শীনা থুনা যাংনা হায়রকই,"অহুবু ঐগী য়াদি থম্বিরে।"

অপনবা ফংবদা ঙাইহাক তুমিন লৈরগা জীবানন্দনা তপা তপা হায়রকই, "ঐ ভাব তারে ষোড়শী। নহাক্কীদমক খনবা অসি ফাওবা নহাক্না অমুক পামদ্রে। মহুম্না তৌবনা চুম্বা যাই !" হায়রগা মহাক মুংশা মগী অমা হোন্দোক্লগা তুমিম্বা লৈখ্রে।

ষোড়শী ফমুংদগী হৌগংগ্রে। জীবানন্দনা মমিৎ পাংথোক্লগা হায়রকই, "নহাকস্থু চংলত্রা ?"

ষোড়শীনা মঙক হাইহুনা হায়রকই, "নত্তে। কাসি যাম্না চাইরে, থম্বা লেংদোক্কে।" হায়রম্লগা মাগী য়া ঙাইরুবা লৈতনা ইমুংগী থবক নোম্বা হৌখ্রে। য়ুমগী খোঙ থোঙনাও অয়াম্বা হৌজিক ফাওবা

হাংদোকত্রি, কন্না চিংখোংতুনা মতুশিংতু হা দোকপমক্তদা অহাংবা অতিয়াদগী মঙাল অমত্তু, নুংশিং ইমুংদা ফাওজিলক্লে, ইমুং মোংপনা উযুল-রাইযুলনা মরোল মরোল কারে, শুমজিৎ অমা থিদ্রুনা পুথরক্লগা নিংথখনা শিংচিল-তাশিলে অমত্তুং ফমুং মফি ফিজিনা নাখ্রোংব্রগা মোন অনিত্তু মফম চানা শেমজিন্দুনা থমে, মংম অহু ফাওবা জীবানন্দ রা অমতা ভাংদে, মাগী মক্লবা মাংখোংদা মেংলবা মঙাল অমা কদায়দগীনো ওপ্না ওপ্না লাকতুনা লেংদল মমি ভারবে। ষোড়শীনা থবক তৌরিঙৈদা মহাক্না মিৎ পাংত্নুনা মানা তৌরিবত্তু মিংযেং তাম্না তান্নত্নুনা যেংই, পোৎ থফম চাবা অমত্তু, লুব-নানবা কাথবো। হায়বা অমা-মৈচাক 'পূম্বা ঙম্না কাউথোকতুনা সংসারদা পূংসগী অথোইবা অঙকপশুম মসিনা অহানবা ওইনা য়েংই।

থঙহৌদনা মপান্দগী খোঙথাং মখোল কয়া তারক্লদুনা ষোড়শী শুমাংজং থমজিল্লগা চুন্না লেপতুনা লৈ। এককাংডিনা থোঙজিল ময়াদগী হায়রকই, "ডাক্তর বাবু লেংলক্লে।"

ষোড়শীনা হায়রকই, "মাবু পুশিল্লকউ।" হায়রগা মাগী হায়গী মফমত্তুদা চংশিন্দুনা ফম্লরে।

ভাইহাক্তং লৈরগা লায়েংবদা হৈ-শিংলংগা, মাইকৈ সোমদা থোইদোক্লা মমিং চংলবা বল্লভ ডাক্তর অত্তু ইমুংদা চংলক্লে অমত্তুং ষোড়শী মফম অসিদা লৈরম্লিবা মও অসি উবদা ঙকাখ্রে।

এককাংডিনা খুৎদাপ্পা থিন্দুনা হায়রকই, "আসানি হুজুর। কবি-শুন্বা ফহনবা ভয়বদি ডাক্তর বাবু, বশ্বাসকী বাদি থমথিসি—ঐখোয় পূম্নমক অদোমগী অবৈবা মৌনাই ওইরগদবনি।"

ডাক্তর তুমিন্না চংলবতুনা ফমুং ময়া যেংরক্লে অমত্তুং মত্তম মাংহন্দনা হৌনবা তৌদুনা য়েংলকই। মুখ যেংলবা তুংদা হায়রকই, "থোওইমন্দবদগী অনাবা পোকখিবনি, চেকশিন্নবদি সম্নীন নত্রগা লিভর থিন শোক্লকপা য়াই, অদুগা মত্তুদা চিংনবা য়াবা রাক্সর লৈ, অত্তুবু চেকশিল্লবদি শোক্তবত্তু য়াই, হিদাক চাবা য়ায়া দরকার ওই।"

জীবানন্দনা হংলকই, "ফিভম অসিদা কলকাতাদা চংপা য়ানি য়ামোই হায়বিবা ওমগদ্রা ?"

ডাক্তরনা য়াম্না খঙ-হৈবগুম মঙক হাইরদুনা হায়রকই, "নত্তে হুজুর, মহু হায়বা ওমদে। অদুবু মসিদি অরেপ্পা য়ানি, 'সিদা লৈরগা ফবা য়াই অদুগা কলকাতাদা চংলগা ফত্তবস্নু য়াই।"

জীবানন্দ মপুক্কি-দা বারোঙদুনা য়াহং অমুক মথা তাথদ্রে। হিদাক লৌরনবা মী থারকই হায়রম্লগা ডাক্তর বিদায় লৌত্রে। এককড়িনা মহাকপু থোঙজিল য়াংমা ফাওবা থিন্দোলুরগা হল্লক্লবদা জীবানন্দনা মঙোন্দা যেংদুনা হায়রকই, "কমদোব তারে এককড়ি ?"

এককড়িনা ইচং থোনা হায়রকই "চিংনিংঙাই করি লৈরি হুজুর, হিদাক যৌরক্লগনি। বল্লভ ডাক্তরগী মিক্সচর লিক্লি অমা থকপদা পুক্ষ-ফরগনি।"

জীবানন্দনা হায়রকই "নত্তে এককড়ি নখোয়গী বল্লভ ডাক্তরগী মিক্সচর নখোয়গী অদুম ওইদৌ, নচাক্না ঐ কলকাতাদা চংনবা অদুদদি শিল্লু।" আস হায়রগা ষোড়শীনা মিংকুপ থরগী মমাংদা অত্তোপ্পা মফমদা লৈথোকখিবা থোঙ অদোমদা সাংত্রুনা য়েংদুনা লৈ। ঐ অহবু কনাম্নু হল্লক্তে। মিনিট অনি অদুমগী মতুংদা মহাক অমুক তপথদুনা লৈবা উম্নবত্রে, হায়রবই, "মাবু অমুক্তা কৌরম্লগা চংনবা। শিল্লুরা চংলা এককড়ি। ঙসিমক ঐ চংপা পাম্মী।"

ইঙ্গিত অ'স এককড়িনা মিংনা কুপ্পদা খঙলে অমসুং "ফনি হুজুর" হায়রয়গা খুদক্তা 'থ কত্রে। অদুবু ফনা কুইরবা ফাওবা মহ ক হল্লবত্রে, অদুগা মিনিট থরগী মতুংদা মহাক হল্লকপা মতম অদুদদি মথন্ত মক লাক্লে, হায়রকই, "মহাক লৈত্রে, মযুমদ চংলগ্রে হুজুর।"

জীবানন্দনা থাজবা ওমত্রে। য়াম্না লাংতক্লবা খোল্লেলনা হায়রকই, "ঐঙোন্দা তাক্লমদনা চংখিগদ্রা ? মহু ওইবা যামোই এককড়ি।"

থাজবা তাশংনমক লুই। কন্নিগুম্বা ফিভম অমতা শিল্লমদনা

অলকা চংশিন্নবা অমত্তসু হায়রমদে — ডাক্তরগী বাহদং তারগা চংপা ফাওবগী তপথবা উমখিদে — মসিবু জীবানন্দনা করিগুম্বা মওংদসু থম্মায়দা থাজহনবা উমদে।

একক ডনা হায়রকই, "মা'ন হুজুর, মহাক ডাক্তরবাবু চংখিবগা অহুম চংখ্রে। মপালদা গোপাল কাওরা ফম্লি, ভৈরবী চংখিবা মহাক উহোই।"

জীব নন্দনা য়ানিংদবা অমুক ফোংদোকত্রে। এককডিনা হায়রকই, "অদু ওইরবদি মতম থর লৈরিঙৈদা চংনবা শিঞ্জরুরগে হুজুর!"

"হোয অহুম চোরো।" হায়রগা জীবানন্দ ফক্লাংলোমদা মাই ওনশিন্দুনা হিপখ্রে। এককডিনা কলকাত্তা চংপগী মরমদা করি করিনো হাংলকই, অদুবু জমিদারগী মকমদগী করিগুম্বা পাউথুম অমত্তা ফংদে। বাহু মাগী নাকোংদা চংত্রা চংদত্রা মহুসু থঙবা উমদে।

তরেৎ

জমিদারগী য়াইফকোলদগী ষোড়শীনা লৈথোকতুনা লাকখিবা মতম অহুপং মাপল তরা তারম্লগনি। মতৌ অসুম্না লাকপসি মাগী ফজবা বাংলা, অদুবু মওমহুদা থল্লকই, হায়-খোংতুনা বিদায় লৌরগা লাল্লবসু মহুনা হেন্না লেমজরোই, অমুক হেন্না মা চাউখোক্লবতা ওইগনি। অদুবু মপাল থোরকপদা উরে, অমুক খোঙকম অমত্তসু থাংবা য়াদ্রে। লৌমীশিং লৌ লিংবগী থবক মতম অদু কাওবা লোইদবনা লৌবুক থাদোকতুনা চংনদ্রি, মহুগী মযাইদা লম্বী লৈ। ফোংবা অযুক-মুংখিলদা লম্বী অসিদা মমাই নোনথংতুনা নত্রগা লুকথনা করিগুম্না মওং অমতদসু খোঙনা চংপা উমদ্রে। অতিয়াগী নোংথাংনা মিংকুপ অমদা অমমগী কিজং হাইদোকতুনা লৌচম্না কুপ্লবা মাকেন্থু মযেক লাহনবগুম অরাপ্পগী লৌমীশিং অহুম মতৌ অহুম্নদক মিংকুপ্তা ষোড়শীগী হৌখিবা অহিং অদুবু মথোয়গী মকমদা

থোইদোক্লা মযেক শেংন্নখ্রে। কনাগুম্বা মী অমগী পূন্সিদা অহিং অমগী মনুংদা অস্থুক চাউবা থৌদোক থোকপা ঙাই হায়বা উবদা মহাক দিংকুপমুক জ্ঞান চমৈ়। নোংমা চুপ্পা লেনখিবস্থু নত্তে, ঙরাং য়াচংবদা ঈকাইবা নংবগী অকনবা চৈথেংনা অফ ফত্তা খনগুমদগুনা লম্বী অসিদা মহাক মথোঙনা থোংনা লাকখিবনি, অদুবু মদুগী মতুংদদি? মদুগী থোদোক থোকপদা মীওইগী যুগ কয়া চংবা য়াই, অদুম ওইনমক মডোন্দদি চংদে। মসি যাদু অমগুমপ্রে, মদুদা ঙসি মশক খঙলবা লম্বী অসগী অসোন থংবা নাকন্দা মহাকপু করিননো ঙাইদুনা লৈরি, মদু খনবা ফাওবা ঙমদ্রে। গেটকী মপান্দা বাগান ময়াদা থেংও লম্বী অমা তুরেল পাংনা চৎখ্রি। মায়োক্লনা হেক থংনবা লম্বী ওইবন মহাক লম্বী অদুদা ঙপ্পা তপ্পা লাকতুনা তুরেল তোর্বান্দা লেপ্লবে। মাইকৈ সোমদা খুঙ্গং তাদে, যা শেনবা করি করিদুম্বদা কনাগুম্বা যঙেগ্নহা লাকপা নত্তনা লম্বী অসিদা কনাস্থু চৎনদে — অচিকপা মফম অসিদা স্নুমিৎ ত্তাবা ঙাইরগা অমম্বদা লোৎতুনা মঘুমদা হনগে খন্দুনা লিরবা হৈগ্রু উপাল অমগী মথোঙদা ফমথররে।

অস্থুক কুইবা অসি ঈবৈ লুংদা তাউরুই, মদুদা হৌজিক হৌজিকী রাখল নত্তনা অতৈ ববিস্থ মহাক্কী মপুক্রিংদা চংলমদে। হন্দক্তি তুংদা থোক্লগদবনা তরাম তরাম্না মাগী লম্বী য়েংদুনা লৈরি, মদুগী রা অমমমদা ওইনা কুপা হঞ্জিন হঞ্জিন শন্দোক্লা খল্লকই। মথোয়গী পিক্লবা খুঙ্গংদা হৌজিক ফাওবগী মঙ্গংদা করিগুম্বা রা অমত্তা খঙদবা কনাস্থ য়াউরম্লরোই, জমিদারনা মহাকপু ফাদুনা পুৱ্রে, অহিং চুপ্পা ফাজিন্দুনা থমপ্রে — স্নুমিৎ খরনি অসি ওং-লেবদা খুঙ্গংদা মসিবু অদুক চুম্লবা থৌদোক অমা ওইনা লৌনপ্রে মদুদি, মসিগীদমক করি-গুম্বা মওংদস্থ খম্লবগী দরকার ওইদ্রে। মসিদা নত্তে, করিগীদমক মানা লৌনম তৌদুনা মেজিষ্ট্রেটকী মথুত্তগী জমিদারবু কল্লিবনো, মসিগী কিশি থোকপিনবা খুঙ্গংদা জ্ঞান লৈবা মীগী অরাংপা লৈরোই। মসি

অচৌবা মওংগী শেঙ্গা থুমহ্নাগী থৌদোক অমনি, মচু ময়াম্মা থগুনরগনি। অদুবু অশেংবা খুদোংথীবদি মহাক্কী মপা তারাদাস অসিনি। মতম কুইনগী মমাংদগী মবানিগী মপ-মচাগী ওইবা মরিহ্ মপান্দদি উত্তমদনা মনুংদদি পংশিল্লক্লবনি, হন্দক্তি মচু ভুকচবগী মনিংনা ফনা যাম্না শাক্লা মৈ চাক্লগনি। মচুগী মৈরি কনাগী মিংয়েংদগীসু লোৎপা ওইথোক্লরোই। সংসারদা মুপা অসিনা তৌঙ্কমদবা থবক লৈতে। মহাক্কী ফত্তবা থবক্তা অপনবা শীকবগী মপা-মচাগী মরক্তা অরোনবা লান কয়া তৌনখি, মতম পূম্নমক্তা মপাতনা মাইংদিরে য়াক্কনা তাখি, অদুম ওইনমক মরম কয়াদগী অমুক কুইবা অসি ষোড়শীগী মমাগী মরমদা মহাক তুমিন্না লৈবা তাখি। অদুবু ঙসি তারাদাসনা শাউবনা থুমহৎতুনা রাফম অদু পনগ্রে অতুমা মতম অসিদদি মহাক কবিগুম্বা মওংদসু তুমিন্না লৈররোই। কলঙ্কগী কালি অসি মখুং অনিনা চাযথাযদুনা মশাগা লোযননা অক্তাপ্পা মী অমবুসু মাং-তাকহনবগনি, মদুদদি থুঙ্গং থাদোকপা তাবনি। মসিদি তুংগী পূন্সিবু মখুং ফংনা মমহনগদৌরিবনি, মদুসু ষোড়শীনা অরাপ্পদগী মায়ক লানা উরকই, অদুবু অমম্বা অদুগী মরকতুদা করি লৈবগে মদুগী বরিগুম্বা ইঙ্গিত অমতা মহাক্কী মমিত্তা উদে। মতম থেঙ্জিল্লক্লি, মফম অসিদা কমদুনা মনুংগী খুজিল-থীরাংগী মরেক শেংদবা ইনিল মবক মরক্তা মহাক্কী মনাকোংদা তাবক্লি অমমুং মতুগী শরক অহাংবদা জীবানন্দগী মচিন্না পনখিবা অলকা মিংগৌ, মহক্না ঈঙ্কাই-থুম্নমা ভাকপিয়ু হায়জবা, মাগী থম্মোয় শাকপা আপীল, অদুদা নাত্ত অতৈ কয়া কযা, কাউথোকপ্রবা লৈচন চদবা সুর য়াউদব কবিতাগী মতৌগুম মহাক্কী থম্মোয়-সু দা মরম চাদনা কাতুক কারল চংলরি, অদুম ওইনমব থুঙ্গং অদুগী মনুংদা শেম-শাদুনা মহাকপু ভাইদুনা লৈরিবা খুদোংথীব অদুগী অকি-তূঙ্গুলবা শক্লোম্না মাগী থম্মোযদা লোংদনা অদুম তমথীনা লৈরি।

অসুম অসুম তপা তপ্না কোরৌহনবা অসোম থংবা নাকল

হাইথম্রি অমসুং মচুগী মিং থক্লবা মণ্ডাল অমনা য়ৈবদগী মহাক্না মমাই লৈথোকপনভুদনা খঙ্গহৌদনা যাম্না লাপা বাংমগী লৌবুক ময়াইদা জমিদারগী দোলাইদা মাগী মিংয়েং তাকরে। ম'ইকৈ সোমদমক মখোয় চংখিবনি, অদুনা হাইহাক্কী মমাংদা মনাকমভুদা চংখিবনি, মহু ভাব ওইহৌদবনি, হোৎনরবদি উবা ফংলম্বসু য়াই, অদুবু হৌজিক খঙহৌদনা ফুংশা মপী অমা চোম্দোকখ্রে।

সন্ধ্যা ওইগদবা খোইনা কুইরকত্রে। ষোড়শী থুঙ্গং তম্না চংননবা হৌগৎলক্লে, মতম অদু ফাওবা মাংশক-মৌশা খঙলি, অদুবু লৌবুক্তা মী লৈত্রে। অচিকপা নম্বী লাম্থোকতুনা মযুম ময়া যৌরকপা মতম অদুদা য়াম্না শাথীনা মল্লে। কনাগা উমদ্রবসু থম্মোয়দা নি ঙিং-মাংজিংনরাক্লে, অদুবু মপালগী থোঙ শো লোল্লম্বা উত্তুনা মগাক অচোবা ঈকাইবা অমদগীদি লাম্থোকতুনা শোর হোনবা ফংজরে। কোইতুনা চংলগা থোঙনাও ময়া যৌবদা উরে, মহু মনুংদগী লোল্লি, মসিমক মহাক্না ংল্লম্বনি। অদুবু থোঙনাওদু কমদোরগা মপান্দগী হাংগদগে হায়বগী লৌশিং মহাক খঙই। থোযনা কুইদনা মমুংদা চংশিল্লবদা উরে, কা থুদিংমক শো লোল্লি, কনাগু কদায়দসু লৈতে — য়ুমদু পূম্মম মম্মী, ইহাং হাংনা লৈ।

সন্ন্যাসিনীদি চন্না য়াম্না হেনবা তাই, চাবগী বা মপুক্লিংদা ফাওবা নিংশংদে। কদায়দনো চিক্লা তুম্বা ফংলবদি মহাক মদুনা কেল্লা পেনগনি, অদুবু ইমু দা চংননবা উপায় লৈতে, মতম অসিদা মঙ্গোল মচি অমদা মহাক মশাগী ফিজি থারগা হিপথখ্রে। তারাদাস য়ুমদা লৈতে, কবিগী লৈত্রিবনে, কদায়দা চংখ্রিবনো, অকৰা বাহ পরেং পূম্নমক অসিদগী মগী শাথীনা চোকথরবা থম্মোয-হকচাং থোইদোক্লা লাযনা লৈথোকখ্রে। অদুগা অহিং অদু মহাক অপন-অরাক য়াউদনা তুম্বা ফংবগী অপেনবা আসগা লোয়ননা উনা উনা তুমখত্রে।

নোংঙানবদা ষোড়শী মিংকপ থোরকপা পংবুই বুইদনা মপালগী

থোঙগী পো হাংবগী মথোল থোরকই, অদুগা মন্দির চুমথুং য়ুমগী থবক-ইংথাং নোঙ্গী হুপী অদু চংলকই। ষোড়শীবু উবদা মহাক থোইদোরা ভক্তে, হায়বকই, "করম্বা মতমদা লাকপগে ইবেম্মা, অহিংবরা? থাঙনাও হাংলগা চংলকপরা?"

ষোড়শীনা মঙক নোমতুনা চুম্মী হাযবা উৎলবদা মহাক্না হায়রকই, "ময়াম্না অসুম্না ভাবৈ ইবেম্মা, রাজাবাবুদি হুমিং লৈরিঙৈদা চংখ্রে হৌজিক্তি মহাকপু থাদোরক্লগনি। চারম-থক্লম্লরোইনে? করমদি তৌনি ইবেম্মা য়ুমগী পো বাবাঠাকুরনা থনমদে, পুন্না চংথি। ওইরসনু, হুকান্দগী চেং-হরায লোক্লগে, শীং-য়েন থর থিক্লগে, ঈরুজথোক্লগা চখোম অনিদ দি থোংলগা চাও। অদুগী মতুংদদি থোক্লবা অমা লাক্লগনি।"

ষোড়শীনা হংলকই,"বাবা কদায়দা চংখিবগে খঙবরা রাণী-মা?"

রাণী-মমানা হায়রকই "ইবেম্মা, কনানো মাগী মচলনুপীগী মচ নুপী অমা লৈমাল্লে, মাবু লৌকনবা চংখিবনি হাযনা তাই। ঙসি বাবুচৌবগী মণ্ডপুপাগী পূজানি, ঙসিদি কদায়দবু ঙাইহাক্তা পোথাবা কংখিগদ্রা। মন্দিরদদি নোংঙাানদ্রিঙৈদগী ইরাং লাংলবান ইবেম্মা।"

ষোড়শী থংনিং নিংশিংলক্লে, ঙসি লৈবাকপোকপনি, ঙসিদি জনার্দ্দন রায়গী মণ্ডপুপাগী পূজাগী থোদোক্তা জয়চণ্ডীগী মন্দিরদা অাচৌবা থোদোক অমা ওইগদৌরিবনি। ঙসি অসি করিগুম্বা মওংদা কদায়দসু মহাক্কী পোথাফম লম্বী লৈত্রে। মহাক দেবীগী ভৈরবীনি, অদুক চাউবা থোদোক্তা মহাক যাউদবা য়াবোই।

মতাং অসিদা জনাদ্দন রায়গী শরুগা পরিচয় অনা পীবা দরকার ওই। নুপা অদু মরল লৈবা অদুক তমথী। প্রজা অমনা শেল লৌদনা থবক শুবগী থৌদাক অমদা ষোড়শীগা মহাকা কা হেন্না মত তীরখিদবা অমা থোকখি, রাক্ষম অসি মাইকৈ অনিমক্তা ঙসি ফাওবা কাউনদ্রি। অদুগা ষোড়শীদা নত্তে, লমদম অসিগী মীপুম খুদিংমক্তা মহাকপু থোইদে ক্লা কিনৈ। জমিদারনা মাবু ব্যবহার তৌই, এককড়ি

মাগী মখুত্তা লৈ , খাজনা খোজবা চহিদা নহাক্কা জমিদারগী সদরদা খাজনা চনবা পীখংলি। লৌ বিবা চা-নি মশাগী লৈ অমসুং চে-চাক্তগী হোনা লগোনবা অদুগা বন্ধক লৌবা মহাক মতোমদগী হক্লি হায়বদা হেক্সিনবা ওইরোই। অদুম ওইনমক, বাবু-চৌবা অসিমক নোংমা য়াম্না লাইররম্মী। ময়াম্না অদুম্না হায়রৈ মহাদি, পুম্নমক মিষ্টর বসুগী মরম্নি। মহাক বেই বেঙ্গলগী হাইকোর্ট অমগী অচৌবা বেরিষ্টরনি। বিলাতগী হল্লরগা প্রায়শ্চিত্ত তৌরগা মশাগী জাতিদা হল্লিল্লকপনি। ওসি মহাক্কী অমতা পোকচবা মচানুপাগী মথল খুদিংমক্তা যাইফনবগী দমক চণ্ডীগী পূজা তৌননবা লাংলিবনি। অদুগা শিল-লাংলিবসি ওসিদা নত্তে, থা অমগী মমাংদগা খুঙ্গংদা মসিগী ৱারীনরক্লবনি। বাবু-চৌবগী অদুক চাউনা লৈশাদুনা মযুমদা লৈরক্লবী মচাম্পী হৈমবতী অদুবু ষোড়শীনা হনবা চহি খরদনি। মন্দিরগী মাঙ্গোলদা হৌজিক ফাওবা লৈরিবা পাঠশালা অদুদা মযামগা লোযননা মহাকসু লাইরিক তম্লকই, দেবীগী ভৈরবীনি হায়দুনা ময়ামগী মতৌগুম মহাকসু ষোড়শীবু খুরুমজদুনা খুয়া-উকুল লৌই। ওসি মহাক অচৌবা ইমুংগী মৌনি। অদুনা ওসিদি মহাক্কী মশাদা ফজবা অমসুং লৈত্তেংগী মপাল নাইররোই, ওসিদি মহাক্কা মাবু মশক খঙবা ওন্নদবসু য়াই। অদুবু নোংমদি অদুম্না ওইরমদে। মতম অদুদদি শক অমসুং চহিদা থোইদোক-হেন্দোকপা কন্নিসু লৈরমদে, অদু ওইরবসু মহাক অদুক চাউবা ইমুংদা লৈত্রে, মদু দেবী অসিমক্কী মতিক-মগুননি হায়বা তাই। থাশী অমদরা কন্নিদনো সিদ্ধ ফংলবা তান্ত্রিক অমা দেবীগী দর্শন তৌবা লাক্লম্মী। রায় মহাশয়না মহাকপু লোম্না মচানুপীসিগী য়াইফনবা যাগ-যজ্ঞ পুম্নমক তৌহনখি। মচানুপা ফংজরিবা অসিসু মাগী থৌজালনা ওইরমাল্লে। নিংবা কায়রদুনা হৈমবতীনা মীরৈবাক্তা দেবী অসিবু থাগোম্নজবদগী মচানুপা ফংজখিবনি।

মীনাইশুবীনা খবক তৌনা তৌনা হায়রকই, "ইবেম্মা, মন্দিরদা ওসিদি কয়স্থা মতমদা হেব কৌরকদগে হায়বা ওমদে, ওন্নিকৈসিদা

ঈরু-মাইথজথোকহৌবনা ফরোইদ্রা ?"

ষোড়শী মপুক্কিং যুংনা থন্দুনা লৈরি, মন্দিরদ' থৌরকপা রাই তাবদা মঙফাখনেরে। অদুবু মহুগীদমক নত্রবস্থু হুামং কাদ্রিবৈঙদা ঈকজথোকহৌবনা ফৈ থন্দুনা মহাক মতম মা হন্দনা থোঙনাখদা থোকখিহুনা পুন্ত্রিদা চংখ্রে। পুন্ত্রি অসিদা লৈকাইগী মী কনাস্থু থোইনা লাক্লুদে, অদুনা মফম আসদা কনাস্থু থখনদে। হল্লক্লখদা অচোংপা ফি হোংদোরবা অতোপ্পা ফি লৈতে, মচুম কৈথোক্লবা গমছা অমা ফাওবা মপান্দা লৈতে। রাণী-মম' মহু উবদা মুঙাই-রকত্রে। মহাক তারাদাসপু কয়া হৈনদে, শ উহুনা হায়রকই, "ফওবা ফিজেৎ ফিগায় ফাওবা শো লোদনা থনম্মী — ঐগী অগবা মুক ফি অমা লৈ ইবেন্ম', লৌরুরা ? মহুদি দোষ লৈরোইদনা ?"

ষোড়শীনা হায়রকই, "নত্তে লৈরসনু।"

"আচাংপা ফি হকচাংদা থোংহুনা অস্থুম কংহল্লগদ্রা ইবেন্মা, না-য়েক্লরোইদ্রনে ?"

ষোড়শী ছুমিল্লা লৈ। মীনাই-মুবীনা মগী লোংশিল্লবা মাইথোংদা যেংলহুনা মুংঙাইদবগী লোয়ননা হায়রকই "হুামং কয়ানি চরা হেল্লক্লে ইবেন্মা, মহু কনানা থঙগনি! মেচ্ছশিংহুগী যুমদা ঈশিং ফাওবা যাতোল তংলোই ঐ থঙই। হৌজিক চেং-চাক থজিক্কং হুকান্দগী নত্রবস্থু ঐগোয়গী যুমদগী লৌরুগদো ইবেন্মা ?"

ষোড়শীনা মঙক হাইহুনা হায়রকই, "নত্তে, মহু হৌজিক ঙাইথো রাণী-মা।"

মীনাইমুবী অসি কায়স্থ নিঙোলনি। মশাক মিংলৈ নারৈ থঙই, অদুনা মহুগীদমক অরেন্ধদা অমুক ওয়ররুদ্রে। থবক ইঙ্খা লোইশিল্লয়গা চংশমদায়দা হংলকই, "বাবা ঠাকুর মন্দিরদা লৈরম্লবদি লোয়া কৌথোক্লগা অমুক্ত থারকউরা ?"

ষোড়শীনা হায়রকই, "হায়কুন্নু মহুগী দরকার লৈতে।"

মীনাই মুবীমা হাযরকই, "শো লোল্লমরোই, নহাক্কা মহুংদগী

থোঙ থর থিংজিল্লু। অতুবু, ফরে ইবেম্মা', কনাগুম্বনা করিগুম্বা হংলক্লবদি করি —"

ষোড়শী তুমিন্না লৈ, মতগী মতুংদা মমাই নোনখৎলক্লগা হায়রকই, "হোয় হায়রযু ঐ যুমদা লৈহৌই।"

রাণীগী মমা চংশ্রবদা থোঙ অতু অমুক থিংজিল্লুদ্রে, অতুম হাংদোকতুনা লৈরে। মমাংগী মাঙ্গোলদা তুমিন্না মক্ক লুক্কা ফমহুনা পুং অনি-অহুম মতো কমদোননো হৌখ্রে, ষোড়শী খঙবা ফাওবা খঙহৌদ্রে, লেংকদ্রবা মৈচাক অমগী মতৌগুম মাগী মপুক্লিংদা ভাব অসিদংদি লৈ মহুদি, হন্দক্তি মহাক্কী থোইদোক্লা কল্লবা অরাবগী মতম অমা য়েৌরক্লে। বিচারগী মমিংদা থোইদোক-হন্দোক্লা ফজদবা ইরাং অমা হন্দক্তি থুঙ্গং অসিদা হৌবক্লগনি। অতুম ওইনমক লানগীদমক, মশা কঞ্জনবগীদমক ঙসি মহাক্কী থম্মোযদা শেম-শাবা পামদে, থোই-দোক্লহুম মতুনা মহাক্কী নাকোংদা থা অসিদংদদি হায়রবগুম তৌই, নহাক সন্ন্যাসিনীনি, বাফম পুম্নমক অসিদগী অচৌবা বাফম অহু ঙসি নহাক্লা নপুক্লিংদা কাউরোইদবনি। থঙনা ওইসনু, খঙদনা ওইসনু, পামদনা ওইসনু, নোংমা নহাক্কী হকচাং অহু দেবীগী মফমদা কখোকখ্রবনি। অচুম্বা পূম্নমক্কগী অথোইবা অচুম্বা অসিবু ঙসি নহাক্লা করিগুম্বা মওংদস্ত য়াদবা যাদে। নহাকপু শিংনহুনা মীনম্বা ঙাংলিবা মথোয় অতু শিজসনু যুন-চৈনহুনা, হাংক-শুনহুনা, নহাক হন্দক্তি মুক্তি যংহুনা হিংলো।

অসিগুম্বা মতম অসিমক্কুদা মন্দিরগী অহল ওইরবা পুরোহিত লাকতুনা মাঙ্গোল কাখৎলক্লে। হায়রকই, "ইবেম্মা, মথোযনা নহাকপু অমুক্তা কৌক্ল হায়রকই।"

"চংসি" হায়রগা ষোড়শী খুদক্তা হৌগৎলক্লে। করিইনে', কদাযদা নত্রগা কনানা কৌরিবনো, হং-লাক্তে, মসিগীদমক ঙাইহুনা ফম্নম্বগুম্মী। মহাক্কী থোক্লগদবা খুদোংথীবগী মরমদা পুরোহিত অহুনা ইঙ্গিত থর পীবা পাম্লম্মাল্লে, অদুবু ভৈরবীগী মাইথোং

য়েংলুংদা মহাক মচিন্দা ৰা ঙাংৰা থোকখিদ্রে।

ঙসি মন্দিরগী মমাংদগী থোঙ হাংলি। চংৰমক্তদা উৰা ফংলে, অসোম থংৰা নাকনগী ফক্লাং ময়াদা অমুবা মচুগী হামেং অনিথক পুল্লি অমস্তুং মাঙ্গোলগী মচি অমদা পূজাগী পোং চৈ পৈ পৈছনা লৈ। মফমদুদা চহি যাম্নবী সুপী মরি-মঙা ৰাগী শানৰা অমস্তুং থবক্তা সথো চিন্না লৈ অতুগা খ্বাযদগী হেন্না মী লাংলিবদি শুমাংগী নাট-মন্দির মথু দনি। মফম অতুদা রায মহাশযবু কোইশিন্দনা থুঙ্গংগী অহল্লোন কাংবু অমা বা তাশদুনা লৈরম্মী, মতু ষোড়শীগী মরমদনি। অস্তুক কুহবনি অতাবা কনানো হাযবা ঙমমদে, অদুম ওইনমক ঙক্লিবদি আসনি মহাদ তাবা যাম্না দরকার ওইরিবা মহাক অতু মনাক্তা চ শকতুনা লেপ্পবমক্তদা ময়াম্না লেপ্পা নাইদনা ঙাংলম্নিবহু অমুক্তদা চুপ লুপ্খ্রে।

ফনা কুইরবা ফাওব মাইকৈ অমতদগী করিগুম্বা ৰা অমতা হৌদোক্লরকত্রে। সুপা খু দংমক্লা ষোড়শীবু মশক থঙই অমস্তুং থবক থাদোকতুনা অমমম লাকতুনা উখোঙ মব মদা লেপ্পরিবী সুপীশিং অননস্ত শক থঙদবা নত্ত্রে মযামদগী কোম্না মন্দির মথুংদগী থোরক্লগা তপ্পা তপ্পা লাকতুনা মহাক্কী মমাংমক্তদা উখোঙ ভোডাদা থুপতুনা তুমিন্না লেপ্পত্থনা সুপী অমনা মহাকপু মুম্না যেংলরি, মহাক অসি শকথঙদবী ওইরবস্তু ষোড়শীনা মিংকুপ্তা থঙলে, মসি হৈমবন্তীনি। সুপী অসি মপ্যারাইবগী যুম থাদোকতুনা মপামদা মতম শাংনা লাকপা ঙমখিদে, মহুদা মহাক্কী মরমদা মপাম লমদমগী মীনা ঙাংনবা ৰা যাম্না লৈ। মহাক চাহৈদবা চিঙ্গাক চাই মেমগী ফিজেং শেংলি, খোঙউপ তোংই, মোজা উপ্পি, শম্বীদা সুপাশিংগা খুংশম্নহুনা চংলি, মহাক চপ চানা খৃষ্টান মেম সাহেব ওনখ্রে — অস্থম্না কয়া কয়ানি। অহুবু ঙসি ষোড়শীনা মহু করিমক্ত উৰা ফংদে। ফিজেক্তা মমল যাম্নবা বেনারসী শাড়ী শেংলি অমস্তুং মশাদা পক্লিবা লিক-কোল অম-অনি নত্তনা খোঙউপ, মোজা, মেমগী ফিজেং করিমতা

উদে। থোইদোক্লগুম সিন্দুর পাক্লা মল্মী অমস্তুং মথোঙদা নিংথিনা পাক্লা আলতা য়েকই, উবদা করিগুম্বা মওংদস্তু পূম্নমক অসি থোইদোক্লা ঙসিদগী ওইনা তৌশিন্নবনি থনবা ঙমদে। মহাক ফজ্জে চুম্মী অত্তুক হেন্দোক্লা ফজবদি নত্তে। চকচাংগী কুচু হাইফেৎ রাওথাংনবা মাল্লি, অদুদি ওইবগা ঈনাক খুনবা ইমুংগী নুপীশিংনা তোইনা নুরা নন-থাংতুনা কুচু লংথৎহনবা অদুগুম্না মহাকস্তুনি, মদুদগী হেনবা নত্তে। মি কুপকী মিয়েংদা ষোড়শীনা থল্লকই, ঈনাক খুনবা ইমুংগী মৌ অসি নন-থুম মরক্তা য়াওন্দুনস্তু মহাক্কী মশাদা থোমজিন্দুনা যিজেং-লৈতেংগী ইরাং-দুকান ফমদে। নুপীসি তুমিন্না য়েংদুনা লৈ, হোয়েন ফাওবা অস্তুম্না অস্তুম তুমিন্না লৈরবা য়াই, অদুবু মহাক্কী মমাংমক্তদা মশাগী থোক্লগদবা খুদোংথীবগী চিংনবনা ষোড়শী ঈকাইদুনা মক্ত লুকথখ্রে।

অমুকস্তু মিনিট অনি-অহুম তুমিন্না লৈরবা মতুংদা অহল ওইরবা সর্ব্বেশ্বর শিরোমণিনা হান্না রা ঙাংলকই, ষোড়শীদা থোইদোক্লা ফংদবা র হৈনা মাগী মত্ত ফোংদোকতুনা হায়রকই, "ঙসি হৈমবতীনা মাগী মচান্নুপাগী যাইফনবা লাংজবিব। পূজা অসিদা নহাক্কী অধিকার অমত্তা লৈরে ই, মাগী অপান্বা অসি মহাক্লা ঐঙোন্দা থঙহল্লক্লে। মহ ক্লা নিংজারবদি নহাক যাউরবদি মাগী থবকসি মহৈ য়াল্লোই।"

ষোড়শীগী মাইথোং 'পূম্বা ইমক মকশিনখ্রে, অদুবু মথনাও পনবদি লৈত্তে। হায়রকই, "ফনি, মহাক্কী থবক্ত যাইফগদবহ্ মহাক্লা তৌজসন্নু"

মহাক্কী খোঞ্জেল মযেক শেংবা অসিদা সর্ব্বেশ্বর শিরোমণি ঙাং বদা ইচং থৌরক্লে, হায়রকই, "মসিখক্তদি নত্তে। ঐথোয় খুঙ্গংদা লৈরিবা ভদ্রলোকশিংনা ঙসি অস্তুম্না শেপ্নরে মদুদি, দেবীগী থবক নহাক অমুক তৌবা য়াররোই। ইমাগী ভৈরবী ওইনা নহাকপু থম্বা য়াদ্রে। কনা লৈ, তারাদাস ঠাকুর অমুক্তা কৌরদনা?"

নুপা অদুনা মহাকপু কৌবা চৎখ্রে। ষোড়শীনা খুমগে

থল্লকপা পাউখুমদু মপাগী মমিৎ ত বা মচিন্দা থোক্লক্লবা পন্দুনা লৈরে, মহাক্না মমাই নোনখৎলগা খৎহায হায়দোকখ্রে, "করিগী য়ারোইদোরিবনো ?" অদুবু হায়দোকখ্রগা মহাক মশামক চঙক্লজারে।

মীয়াম মরক্তগী কনানো অমনা হায়রকই, "মদু মহাক্কী বাবাগী মচিনমক্তগী তাবা যংগনি।"

ষোড়শীনা রা অসিগী পাউখুম অমতা পীদে লৈতুনা যেংলকই, মহাক্কী মপানা কনানো চহি তরাগী নুপীচ। অমা পুদুনা লাক্লি, অদুগা মথোয়গী মতুংদা চহি য়াংবা নুপী অমসু ইন্নরাক্লি। মথোয় কনাবুসু ষোড়শীনা হায়না খক উখিদ্রি, অদুম ওইনমক খঙলে, মহাক মনেনি অদুগা নুপীমচা অদুনা শকখদবী মনেগী মচানুপীনি।

পূম্নমক অসি রায় মহাশয়গী পৌজালমনি, মদু মনুংদা ময়ামসু খঙই, ষোড়শীসু খঙদবা নত্তে। রায় মহাশয়না ভুাঁনবা লৈরগা মিৎয়েংনা ফনা ইঙ্গিত তৌদুনসু তারাদাস পাক হেক রা ঙাংবা ঙমদ্রে, মতুংদা শেমজিন-শাজিন্দুনা হাযরকপা অদুগীসু অগাম্বা শকক মযেক শেংদে, জিলাগী মেজিষ্ট্রেট সাহেব য়াম্না শাউরে অমসুং মহাকপু সেবায়েত্তগী তান্থোকত্রবদি অফবা ওইরোই।

মসিমক্না ওক্লে। ইরাৎ-লাংনবক্লে, ময়াম্না রারেপ পীনরকই মদুদি, অচৌবা বাথাক অসিদা বনাসু ববিওস্বা যানিংদবা অমতা লৈরোই। লৈরোই মদু চুম্মী। তুম্মিন লৈরিবা মথোয়সু অচুম্বা অসিমকপু য়াববনি। মরমদি, কবিগী য়ারোইদোরিবানা, অসিগুম্বা রাহং হৎবা ঙমগদবা মথোমা কনাগীসু লৈতে। অদুম ওইনমক অঙকপদি অসিনি, মদুমক থোক্লে। লাংবা নেমপরদা শিরোমণিনা রারেপ অসি মখা অমুক তাখগদবগী তৌমাল্লে নিংই, খঙহৌদনা তপ্পবা খোঞ্জেল অমা তারকই — "বাবা ?"

ময়াম মমাই থাংগৎতুনা য়েংনৈ। রায় মহাশয়না মমাই মাইকৈ অমদা অমদা কোইয়েৎ য়েংলুরগা মচানুপীগী খোঞ্জেলনি খঙলদুনা সুংশিনা খুম্নকই, "করিনো নুপীমচা ?"

হৈমবতীনা অমুক খরগা মমাই লৈথোরক্লগা হায়রকই, "ফরে বাবা, সাহেব শাউডুনা চৎপ্রে হায়রবসি কমদোনা খঙবিরিবনো ?"

বাবুচৌবা অহানবদা হাযফেৎ চঙক্লে, অদুগী তুংদা হায়রকই, "কৈদৌনা খঙদনি মুপীমচা। য়াম্না মুন্না খঙই।" হাযরগা মহাক্না তারাদাসদা য়েংলকই।

হৈমবতীনা মপাগী মিৎযে মতুং ইল্লগা হাযরকই, "নহালদগী পূম্নমক অসি তারে বাবা, মহাক মশামকস্থ রাফম অসি অচুম্বনি হায়না লৌহনবা তারব্রা ?"

রায় মহাশযনা মসিগী চপ চাবা পাউথুম খনবদা থোকত্রদুনা অস্থুম্নদা হায়রকই, "অদু নত্রবদি করিনো হাযযু ?"

হৈমনা তারাদাসকী মমাংদগী পিক্লিব মুপীমচা অদুবু উৎতুনা হায়রকই,-"মাবু থিকুরবনিনা হৌজিক্কি মীনম্বা ঙাংবগী কাপথিগদ্রা বাবা? অদুদ নত্তনা অচুম অরান থনবা তারবদি মাইকৈ অমতদগী রায় পীবা য়াদে।"

রা অসি তাবদা ময়াম চঙরপ্রে, ষোড়শী ফাওবা ঙক্লা মহাকপু যেংলকই। মতুগী পাউথুম সর্ব্বেশ্বর শিরোমণিনা পীরকই। মহাক্না মোমোন তৌনা মাইথোং মকা লাম্না হায়রকই, "ইচানুপীদি বেরিষ্টরগী মৌনিদন', অদুনা য়েংলক্লিবনি। ফবে ঐ ঈংথহল্লগে।" হায়রগা মহাক্না হৈমদা য়েংতুনা হায়রকই, "মসি দেবীগী মন্দির — অরিবা লাইশঙনি, মসিদি য়ানিংইদনা! হায়যু, মসিদি য়ানিংইদনা ?"

হৈমনা নঙক নোমতুনা হায়রকই, 'কবিগী য়ানিংদনি।"

শিরোমণিনা হাযরকই, "করিগুম্বা মতু ওইরবদি, তারাদাস বামোন মচা ওইরগা দেবমন্দিরদা লেপতুনা মীনম্বা রা ঙাংগদ্রনে অঙাওবী ?" হায়রগা মহাক্না হোঁনা নোকতুনা মফম অদু শাগৎতল্লে।

মহাক্না নোকপগী খোঞ্জেল নেমথরক্লবদা হৈমনা হায়রকই, "শিরোমণি ইপল-ইবুংঙো নশামকস্থ মতুংবরি! অদুগ ওইনমক মন্দিরদা লেপপগ মীনম্বা রাগী নোং চুহনাবিরি। মহাক্না পূজা তৌরবদি ঐগী

থবক মথং য়াম্লোই, ঐনা হায় হায়খি, মসি মবিক অমা ফাওবা অচুম্ব নত্তে।'

শিরোমণি লৌকম থত্তদে, রায় মহাশয়না মপুক্কিদা যাম্না রাগ্রৌদুনা খোঞ্জেল য়ারা হায়রকই, "কনানা নত্তোন্দা হায়বগে হৈম, অচুম্ব নত্তে, হায়য়ু ?"

হৈমনা নোকফেং তৌদুনা হায়রকই, "ঐনা হায়জরিবসিনি, অচুম্বা নত্তে বাবা! মহুগী মরমদি ঐ করিগুম্বদসু অসিগুম্বা রা ভাবদ লায়বদুনা পুন্নিদা ফাবো খন্দে। ঐনা মহাকপু পুম্বা তেংহনগনি। মহুদা ঐগী ইমাগী যাওফবা ওইগে ওইসনু, ওইদ্রবসু কে।" ষোড়শীদা যেংদুনা হায়রকই, "ঐবু লক থত্তবিরমদবা য়াই, অদুবু ঐনাদ কাউজদ্রে। মন্দিরদা চংলসি, ঐখোয়গী মতম হেনখিগদোরে।" অসি হায়রগা মহাক খোঙ্গকম অমা থাংজিন্দুনা মনী মনাক্তা চংশিমাল্লে, অদুবু মচানুপীনক্কা মফমদা ঙকাইবা নংগী খাঙনদবা চৈনাখোলনা মপাগী তপথবা মাংহনখ্রে, মহাক্না খঙ্গাহৌদনা যুক হোগৎলগ ওয়ুনা হায়রকই, "বৈদোইঙেদসু য়ারোই। ঐনা হিংলিবমথৌদি নাবু করিগুম্বা মওংদসু মন্দির মনুংদা চংহল্লোই। তারাদাস, তম্মু মাগী মমাগী বাদু। অদুগা ময়ামসু তাসনু। মহু অমুক পল্লবগী কান্নাদ, লায়না যাগনি খল্লম্বান।"

থুঙ্গংগী মচিল তোংবা অনিনা হৌখোয়ক্লিবা রাফম অসিনা লৈরিবা ময়াম পুম্নমকপু লমুক্কহল্লে। ষোড়শীগী তঙাংলবা চিনবান কাবনো হায়গদবগী হোৎনবদা হয়া হয়া নিক্লকই, মিংকুপকী মহাক করিনো হায়ররম্লগদবনি, অদুবু হৈমনা থুন-য়াংনা মনাক্তা চংশিল্লগা মখুৎ পায়দুনা ঈংলবা খোঞ্জেলনা হায়রকই "নত্তে করিগুম্বা মওংনসু রা অমতা ভাংবিগনু।" মপাগী মাইথোংদা মুন্না যেংদুনা হায়রকই, "মহাক্কী বিচার তৌবিনিংলবদি ময়াম অদুম তৌবিয়ু, অদুবু মহাক্কী মমাগী রা মশামক্কী মচিনমকপু নমদুন অচুম্বনি হায়হনবা অদুক্ক চাউবা ফজদবদুদি ঐনা করিগুম্বা মওদসু খোঙহল্লোই। মখোয়না

ওস্না তৌজসনু, ঐগা লোয়ননা মন্দির মমুংদা চৎলসি।" অসি হায়রগা মহাক মাইকৈ অমতদা হন্না য়েংলুদনা ষোড়শীবু মওং অমদা নমহুনা ইনবোই করিবোই পুহুনা চৎখ্রে।

নিপাল

মন্দির মমুংদা মচি অমদা চপ লেপ্লগা ষোড়শীনা হায়রকই, "নত্তে ইনাও, ঐ পূজা তৌরবোই।"

"করিগীনো?" হায়হুনা হৈমতীবনা ওক্লা য়েংলকই, ভৈরবীগী মাইথোং মকশিল্লি, কবিগুস্না মওংগী হরাওবা নত্রগা হৈনিংবগী মমি মচেৎ অমতা পক্তে অমস্ং মহাক্কী রাহংগী পাউখুম পীবদা খর খনব-গুম তৌই। হায়রকই, "মসিগী মরম কবিগুস্বদা তস্না তারবদি মতু নত্তোন্দমক তমগনি, অদুবু ওসিদি হায়রবোই। অদুদা নত্তনা, ঐ ইশামক অচৌবা পূজা থোইনা তৌদে, নিতিগী তৌরিবা মহাক্লা অদুম তৌরসনু, ঐদি 'সিদা স্তুম লেপ্লগা নচানুপাবু আশীর্ব্বাদ তৌরগে, মহাক পুসি-নুংশাবা ওইসনু, নাদ য়েক্তবা ওইসনু, মী ওইসনু।"

মচ নুপাদা ভৈরবীনা খম্মোয় শেংনা আশীর্ব্ববাদ চবুল অমা হৈথহুনস্ত মমাগী পুক্লুং পেনবা ওমদ্রে। মহাক্লা নুংনাংবা খোঞ্জেলনা হায়রকই, "অদুবু ওসিগী নুমিত্তি মওং অমগী নু মৎনি ইচে-বেম্মা? নথু মক্ল পূজা তৌবদ্রবদি মথোয়না যাম্না হন্নুনা লৌগ্রগনি।" হায়রগা মহাক্লা হাংলিবা থোঙ ফাওনা মপান্দা অমুক্তং য়েংথোকউবদা লাংতক্কবা মীয়ামদা মাপ্পী নিংযেং তারুরে।

ষোড়শী মশাগী নিংযেংস্ত মতুগী মতুং ইল্লুদবা ওমদ্রে। ময়াম মাইকৈ সাদদা য়েংহুনা লৈরম্না উবে। মথোয়গী মমাই অমস্তং মমিক্তা তমথীবা ফংনা খংননিংবগী মমি থোইদোক্লা ময়েক শেংই — ফিংলবা লাম্নিশিংনা মথোয়গী লুচিংবগী ইঙ্গিতবু ওাইহুনা য়াম্না রানা লান্দা-নিংব থাংহুনা লৈবা অতগুস্নমক্কি, অদুবু রায় মহাশয়না ইঙ্গিত অদু পীদে। মহাক য়াম্না হৈ-শিংনা যুম্নাল্লোন খওবা মীনি, খুদক্ত খওলে

থোক্লিবা থৌওসিদা মহাক্না ফোংনা ইনাক থুনবা মঙ্গাক্কা মচা মুপীগী মায়োক্তা লেপ্লুবা ওয়োই। ভাইহাক্কী মহুংদা মহাক্কী ভাগাব মিং অহু তুকথরক্লে অমস্তুং কনাদস্তু কাবমত্তা হায়রমদনা মহাক মফমত্তুদগী তপা তপ্পা মন্দিরগী শুমাং থাদোকতুনা চৎখ্রে। মতুং ইনবা নী অহুম মরি নত্তনা অতৈ বনাস্তু লোয়নাখদে। অহল ৎইরবা শিরোমণি মহাশয় লৈহৌই, অমস্তু অযাম্বনা থোদোকতু মমৈদা কবি ওইরকপগে খওননবগীদমক ভাইদুনা লৈরি।

হৈমনা থুকঅত্তুনা হায়রকই, "ইমা ভৈরবীগী আশীর্ব্বাদ ঐখোয় ইমা-ইচানা কোক নোম্না লৌজরি, অদুবু আশীর্ব্বাদ অহু ইচে-বেম্মনা পূজা তৌবদুনা মহৈ ম্যালহনবিবা পামজে। ফরে, ঐ ভাইরগে, পূজা অসি তোক্লসন্নু — ম্যাথ, পীবা ম্যানৎ অদুদা অমুক কৎননবা লাংবা হায়বদুনি।"

ষোড়শীনা মঙক হাইরদুনা হায়রকই, "খুদোং অহু অমুক ফংগদ্রা ফংলোইদ্রা মহুগী ম্যাদি ওসি তশেংনা হেক হায়দোকপাদি ওয়োইদোরি হনাও।"

হৈমনা ওন্না হায়রকই "অদুদি চণ্ডীমাতাগী ভৈরবী ওইদুনা অমুক লেরয়োইদ্রা ?"

ষোড়শীনা অস্তুম্নদা হায়রকই, "ওসি ফ ওবদি অস্তম লৈরি।"

হৈমনা হায়বকই, "অদুদি ?" হায়বমক্তদা উ'র, থোডবাদা মথুং অনি পায়দুনা শিরোমনি লেপতুনা লেরম্বা। মিংচান্নরুবমক্তদা মহাক্না নাপল তৌনা চংশিল্পরগা হায়রকই, "নহাক্কী বাবাগা ঐ ব্রাফম অতুমক অস্তুক কুইবাস খন্নবদা শিগদৌরবনি। ফবে, ঐখোয় তপথবা তাবনি। মহাক্না হযে, ওইবস্তু, হংচিং ৎইরস্তু, মুমিং তরানিগী মতু দা ওইরবমু পূজা তৌসন্নু। পীযু মসিগী পাউখুম ?"

হৈমনা ষোড়শীগী মাইথোংদা মমিং কুপ্তবমখৈ য়েংদুনা লৈ, অদুবু মহাক্না মহুগী পাউখুম অমত্তা পীরকাত্রে।

শিরোমনিনা ভৈরবীগী মরুব মাইথোংদা থানা য়েংলগা

নোবতুনা হায়রকই, 'নুপীমচা হৈম, মসিদি অরায়বা রাহুং নত্তে। মসি লাইফম্নি, অরুবা লাইনি, দেবীগী ভৈরবী নত্তনা দেবীবু শোকপদি নুপী অমা অমনা য়াবা নত্তে। মপুন্নিংনবু য়াজরবদি লৈসন্নু মহাক দেবীগী ভৈরবী ওইহনা, ঐখোয়গী যানিংদবা করিম্নু লৈতে। অহবু ঐখোয় থগই, মাগী মথৌনা অমুক লৈত্রে।"

ইঙ্গিত অহু অস্তক্কী মতিক মযেক লাপ্রে মহুদি, হৈমবতী ফাওবা মরু লুকথক্রে। ষোড়শী মশামকন্থ নুংশিনবগুম ওাইহাক তুমিন লৈরগা থংপ্রেক থঙনা মশানা মশাবু লোমহনা মপুংফানা মঙফাওনহাল্ল। শিরোমণিদা মহাক্না পাউথুম অমত্তা পীদে, অহুবু হন্নুবা পুজারীদা খুদক্তা থমকা তৌবা মঙংদা খোঙ্গেল কম্না হায়রকই, "ঠাকুর-মচা, নহাক অরৈ-অরা তৌরবা করিগনো? ঐনা য়াথং পীরিবসিনি, দেবীগী পুজা নিযম কায়দর্না লোইশিল্লগা নহাক নশাগী লৌফম থোকপা লৌ, অরেম্বনা মন্দিরগী পুক্কেদা থমজিল্লপা শো ঐগী বাক্তা পুহল্লকউ।" হৈমদা যেংহনা হায়রকই, "য়াম্না লাংশিল্লুরে, পুক্নমক অসি মাংহনবা চুমদে ইনাও। ঐনা আশীর্ব্বাদ তৌরম্বা অসিতনা নহাক্কী নচানুপা হীরম খুদিংমক্তা যাইফবগনি। ঐহাক ইশাগী অহিক-পুজা হৌজিক ফাওবা লোইদ্রি ঐ হৌজিক চংলে — করিগুন্দা মত্তম ফংলবদি অমুক লাকনি।" আস হায়রম্লগা মহাক অমুক যেংনববা তৌদনা মপান্দা থেংবক্রে।

নিংবুপ খরাদি ময়াম পূন্নমক চঙক্লক্রে, অহুবু থংনবা মিংকুপ্তা ঈকাইবা নংবা অমম্ভং থৌওইবিদবনা অহস ওইরবা শিরোমণি খুংশাইনা পাল্লবা শাগুম তমথীবাক্লে। মহাক্কী চহি মতাংগী মতিক চাব সম্মান মশানা ওাকচবগী রাখল অমস্পং চাংলেপ্পা শাবা কদায়দনো তাউখোকক্রে, মশক উদ্রবা ষোড়শীদা লৈবাক মচা তাদবা ইঙ্গিত অমা তৌরগা লাউ-খোংহনা হায়রকই, "হুন্দাক্তি মন্দিরদা চংলকপদা নওক লাকহনা ইন্দুনা তান্থোক্লনি থঙজ্জো! লমচৎ নাইদবী নুপী, চিন্থিবী। খুঙংদা মী লৈতে থঙ-শারিব্রা? ওাংস ফাংবা জনার্দ্দন

রায় হিংলি, ঙসি ফাওবা সর্ব্বেশ্বর শিরোমণি শিদ্রি, মহ থঙজৌ !"

চৈ-থাংসিবা পূম্মক অসিদা য়েৎপিনবা মফম অহুদা কনাসু লৈরক, থোইদোরহুম মহাকপু শোগৎলহুনা নুপীশিং অহুগী মরক্তগী চহি যাল্লবী কনানো নুপী অমনা হায়রকই, "ঈকাই-খঙদবীহু শুমজিৎনা কন্দুন তাস্তোক্কদবনি শিরোমণি মহাশয়। নাপল য়াম্মা কাবা শাই! জমিদারগী বাগানগী যুমদা অহিং ১ মুংথিল ১ লেল্লুবগা বাবু নাহুনা তৌবনি হায়জবা শারি! কন্নিগুম্বা মারম্লবসু মাগী মাথৌ করি লৈ? অহুবু —" ঙাংনা ঙাংনা খঙহৌদনা প্রেতিমাদা মিৎয়েং তাক্কবমক্তদা মহাক্কী কল্লক-মীহৌবনা মনি, তম্লবা মরৈ মিৎকুপ্তা ফাজিনপ্রে অমসুং চপ লেপপ্রে। মশাগী মনা অনি মহাক্কা থুদক্তা মথুৎ অনিনা পায়হুনা খোঙ্জেল য়াম্মা সুংশিনা খোৎনা হায়রকই, "দেবীগী ভৈরবীনি, নিন্দা তৌরবদি পাপ চাউগনি ঐ নিন্দ তৌজদে, অহুবু মহুনি হাযহুনবু মসি ফাওবদি ফগদ্রা। সাহেব অমবা মীনি অহুনা থাদোকপিরম্লবনি, নত্রবদি মীনম্বা লাংদা খুহনা মশামক্কী মপা অরাকমদা তারম্লগদবনি।"

অহুবু মহুদা কনানসু অমুক রাপাংলকত্রে। ষোড়শীনা ফনা মনিং তৌহুনসু মহাক্তি চণ্ডী-মাতাগী ভৈরবীনি হাযবাঅচুম্বা অসি খঙহৌদনা নি শিংলক্কমদ্রবদি অথিবা রাহৈগী ঈচেল অসুম্না খুদক্তা লেপ্লমদবা য়াই। অহুব মহুনি হাযহুনসু শিরোমণি মহাশয়গী অশাঙবা হন্থদে, মহাক্কা অমুক হন্না করিনো অমা ঙাংগদবগী তৌরকই, হৈমনা মকশিল্লবা মাইথোং তপ্না তপা নোমথৎলক্লগা হায়রকই, অহুগুম্বা রাহু হৌজিক্তি তোল্লসি শিরোমণি ইপল-ইবুংঙো। য়াম্মা থুগদসু লৈতে, হৌজিক ঐগী ইচাম্নুপাগী পূজা লোইথিসনু।"

"মহ ৎইরসনু মহু ওইরসনু।" হায়দুনা শিরোমণিনা মপুক্কিং সুংঙাইতবা, পেন্দবা অমদি অশান্তববু মতম অহুগী ওইনা নেমথহল্লগা চৎপ্রে অমসুং হৈম লাপ্তক্ক মহি অমদা থরায় পান্দবগুম ফম্মথপ্রে। ঈকাইনিংঙাই ওইরবা অমসুং খোমচোপ্লা থল্লবা কজদবা আলোচনা অহু মহারা মতৌ অহুম্না লেপহনপ্রে চুমই, পুরোহিতসু চেকশিন্না

লৈশি-লৈথোক্না দেবীগী পূজা তৌরি, অদুবু হৈমদি মহাক্কী থম্মোয়-মুংদা হৈনিংবা নত্রগা হয়াওবা মরিক অমতা থিবা ফংখিদ্রে। মহাক্কী মপাগা ময়ামগী ব্যবহারদা অমম্বুং মরু ওইনা শিরোমণিগী তুকচ্চ-নিংঙাই ওইবা মী মচাগী খোংদোংচুদা মহাক পেন্দবা পোকই, ষোড়শীগী অঙকপা লোনচংতম্ব মাগী থম্মোয়দা মচুগুম্না থঙতমদবা হঞ্জানবা অমসু, নিংজিং-মাংজিংনবগী মৈচাক থম্না লৈদ্রে। অদুম ওইনমক পুরোহিতকী থবক মেছি গী মতৌগুম পন্দনা চংথরি। অরুবা লাইগী পূজানি, বলিদান, হোম অসিনচিংবা হীরম পুম্নমক মতম শাংনা শাংনা লৌহ্নুনা পুম্নমক লোইশিল্লক্লে, মহাক্কী মচ মুপাগী যাইফনবা তৌরিবা থবক্তা কদাযদসু অপনবা অমতা থোক্তে, অদুবু ষোড়শীদি অমুক হল্লকত্রে।

মীনাই মুপীগী মতম্বাক্তা মচামুপা শিম্নরগা হৈমনা ময়ুমদা হল্লকপা মতম অদু মুংথিল ওইরে। হল্লকপদা উরে, মহাক্কী মপা নত্রগা শিরোমণি মহাশয কনাসু অদুক কুইবসি অরেম্বদা মতম মাংহল্লমদে। মপালগী ফম্ফম কাদা শাথীনা লাংলি। মচুগী মওং মতৌ তাবদা লাযনা থঙবা ড্রম্ন, বা ঙাংবা মীওই কয়ানা অমনা অমগী বা তাদনা মশা মশাগী মপুক্নিং ফোংদোক্নবা হোংনরি। নারোন্দা থৈদুনা কৱিগুম্বা মওং অমদা মশাগী কাদ, চংনিংই, অদুবু মপাগী মিৎয়েংদগী নাম্বোকপা ঙমদ্রে, মহাক্না মথুং থংতুনা কৌদুনা হায়রকই, "হৈম, সোমদা বা অমতা তারখো লাও মুপীমচা।"

মহাক মশা চোকথনা মাইথোং লাংশিন্না তপ্না তপ্না চংশিন্দুনা মমাংদা লেপ্লবদা উরে, মকম অদুদা মী অমথক্তদি তুমিম্না কমদুনা লৈরম্মী বা তারিবা মীনি গায়ন। লোবা মাই। মহাক অসি মাগী মপুরোইবা এন, বসু বেরিষ্টরনি। ময়াম্না পুম্না ঙাংলিবদু মহাক্তনা তানরবনি। পুং অম-মথায়গী ট্রেন্দা মহাক লাকপগী রাফম অমদি লৈ, অদুবু অরেপ্পদি কৱিসু লৈতে। মপুরোইববু উবদা মহাক মকোক্তা খুল্লিবা কিদু থর থিংথরগা থোঙ মরুমদা লৈশিন্দুনা লৈদ্রে।

মহাক্কী মপানা সুংশিনা ৱারোৌবগী খোঙ্জেলনা হায়রকই, "ঙসায় থওদ-উদত্থনা ঐখোয়গী ৱাদা থংশাউ শাউই নুপীমচা, অদুবু হৌজিক ননাকোংমক্কা পূম্নমক তাররিনিনে ? ৱাখোক অসিদা নহাক্কা থওদবা করিস্থু লৈত্রবনি, হৌজিক নওমক হায়যুদো অসি নুপীমচা, অদুগুম্বা নুপীবু লাইফমদা থম্বা য়ারিব্রা ? মসি অভাংগী শাস্ত্রগো নত্তে।"

হৈমনা খোইদোক্লা খোঞ্জেল পিন্না পাউখুম পীবকই, "ওয়াম্না 'সুম ফনি হায়বত্থু তৌবিয়ু।"

মহাক্কী মপা নোক্লকই, হায়রকই, "করিগী তৌদনি নুপীমচা, করিগী তৌদনি ! মত্থু তৌগে হায়বগীদমক চংশুবান। নিস্ম ন লাকপা'স য়াম্না ফার ! করিগুম্বা কেশ-হুং তৌনবা তারবস্থু পাঙ্গল লৈজনি। অতোপ্পা মাইকৈগী অস্থুম থনবদা মহাক ভাণ্ডারগী মতেং ফংবগী আশা লৈমাল্লে।" অদুবু শিরোমণিনা ফিংগংলকই, অদুনা লাউ-খোৎহুনা হায়বকই, "লুশন পায়দুনা খোক হেক্ক ইম্থোকগ্রগা লোইবে, মদুদা কেশ-হুং করি লৈখিগদগেনে জনার্দ্দন ! ইম্মাক-ইবুংঙো লাক্লে, হৌজিক্তি মহাক্কা বিচাব তৌরসনু। মহাক্কা ঐখোযগী জজ্জনি, মহাক্কা ঐখোয়গী মেজিস্ট্রেটনি। ঐখোয় অতোপ্পা জজ্জ-মেজিস্ট্রেটকী মবা লোদে। কবি হায়বগেনে যাগেন ভায ? নহাক্কা কারি হায়রিবা মিত্তিরজা ?" অসি হায়রগা মহাক্কা মী খরগী মাইথোং য়েংলগা থওহৌদনা নোকফেং তৌরকই। মতাং অসিদা যাগেন ভায়া অমস্থু মিত্তিরজাগী অযাবা লৌবগী অর্থ করিনো শেংনা হায়রবা ঙমদে, অদুবু মসিমখৈদি থওবা ঙম্মী, অচৌবা মী, দান ফবা মম্মাক-ইবুংঙোনা বিচার তৌসনু, অদুগা তৌদসনু, মতুংদা মহাক্কা হুংশিৱিবা ফংননবা লক্ষ্মীছু শিরোমণি মশাগীদমক চাউনা অমসুং নিংথিনা থরমখৈদি শেমজহৌরবনি।

মম্মাক-ইবুংঙো অসিগী মকোক্কী টুপিদগীনা খোঙউপ ফাওবা পূম্নমক অমকপা পক্কবা সাহেবনি। মরম অদুনা পাউখুম পীবদা নোকমি নোকমি তৌদুনা পীরকপা পাউখুম অদুসু অশেংবা সাহেবকী

রাঙাংনি। হায়রকই, "মহন্ত মহন্তানী জাতকী মা,বুগী মীওইশিং আসমী মওং মতৌ ময়াম্না থৃডনারবনি, মখোয় গুক্কবা অহুক লমচৎ নাইদে। মখোয়সিনা তৌভমদবা থবক লৈতে। করিগুম্বা মরম অমগী ওইরবস্তু মখোয় অসিবু যোকখৎলুবা চায়াই, অদুবু ময়াম্না হাবিরিবা ভৈরবীদুনা করি তৌবগে তৌদবগে মদুস্তু মুন্না খঙদোকপা চুশ্মী।"

শিরোমণিনা হায়রকই, "ইবুংঙো নির্ম্মল, খঙনিংঙাই অমুক করিস্তু লৈত্রে — করি হাযবগে মুপীমচা, ছৌক্তিকপু নহাক্কী চিংনবা করি লৈরিবগে? অদুদ নত্তুনা মাগী মমা — মদুদি অচৌবা রাকম অমনি।" অসি হায়রগা মহাক্কা হৈমদা খাইদোক্কা যেত্লকই।

হৈম মরু লুক্কা নুংবংনবা লৈ। মহাক্কা ঈকাইদুনা তুমিন্না লৈবা 'সিবু ময়াম্না অস্নুন্না খল্লে মদুদি, মহাক ভৈরবীগী মাখাক্তা ভশেংনা রা ঙাংনিংবদা ঈকাইবা অমস্তু, চিংনবনা ভুমিন্না লৈরিবনি, অদুবু মাগী মরমদা ফজবা রাহৈ ঙাংননবস্তু মহাক্কী খোনা করিস্তু লৈতে।

জনাৰ্দ্দন্না মচানুপীদা হায়রকই, "মুপীমচা, মুমিং চুপ্প চরা কেস্বদা নহাক শক-চু ওল্লে, চংলো, নঙ ইমুংদা চংগ্রো। ভৈরবীবু কৌহনবা মী থাগ্রে করিগুম্বা লাক্রবদি নাঙোন্দা পাউ পীরক্কনি।"

হৈম চংকদবগী কোয়ক্লে, মতম অসিদা কৌবা চংলুবা মুপাদুনা হল্লক্লগা তম্লবা অদুগী শল্লপ্পা রারোল অসিনি মদুদি, ভৈরবীনা মাগী প্রজা দিগম্বর অমস্তুং বিপিনবু শো ফকাযহল্লগা কাশিং অদু দখল তৌশিনখিবদা নত্তে, রায় নহাশযগী য়াথং বিক্তোকতুনা 'সিদা লাকউ যাদে। গুপ্তগী ফকির সাহেবনা হাযবদগী মমৈথংদা য়্যারকই। মিনিট তরামঙারোমগী মতুংদা যৌরকপা যাই।

য়ৌরকপা য়াই। মদু ওইবা য়াই। চাক্লবা মৈরিদা ঘি হৈররে অমস্তুং ইচম চম্বী মুপী অমগী খনঙমদবা ফংনা মরিংজেল খাবা অমদি চাউখোকপা অসিনা মশক নাইরবা মুপাশিং অসিগী মচিন্দগী থোরকপা রাহৈগী ঈচেল কল্লি, মদু হৌবদগী লোইবা ফাওবা তমত্রবস্তু

রা অমা পনব দরকার ওই মতুদি, ওক্তবী মুণী অসিবু মিংকুপ অসিমক্তদা খুঙ্গংদগী তাম্থোক্পদা নত্তে, মাবু শো ফঙ্কায়বা অমত্তুং থো লৈতন' মমতুনা চংবগীদমক পুলিসকী মথুত্তা শিন্নতুনা জেল চংহনবা দবক্ ওই হায়বা ফাওবা মখোয়না করিস্তু চিনবা লৈতনা ফোংদোকই। মহাক-ঈবুংঙোদদি চন্নবা অসিদা য়াউশিন্দে, শোইদনা ওইরম্বা য়াই, মহাক মাগী সাহেব অমত্তুং বেরিষ্টর ওইবা অনি খংসিনী ইজং ঙাক্লনবা চীংশেম্মা কম্লিবা।

চং' নবা খল্ল নেমথবল্লবদা মমহাক-ইবুংঙোনা হায়রকই, "ফকির সাহেব অসি কনানো? খঙ্হৌদনা মহাক কমদৌনা যাউশিলল্লিবনো?"

মসিগী মরমদস্তু ময়াম্না মাংমাগী পুন্নগী মত ফোংদোক্লরকই। শিরোমণিনা মতুগী মচং পন্দু। হায়রকই, "সাধুরা চেঞ্জংবনা! পাঙলবু অমুক সিদ্ধ পুরুষ! নতু বরিস্তু নত্তে, অদুবু মপাতু কনাগীস্তু ফত্তনু দনবা তৌদে। যাক্ষ্মীগী রাংমদা পোনাং বট অমগী মখোংদা লৈ, লৈরকপা যাম্ন কুইবে — অদুদ ওইরগা মরক মরক্তা বদাম্নদনো চংলি, অমুক হল্লকপা মুমিং মঙ-ফক্লক্লি শুরে হায়না তাই। মাগী থোশিন্দ শো যক্কায়বা ওইরম্বা য়াই, কবিস্তু হায়বা ঙম্দে — ফনস্তু ফরসন্তু পাঙলনিদনা।"

মমহাক্না হংলকই, "অদুবু ঙসি কমদৌনা ফাওরক্লিবনো?"

তারাদাস ঙসায়মক্তে তুমিন্না লৈরম্মী, হন্দক্তি বা ঙাংলকই। হায়রকই, "রাংমগী খোনাং বট তৌরিবনচিংবা লমশিং, অদু চঙ্গী মাতাগীনি। মতুদগী শক খঙনথিবনি। ফকির সাহেবনা ষোড়শীবু য়াম্না নুংশিনা তৌই। মফম অদুদা লৈরবদি ষোড়শী অয়াম্বা মতমদা চংলি। মঙোন্দা লাইরিক তম্বস্তু উই।"

মমহাক-ইবুংঙোনা নোকফেং তৌদুনা হায়রকই, "নুংশিবা! লাইরিক-লুংলিকস্তু তৌবা! ফকির সাহেব অদুবু চহি কয়া চুরবগে?"

তারাদাসনা ঈকাইনা হায়রকই, "আজ্ঞা, হজুরে মহাক।

চহি ছময়ু ছময়ুনিথোইদগী তাররোই, নুপীমচা হায়না কৌই। ষোড়শী য়াম্না কন্না অমুক নাথি — শিগদোক্নরবনি — মহাকমক্ত ফহনথি।”

সাহেবনা হায়রকই, “ওঃ — মতু ওইরে! অত্তুদি কনানা থঙবানা, মাইকৈ অমদন সাধু-ফকির, মাইকৈ অমদস্থ ডাকিনী-যোগিনী। ভৈরব-ভৈরবীগী কাংবু অসিবু —” অদুবু লোইশিনবা ঙমদ্রে! ইঙহৌদনা মাগী নুপীগী মাইথোংগী শকক মচেং অমদা মিংন্নেং তারুবনা হায়বা হৌধবা ধা অসি লনথাদ চপ লেপখ্রে। অদুগা কনাস্থ বাপালকত্রে, চেম্ রিবা অনৌবা ঈচেল অদু শিরোমণিদমদি পল্লহন্দে। মরাল শিরনী ব্রাংহৌবিবা শকক অদু নাপল তৌনা মপু ফাহল্লগা মহাক্না অন্সুনা পায়রকই, “চাম্মরক্কি ইবুঙো, চাম্মরক্কি। অসিগুম্বা ওইদবা ইবুঙো-ইবেম্মশিংসি ওক্কবা অদুক লমচং নাইদে!” মহাক্না নাক-যত্তা যেংহুনা মাং যোগেন ভাযা অমস্থ, মিত্তিরজাগী মঙক মোম্বস্থ আশা কৌমাল্লে। অদুবু হন্দক্কি মখোয়স্থ চঙক্নপ্রে অনন্ধুং থোংঙজিল মক্নাদা লপ্লিবী হেমবতীগী কাহৎলবা মাইথোং ঙাইহাক্কি পূমঙা ঙাংলকই।

মতম অসিমক্তদা ভৈরবীগা লোয়নদুনা তৌশিন্নবা মুসলমান ফকির অদু খোংথাং তপা থাংদুনা ওুমাংদা চংশিল্লক্লে। শিরোমণিগী অকনবা থোঞ্জেলদু মখোয় তাপ্রে হায়বদা কনাস্থ সিংনবা লৈত্রে।

থিন্দনা মবানি ময়াম মনাক্তা চংশিল্লকপা মতম অদুদা কনানস্থ ময়া কাথোবদুনা ব্রা ঙাংবা ঙমদ্রে। কৌ লাক্কে, ফম্মু হায়দুনা ফজবা লোনচং ফাওবা ঙাক্কে! অদুম ওইনমক ময়াম পূম্নমক পুক্রিংদদি হাইফেং লাংজক্নবগুম তৌই। শিরোমণি ফাওবনা থল্লকই, ক নৈনো'মা চুমদ্রে — কদায়দনো য়াম্না লানথিবা অমা লৈগ্রে, অদুম ওইগ্নমক ময়াম তুমিন্না অদুম লৈ।

মিষ্টর বস্থ সাহেবকী মফমদদি চংশক্লিবা মবানিমক তপেংনা শুক ওপাগু থঙদবনি। মিনিট অনি-অহুমদি মহাক্না মখোয় অনিগী

খোঙদগী তোন ফাওবা হন্না হন্না মুন্না য়েংই। ফকির অসিগী মকোক্কী শমদগীনা শাংলবা কোম্ব-মুং পূম্নমক পূমঙৌ ঙৌরে, মশাদা পাঙলগী অচম্বা ফিজেৎ শেৎলি। উনরিবা খঙনরিবা অতুদনী খোইদোক হেন্দোকপা করিসু লৈতে, অতুম ওইনমক মপাঙ্গল যম্না রাংজবা হকচাংদা পূম্নমক অসিনা লৈতেংবসিনা মখোয়না করিসু লৈতনা খন্নবা অঙ্গদগী মরোল কয়া রাংগ্রবগুম নিংই। মাগী হকচাংগী কুচু নোং চোৎপা অমসুং মুংশানা ৈয়বদা মওং অমা ওনগ্রে, অতুনা হান্নগী কুচু করিগুম্বা মওং অমদসু ভাবনা শাবা ওমগ্রে! ফকিরগী মাইথোং অমসুং মমিত্তা খঙনিংবগী অচম্বা মমি থরদি তাই হায়বা যাই, অতুবু অমুকন্থ পুক্নিং চংনা য়েংলবদি উবা ফংগনি, মতুমক্কী মকমদা ঙাম্থোইরিবা খম্মোয় অতু তপ্নি ঈংই অকি-অথং লৈতে। মহাক্কী মতুংদা চংলকতুনা ষোড়শী লেপ্লরে। মহাক্কী গেরুয়া ফিজেৎ, মহাক্কী কোকথুম য়াউদবা কোক্কগী থোইনা শেম-শারুদবনা চোইজাইননা হাইথরক্লিবা শম্লাং চবুন, মহাক্কী ব্রত চেৎলবা যৌবনগী ইথিল কল্লবা হকচাংবু মথল থুদিংমক্তা খোইদোক হেন্দোক্লা থৌশাবিদবদা ওক্লা শুমহৎপা, মতম পূম্নমক্তা মিংয়েং লুক্লা যেংলিবা মমিংক্কী উঙমত্রবা হায়দোক্কবা ইতিহাস — পূম্নমক অমুক্কদা তৌল্লদুনা ঙাইহাক্তি সাহেবপু শুমহৎগ্রে।

মঙগ্রংনবা অসি মঙফা ওনগ্রে ফকিরগী রা অমগী ঈথিলদা অমসুং অতুগা লোয়ন-লোয়নন৷ মশাগী অশোনবতুগীদমক মহাক মরম চাদনা ঈকাইহনা মহাক্কী পাউথুমদা কান্নদবদ খোঙ্গেল যাক্লকই। ফকিরনা মজাতিগী চংনবী মতুং ইন্না ঈকাই-খুম্নবা উৎলগা হংলকই, "বাবু সাহেব, অদোম্না কৌবিব্রা?" বাবু-সাহেবনা মতমন্তুদ খুম্লকই, "নহাকপু কৌদে, নহাক চংখিবা য়াই।"

ফকির শাউদে। নোকফেং তৌরগা ষোড়শীবু উৎলদুনা খোঙ্গেল ঈ্না হায়রকই, "অতুবু আসামী ঐনা হাজির ওইহল্লররিবনি বাবু-সাহেব, মহাক্তি লাক্লিংদবনি। অতুম ওইনমক মরাল শিক্কবসু য়াদে,

মরমদি ময়াম চংহ্নুনা চরাংনবা বিচার তৌবদি মহুদা অচুম্বা বিচারদগী চুমদবা বিচারনা হেল্লি। অদুগা মহুস্তু অযুক্তা তাঙ্কক অমা লোইশিনগ্রবনি! অহুবু ইবুংঙোগী মি তাবদা ঐনা হায়, চংসি সুপীমচা ঐথোয় চংলুসি। মহাক্তি আইন খঙবা মীনি, অহুগী মথক্তা মপালগী মীনি — করিগুম্বা যাবিরবদি মহাক্তা অচুম্বা বিচার তৌবিগনি।"

বেরিষ্টর সাহেবনা মপুক্লিংদা খঙলে, ফকির অসিগী মরমদা মহৎক্তা লায়না লৌক্লবে। মহাক অমবু ওইরবস্তু, লাইরিক হৈহুতবা চাক্লিবা মথলগীদি নত্তে। মরম অদুনা পাউথুম পীবদা মহাকস্তু থরমথৈ লৈবাকমচা তাবা তাই, হায়রকই, "মযাম্নদি শো ফকায়রগা নম-হাহুনা চংবগীদমক্তা পুলিসকী মথুক্তা পীহুনা অহানবদা জেল চংহল্লিংই। অদুগা শো ফকায়রিবা অসি অদোমগী হুকুমননি তাই"

ফকিবনা নোকতুনা হায়রকই, "কিজরেদা, ইথম্নগী ইরাল নত্তে, মহুগা লোয়নননা মহুদা তেংবাংঙিবশিং অহুস্তু। অদুবু বাবু সাহেব, ঐদি গুমগী শো ফকায়নবা ইনশিনখিবদনি, অহুবু আইন থুগায়নবদি হায়খিবা লৈতে। য়ুমহু দেবোত্তর সম্পত্তিনি, অহুগা ভৈরবীনা মহু তাক-শেল্লিবনি। তারাদাসনা অরেম্বদা করিগুম্বা শো লোনশিল্লগা চংথিরমগ্রবদি ফর ফরবা শোশিংহু অহুম্না ফকায়হুনা মাংহল্লম্লোইদবনি। তারাদাস, লৌশিং অহু নঙোন্দা কনানা তাক পিবগে ইবুংঙো? অহুবু অমনবু তাকপিরবস্তু অফবা লৌশিংজি নত্তে।"

তারাদাসনা মসিগী পাউথুম পীবা ঙমদ্রে, অহুগা অতোম্বা কমানস্তু বা অমতা হায়বা ঙমদ্রে, চঙক্লনা লৈ, মতমসিদা শিরোমণিনা লৈশি-লৈথোম্না হায়রকই, "মাবু কনানা ভৈরবী ওইহনবগে খঙবিত্রা ফকির সাহেব? মহু তারাদাস অসিননি। হৌজিক মহাক্ত করিগুম্বা মাবু থম্লিংত্রবদি মহু মাগী মনিংনি। মসিদি ঐগী মতলি।"

ফকিরনা হায়রকই, "শিরোমণি মহাশয়, মত অদুসু আদোমগী ওইরম্বা যাই, অপাম্বা অদুসু তারাদাসকী নি চুম্মী, অদুবু সম্পত্তিদু অতোপ্পগীনি। অতোপ্পা মী অদুনা অনিহুগী মরক্তা অমত্তসু যানিংদে। কার তৌবিগদগে তাকপিয়ু।"

মাগী পাউথুম অমসুং ব্রাডাংগী মওং মতৌদা বেরিষ্টর সাহেবনা নোকতুনা হায়রকই, "ব্রাহ্মদি অসিনি মহুদি, হৌজিক লৈরিবা ভৈরবী অসি মরাল লৈরবনা দেবীগী সেবা চংবদা মত্তিক চুপচা চাদ্রে। মহাক্তা মশা কজনবা থর শেংদোকচবা ওমগদ্রা?" অসি হায়রগ ষোড়শীগী লুকথারিবা মাইথোংদা মুন্না অমুক্তং য়েংলকই।

ফকিরনা হায়রকই "মাবু আসামী ওইনা মরাম মাংদা লেপহল্লগে, মরাল প্রমাণ চাদে উংনম্নবা পোৎসুম অদু মংডোন্দা থোংগৎলু হায়বা অদুক চাউনা নম-হাবদুদ ঐ ওমজরোই বাবু-সাহেব।"

বেরিষ্টর সাহেব মগুক্তিংদা ঈকাইরদুনা ভুামশা লেপ্লে, অদুবু শিরোমণিনা খোঙ্কেল যাক্তা হংলকই, "জমিদার জনার্দন চৌধুরীনা দোলাই পাবা থারবতুনা লৈরবীবু ফাদুনা পুক্তগা অহিং চুপ্পা অদু ফাজিদুনা ঙমন্দুরে, মদু ঐখোয় পুম্নমক খঙই, মদুদা মহাক্তা অমুক্তা মেজিষ্ট্রেট সাহেবকী মফমদা করিগী মীনম্বা আস ভাংথ্রিবনো, মহাক মশানা যানা মকমথুদা লৈবান। মহাক করিগুম্বা পাপ লেত্রবদি বা অসিগী পাউথুম পীয়ু?"

ফকিরনা পাউথুম পীরকই, হায়রকই, "জমিদারগী অত্যাচারদগী মহাক শাউবনা ভাংথনা চৎলুবনি হায়বা অসিদি মীনম্বা নত্তেদনা শিরোমণি মহাশয়? অদুগা মহাক থওহৌদনা কয়া নাই হায়রিবা অসি ফাওবদি অচুম্বনি।"

জনার্দ্দন রায় ওসারমথৈ ভুমিন্না য়েংনরিবা পুম্নমক তারম্মী, অমুক থাংবা ওমকত্রে, হায়রকই, "মসিনা করিগুম্বা অচুম্বা ওইরবদি মশামক্তা মপাগী মায়োক্ত লেপতুনা ওক্তবা অদুবু কনবগী কান্নবা করি লৈবগে? মা পারগা মাগী মথৌ করি লৈ? অনাথগী সেবা

তৌহল্লবগীদমক বীজগাঁগী জমিদারনা দোলাই থারকতুনা লৌহল্লবা নত্তেদনা? মরু ঙইবা বাদি মাবু অমুক থল্লরোই — ঐখোয়না মন্নুংগী ওইবা বা খঙই। অদুদা নত্তনা, মাগী হায়নিংবা থর লৈরবদি মাবু হায়হল্লু। নহাক্কি পাঙলনি, মীরৈবাক মচানি, নহাক্না হিন্দু-ধর্ম্মগী ময়াই লেপতুনা হৈ পা শাববগী দরবার লৈতে।"

মাগী রংভাংগী কাং কাং লাউবা অয়াকপদুনা ফনা কুইনা কা অদু নিন্দুনা লৈ। বেরিষ্টর সাহেব মশামকন্না কমদোদুনলো মওং অমদা হৈনিংদবা অমসু, লেন্দবা পোক্লকই অদুপা বা ভাংদবী ভৈরবীগী থম্মোয়-মুংদগী পাউথুম অমা থোক্লকদবগী হন্না হন্না ইথিল পীরকই। মদুগী মখি ফকির স'হেবনা ষোড়শীগী মাইথো দা উরদুনা নোকক্কং তৌরকই, অদুগী মতুংদা জনার্দ্দন রায়দা য়েংলদুনা নোকমি নোকমি তৌনা হায়রকই, "রায় মহাশয়, কুইরবগী থানি, কাউবিরম্বা য়াই, মন্দিরগী থাবোমদা চৌরম্বা লাযোইরবা মিম মথোঙদা ঐ লৈরম্মী। ষোড়শী মচা অদুদা অশুপশিংদা চাউরি, মতমদুদগী হৌনা মহাকন্না ইচান্নুপীমক শন্না লৌরক্লিবনি — পাঙল ওইরবন্না লংজিন্নিবা ইরাল অসিগীদমক ঙসি ঐহাকপু ভাবপিবা তাই। ইচান্নুপী অদুগী অসুক চাউবা খুদোংথীবা অসিদা লাক্কনা লৈথোকপা ভমগন্না? ইচান্নুপী চাযবনি করিন্নু লৈভবা পোং নত্তে! অদু নংলমন্নবদি ঙসিমক অযুক্কা মাবু মচিলমক্না মাগী মমাগী ঈকাইখুম্ভাই ওইরবা বারী ভমচনবা পাম্বিথি, মতম অদুদা মশাগী নচান্নুপী অসিমক্তা মফমদগী থমকা ফংদুনা অদুম্না তৌফম খঙদনা তীঙক মাইঙক্লখিবদু থোক্লল্লোই-দবনি।" অসি হায়রগা থোঙজিল ময়াদা মুত্তিঙম লেংদনা লৈরিবী হৈমবতীবু ইঙ্গিতনা উৎলকই।

জ্ঞান মাংলবা জনার্দ্দন্না পাকহেক পাউখুম থিবা ফংদ্রদুনা হায়রকই, "মহ বাবেম্নি।"

ফকিরনা নোকতুনা হায়রকই, "হৈজিং ফারবা মকন্নু নুংদা তারবদি কংহনা য়াই, ঐহাক চহি মতাং অসি য়ৌরবনা মদুমথৈদি

ঐহাক খঙই। ঐ থবক্তী বান্নু হায়জগে। পাপ য়াম্না চেন্নবা জমিদার অহুবু ঐগী হুপিমচাসিনা করিগী কল্লুরিবনো ঐস্ত থওদে — হংলবন্থু পাউথুম ফংদে। ঐনা থাজৈ, মরম লৈরমগনি — ময়াম্না থাজরি মতগী মরম কত্তুনা। মতাং অসিদা মাতঙ্গিনী ভৈরবীগী বা পুশিন্নকপা য়াবনি অহুবু মী অমগী ফনবগীদমক ওইরবস্থ অতোপ্পদা মরাল শিবা ঐখোয়গী ধর্ম্মনা য়াদে, অদুনা ঐ মতু পল্লরোই। অহুবু রায় মহাশয়গী মফমদা ঐগী হায়নিংবা রা য়াম্না লৈ। মসিনা করিগুম্বা মতোমদা ওইরম্লবদি, ঐ মরক্তা চংলমদবা য়াই, মহাক মশাগী মরোশিং অমদি মশাগী ওমজবা মতুং ইন্না মখোদাং তৌননবা হোৎনজবা ওইরম্লবদি, অহুবু ময়াম্না, মরু ওইনা রায় মহাশয় মশামক থ্বাজেং লাকতুনা লেপ্লি, করিগীদমক্তুনো হাযবিযু? ষোড়শী মথন্দা নত্তে, অতৈ হুপীমচা কয়া অমস্থ লৈরি। থুঙ, ময়াইদা ফমহুনা হুপাহুনা অহিং অহিং খুদিংগী মীওইবগী ইজং মাংহল্লি, মতম অহুদা কদাযদা লৈখিরুবগে শিরোমণি, কদায়দা লৈবিরুবগে জনার্দ্দন রায়? মচাক্না লাইরবগী লৈজবা 'পূম্বা চুপতুনা লুপা লিশিং মত্তা খোমগংতুনা লৌখি, মহুদা থবাক্তী ঈ কয়া য়াম্না চুপতুনা অদোম্না মখোয়গী লৌ-ইখোল, যুম-কৈ বদ্ধান লৌহুনা শাগৎখিবগে হাযবিযু? অহুবু তোক্লসি, অহুবু রায় মহাশয়, নচাস্থপীগা নমহাক্না লেপতুনা লৈরি, মখোয়গী মমাংদা অদোমগী পাপ্পা থল্লবা অহু অমুক উৎলরোই।"

অসি হায়রগা মুসলমান ফকির অহু তুমিন লৈত্রে, অহুবু মাগী অচেৎপা য়াফমগী অয়োইবা য়াহৈ খরত্নু ওাংবা লোইথিহুনস্থ লোইবা নাইখিত্রে। কনাস্থ বা ওাংদে, কা অহু পূমচিক চিকত্রে, গুপ্পগী কম্নবা খোঞ্জেল অমগী খোম্থাং অমা মাইকৈ মরিগী ফক্লাংদগী থক্তোক-লকতুনা ওংতনা 'ধিক! ধিক!' হায়রক্লি।

হৈমনা কনাদস্থ হম্না ফাওবা য়েংদে, তুমিম্না মরু লুক্লা তপ্পা তপ্পা অত্তোপ্পা মফমদা লৈখোকতুনা চৎত্রে অমস্থং বেরিষ্টর সাহেব মফমহুদা চেয়ারদা নুংবংননা ফমহুনা লৈ।

ফকিরনা ভৈরবীদা হায়রকই "হুপীমচা ঐখোয় চৎলসি।" অসি হায়রগা মহাক অমুক রা ডাংলএদনা ভৈরবীগা লোয়নদুনা থোকখ্রে। শুমাংদগী মপান্দা থোরকপদা মপালগী থোঙজাওদা মরাদা হৈম লেপতুনা লৈরম্বা উরে। মহাক্না মমিৎ অনিমক ঈরা চোল্লি। মহাক্না পীরাংলা থুমহৎলবা মিৎয়েংনা য়েংলদুনা হায়রকই, "বাব, ঐগী ইপুরোইববু ডাকপিয়ু।"

ফকিরনা ওক্না হায়রকই, "করিগীনো হুপীমচা ?"

হৈমনা মতুগী পাউথুম পীদনা হায়রকই, "ঐগী ইপুরোইবগা লোয়নদুনা করিগুম্বা আশ্রমদা লাকচবদ উনজবা ফংগদ্রা ?"

হন্দক্তি ফকির নোক্লকই, হায়রকই, "করিগী উংদনি হুপীমচা। নখোয় অনিগী নিমন্ত্রণ লৈরে, মতম ফংলবদি লাকউ।"

মাপল

মন্দিরগী মরিদা থোক্লিবা রাথোক অমু মতাং অহুদা পাক হেক লোইশিনখিবা য়ারোই হায়বা ষোড়শীনা মহু মুনা থঙই, অদুবু থুদোংথীবনা মাইকৈ অদোমদগী অমুক লান্দারক্কনি হায়রবদি মহাক্কী রাথলগী রাংমদনি। লম অসিদা লৈরবদি ফকির মরক মংক্তা অদুম লাকই হায়রবা য়াই, অদুবু মহাক সন্ধ্যামক্তদ মহাক চংখিবনি, মরক অসিদা নোংমতা হৌখ্রি, ওসি অযুক অঙনমক্তদা তনলাক লাক্কনি হায়বনী মহাক্কী অদুগুম্বা নিয়ম করিগুম্বদসু লৈখিদ্রে। ষোড়শী হৌজিক্তা ইরুজরুরি, হল্লকপগা নিঙ্তিগী শিন্থা লোংশিল্লগা ইনুংদা চংলকই, মতম চাদনা ইঙহৌদনা মতাকপু উবদা চিংনবা পোল্লকই। হাথু হাথু থুরুম্নগা ফিদা অমা থারগ লাংতক্লবা থোঙ্জেলনা হংলকই, "অস্নুক ওম্না ?"

মহাক্না ফম্মদ্রগা নোকফেং তৌনবা হোংনম্নগা হায়রকই, "ফকিরানীললা, সংসারগী অরা-মুংঙাইগী থোইনা থল্লুবা লৈতে, অদুম

ওইনমকস্থু ওবাং অহিংদি নিংথিনা তুম্বা য়াখিদে, ষোড়শী, হকচাং অসি লৈারবনা অসুম্না বারিবনি। কৈদৌঙৈ মালেম-স্থং অসিদা তিনখিগনি!"

ষোড়শীনা হকচাং মুংঙাইতবগী মানি শন্দুনা হায়রকই, "করি করম্বা লৈনানা নারিবনো?"

ফকিরনা মঙক হাইদুনা হায়রকই, "নত্তে, ঐগী হকচাং করিস্থু তৌদে। ওয়াং মুংথিল মখোয় ময়াম্না ঐগী খাংপোক্তা খুযা উকুল তাহৈল্লে, মমপাক ইবুংঙো সাহেব অদুস্থু এককডিস্থু লোযনরকই। মহাকপু মুম্না খঙই অদুনা —"নত্রবদি, মহাক্না মা কা হেন্না ভাংলম্মী। অদু ওইরবস্থু মা অমা অনিদি নঙোন্দা হংদনা লৈবা ঙমদ্রে মুপীমচা?"

ষোড়শীনা হায়রকই, "হায়রিবু!"

ফকিরনা হায়রকই "যেউ মুপীমচা, ঐ পাঙলনি, মখোয়গী দেব-দেবীগী মরমদা ঐনা খঙনি, লুবস্থু চুমদে, খঙনিংবস্থু লৈতে— অদুবু, মহাকপু ঐনা ইচামুপীমকি হায়না লৌরি মখুৎমক্তা অমুক কৈদৌঙৈদস্থ চণ্ডীগী পূজা তৌরবোই হায়না খঙহনব্রা?"

ষোড়শীনা মঙক নোমদুনা হায়রকই, "মা অসি অচুম্বনি।"

ফকিরনা হায়রকই, "অদুবু অস্থুক কুইবসি মহাকী অপনবা অদু লৈরকত্রা?"

মসিগী পাউথুম পীদনা ষোড়শী তুমিন্না লৈখোকপ্রে, মতমমুদা মহাক্না হায়রকই, "মহাকপু পামদ্রিবা মখোয়না করিঙম্বা মহাক্কী অনৌবা শাজং অসিবু ফত্তনা লৌপ্রবদি মদুদা পাউথুম করি পীনিংঙাই লৈখিগদগে ষোড়শী?"

মসিগীস্থু করিগুম্বা মওংদা পাউথুম পীরবা হোৎনদনা ষোড়শী তুমিন্না অদুম লৈ, মতম অদুদা ফকিরগী মাইথোংস্থু থোইদোক্না চাং লেপ্লক্লে, মহাক মশামকস্থ ঙাইহাক তুমিন লৈরগা হায়রকই, "মসিগী মরম হাযদোকপা মাবা ওইরবদি মহক্না ঐঙোন্দা শোইদনা হায়গদবনি। মদুদা নত্তনা এককডিনা অমুকস্থু মা অমগা হায়।

মহাক্না হায়, জমিদার বাবুনা মহাক হল্লকখিগনি হায়না আশা কম। তৌরম্মী। অদুদা নত্তে, দোলাই থাবনবা হন্না হন্না তৌবদা মহাক শোইদনা হল্লকখিগনি খন্দুনা তোকখিবনি।"

হন্দক্তি ষোড়শী বা ঙাংলকই, হায়রকই, "মহাক্না আশা তৌবা তৌদবগীসু ঐনা দায়ী ওইগদ্রা ?"

ফকিরনা খুদক্তা মঙক হাইদুনা হায়রকই, "তশেংনা ওইরোই, তশেংনা ওইরোই। অদুবু য়াদু তাবা ফাওবদা কজদনা থোকই, অদুনা পনবনি। করে সুপীমচা, থৌদোক অদুবু ময়াম্না য়াম্না কজদনা পুথোক্নরি, মদুগী অশেংবা মরম অদু নহাক্না ঐঙোন্দা তশ্বা য়ারোইদ্রা ? সুপা অদুবু কারিগী অদুম্না কনগ্রিবনো হায়বা অসিগী করিগুম্বা মরম অমতা থিবা যংদে।"

ষোড়শীনা অহানবদাদি মপুক্লিংদা বাহং অসিগী পাউথুম অমতা পীরোই খল্লম্মী, অদুবু অহল অসিগী লাংতক্নবা মাইথোংগী মুংশিহৈবা চানবিহৈবা মিৎ অনি অদু উক্নবদা মহাক তুমিন্না লৈবা ঙমদ্রে, হায়রকই, "ফকির সাহেব, অনাবা সুপাদুবু জেল চংহনবনা অচুম্বা ওইগদ্র ?"

ফকির ঙকই, হাইফেৎ বায়ৌরম্বা য়াই, হায়রকই, "মদু থনবগী থৌদাংদি নহাকী নত্তে সুপীমচা, মদুদি নিংথৌগীনি। অদুনা মাগী জেলদসু হোসাপতাল লৈ, মরাল লৈবা অনাবা মীবুসু মানা লায়েংবি। অদুবু অম্মুম্না তৌরবদি নহাক চুমদবা থবক তৌরে হায়ব ঙাই।"

ষোড়শী মাগী মাইথোংদা যেংদুনা লৈ।

ফকির সাহেবনা হায়রকই, "হৌগ্রবদি হৌদ্রে, অদুবু মতুংদদি লানখিবা অসি চুমথোক্নদবনি।

ষোড়শীনা মাগী মাইথোং য়েংলদুনা হায়রকই, "মদুগী অর্থ ?"

ফকিরনা হায়রকই, "সুপাদুগী মরাল অমসুং ওৎ-নৈবগী ঙমখৈ লৈতে, মসিদি খঙলিবনি। মহাক দণ্ড কংবা চুয়োইদ্রা ?"

হন্দক্তি ষোড়শী ফনা কুইন্নবা ফাওব' তুমিন্না লৈ, অতুগী মতুংদা মঙক হাইরতুনা তপ্না তপ্না হায়রকই, "ঐ পূম্নমক খঙই। মহাকপু দগি ফংহনবনা ময়ামদগি চুম্লগা যাই, অদুবু ঐগী বা কনাদসু তপ্না স্লাবা নত্তে — মাগী মায়োক্তা সাক্ষী পীবা ঐ কৈদৌঙৈদসু ঙম্লোই।"

ফকিরনা হায়রকই, "করি রাফমগীনা ষোড়শী?"

ষোড়শী মাইথোং লুক্লপ্না লৈল্লে অমসুং ফনা কুইরবা কাওবা কনাগী মচিন্দগীসু রহৈ অমত্তা থোরকত্রে। মীনাই-সুবী হন্সুবী থবক নোম্বা লাক্ল থোঙজিলগা ময়াদা লাবু উবদা ফকিরনা মপুক্লিং কাথরগা খোঞ্জেল তপ্না হায়রকই, "অদু ঙৈরদ ঐ হৌজিক চৎলে?"

ষোড়শীনা মরু লুক্না নমস্কার তৌরকই, মহাক তপ্না তপ্না মপান্দা থোকখ্রে।

মহাকী ঈংতুনতা লৈরবা মাইথোং পীতুম শুক্না মকশিনথিবা অদু ষোড়শীনা সুমিৎ চুপ্নদা থবব-ইথোং পূম্নমক্কী মরক্তা হেক হেক নিংশিংসকপদা নত্তে, হায়দোক্তবা রা মহাক্না খুদক্তা কাথরগা তুম্লম্না থোকখি, মতুংসু মঙং কযাদা ছন্দ কয়াদা মাগী নাকোংদা য়ৈরার। মহাক্না মরেক শেংনা উবগুম তৌই, সাধু ওইবা সুপা অসিনা চানবিবা সুংশিবিবা অসুক কুইবসি মঙোন্দা হৈথরম্লিংদু তাংদাংবা কম্লিসু খঙত্রবসু ঙসি মদুবু থোমজিল্লগা পুদুনা চৎখ্রে। মাংজবা অসে কয়া চাউবগে হায়বা অদুগী চা, মহাক মশানা নত্তনা কনানসু মদুবু থোইনা খঙলোই। অদুবু অদুম ওইনমক মদুবু অমুক হন্না ফংলমখগী লম্বী অমতা মাগী মমিত্ত উখ্রে। মাগী অঙাং ওইরিবৈগী ইতিহাস কনাগী মফমদসু তমথোকপা যাদে, অদুদা নত্তনা ফকির সাহেবকী মফমদা ফাওবা য়াদে। মরমদি মতুদগী লিরবা রাগী পূম্নমক চিংথোরকনি, মহ সুপী ওইবশিংগী মফমদা ফনা চাউবা ঈকাইনিংঙাই রাকম ওইজরসনু, ঙসি মহাক্কী মমা অদুবু লাইরেম্বেন্দগী ভাইবংপান পূম্নমক্কী মাংদা লম্বীগী উফুল্লক্তা তশেংনা চিংথতুনা পুথরকপা ভাবনি।

অদুগা মতাং অদুদা লোইশিন্নবা য়াগদবা নত্তে। মপুরোইবা শোক্লবা শম্নবা ভৈরবীদি শুপযা য়াদে। যুগ কযাদগী তমথীরব য়াথং অসি ঙাক্লা মথোয়না চৎপা তারক্লিবনি। মরম অদুনা অক্ষ-কবা ওইনিংবা ওইজসন্ন. জীবানন্দগী ফমুং ময়াদা ফমদুনা অহিং অমা মহাক্লা মথুংমক্লা সেবা তৌবা ঙাখি, থুং অদুন অমুক দেবীগী সেবা তৌবা য়াদে হায়রবসিদি চিংনশিংঙাই লৈত্রে, অদুম ওইনমক মফম অসিদা দেবী অসিগী লাইমাংমক্তদা তারাদাসনা মহাকপু শাগে জাত খণ্ডদবা মুপা অমদা কৎথোকখিবা মতমগুদা মহাক্লা করিগুম্বা মওংমসু যানিংদবা অমতা উৎখিদে অমসু, পূম্নমক খণ্ডলবসু মহাক চিংনবা লৈতনা অম্বক কুইবসি ভৈরবী ওইরক্লি, মসিগী পাউথুম ঙসি করিগুম্বা শাউরবা হিন্দু সমাজ পূম্নমক্কী মফমদা পীবা তারবা, অদু ওইরবদি মহাক করি ওইগদগে হায়রবা মাগী রাখলনা লাম্বা ফংদে। অদুগা মসি পূম্নমক অসিদি মাইকৈ অমতগী রানি, অদুবু মাইকৈ অমদুদি মহাক্লা খণ্ডবা ওইবগী রাংমদনি, মফম অদুদা করি ওইগদগে হায়বা মহাক্লা মহ করি খণ্ডগনি। নোংমা মখোয়গী লুহোংববু শুপ্নগী করেম্নদুনা চংখিবা জীবানন্দ অদুনা করিগুম্বা ঙসি ইতিহাস 'পূম্বা অসিবু শাজিনবা রারীনি হাযদুনা নোকথোকতুনা তোকশ্রবদি, মতমদুদা মদুবু অচুম্বনি হায়না প্রমাণ পীবা তারবদা মহাক মশা নত্তনা অনিগুবা মী অমমুক লৈত্রে।

ইমুং মন্নুংগী থবক্তী মরিদা রাণী-মাগী রা অম-অনিগী প উথুমদা ষোড়শীনা করি হায়না খুমখিবগে মদুগী অরেপ্পা লৈত্তে। মান্দরগী পুরোহিতনা পরিলো য়াথং অমা লৌবা লাকপদা রাখলনা হুবংনরিবা

ভৈরবীগী মফমদগী য়াথং করি ফংখিবগে মুখ্য থওবা ওমদে। নিত্তিগী নিয়ম মতু, ইমা পূজা-আহ্নিক তৌবা ফম্বদা ওসিদি যোডশীনা করিগুম্বা মওংদমক মপুক্নিং চংবা ওমত্রে, মহুগী মথক্তা মাগী থম্মোয় শিনা ককওাওনরিবা অমসুং ওথক্লিবা অহুগী অরেপ্পা শক্তমসু মহাক্না থওবা ওমদে — মশেক শেংদবা হায়দোক্তবা বাহৈ কযামরুমতনা অংলুক চুপ্পা অর্থ য়াউদবা চোইদোলদা মহাকপু থৌ চিলহন্দুনা থম্মী। পোং-শাক্লবা মাপাং-মচৈ তাহনা লৈ, মহাক চাকশওদা চংলুরে — আশংশংসিদা মহাক তৈনিংবা পোকত্রে। মতৌ অহুম্মা লুমিং চুপ্পা কাংয়াদগী ফনদোহুংনো ঙৌত্রে, মধং অমগী ন, মতুম্না নীংথম থাগী লুমিদা চাইবু মতম চাদনা লৈ জিলফংল্ল, মতম ফংদুনা মহাক মশোমদা ইমুংদা লৈবা ওমবত্রদুনা হংহৌদনা মপান্দা থোংরে অমসুং ফাকির সাহেবপু নিংশিংলকতুনা বারইং য়ুংমদা মাগী আশ্রম ওয়া থোঙ-শানখ্রে। অসিগুম্বা লুমিং কযানি হোত্রে মহুদি মহাক্না থর চংলগা মাগী প্রভা বিপিন নত্রগা দিগম্বরবু মথোয়গী মমুমদগী কৌথোক্লগা চংনম্মি ব, অদুবু ওসিদি খুল্লক্কী লম্বীদা চংতুনা মথোয়বু কৌথোক-লুনবা থৌনা ফাওবা মহাক্না লৈখিদ্রে, খল্লুবসু লৈতে — মথন্দমক কমহাকগী লম্বী মতুং ইন্না তুরেল তম্না হাথু হাথু চংলে। কা পূম্মক ঙাংদুনা লৈরোই হায়বা ফাওবা নিংশিংখিদ্রে।

দাম্বা অসি থোইনা লাপ্তে, ক্রোশ মথায় অমগী মসুংদা ওইগনি নিংই, অদুগা তুরেলসু মতম অসিদা অপনবা লৈরমা লাম্হোবতুনা চংশা য়ারোইদবা নাতে, রম অদুনা হৈনরকুবগী মতুং ইমা মাইকৈ অমোংদা চিংনিংগী করিহ লৈতে। হন্নকপগী থাকমদদি অমুক্তং

থল্লকই, অদুম ওঙ্গৈনমক করিগুম্বা সন্ধ্যা মতু' ওইবকতুনা মমশিনগ্রথদি ফকির সাহেবনা করিগুম্বা মওংদসু মতোমদা থাদোক্লরোই, উপায় অমদি শোইদনা তৌরক্কনি হায়না মাগী থম্মোয়দা থাজবা লৈমাল্লে। পুক্নিংগী ফিভম অসিনা মহাক মী তাদবা থোইদোক চিক্লবা লৈভোইগী লম তুবেল রাংমদা চুমদ্রিং লাকতুনা মনা পুংলবা খোংনাং বট মখোঙদা সাধুগী আশ্রমদা থুংলবে অমস্তং অহানবা উবমক্তদা তশেংনা তীঙক-মাইঙরগ্রে, উরিবা মহাক অদু ফকির সাহেব নত্তে, রায় মহাশয়গী মমহ নুপা বেরিষ্টর সাহেবনি। ঙসি মহাক্না ফিজেৎ কোট-পেন্টগী মহুৎ ইচম-চম্বা বাঙ্গালী ভদ্রলোক্না ফৈজোম্লিংবা শেৎ-ইল্লি। মহাকসু তশেংনা মহুগীদমক শেম-শাহৌবা লৈতে, করি তৌগদগে পাক হেক থনবা থোকত্রদুনা হৈনবগী মতুং ইল্লা লেপ্লদুনা মওং অমদা নমস্কার তৌরকই।

ভৈরবীন মাইকৈ মরিদা অমুক্তং লৈত্তনা যেংলগা খোঞ্জেল পিক্লা হংলকই, "মহাক কদাযদা?"

বসু সাহেবনা হায়রকই, "ঐগীসু রাহং অদুনি। অনকপদা কদায়দনো চংখোকখিমাল্লে থন্দুনা ঐসু পুংখায় অমরোম ফারক্লে।"

ভৈরবীনা মঙক হাইরদুনা তপ্পা তপা হায়রকই, "মহাক সন্ধ্যাগী মতমদা কদায়দসু লৈথোক্তে, হৌজিকমক য়োরক্লগনি নিংই।"

বসু সাহেবনা হায়রকই, "মফম অসিদা লৈরবদি মদু মাগী নিয়ম ওইরম্বা যাই, ঐসু অসুম্বা তাই। অদুবু সন্ধ্যাদি ওইরে। অতিথিগী ফিভমসু থোইনা শেংদে।" হায়রগা মহাক্না লমহাংলোমদা য়েংলকই। ষোড়শী মাংগী মিংথেং মতুং ইন্দুনা মাইকৈ অদোমদা য়েংদুনা তুম্মিন্না লৈ।

মোংচুপ্রোমদা মতমত্তু অমুবা নোং মতুম তপ্না তপ্না পৈররি। অচিকপা অদু থুগায়দুনা বসু সাহেবনা হায়রকই, "হয়েং ঐ চৎলগনি, তন্না অমুক লাকপা ওমগদ্রা ওয়োইদ্রা থওদে, অদুবু ফকিরপা অমুক্তং উররমদনা চৎপা হৈমনা শুপয়া য়ানিংদে, অদুনা — অদুবু মহাক কদায়দনো চৎখিবয়োইদ্রা?" অসি হায়রগা খাংপোক্তা চংশিল্লগা থোঙদা মতক লিংশিন্দুনা য়েংলগা হায়রকই, "নিংখিনা উবা ফংদে, অদুবু কদায়দস্তু করিস্তু লৈরমগনি নিংদে। মৈফমদা কনাননো ঈশিং হৈজিন্দুনা মুথংলগ্না মানবা অমা লৈ। ইবেম্মা অমুক্তা য়েংবিরো, ঐ মনুংদদি চংনিংদে। অদু ওইরবদি অয়েম্বদা ভাইকৃবগী কান্নবা অমত্তা লৈতে।" হায়রগা মহাক ষোড়শীদা য়েংলদুনা হন্দোরক্লে।

বা অসি তাবরক্তদা ষোড়শী থম্মোয-নুংদা ত্তিং পাল্লরে, অমসুং মহাক লৈবা লৈতবা খিজিল্লুদ্রবসু তশেংনা মপুক্কিংদা থল্লকই, সংসারদা মাগীনি হায়বা য়াইফনবা থনখিবা অমতং লৈবা মহাক অদু ভসি তুমিন্না চংখ্রে, অদুগা মনা মনিল মাইদনা চংখিবগী মরম ত্তাইবংপান্দা মহাক নত্তনা অতৈ কনানসু থওদে, ষোড়শী মেছিনগী মত্তোঙম ফকিরগী খাংপোক মনুংদা চংলক্লগা লময়াইদ নুংবননা লেপ্লরে। কদায়দসু করিস্তু লৈতে, য়ুম মচা অসি তশেং না পুন্নহাং হাংলে হায়বদু চংলকপগা লোয়ন-লোয়ননা মমিংতা উরে, অদুবু মদু ওইরবসু মহাক খুদক্তা মপান্দা থোকপা ঙমদ্রে। মাগী থম্মোয়দা বাফম অমনা ভংদুনা চাকথংলক্লে, তশেংমমক মরাল লৈয়ে হান্নবা লৌদুনা মহাকপু থাদোকদুনা মহাক চংখ্রবনি, অদুগা মদু খজিক্তা খঙহন্নবগী কান্নবা

লৈতে হায়না লৌথ্রবনি। মফমদুদা নুংগী মুত্তিশুম লেংদনা লেপতুনা মাপী বা কয়া নিংশিংলি, ফকিরনা মহাকপু কয়াদা নুংশিবি, মহু মতো দখী হেয়া কনানা খঙগনি। অদুম ওইমনক মহাক্কা করিস্থু খঙদনা মরাল লৈবগী মীচং চংদুনা থংনখি, ঈকাইবা অমসুং মৈচাক অসিনা অচুম্বা চংপা সন্ন্যাসা অদু মতৌ অস্তম্না ঙসি মফম অসি থাদোক্পা ঙাখিবনি, মসি মহাক্কা চিংনবা লৈতনা লৌশিনবা উম্রে, অমসুং মৈচাক্কা লোযননা মহাক্ক ভুমিপা মশিগী খুপচ মরিবস্থু খঙবদা কুইনা চংদ্রে। অদুদি ওইরগা অচুম্বা বাকমহু খঙংম্নবা খুদোংকৈদোইঙ্গ ফংগদগে, লন্ত্রণা বরিশুম্বদা ফংঙ্গিগদ্রা ফংলারাইদ্রা মদুস্থ তুংগী শর্যোলুদা ঙসি মপুং ফানা নোংখি। মাক্তৌ পহম্না অদুম ফজা তুইনা লৌরগা অনসুং খঙহৌদনা থোক্কা সাংমিল্লংকু। ইনুংদা নুংশিৎ খঙডম হনজিল্লকপদা মহাক ডান তাবহ্রে, নপান্দা মী অমনা হৌজিক ফাওবা নহাকপু ঙাইরম্বা যাই। অদুবু চৈচাক অশিদা অভিযা শিম্না নোং মংলকতুনা অম্বক হাকা মনশিল্লম্বা য়াই অমসুং নোংনুংশিৎ অদনবা লাক্কনি, মাসস্থু মহু ক্কা থদুদ। মপান্দা থারক্পদা উম্রে, থোইনা লাপনা অকংবা উক্কক অমদা বসু সাহেব ফমদুনা লৈরম্মী, নহাক্কা শক্তোবা ফিজোল নত্তনা অতৈ করিস্থু উদবগুন তৌই। মহাকপু মতৌ অম্থম্না তশেংনা ঙাইরম্বা উবদা যোড়শীগী মপুন্নিংদা মুংঙাইজদবা অমা ফাওরকই।

সাহেবনা হৌগংভুনা লেপ্লগা হায়বকই, "বদায়, ফকিরদি হৌজিক ফাওবা লাকত্রে, লাকখিগনি হায়না থাজবিদ্রা?"

যোড়শীনা থোঙ্গল মাম্না ওপ্পা খুম্নকই, "কনানা খঙগনি, ফকির লাক্তবসু য়াই।"

বম্হুনা হায়রকই, "ফকির সাহেবকী মপোৎ-মচৈ করি করি লৈবগে ঐ খণ্ডদে, অদুবু মাগী যুমদি পূমহাৎ হাংই — অম্মা ইখণ্ড-খণ্ডহৌদনা হেক্তা চৎখিবসি ওইথোকপনি খনবিবরা?"

ষোড়শীনা অদুম তপ্না অমুক হায়রকই, "শুপওই ওইথোক্তবনু নত্তে। অম্মা খণ্ডহৌদনা মরক মরক্তা মহাক কদায়দনো চৎলি।"

"অমুক নুমিৎ কয়ানিদা হল্লকপগে?"

"অরেপ্পা করিসু লৈতে। হন্দক্তি চহি অহুম্নোমগী মতুংদা হল্লকপনি।"

বম্হুনা হায়রকই, "অদু ওইরবদি চৎলসি ঐথোয় য়ুমদা হল্লসি।"

"লেংলসি।" হায়রগা ষোড়শীনা চৎপা হৌবমক্তদা বম্হুনা হায়রকই, "অদুবু চৎপগী খুদোংদি চপ চারে খণ্ডলে। লৈঙোইগী লমদমসিদদি লম্বীগী খুদম ফাওবা লৈত্রে, মসিগী মথক্তা মম্বনসু ইশাগী থোঙ-খুৎ ফাওবা উবা ফংদ্রে।"

ষোড়শী তপ্না তপ্না চৎপা হৌরকই, করিসু হায়দে।

বম্হুনা হায়রকই, "নুংশিৎকী মথোলনা খঙবা ঙমদ্রে, অদুগা লোংসু তারে। উরুম লাম্থোকপগা চোৎলগনি।" বা অসিদসু ষোড়শী বা ঙাংদে, মতম অদুদা বম্হুনা হায়রকই, "লম্বী-থোং ঐদি করিমত্তা খঙদে, অদুদা নত্তনা লমদম অসিগী লিন-মুং য়াম্না কিনংঙাই ওই হায়না তাই। অকিবা ফংনা মম্বা অসিদা —"

ষোড়শী লেপ্তে, চৎনা চৎনা হায়রকই, "ঐ লম্বী খঙই। ঐগী তুংদা লাকপিযু।"

বসু সাহেবনা হায়রকই, "খণ্ডহৌদনা লিন্না চিকপা তারবদি ইবেম্মদা থোকসনু। মহু ওইবা য়াই। ইবেম্মদি সন্ন্যাসিনীনি,

রাফম অসি ইবেম্মনদি হায়রবস্থ ঙম্বিগনি, অদুবু ঐগী লুরিবদি অসিনি ঐস্থ মুপানি। তশেংবা রাফম ইবেম্মনা কনাদস্থ তম্বিরোই খঙজে, হৈমদা কাওবা তম্বিরোই, অদুবু মদু ওইরবস্থ চপ চানা ইনবদি ঙম্মোইদৌরি।"

হন্দক্তি যোডশী চপ লেপখ্রে। অমম্বদা উবদি ফংদে, অদুবু সাহেবকী বা তাবদা মহাকস্থ নোক্লিংলক্লে। মিৎকুপমুক তুমিন্না লেরগা হায়রকই, "অদু ওইরবদি কমদৌরিগে হায়রিবনো?"

সাহেবনা হায়রবকই, "হায়বা লুই। অদুবু খন্নথ্রিবৈদা হান্নবা নোং চোৎপা তারে। খোংনাংনা নোং খনবা অমুক ঙমদ্রে।"

রাসি অচুম্বনি। মরমদি মথক্তগী নোংলিক চাউনা পোপ পোপ তারক্লি। যোডশীনা হায়রকই, "অদোম থোইদোক্তম য়ুম অসিগী মন্থুংদা ঙাইহাক্ত নোং থুম্লিরু, ঐ হৈমদা পাউ পীদুনা মী থাররবা শিল্লুরগে। ঐদি হৈনরে, নোং অসিনা কম্রিস্থ মাংহনবা ঙম্মোই।"

সাহেবনা হায়রকই, "থোইদোক্পা ফজবা রাফম্নি। মরমদি, বাঙ্গালীনা সাহেব ওইবদা ওইবা মওং অদু ইবেম্মা মুম্না খঙই হায়বা উজরে। অদুবু ঐগী মরমদদি ঙসি লানবা খজিক্তৎ লৈরে। হৈমগা লৈমিন্নবনা ঐহাক মন্থুংগা মপালগা অমত্তা ওইবা ঙমদ্রি। রাফম অসিস্থ অস্থম্বনি, মরম অসিনা চৎপনা করে। লেংলসি।"

উথা থাদোকতুনা মপান্দা থোরকপমক্তদা চৎপা ওইথোক্তবনি হায়বা মথোম্ম অনিমক্লা খঙলে। মরমদি, অকনবা মুংশিংকা লোয়ননা তারক্লিবা নোংলিক্লা হুকচাংদা থারবদা ম্রেৎতুম্না খিনবগুম্বদা নত্তে, ঙাইহাক্কী মমাংদা উফুল মপৈ মপৈ অতিয়া মম্না হুমগৎথিরদু নোংনা চোৎহন্দুনা লৈমায়দা তারকত্রিবমখৈ মিৎ পাংদুনা চৎপা ওইথোক্তে।

তুমিন্না চৎলিঙৈম্বা থওহৌদনা তুংগোংদগী মখোল অমা তারকদুনা ষোড়শীনা চপ লেপ্লগা হায়রকই, "শোক-শাক্তেদনা?"

বসু সাহেবনা কাপ্পুম্বা মওং অমদা হৌগৎলগা হায়রকই, "শোক্তে, অদুবু খঙ্গবদগী হেন্দোকপদি নত্তে। আলোক খানা মিৎ মরি শুই হায়বা যাই, অদুবু উবগী শক্তিদু মমি থোকপগী অমত্তংদবু লৈরবদি ফগদবনি। লেংলাস।"

ষোড়শী চাংশু, মিৎকুপ অমা তুনিন্না লৈরগা ওপ ওপা হায়রকই, "মিংথিনা উবা ফংলিবরা?"

বসুনা হায়রকই, "গচুপ্নি।" অদুগী মতুংদা লোকনাথ হেক্লগা হায়রকই, "ইংরেজী লাইব্রেরিক মখাদা ছিনফা পুথি সাহেব ঐইনবা হোৎনবা লাখি — মদুগী দগি নাপ্ত লাখায়বা চিংথিলা চাং না লৌখি। অদুবু মদুলি হায়দুনা শামুক লেপদুনা লৈংলবা বসু — মগী শিংবা, মিং অমি উত্তরিঙ্গলগা। উবা শাম্ব ঐ উবা ফংই, মসি ওৈনা ইংরেজা অদুগী অশেং ওশো না হায়জগদ্রমী।"

ষোড়শীগী হোৎলোল ওন্নুংখিলা লোকনাথ, হায় নই, "অদুদি তুরেল লানবদা অদোনদি যাম্না ৱাকগনি।"

বসুনা হায়রকই, "মদু তাদাবা থক্তে। অদুদা তুরেল লাম্প্রিঙৈগী মথাংদসু থোইদোকবা সু ঢাইবা নাত্তে। অদুবু অংনি হায়দুনসু লমহাংদা লেপতুনা লৈবনসু অরাবা কোকদবা নত্তে।"

ষোড়শীনা খাউফম অমা থাজিল্লগা হায়রকই, "এক্সী থুং পায়দুনা ওপা তপ্না লাকপিযু।" অসি হায়রদুনা মথুং তিংখৎলকই। শরখণ্ডবী মুপী অসিগী শাক্সং অমম্বু, মরিংজেল উৎদা ডাংকা হৈরবা বেরিটর ডাইহাক্তি শকপনা থম খেৎলে। অদুবু মদু ফাইহাজদৈনি।

অদুগী তুংদা তিংখোয়রক্লিবা থুং অদুদা মহাক্না বা ঙাংদনা মণ্ডং লৌরগা তপ্পা তপা হায়রকই, "হন্দক্তি ঐ তশেংনমক মিং উইশিল্লগা চংপা ঙম্মগনি।"

ষোড়শীনা ম সিগী পাউথুম অমত্তা পীদে। মখানি তপ্পা তপ্পা থর চংলগা বস্তু সাহেবন। ইখঙ্ক খঙহৌদনা হায়রকই, "ইবেম্মগী মকন্দ মুমিং অদুদা ফজবা ব্যবহার তৌখিদে। মতুংগী দমক্ত ঙাকপিয়ু হায়জরি, ইবেম্মনা ঐবু ঙাকপিবা তাই।"

ষোড়শীনা বা অসিগী পাউথুম ওইনম্মু করিম্মু হায়দে, তুমিন্না অতুম তপ্পা তপ্প চংলি।

বস্তুনা হায়রকই, "ইবেম্মদি হৈমগী অঙাং ওইখিদ্রৌগী মক্তম্মি।

"মুমিং অদুগী ঐগী শাঙ্গং ওইখিবা ওইরসম্মু, ঐবুস্তু য়েরবংক্লি হায়না পুক্নিংদা থনবিরুম্মু।" হায়রগা মাগী মথুঙ্গা তপ্পপ্পা খংপায় পায়শিল্লকই।

ষোড়শী খাঙৈগেংশেংন চঙ্কক্লে। বস্তু স হেব মশামকম্মু ঙাইহাক তুমিন লৈরগা অমুক হায়রকই, "মাখায়না ইবেম্মবু ফবাই ফবাই থাদোক্কনি নিংদে। কেশ ফাওবা তৌরবা য়াই। ফকির সাহেব তশেংনা চংশিনরব্বা য়াই ঐস্তু লৈরদবা য়াই —"

ষোড়শী করিম্মু ঙাংদে। মহাক মশামকম্মু হাইফেঙ্গং তুমিন্না লৈরগা অমুক হায়রকই, "ইবেম্মা নশানা দেবীগী পূজা তৌরোই হায়রিব্রে, মসিবু শাউজন্নরা?"

ষোড়শীনা হন্দক্তি পাউখুম পীরকই, "নত্তে।"

"অদু ওইরবদি মসিগী করিগুম্বা মরম অমা তশেংনা লৈব্রা?"

ষোড়শীনা বাহং অসিগী পাউখুম পীদে, অদুবু বা ঙাংলকই,

হায়রকই, "ঐথায় ভৌজিক তুরেল য়োরক্লে, খর চেকশিন্না কুমথবিয়ু।"

মসিগী মতুং ফনা কুইরবা যাওবা মথোয় রা অমতা ঙাংনদে। ষোড়শীনা যতন তৌনা চেকশিন্না মহাকপু ঈশিং লাস্থোকপিরে। লাকপা মতমদদি সাহেব খোঙউপ লৌখোক্লগা লাল্লকপনি, অদুবু শাথীনা মল্লবা অসিদা অমুক থৌনা করুবা ঙমদ্রে, লৈরিবা মওং অদুদা অদুম বাংমদা কাথংদ্রে। শেনবগী মুংশা মপী অমা হোন্দোক্লগা "হায়রকই, তমথীরবা খুদোংথীবা অমদগী নাস্থোক্লে, হিংলেদনা।"

অচৌবা খুদোংথীবা অসিদগী লাস্থোল্লদুনা সাহেবনা খোইদোক-হেন্দোক্লা অরাবা কোল্লবদা হায়রকই, "পূজারী অমদি লৈ, অদুবু পূজা তৌবা ইবেমগীসু থোদাং মগুং চংল্লবনি। অদুম ওইনমক রাহং অদু ইবেম্মনা খুপচ মরিব্রে। সোমদা তমথীরবা লাকঙম ফাঙমদ্রবা শয়তান জমিদারদুবু কনবা ইবেম্মগী থোদাং নত্তে, মাবু কনবগী উপায় মওং অদু থাজবা ঙমদবদা নত্তে, ঙক্লা থোকই। থৌদোক অনিসি অস্রক্কী মতিক খঙ-ঙমদে মদুদি, খুঙংগী মীনা খঙদে হায়দুনা মখোযমু রারোক্লবা য়াংদে।"

ষোড়শীনা খোঙ্জেল ি ক্লা অদুম হায়রিবা অসিগী পাউথুম পীদুনা হায়রকই, "ঐ রারোজদে।"

বসুনা হায়রকই, "রারোদবা? মদুসু অঙকপনি! ইবেম্মগী বাবাগী শ জংসু অমুক হেন্না ঙকই। হৈমনা হায় — অদুম্বু হৈমগী রা হৌজিক থম্লসি। অদুবু ঐনা হায়জনিংই, মখোয়না শিরিবা মরাল পূম্নমক অদু করিগীনো ঙগায়না হায়বিরুদনা? মদুদা চংনবা য়াবা রা য়াউবগে ঐ খঙদে, অদুবু মদু ওইনিংবা ওইসনু, মুপীগী ফজবা মিংচংপু থোওইরুদবা য়াবা পোং নত্তে।" অসি হায়রগা

মহাক্না ঙাইহাক তুমিন্না লৈহূনা পাউখুম ঙাইরগা হায়রকই, "খঙলে, মিংচং কচবা থীবা অসিগী মরিদস্থ সাধারণ মীগী মতৌগুম ইবেম্মদি থোইদোকপা। কোক শাবা করিস্থ লৈতে। অহুগা ইচম চম্বীস্থ ইবেম্মদি নত্তে। অতদা তুমিন্না য়েংশিন্দুনা লৈবগী অথাংকনবা — মসিস্থ অঙকপনি। থাংজশেংবমক ইবেম্মগী পুন্নমকসি অঙকপগী অঙকপা ঙাক্তনি।" অসি হায়রগা ঙাইহাক্তং লৈরগা হায়রকই, "মুমিং অহুদা অমুকখক্তং ইবেম্মবু উথিবা অহুতনি, অহুগা ঙসি খুং শম্নহুনা চৎলিবসিনি। চংজফম পীবিরবা মহাকস্থ ঐগী ইকমদদি অমম্বনি, অহুগুম্না চংজফম লৌরিবা মহাক অহস্থ অহুম্না অমম্বনি। অহু ওইরবস্থ অকিবা পোক্তনা চিংনবা লৈতবনা চৎমিন্নবদা অপনবা করিমতা লৈত্তে। ইবেম্মবু ভক্তি তৌদনা লৈবা ঙমদে।" অসি হায়রগা ঙাইহাক অমুক করিগুম্বা রা অমা ঙাইহুনা লৈক্লরগা খঙহোদনা হায়রকই, "ফরে, ইবেম্মদি সন্ন্যাসিনীনি। ইকুবোক্না মনিং ফনদি তৌই, অহুবু সম্পত্তিগীদমক কেশ-মুং তৌনবা ইবেম্মগী অপাম্বা লৈবিরা?"

ষোড়শীনা খুদক্তা রা ঙাংলকই, "অপাম্বা করিস্থ লৈত্রে।"

"অহু ওইরদি?"

ষোড়শীনা হায়রকই, "করিমতা চিংনবিকস্থ, উপায় লৈজদবী পাগল শোনবী মীগী লাইবক্ত মতম চুপ্পদা তম্নক্লিবহু ঐতোন্দস্থ মতুদগী তায়োম্নরা করিস্থ থোক্লোই।"

বাহৈগী কোচিহুনা বস্থ সাহেবতা মুম্নরে, অহুবু মহাক্না রাবস্থ তৌযে য়াদবস্থ তৌদে। অহুগী মতুংদা মবানি বা ঙাংদনা চৎলি। নোং অমস্থং মুংশিং অমতা লেপ্তে হায়বা রাই, অহুবু খুজং মমুং

চংলকপদা নোং-মুংশিং য়াম্না তপথরক্লে, অমসুং লম্বী থেকচিনবহু লাম্থোকপমক্তদা নক্লপ্না লৈরিবা সনাতন মাইতিগী য়ুমদগী লাকপা মৈতালনা মবানিগী মাইথোংদা য়ৈররে। অমুক্তসু বর চংলগা ষোড়শীনা চপ লেপ্লগা হায়রকই, "হায়গুম মমত্রে, লম্বী আসগী মতুং ইন্দুনা চংলবদি রায় মহাশয়গী খোঙ্গালদা পোপ তাগনি।"

"অদুগা ইবেম্মদি?"

"ঐগী লম্বীদি মথারোমদা বাগান ফাওদুনা চংশ্রিব অসিনি।"

বসু মথুং থাদোক্তে, হায়রকই, "মীগী মচিন্দগী ভাইহে, ইবেম্মা খোইদোক্লা লাইরিক হৈ, ঐ ইশানসু কয়া য়াম্না মুম্না থঙলহনগে মহু পল্লুবগী কায়দে। অদুবু মসিদগী হেন্না থঙননবা কৈদৌইদসু অমুক লাইবক্তা তম্লদবা য়াই, অদুবু ওসিগী আসগী নিংশিংবদি পূন্সি চুম্না য়াম্না নোল্লুকপগা লোয়ননা ঐহাক কাউররোই।"

ষোড়শীনা নোকফেং তৌনা হায়রকই "অদুবু মসিথক্তং অসিবু করিগুম্বা কনাগুম্না মপান্দগী য়েংলল্লবদি মহাক অদুগা অদোমগী মতকা চানরোই।"

সাহেব মপুক্লিংদা চঙক্লরক্লে। অহগী মতুংদা পায়রিবা খুংতু অমুক্তং খংপায় পাম্শিন্নগা থাদোক্লগা তপ্না তপ্ন। হায়রকই, "লগ্তে, মসি শাক্তিন্দুনা ভাংবা বারীগুম তাগনি। অদুনা মসি নৈথাহদুনা কজহন্দবগী মহুত্তা তুমিন্না লৈবনা ফৈ। অসি নত্রা?"

ষোড়শীনা মসিগী পাউখুম পীদনা হায়রকই, "ঐগীদমক ভাইহনা য়াম্না চোংহনবিরে, অরাবা য়াম্না নংবিগ্রে — অমুক অদুম তৌবিয়সু। ঐসু চংচরগে।"

বসুনা হায়রকই, "বাকম অদিনা ঐবু মতম কুইনা থলহনবা

য়াই। হয়েং ঐখোয় চংলগনি — হৈমদা হায়বিনিংবা পাউ লৈত্রা?"

ষোড়শীনা মিংকুপ অমা খল্লগা হায়রকই, "লৈতে। মচানুপাদা আশীর্ব্বাদ তৌরকই, করিগুম্বা তম্বীনিংলবদি মসিখক্তংদি খঙহনবিয়ু।" অসি হায়রগা মহাক করিগুম্বা পাউখুম অমতা ওাইরমদনা উমংগী লম্বী মতুং ইন্না চংখিদুনা ওাইহাক্তদা উবা ফংখিদ্রে।

সাহেব মফম অদুদা নুংব-নবগী মতৌগুম ওাইহাক চপ সুংনা লেপতুনা লৈ। নমস্কার ফাওবা তৌহৌদ্রে — উন্নবা চংলুবিবা ফকির অদুদা নমস্কার তৌজরকই হায়বা ফাওবা খঙহনখিদ্রে। অদুগী মতুংদা মশাগী লম্বী মতুং ইন্না তপ্না তপ্না চংলকই।

তবা

বসু সাহেব সুপী মপামদা চংলক্লে, মতম অদুদা মহাক্কীদমক ইমুং হুপ্না থবায় য়ানবগী ইরাং অমা তৌরকই। ইমুংদা অমসুং মশান্দা কারৈবা অয়াদা য়াদবা লালটেন পুম্নমক থোমগৎলম্লে, অদুগা প্রেলয়গী খমহিংসিদা মসি পুম্নমকসি থবক্তা শিজিন্নবা য়ানবা তোংনবদা ইমুং হুপ্না লুমাং তানরি। মীনাই-মীশল অমসুং মরি-মতাশিংনা খেওচং আসগী কাংবু অমা শেম্লম্লে, অদুগা রায় মহাশয মশানা পুম্নমক শিল্পমী, চনান। মাইকৈ কদোমদা চংকনগে, করম্বা লম্বীদা, করম্বা লবুক-লমহাংদা, করম্বা উমং-য়ামংদা চংকদগে হন্না হন্না তাক্লি। মহাক্কী লাজং অমদি য়াওাদা গুপ্নগী লাংতকুবন্না নত্তে, পাথংপসু উবা ফংই। লৌজিক কাওবা করিসু হায়দোক্তে অচুম্বান, অদুবু মগাক্কী থম্মে য়দা মুনা য়েংলিবা অকিবা অদু য়াম্না তমথীবা মশরি। ষোড়শীগা

লোন্দিম্নবা শাগীবা লৌমী কয়ামক্লম লৈ। মখোয় ওক্কবা অক্লুক তমথী, লুট-পাট তৌই হায়রহুনা পুলিসকী খাত্তাদা মমিং-মথা ফাওবা ইজুনা লৈ — মখোয়না অমম্বদা মফম কদায়দনো করিগুম্বা থেংনজুনা মখোযগী মমা ভৈরবীদা বিচার চুমদে থন্দুনা পাক হেক লমন খুম্নিংবা থোক্লবদি, মহুক্দি অচুম্বা বিচারগী রাখল তৌরুবা অরেম্বনি।

হৈমবতীনা মাচ অমদা তুমিল্লা লেপতুনা পূম্নমকতু যেংলি, মপাগী চিংনবতু মাগী মিংয়েংদগী বাগ্লোকখিদে, অজুবু মতম অহু ফাওবা মহাক মনুংগী অশেংবা বাফমদি থগদে। মহুমক মমাগী বানা ফোংদোক্লকই। মহাক্না থগহৌদনা মপান্দা থোরক্লগা অকনবা মরাল শিজুনা হায়রকই, "এক্তাক্তি নিত্তোল মবানি, মাবু নথোয়না থংনবা মরক্তা পুশিনবিরুরিবা করিগীনো? ডাকু কাংবু মভুংদা লৈরিবা মাবু নথোয়না লাক্লবা তমগদ্রা? লৈরম্বা মফমদগী ঐগী নির্ম্মলবু থিরগা পুবিরকউ, নত্রবাদ মিংনা উবা মফমদা অমম্বা অসিদা ঐ চেনগ্রগনি।"
অসি হায়রম্লগা মহাক কপনিং কপনিং তৌনা ইমুংদা চংখ্রে অহুগা মচানুপী অমসুং মপা মবানিমক চঙক্লহনা মাইথোং মক্লা চপ মু না লৈখ্রে।

জনার্দ্দন রায়না মপুক্লিং ফাথরজুনা থেমজিনবা অমদি থৌনা লৈবা করিনো অমা হায়গদবগী ত্তোরকই, অসিগুম্বা মতম অসিমক্তদা মমহাক মুপা জুমাংদা চংশিল্লকতুনা লেপ্লরে। মাগী মপা পূম্বা মোংদা পূমচোং চোংলি, মফি-মরোল অমসুং থোঙউপ লৈথোম-লৈনাং তৈ। মখুবোক্কী মচিনগী রা মচিন্দা অতুম লৈখ্রে — অজুবু থংনবা মিংকুপ্তা মহাক্লা থোইদোক্লা ঈকাই-খুম্লনা অমসুং কি-হক্লোইনা লোম্লনরিবা মমহাক ইবুংঙো মহাকমকপু নুংঙাইবগী অকনবা ঈথক্লা মচিন্দা থোৎকপা অহু তাংদ্রুনা চৈরকই।

সাহেবনা ব়়-লাং ভাংদনা কাখংলল্লগা মথুত্তা পায়ল্লিবা চৈ মচাহু থম্নে, অদুগা খোঙউপ মখুংনা শত্তোকতুনা লোথোক্লগা ফুরিং লোথোকপা ফাওবগী মনুংদা অঙাং-অহল, মরি-মতা, অত্তোপ্পা মী মথোয় পুম্নমক্না অমুক্তদা লোইবা নাইদবমথৈ হংলকই, কমদৌনা ফিভম অসি ভুইরল্লিবনো অমসুং কদায়দা নোং-মুংশিং নংলকপগে ? রায় মহাশয়না মপুক্কি ঈংথরক্তুনা হায়রকই, "করে, মহু কোম্না থম্নরসি, নহাক ইমুংদা চংলো। মুপীমচা হৈম, লেপতুনা লৈরম্মু, অকংবা ফি অমা পীক্ক।"

ইমুংদা মনেম্বোক অমসুং মরি-মত্তা মুপীশিংগী রাহুং পাউথুমদা নির্ম্মলনা থঙহল্লকই, মহাক ফকির সাহেব উম্নবা চংলুবনি, অদুবু উম্নরক্তে, মহাক আশ্রমদা লৈরমদে।

রাংমগী মমিংদা চিংনবা মথল কয়াগী শেংকাত্তবা খোঞ্জেল কয়া থোক্লরকই। রায় মহাশয়না ওকতুনা হায়রকই, "মহাক্কা উম্নবা চংলুরিবা। ঐত্তোন্দা হায়রম্নবদি মাবু কৌহল্লুবা য়াম্নমনি। অদুবু অমম্বা অসিদা লম্বী কমদৌনা থঙবগে ?"

নির্ম্মলনা হায়রকই, "লম্বী থঙবগী দরকার লৈতে, লৈরম্নবদি লাকপা ঙম্মোই।"

"অদুবু কমদৌনা লাক্লিবনো ?"

"মী অমনা ঐগী থুং শনহুনা যুম মম্না ফাওবা থিনবিরকই।"

মাইকৈ মরিদগী হংনরকই, "কনাননো ? কনাননো ? মমিং করি কৌবগে ?"

নির্ম্মলনা ভাইহাক চপ য়ুংনা লৈরগা হায়রকই, "কনানা থঙগনি, মমিং তাকথোকপা মাগী য়াবিংদবা লৈমাম্নে।"

রায় মহাশয়না হায়রকই, "য়ানিংদবা? কৈদৌঙৈদম্হ নত্তে ঐখোয়গী লমগী মীবু নহাক্না শক থঙদবননি। ঙইনিংবা ঙইসজরম্হু, অদুবু মাবু হন্নাঙহনবদি পামদ্রনে?" হায়রগা মীনাই থুদঙ্গা কৌরগা য়াথং পীরকই, "অধর চাটুয্যে মপান্দা কৈরম্লবদি হৌজিক হায়গদবনি, হয়েং নোংঙাদবগা পাউ লৌরগা মনা পীখো। লুপা মপূম্মক মীদুগী মথুং য়েীহনগদবনি — ককথ-খথদুনা বরিমতা থমহৌরোইদবনি। চাটুয্যে অদুদি য়াম্না লিকচবান।" হায়রগা মহাক্না মীয়ুংশি চাউবগী ইথিন্না অহানবদা মচানুপী অদুগা মমহাক লুপাগী মাইথোংদা য়ুংশিনা য়েংলকই।

অহিংদা চাব-থকপমচিংবা লোইরবা তুংদা তোংঙানব কাদা মপু-রোইবদা ঙাইরদুনা হৈমনা হায়রকই, "বাবানদি মনা পীগনি হায়দুনা লাউথোকখ্রে, লুপা মপূম পীননবম্হ থরমথদি হোৎনরবা যাই, অদুবু ফজদি ফংলোই।"

নির্ম্মলনা হায়রকই, "মীশক থিবম্হ ফংলোই।"

হৈমনা মোমোন তৌনা হায়রকই, "অদুবু নহাক্নদি থৌজাল-হৈবা মীদুদা করি মনা পীথিবগে?"

নির্ম্মলনা হায়রকই, "পীবা হায়বা পোৎ অসিবু নহাক্না অদঙ্ক লায়না থনব্রা? মদু শুপ্নগী পীনিংলিব। মী অদুগী মরিং ঙৌবা হেক্তা য়াত্রা?"

"অদু ওইরবদি পীখিবা ঙমাহৌদ্রেনে?"

"নত্তে, পীননবম্হ হোৎনরুদে।"

হৈমনা মপুরোইবগী মাইথোংদা মিৎকুপ অমা য়েংদুনা লৈরগা হায়রকই, "অদুবু ঐনদি পীফম থোকই। বাবানা মশক থঙব ঙম্নরোই, অদুবু ঐদি ঙমগনি।"

নির্ম্মলনা চিংনবা উংতুনা হায়রকই, "ঐনা খনবদা নখোয়গী বাবানন্তু মাবু থিবা ফংলোই।"

হৈমনা হায়রকই, "করিগুম্বা ফংলবদি ঐহোন্দন্তু মনা থম্‌গনি। অদুবু ঐদি মাবু মশক খঙলে। মরমদি নহাক্না মিং উদবা মীবু অদুক শাখীনা মঙ্গবা অদুদা অশোয-অঙাম থোক্তুনা তুরেল লাম্লগা যুম মযাদা খনখ্বা চঙ্‌লি, অদুম ওইনমক মশক তাকথোক্লে, অদুনা মাবু মশক খঙবদা সুনা থোক্লে। অদুদা নঙনা সন্ধ্যাগী অমম্বদা লোৎতুনা ঐস্তু অমুক্তং মাগা উন্নবা চংলুই। থোক্কদি হাঙহোই, মাদি হৌহোদ, অদুবু তারাদাস ঠাকুরনা পূম্নমক দখল তৌদুনা হৌহৌরে। লোৎতুনা চেল্লকই। লম্বীদা শক খঙনবা মী থোংনৈ, মহাক্না ষোড়শী চুনাগ্রংনা তুরেলগী লম্বীদা চংখিবা উই হায়না তগ্রকই। হৌজিক্তি খঙবারদনা, নহাকপু থিনবিরকপা থোজাল হৈবা মাদুবু ঐ মশক খঙই হায়বা। অদুবু তাশে তশেংনমক থুং শমদুনা থিল্লকপগা?"

নির্ম্মলনা ঙাইহাক বাখল তৌগা মঙক নোমদুনা হায়রকই, "তশেংনমক নদুনি। ঐহাক মিং তাখগা অমহানি হায়লাস মহাক্না মুগ্না হেক খঙবা মিকুপ অদুমক্তদ হাঙ্গাইবা হৌজন। মথুং তিংথোক্লগা হায়রকই, ঐসু থুং পাযদুনা লাকপিয়ু। অদুবু অতোপ্পগীদমক অদুম্না নহাক্কদি তৌবা ঙাম্লাই।"

হৈমনা খোইদাক্লা চম্না হায়রকই, "চম্নাই।"

মহাক্নী মপুরোইবনা হায়রকই, "মদু শঙই।" অসিগী মতুংদা করিদগী করি ওইখিবগে থোদোক পুম্নমক মথং মথং তম্নবা হায়রকই, "অদুম ওইনমক মদু নহেনা ঐহাক্কী করি উপায় হৈগদগে খঙদে। অদুগা মাইকৈ অমদা মাগী থুংদাংখীগদবদুগী মফুং হুনজিন্না অমুক্তা

থন্দুনা যেংউ। ঐহাকপু মহাক্না থয়দনি খঙলিবা, অদুগা মহুক্ত অহক নিংথিনা খঙলমদবা যাই। অদু ওইরবসু ঐবু চিক্নবা অমবা লক্ষ্মীদা পুথিরকপনি, মসিগী দাযিত্ব অদু কয়াদা কজখিত্রবা, কয়াদা কিনিংঙাই ওইগ্রব'! মক ওইনা লক্ষ্মী চৎনা চৎনা ঐনা কয়ারক চিংনথি, কয়িঙবা কনাঙবনা উথিগত্রা, মীহুগী মমিত্তা মহু করি ওইনা উথিগদগে হায়বা। য়েংস্ত হৈম, নখোয়গী দেবীগী ভৈরবী অদুবুসু ঐনা খঙবা ঙমদে অচুম্বনি, অদুবু অসিথক্তংদি ঙসি তশেংনা খঙবা ঙম্রে মহুদি, মাগী মরমদা থম্লবদা তশেংনা সাধারণ নিযমগা চানরোই। সত্তিত্ব হায়বা পোৎ অসি মাগী মফমদদি থোইদোক্না করিসু লৈতবা ওইরম্বা য়াই — নখোয়গী মতৌগুম্না মহুগী অশেংবা মশক মহাক খঙলমদবা য়াই, মত্রগনা মসিগী মিংচৎ ফজবা অথিবনা মাবু শোকপা ফাওবা ঙম্মদবা যাই।"

হৈমনা ঙাইহাক তুমিন লৈয়গা হায়কই, "জমিদারগী বাথোক অদু নিংশিংদুনা অদুম্না হায়বিরিবরা ?"

নির্ম্মলনা হায়রকই, "ঙক্লিংঙাই লৈতে। হুপীহু কবরা কত্তবরা ঐ খঙদে, অদুবু বা অসিদি ঐনা চাউথোক্না হাযবা ঙমগনি, মহাক চীংলেম্বা, লাইরিক হৈবা অহুক কিগন্দে। শাস্ত্রনা হায়রি, খোঙথাং তরেৎ চৎমিন্নরবদি মরূপ ওই, অহক শাংলবা লম্বী নাক-য়েৎ হাইদোক-হাইজিন যাদবমথৈ লুবরা তানকমহুদা থোইদোক্না মহাকী মতেং লৌহনা। খাঙথাং কবা কয়া ঐখোয় লাকমিয়ে, অমমম ওইনা বাহং বাম্না হৎই অদুবু ঙবাংসু মহাক্না নুং ফুমথিবঙম ঙসিসু অদুম্না অদুম তৌই।"

হৈমনা হায়রকই, "হংবসু থুমদবা, মরূপ ওইসিসু য়াদবা?"

নির্ম্মলনা হায়রকই, "যাদে, অমত্তম্ব য়াদে ।"

হৈমনা হন্দক্কি নোকখোল্লগা হায়রকই, "খজিক্কন্দ্ রায়রক্তবা ? নহাক্কী মাইকৈদগীম্ব যাদবা ।"

নির্ম্মলনা হায়রকই, "অহক চাউবা বাকম অহু শুপগী ফাগী ভৌরগা খঙবা পায়ব্রা ? অহুবু ইশাবু খঙজবদম্ব কুইনা চংই হৈম ।" অহুবু বাসি হায়দোকঙগা মহাক চক্লকই । যেংথোকখিবদা হৈমম্ব মত্তোন্দা মমিৎ-মনা চপ যুংনা য়েংহনা লৈরম্মী । মহাক্কী মাইথোংদা করি ভাব কো দোক্লিবগে, থাউমৈগী মুৎশিবা মঙালদা ভাংদাংবা খঙবা ঙমদে, অহুগা মহাক মশামকম্ব মাগী হায়গী বাহুগা মরি লৈনবা করি হায়গদগে পাক হেক খনবদা লেপ্লা ঙমদ্রিদ্রৈগী মমাংদা হৈমনা তপ্না তপা হায়রকই, "মহু অচুম্বনি । অহম ওইনমক হুপা ওইবশিংদি খঙবদা খরনখৈদি তম্মি, অহুবু মুপী ওইবীশিংদি অসিওম্বা অভিশাপ লৈ মহুদি, শিরবা ফাংবো মশাগী মম্বাইবকপু খঙজবা ঙম্বগী শিংদি ককপ্রব'নি । ফরে তুম্বিক্লরো, ঐ থুনা লাকনি ।" হায়বগা মহাক অমুক বা অমতা ঙাইরমদবা হৌগৎলগা চেকশিল্লা থোঙ খিংজিল্লম্লগা মপান্দা থোকখ্রে ।

নির্ম্মলনা মাবু মথুং পায়হনা থামখ্রে — থেংংত্নগী মরুমদা রুপী অসিগী অর্থ য়াউদবা চিংনবা অমম্বুং সেরায়বা বাখলগী চৈনানা মহাকপু খুদক্তা শাউহন্দুনা ফিংগৎহল্লে । মমাংদা য়াম্লিবা ঘড়িদা থোইদোক্লা হৈনিংদনা মিনিট কাঁটাহ নোমহৌ নোমহৌ মথারোমদা লুকখরক্লে, অহুবু মতম অহু ফাওবম্ব মহাক হল্লিকাত্র, মতমহুদা মহাক মক্তোমদা ফমুংদা হিপতুনা লৈবা অমুক ওল্লকজহনা তপ্না থোঙ হাংলগা মপান্দা থোরকপদা উরে, অমবা মাঙ্গোলদা উথোঙ অমগী

ময়াদা হৈম তুমিন্না কময়হনা লৈ। মনাক্তা চংশিল্লগা মাগী মকোক্তা মথুং থল্লগা য়েংলকই, হাইজিল্লক্লিবা নোংলিক্কা পূমচোৎ চোংলম্মে। মথুং পাম্নহনা ইমুংদা পুাশল্লক্লগা হায়রকই, "নঙ ওঙবরা হৈম ?"

মসিদগী হেন্না মাগী মচিন্দা হায়দোকপা ঙমদ্রে, হায়বগী কান্নবসু লৈতে থল্লি। থাউমৈগী মঙালদা মাগী মাইথোংদা য়েংলকই, মপী ঈরা মতম অহু কাওবা মিংলুদগী বংলমদ্রি।

তবামাথোই

অম্নক্তা য়াহৌবদা হৈম হৌখিবা অহিংগী মশাগী ব্যবহার ঙহু নিংশিংলুবদা ঈকাইবনা শিগদোয়ে। দোষ লৈতবা অমসুং লমচৎ ফজবা মপূম্নোইবদা ময়ম চাদনা তৌখিবা ওইনজবগী উৎপাত অপূৰ প্রলয়গী মতৌওস্না নোং-সুংশিং ময়ক্তা মচাক থংহৌদনা মা খিৎগী সুংনাংবনা ননশিন্দুনা থল্লগা নোক্লনবা হোৎনরকই, অতুবু পূমতিং তিংনা নোকপনা মতম চুম্নদা মহাক্তৌ হৈনবী ফইরক্লিবান, কাংগুম্বা মওংদসু ওসিদি মহু য়োবা অমুক ঙমদ্রে। মিত্তগী পী শিন্থ প্র থঙলনসু পঙথরবা মিং অমি অহনা মহুবু করিমক্তা চিংনদবগুম্মী। শিরোমণি মহাশয় মশামক লাক্লগা অকবা পুংকম পীরম্নে — করিগুম্বা মওংদসু পুং তরামথায়দগী থিম্বা যাদে। মমা পোং-চৈ থমকম কাদা মচ সুপী-খোয় চৎননবগী শিল-লাংবা অমসুং চাকশঙদা চাননবা শিনহদা থোইদোক্লা খোঁ চিল্লি, মহাক মিংকুপ অমা কাওবা শংবা লৈতে, অসিওস্না মতম অসিদা মপান্দগী কৌরকই, রায় মহাশয়না মচানুপীবু কৌরকই।

হৈমনা মপান্দা থোরকপদা উরে, করিগীনো য়াম্না লাংলম্মী। মপাবুং হিদাকফু মথুংতা পায়হুনা দরবার তৌহুনা ফম্লম্মী, শিরোমনি মহাশয, জমিদারগী গোমস্তা এককড়ি নন্দী, তারাদাস, অতুগা অতৈ মশক নাইবা মী কয়াস্তু লৈ, মাগী মপুরোইবস্তু মচি অমদা তুম্মিন্না ফম্লি। হরাও-তয়াম্বগী ঈথক্কা ময়াম পুম্নমক, অমুক্তদা পাউহু হৈমবু তাহন্নবা হোৎনবদা অহানবদদি করিমত্তা থগুবা ওম্লমদে। শিরোমণি ময়া য়াউদ্রে অতুবু খোঞ্জেলদ ফরি—মাগী অগুকপা শক্তিনা মিৎকুপ্তা ময়াম্ম লেপহল্লগা ফো‌দোক্লকপহু চাউরাক্লা অসিনি—ওরাংগী তমথীরবা প্রলয়গী অহিংদা খ্বাইদগী চাউবা থবক অমা পাংথোকক্লে— অপন অরাক য়াউদনা য়েক্লবগী যুম থুং চল্লে। ভৈরবী যুমদা লৈরমদে, অরোনবা পাউ লৌবা মীগী মচিন্দগী পাউ ফংহুনা তারাদাসনা মুপীমচা অতু পুহুনা চৈরক অতুদা পুম্নমক দখল তৌশিনক্লে। থৎন-চৈনবদি থাপ্পা থমখে', কিবনা মহাক বা ফাওবা ঙাংদে, ইচম-চম্বা পোৎ-চৈ থবা পুরগা অতুম চৎক্লে। চেকপল য়াংমদা মন্দিরগী মনুং চনবা অরাপ্পা যন্ত্রীশিং কনা কনাগুম্বনা চাক ঈশিং থোংবদা শঙ অমু শিজিন্নে। পুম্নমক অসি ইমা-ইবেম্মা চণ্ডীগী কৃপানি অমস্তুং থোজাল অহু থরগা হেন্না ফংবদ মহাকপু খুঙ্গংদগী তাস্থোকপদস্তু অকুবা থবক ৎইররোই।

হরাওরবা তরাদাসনা মোংথক্তা অমুক্তং য়েংথংলগা নোক্লুকপা মীনোক্লা নোকতুনা হায়রকই, "পুম্নমক ইমানা শিনবনি—তৌগদবা 'পুন্না মহাক্তা তৌরিবনি, নত্রবদি অতুক শাথীবা কৈ অমোমতু যগ অত্তেবা ওক্লোইদবনি। হিদাক হাল্লগা ফু যু কাম্লিডৈ, মুপীমচাহুনা

ইনাক্তা ফমতুনা চা লোল্লিটৈ মতম অহুমক্তদা কদায়গীনো চোৎনা চোংনা চংলকই। ঐখোয়বু উবদা উযুংগুম লৈ, ডাক্তহাক লেরগা ঙপা ঙপ্পা হায়রকই, বাবা, ঐদি কৈদৌবৈদস্তু হায়খিদে নহাক চৎত্রে, নত্রগা মক্কম অসিদা লৈগনু। নশানা শাউদুনা চৎলুবদগী কযানা অরাবা নংলুববা!

"ঐনা হায়, হু.—

"খোঙজেলদা ফম্লগা হায়রকই, কা অসি নহাক্কা শো লোন-শিনবরা বাবা?"

"ঐনা হায়, হুঃ—লোল্ল। তৌনিংবা তৌরকউ।

ডাক্তহাক খুমন লেরগা হায়রকই, "নঙোন্দা ঐ করিস্তু তৌরোই বাবা, নখোয় লৈগু। কা অসি অমুক্তদি হাংদোকপিযু, ঐগী ফি অনিদা লৌখিগে।"

"হাংদোকপিরে। ইমা চণ্ডীগী থৌজালদগী করিংম্বা য়াখোক অমত্তা থোকখিদে, শে ননবা ফি অনি, বস্থল অমা অহুগা কোল অমা গুহুনা অমম্বহুদা চোংনা চোংনা চংখি। ইমাদা খুং লোয়হুনা খুরুমহুনা হায়রৈ, ইমা, নচাবু অসুম্না থৌজালবিযু। নহাক্কী নাম শোন্দনা করিগুম্বদস্তু থকাখ-চাখিদ্রি।"

শিরোমণি মহাশয়না মখুং হাইদুনা হায়রকই, "থৌজালবিগনি। থৌজ লবিগনি। ঐনা হাযরিবসিনি তারাদাস, ইমানা চানবিরক্কনি। নত্রবদি মাগী মমিং জগদম্বা কৌবা অরেম্বনি।"

এককড়িনা হায়রকই, "অহুবু ঠাকুর, অমবু ওইরবস্তু ঙমবু ওইববস্তু ইমাগী গাদি করিগুম্বদস্তু হাংহুনা লৈহনবা য়াবোই, নহাক্কী হুপীমচাহুবু নৌনা ভৈরবী ওইহনবা থিম্বা য়ারোই হায়জহৌরিবশিনি।"

রায় মহাশয়না হিদাক মৈথুম থংনবা হুপাহুদা পীরগা য়াম্না চৌংলেম্বগা লোয়ননা হায়রকই, "ওইরগনি, পূম্নমক ওইরগনি, ঐনা পূম্নমক ফননবা শিনগনি, নখোয় ৱাক্নরম্মু।" মমহাক হুপাদা য়েংল্লুনা হায়রকই, "করি হায়বগে ইবুংঙো, হুপীমচাহুবু ৱাহৈ থরা ইহৎদুনা লৌথোকহৌবা চুম্মিনেকো। চুমই কৈদৌনি! মদুসু ওইর-গনি—কৌরগা থরা কাহন-খোংহন্দুনা মদুসু ঐনা লৌথোক্লগনি। অদুবু মসিসু হায়হৌরিবসিনি তারাদাস, কদম মখোঙগী লমদু অদুম য়েংনবদি য়াদ্রে। ফৌগৈদু ইমা্দা পুথোরক্লবদি মাইকৈ মরিদা অমুক য়েংশিনব, ষ্ট্রে। মেলাগী মিংদা ষোড়শীগী মতৌঙম থংনবা হৌরক্লবদি—"

বাহু জোহৈশন্দ্রবসু য়ারে। অথাম্বনা তারাদাসকী ওইনা য়ারে অমস্তুং মান। মরৈ চিন্নগা পেহৌ-পেহৌ তৌনা হাযরকই, "অহুগুম্বা রা চিন্দা থাংবা পনাবিগনু রায় মহাশয, অদোম্না পূম্নমক্লি। শামুগা কাংনা থংনক্লবা! কার হায়বগে হুপীমচা?" আস হাযবগা মহাক্না অফবা ৱাহৈ থরা তাবা নত্রগা মঙক নোঞ্জকপা নত্রগা অহুগুম্বা করিনো অমা তৌরক্লমি হাযবগী আশাগা লোয়ননা হৈমগী মাইথোংদা য়েংলকই, অমস্তুং মহুগা লোইননা ময়ামগী মিৎয়েংসু মঙোন্দা তারকই। হৈম রা ঙাংদে, অদুবু মহাকী মাইথোং উবদা ষোড়শীগী অহানবা বিচার অহু ময়াম পূম্নমক্না খুদক্না নিংশিংলক্লুনা মিৎকুপ্পা কা অহু মমহল্লরে—অহুবু মহু মিৎকুপমুক্তনি। রায় মহাশয়না চুম্না ফম্লগা হিদাকীদমক খোঞ্জেল হৌনা লাউরগা হায়রকই, "ইবুংঙো নির্মল, যাত্রাগী পুরুষ শিরোমণি মহাশয়

শুং ভবাগী মমুংদা লৈ হায়, নুপীশিংদি ইরাং কল্লি—থরা ওন্না চৎননবা হোৎনহৌত্ত্রবদি মতম নংহৌরোই।”

নির্ম্মল মতক নোম্লগা হৌগৎলকই অমসুং অমুক বা অমা ফাওবা ঙাংবা ন্‌ত্রিত্তৈদা হৈম থোকত্রে।

মাই-মিং তাবদগী না ইকজবা ফাওবদা বোস সাহেব মতম য়াম্না চংদে। ইমুংদা খোঙ থাংজিনবমক্তদা মনেস্বোকী অহৌবা খোঙ্জেল চাকশঙদগী ঙাংলকপা তাই, মচান্নুপীদা ঙংলিবনি। চাকশঙ অদুদা কমি তৌরিবগে হায়বা থনবদা লাম্বা ফংদে। নির্ম্মলনা ইমুংদা চংলকপদা হৈম লৈমায় ’থক্তা চপ যু্‌না যমহুনা লৈরম্বা উরে। ঙক্লহুনা হংলকই, “করি তৌরবগে, নখোয়গী ইমানা য়াম্না ঙাংলিবসি? অদুগা মতমস্থ থোইনা লৈরকত্রে।”

হৈমনা হায়রকই, “মতম য়াম্না লৈরি—ঙসি চৎপা য়াররোই।”

“করিগীনো?”

হৈমনা হায়রকই, “করিগীনো হায়বদি করিনো? ষোড়শী অহুক চাউবা থুদোংথীবদা তারগা মহাক্তা অমুক্তস্থ উম্লমদনা চৎলগত্রা?”

নির্ম্মলনা হায়রকই, “ফরে অহুদি, উম্নখোকউরো। মহু ফাওবগী মতম লৈরি।”

হৈমনা হায়রকই, “অদুগা মহাক্তি অমুক্তা ফাওবা উম্লমদনা কমদৌনা চৎকদৌরিবনো?”

মসিদি ঙরাং অহিং থৌদোক অদুগীনি হায়না মপুক্লিংদা থন্দুনা নির্ম্মলনা হায়রকই, “হোৎনরবদি মহুস্থ ঙম্বা য়াই। ওইথোক্তবা মওংগী অক্নবা থবক নত্তে, অহুবু ঐনা অমুক্তং উম্নরগা থুদোংথীবসি হেক্তা ময়েং তাগনি নিংদে।”

হৈমনা যাম্না কপ্পা মঙক হাইবতুনা হায়রকই, "নস্তে, কবিগুম্বা মওংদসু মতু যারোই।"

"যাম্নাই হায়রবা করিগীনো ? অদুদা নত্তনা ঐগী সৈদাবাদকী শাউনগী কেস অদুসু লৈ—"

"লৈজসনু নহাক্কী শাউনগী কেস, টেলিগ্রাম অমা ভৌগ্রো, ভসি করিগুম্বা মওংদসু চৎপা য়াররোই।"

"ফরেনে, চৎলুরসি ঐখোয অনি, অমুক্তং উদ্নব রসিদনা ? মতুগী মতমদি লৈরি।"

হৈমনা মমাই নোনখৎলক্লগা নোকফেৎ তৌতুনা হায়রকই, "নস্তে, মতু মখোয়গী আদাদি য়াই অদুব সিদদি য়াদে। মীয়াম মমাংদবু বাবানা করি হায়না খনখিগদগে ? অহিংদা তুমিন্না চৎলুস।"

ভশেংলমক নির্ম্মলগী অরুবা কেস লৈহৌই, অতুদা মত্তনা মরম ইচা চাদনা অস্তুম্না হেক চৎলোইদৌরিবা করিগীনো হায়বা মহাক্না লাম্বা ফংদে, মরু ভইনা মকুবোক্না রসিদা শাথীনা য়ানদবা অমা থোক্লিংঙোই ভই। খল্লগা নহাকা হাযরবই, "মতু য়াদে হৈম, ঐখোয় ভসিমক চংকদবনি। অতুগা ঐখোয়না ময়াইদা লেপ্পুবদা মাগী খুদোংথীবা হেনগৎথিবসু য়াই খল্লি। ঐগী রা কৌ, চৎলসি, থোলৈতং। হৈপা শাকুবনা ফননবা হোৎনবদগী ফংতবনা হৃনপল্লি।"

হৈমনা মপুরোইবদা মিংয়েং থল্লতুনা তাইহাক চপ যুংনা লৈরগা হায়রকই, "ঐহাকপুদি নহাক্না খঙলিবতুনি, ভসি ঐ করিগুম্বা মওংদসু চৎপা ভম্নরোই। অতুগা ভরাংগী ইরালগীদমক কবিগুম্বা ঐবু চৈরাক পীবিনিংলবদি লুন্দোক্লমতুনা চংখে। ঐনা নহাকপু অমুক থাম্নরোই।"

নিম্মল না অমত্তা তমুক তাংলমদনা মপান্দা থোকখ্রে। হৌবচাং ফংঙাখ্রে, হৌসি চংলরোই তাবদা মনেম-চৌরাণী শুকই, লাংথৈক্লে, অমসুং লৈদগী হেক্লতুম হরাংবৈজে, অচুবু ১শ্যালশী কাদা যাওবা মংখোবাসা শুয়গী "ভ্ত" অসিদমক হায়বগা হিদাক থকই। মহাক ভবপদু চৌদে, লাংজক্রবসু লৈতে, মহাক্কী থৗজবা ঙান থরা লৈবনা মহাক্কী নাক্টেংদা যেংচুনা হরাও-রাহৈ মচিন্দা কোংদেক্তে।

বেসকী শিশনবগী নিম্মলনা টেলিগ্রাম তৌখ্রে অদসু, থবক অচু শুপ্পা অরেম্বদা নটে, কান্নদবনি, মচুম্ব মহাক থগুই, অচু ওইরবসু মহাক থম্মোয-ফুংদা নুংশিং চুপ্পা যাম্বা থুপচাপনা নুমিৎ তাখিবা ঙাংচুনা লৈ। হৌখিবা অহিংদা লৈমনা ইপখিবচু কথাদা নোঙ্গিংথ্রবা, ওইবা খোঙ্কুপগী খোঙ্গোক-হেংদানা ওক্টথোক্তবা ওইরবা, নুমিৎ চুপ্পা রাযর অসি কথারক হন্না মাগী থমোয়দা থম্লকই, মতম ওইরমদ নী মরিক অচু বরিশুম্বা মংবসু কংশিল্লিদবগুম থৌই হমদং লিংদুপ থুদি মচুনা আসিংবা খাংহমনা খমাত থকচমদনা থোদোক তমা লেংকই। মতুদি, মতম অমত্তুদা মাবুধাগা হঙ্গোইবগা অমত্তা থইনা তৌরকই।

অহিংগী অমম্বদসু মপাবুংগী মহিংতো উকুল চাইনবা হোৎনবা অরেম্বনি থঙ্গুংনা লৈম মপুরোইবা অমসুং মাগী মীনাইশুপী পশ্চমাগা লোক্টননা যোড়শীগী অনৌবা যুমগী থোংজিলদা থুংলরে, মতম অচু সন্ধ্যা ওইখ্রে। যোড়শী কম্বলদা ফন্নচুনা মপুক্কিং চংনা করি লাইনিক্লো অমা পাচুনা লৈরমই মাংদা থোংউপকী মথোক থাচুনা মমাই থাংগৎচুনা যেংলকই অমসুং হৌগৎচুনা কেপ্পগা চাক্তরকই, "লেংশিনবিয়কউ। চলাকউ ইনাও, চংলকউ।" মসি হায়রগা অথুপ্পা কম্বল অচু তিংথোকচুনা থারকই।

ফিদাদা ফল্লগা মতৈ-মনাও মবানি তুমিম্না ঙাইহাক কোইযেং য়েংলগা হৈমনা হায়রকই, "ইচে-বেশ্মগী অনৌবা য়ুম অসি ফনসু ফত্তসম্নু, অরেম্বদা বদনাম তে'বা শিরোমণি মহাশয়দা নত্তনা ঐখোয়গী বাবা ফাওবনা ঙম্লরোই। অশুকপা অসি য়েংনিংবনা খৌরাংহনা ঙসি মাবু ফাহনা থম্লরনি, নত্রবদি ঐবু তশেংনা প্রহনা কুংথিলগী ট্রেন্দা চংথরম্লগদবনি, অদু নত্তনা করি ওইগনি।" মপুরোইবদা হায়রকই, "কমদোই, মসি যেংদনা চৎলম্লবদি — নীংঙমগদ্রা ?"

নির্মলনা হায়রকই, "যেংলগসু নীংঙমদবা খোইনা করিস্ত হন্থগনি নিংদে।"

হৈমনা মপুরোইবগী মাইথোংদা য়েংলদুনা হায়রকই, "মদু অচুম্বনি। মিংনা উদবনা ফরম্বা য়াই।" অতগী তুংদা ষোড়শীগী ঈংনা মক্রবা মাইথোংদা শু শিরবা মমিৎ অদু থম্লহনা হায়রকই, "ঐখোয় পুম্নমক ত্তারে, অদুবু ঙাওচৎনবা অসি করিগী তৌরম্বিবনো ইচে, য়ুম অসিদা নহা যদি লৈবা ওলোই।" নুংঙাইতবা অমদি মুংনাংবনা য়াহৈগী অরোইবা শক্তা খোঙ্গেল লিক্লকই।

অদুবু ষোড়শীগী থনাওদা খোহা' য়ৈরদে। মহাক্না খোইদোক্না অচম্বা মওংদা হায়রকই, "হৈনবকনি। মসিদগী হেন্না ফত্তবা য়ুমদা নী কয়ানা লৈনরি। অদুদা নত্তনা বাবানা য়াম্না য়াজৈ।"

হৈমনা হায়রকই, "অদু ওইরবদি পুম্নমক থাদোক্লবরা ?"

মসিগী পাউখুম মাগী মপুরোইবনা পীরকই, মহাক্না হায়রকই, "মসি নত্তবা করি উপায় লৈরিবগে হায়বা ঙমদ্রা ? শুঙ্গৎ

মরক্তা সহায় লৈত্রবী নুপী অমনা অহিং-মুংথিল খা হুনা লৈবা ওম্বা নত্তে।" ষোড়শীদা হায়রকই, "মসিনা কৈ। করিগুম্বা ইশানা মফম অসিদা লৈগে লেপ্পিরবা অহুগা খাংপোক্তা লেবা কৈনগনি খাজবিররদি—সংসারদা খরা খাদোকপদা ইবেম্মদা ব্রানা থোক্লোই।"

ষোড়শী তুমিল্লা লৈ অমসুং মহাক্কী মাইথোং ঊবরম্‌ মাগী মপুক্লিংগী বা করিমত্তা খঙবা ঙমদে।

হৈমনা হায়রকই, "নহাক্কি সন্ন্যাসিনীনি, লন-থুম খাদোকপদা নঙোন্দদি লুনা থোক্লোই, উনাগী খাংপোকসু নহাক্কি খাংবা ঙমগনি ঐ খঙই, অদুবু মসিগা লোইননা মিংচৎ থিবা যংনা লৈবা অদুবু খাংবা ঙমগদ্রা ইচে?"

ষোড়শীনা মাইথোং মকালাম্না ঙাইহাক তুমিল্লা লৈরগা হায়রকই, "মিংচৎ অথিবদু মীনম্বা ওইরবদি করিগী খাংবা ঙম্মে'ইদগে? হৈম, সংসারদা মীনম্বা বাগী মপাল নাইদে, অদুবু মতুদা মাই-য়োক্তরবদি অমুক মীনম্বগী মক হুল্লক্কনি, মদুগী তমথীবা পোংলুমসু খাংবা ঙম্লোই।"

হৈমনা হায়রকই, "অদুবু এককড়ি নন্দীনা বাহৈ অমদি থবক অনিমক্তা মীনম্বা শন্দোক্লিবা অদুদি? নুপী ওইবীগী পুন্সিদা মদু খাংঙমদবনি।"

ষোড়শী খজিক্তা ফিংগৎপা লৈতে, তপ্না তপ্না হায়রকই, "ঐনা খরমখৈ তাবদদি এককড়িনা মীনম্বা থোইদোকপা হায়দে। জমিদার বাবু খঙহৈদনা য়াম্না কন্না নায়রমই, মযুমদা অতোপ্পা কনাসু লৈরমদে—ঐনা মাগী সেবা তৌই। মসিদি চুমদবা নত্তে।"

হৈম মখোইদৌ লংথৎলকই। মাগী অমগী অতপ্প চাংদম্লবদা মাগী খোঙজেল হাইদুনা মরম চাদনা যাক্লা তারকই, "শাহুবু মী পূম্নাক্না থবক পূম্নক চুপ্পা ইচে। অঙানবনা অনাগী লেৎপা তৌগনি চংনবা হায়রা অমা ঐশ।"

ষোড়শীনা খাঙ্জেল তপ্না হাংলকই, "হয়, ঐনি। অহুবু মতম শুম থাদনা শুপাই মপাক্কী ময়ামগী চেৎলুরক্লবদি হক্কা কেপ্পা য়ামে হৈম। অদোমদি কারি হঙবিদনবগে?" অমসুং হায়রগা নির্মলদা য়েংদুনা নোককেং তারকই।

নির্মলনা ইঙ্গিত অসি মপুংফানা শৌশিল্লগা হায়রকই, "খোইদোকা ঐদি করিগুম্বা মওদম্নু থাদবা [illegible]। অদুদা নত্তনা থবকী খোংদং মী পূম্নমক্কী চপ মান্নবা নত্তে—হুদনদি সন্ন্যাসিনীগী অসিগুম।"

মপুরোইবনা পল্লিবন্ধু হৈমনা থন্তহনা য়েংদুনা, হায়রকই, "সন্ন্যাসিনী ওইসনু, অহুবু মাগীদি ধর্ম লৈত্রবা? মহাক সুপী নত্রা? মহাকপু মানা যুমদগী ফাহুনা পুথি, অহুম ওইনমক মশানা য়ানা চংশনি হায়বি। মীনম্বা অসিগী কান্নবা করি লৈ? মানা নাবদি মশাগী মরামননি। নাল্লবস্তু অতুক ওইথীনা পাপ চেনবা মাবু বল্লুবগী মহাক্কী করি দরকার লৈ? মসিগী মতুংদা মীনা কারিগুম্বা চিংনম্লবদি মতু মখোয়গী মরাল ওইগনি?"

সুপীগী বা তাবদা নির্মল শাউদনবা অমসুং ইৎথইবা পোক্লকই। মহাক খল্লই, মরাল শীননবা হৈম যুমদগী থোরকপা নত্তে—মযুমদা চংলগা ইকাইবা পীরগদবা মহাক অদুগুম্ব মী মচা অমসুং অতোনবা

মীশক নত্রে, অদুবু মাগী মাপাদগী মসি পুম্নমকসি মচু কী মচিন্দগী থোকখিবনি। অদুবু তুংদা মশানা মশাবু কাউথোকচদুনা অমুকন্থু হন্না হায়রকপা যাহ, মসি বীবদগী তৌফম খণ্ডনা করিনো অমা হায়গদবগী তৌরকই, অদুবু কান্নবা ফ খিত্রে, ষোড়শীনা নোকতুনা হায়রকই, "নহাকী নপুরোইবনা হায়রি, সন্ন্যাসিনীগী ধর্ম্ম সন্ন্যাসিনী নত্তবগীগা মান্নরমদবন্থু য়াই, উনাগী থাঙপোক অসিদা কনাগী মতেং লৌদনা ওযুল 'খক্তা ইতোমদা লৈবা অসিগুম্নদি নহাক থাংবা ঙম্লাই।" হ য়রগা নোঙ্গগ মচাক্লা অমুক হায়রকই, "ওদে বনি, এবু যুমদগী চিং-খাত্তুনা কনানন্থু ফাদুনা পুদে, ঐ শাউবনা ঙাংদুনা ইশানা চৎচকুবনি?"

নির্ম্মলনা হায়রকই, "অদুবু ইবেম্মগী অশাউবা লৈ হায়বদি নিংদেনা?"

ষোড়শীনা নোক্লিংবা থাংদুনা অসিদমক হায়রকই, "বরিগী লৈদ্রনি!" হেমদা হায়রবই, "অদুবু মদু ঐ য়েত্তে ফশেংনমক এনা মীনম্বা ঙাংখিবনি। অদুবু যনা তমথীবা পাপীনি হায়দুনা মাবু কম্নবগী অধিকার কনাগীম্থু লৈত্রবরা? নহাকী নপুরোইবা উকিলনি, মতোন্দা থোইদোক্লা মতম চানা হংদুনা য়েংউ।"

নির্ম্মলনা হায়রকই, "মতম চাবদদি অচম্বা বুদ্ধিনা পাউথুম অমা পীবা ঙমগনি, অদুবু মতম চাদনদি পাক হে[illegible]ম পীবা ঙম্বা নত্তে।"

ষোড়শীনা হায়রকই, "অদুদা নত্তবা অসিগুম্বন্থু ওইবা য়াই, জ্ঞান য়াউনা থবক কয়া তৌদবা—"

হৈমনা খাম্নরনা হায়রকই, "অহুনি হায়হুনবু উপাধ্যক্কী মায়োক্তা হেক্তা লেপ্পা তারবা? মসিসু সন্ন্যাসিনীগী ধর্ম্মরা?"

ষোড়শী শাউদে, মাইথোং মকা লায়না হায়রকই, "সন্ন্যাসিনী ওইরবসু ওইত্রবসু অপী ওইবীগী থোইদোক্লা অসিগুম্বা পোংশক লৈবা য়াই মহুনা মপাদগীসু হেনবা। মহু করিগুম্বা ওইরমত্রবরি, হৈম, শেগায়বা থাংপোক অসিদা নহাক্কী খোঙগুল কমদৌনা তারগদগে?"

হৈমনা তৌকম খওদনা মরু লুকথহনা মহাক্কী থুয়া-উফুল লৌরগা মকোক্তা হাপ্লগা হায়রকই "অসিগুম্বা বা নহাক্লা চিন্দা ফাওবা পনবিগনু ইচে। ঐখোয়গী ইথোদা নিংথৌনা থাং অমা মনা ওইনা পীরম্মী অঙাং ওইরিঙৈদা ঐনা থাংখুমদগী শত্তোকহুনা তোইনা য়েংই। মথুন অহু উফুল-হাইফুলনা মোংশিল্লে, অহুবু অশেংবা পোত্তদি করিমতা মকশিনহনবা ঙমদে। মহু ইচন-চম্মী, অহুক শাথী, অহুক কোনচাক শেংই — মহুগী বা ঐ নহাক্কী মাইথোং উবদা হেক্তা নিংশিংলকই। থল্লি, ময়াম পুন্নমক্না লাম্না লৌবরনি, কনাম্ভু করিস্নু খঙদে -পাম্লবদি মথুম অহু থুদক্তা শত্তোকহুনা হুন্দোকখিবা য়াবনি। করিনী হুন্দোকখিত্রিবনো ইচে?"

ষোড়শীনা মাগী থুং য়েং মাগী খুবাম-মুংদা চিংশিল্লগা ঙাইহাক তুমিন্না কমহুনা লৈরগা হায়রকই, "ঙসি নখোয় চংলগনি হায়রবদায়, চত্রবদি কৈদৌরে? হয়েং চংপা তারবা নত্রা?"

হৈমনা মহাক্কী মপুরোইববু উৎহুনা হায়রকই, "অহিংদা কনাননো মহাকপু থুং শমহুনা তুরেলদা লৌথুক্তা অশোয়-অঙাম

খোক্তনা লান্দুনা যুম ময়া ফাওবা থিনবিরবখি, ঐখোযগী বাবানা লুপা মপূম অমা ববশিস পীবা পাক্লিবনি। অদুবু লুপা অদু মহাক্কী মথুং য়ৌররোই, মরমদি বাবানা মাবু থিবা যংলোই। মখিং উদনা মী অসিবু অদুম্না তৌবিবমত্রবদি কারি ওইগনদগে হায়বদু ঐদমি খণ্ডই, অদুগা ঐনদি মহাক অদুগী মখিং খণ্ডই। অদুবু শেল-থু দি মাঙোন্দা পীনিংঙাই লৈজদে— অদুনা থুয়া-উফু। খবদাদ লৌজগে—”

অসি হায়রগা মাগী খুং শজোকতুনা জৌথোক্লবা হোংনরকপদা ষোড়শীনা চেজেং পায়শিল্লগা নোকখেং তৌরকই।

হৈমনা মথুং ওইনা মপী তৈথোক্লগা নোকতুনা হায়রকই, “থুয়া-উফুল পীবিত্রবসু যারে ইচে, থুংতু থজিক্কা থাদাকপিযু— ঐগী থুং তেক্কদৌরে। কনাক্কা পুক্লিংদা নত্তে, থুংসু হন্থবা নত্তে। ইস্পাতকী থাংশাং অদু নিংশিংলকই। অদুবু বাফম অসি তুসিদি তোক্লসি ইচে, ইশাগী মী দরকার করিগুম্না ওইরকপা থোক্লবদি লমলানবী নমাও ঐবু মতম অরুদা নিংশিংবিরকত্রা ?”

ষোড়শীনা মহাক্কী মথুত্র তপ্না তপ্না মথুংনা নাক্লকই, কয়িনত্তা হায়দে।

হৈমনা হায়রকই, “অদু ওইরবদি যানিংদবরা ?”

ষোড়শীনা হায়রকই, “ঐগীদমক্তা নখোয়গী বাবাগ' থংনবা অদু ঐনা পামগদ্রনে ইনাও ?”

নির্ম্মলনা হায়রকই, “থংনবা নত্রবদি অতৈ তৌনিংঙাই করিনু হৈজরবরা ?”

ষোড়শীনা হায়রকই, “ঐনা হায়নিংবদি মহুদু নখোয়না

তৌবিরুবগী কাপ্পা লৈতে। অদুবু মহুনি হায়হুনস্থু লমলামবী ইনাওবু ঐ খক কাউরোই। ঐগী পাউ ফংবিগনি।"

মীনাইস্থু ওসায়এখৈ তুমিন্না ফমদুনা লৈ, মানা হায়রকই, "ইমা ভৈরবীগী মতৌগুম ওনিস্থ নোং-মুংশিং তৌরকপা য়াই—নোং মংলক্রে "

হৈমনা মপান্দা মুনা য়েংলকই, অদুগ ভৈরবী থুরক্লগা হন্দক্তি থুম্ব-উযুল লৌরগা হৌগৎতুনা লেপপ্রে নির্ম্মলনা মখুৎ লোমদুনা নমস্কার তৌরগা হায়রকই, "ঐগাক ১০৪ পূম্নমক্তা লমন তোন্দুনা লৈরগান, শিংদোক্লবা লম্বী অমা অমুক লেপ্রে। কোটকী মীনি, সম্পত্তি লৈবা ভৈরবীগী থবক্তা চন্নবস্থু য়াই, অদুবু খাংপোকী সন্ন্যাসিনীদি—ঐখোয়গী থুং ঘ্রীব ওমদে। পূম্নমক থাদোক্নবা উপায় লৈতে অচুম্বনি, অদুবু থাদোক্লগস্থু উপায় লৈগনি থাজব্য ওমদে।"

যোড়শীনা হৌগৎতুনা লেপ্লগা হায়রকই, "ঐ পূম্নমক থাদোক্লে হায়না কনানা হায়বগে ? ঐদি কবিস্থ থাদোক্ক।"

নির্ম্মলনা হায়ক্কই, "থাদোক্কবা ? স্বত্ত্ব অমত্তা থাদোকপিদবা ?"

যোড়শীনা অহুম ঈংনা ওপ্পবা খোঞ্জেলনা হায়রকই, "মকে, কবিস্থ থাদোক্কে। ঐ হুপীনি ঐদি উপায় লৈজদবীনি, অদুবু ঐগী ভৈরবীগী অধিকার অহু শম্না মকৈ অমা ফাওবা কোমখোকক্রি। মখোয় হুপানি, মখোয়দি মপাঙ্গল লৈ, অদুবু মখোয়গী মপাঙ্গল অহু চপ চানা উত্রিবমখৈ ঐতোন্দগী কবিস্থ ফংনিংঙাই আশা উদে—উফুল মরিক অমা কাওবা ফংলোই। নির্ম্মলবাবু, ঐদি হুপীনি, অদুবু সংসারদা ঐগী ইরাল য়াম্না লৈ হায়না লেপ্পরিবা মখোয় অহুনা লাক্লবনি। লাক্লিবনি মখোয়না চুমখোকদবনি।"

বা ভাবদা মথোয় অনিমক চপ য়ুংবা লৈম্রে। ইমুংদা মহুমহু কাওবা মৈ থাংগৎত্রি — অমম্বদা মহাক্কী মাইথোং, মহাক্কী মিৎ, মাগী কনশিল্লবা হকচাংবু কুপ্লিবা বাওথাংনবা গেরুয়া নত্তনা অতৈ কাৰিস্ত উবা ফংদে, মতুনা মথোয় অনিমক্কী থম্মোয়দা চপ চানা য়ুররে।

থোইনা লাপ্তনা লম্বী চিথেক্কা ইরাং-লাংলকপা অমা ভারকই। মাং অমম্বুং তুংদা মৈ পায়তুনা দোলাই অনিথক পুথ্রি।

অমম্বদা রেংলতুনা নির্ম্মলনা হায়রকই, "জমিদার বাবু অহু ওইরদি ওসিমক থোঙদারক্লবমাগনি থঙালে।"

ষোড়শীনা ঙকপগা লোযননা হায়রকই, "জমিদার বাবু! মহাক লাকনি হায়নবরা?" হায়রগা মহাক থোঙজিল ময়াদা চংশিল্লকতুনা লেপ্লরে।

নির্ম্মলনা হায়রকই, "হোয, তুরেল ময়াগী মাগী নরককুণ্ডহ শেংদোক্লিবনি। এককড়িনা হায়, হকচাং ফগৎনবা অঙৈং-অশা ওনবা হুজুর ওসি হাযগী মসুংদা মরৈবাক্তা থোঙদাররগনি। মহুমক ভৌররেদনা।"

ষোড়শী চঙক্লনা মফমহুদা অহুম লেপতুনা লৈ। বিদায় লৌরগা নির্ম্মলনা ভপ্না হায়রকই, "কনা লাপ্না লৈরবসু ঐথোয়না হিংলিবমথৈদি ইশাবু উপায় লৈতবনি হায়না থনবিরোইদবনি।" হায়রগা হৈমগা খুং শম্মহুনা অমম্বদা চংগ্রে। ষোড়শী অহুম লেংদনা চপ য়ুংনা লৈ, বা অসিগী পাউথুম অমত্তা পীদে।

তবানিথোই

চাউরবা মন্দিরগী চেকপালনা খনখিন্নুনা জমিদার জীবানন্দগী দোলাই অনি মিংনা কুপ্পদা মশক উথিত্রে। থোইদোক্লা অমম্বত্থুদা মৈশাল খবত্থুদগী মাংত্তংনা মীওইবগী মিংনা থোইনা করিন্থু উনিংঙাই ওইদে, অত্থুবু ষোড়শীনা মপুক্লিংদা খল্লকই, নুপাত্থুবু মহাক্লা থুংখিলগী মচৌগুম মযেক শেংনা উই। অত্থুগা গুপ্পগী মহাক্কবু নত্তে, মাগী মতুংদা নিংখিনা লৈত্তেংপবা দোলাই অমম্থু পুাত্র, মত্থুগী পর্দা মরুমদা ভুমিদ্ধা ফম্লিবী মহাক অত্থুগা ফিবান পাক্লপ্পা চনবা শাড়িগী মচি অমা খজিক্তুং কাংলিবা খোঙগী অহোবদা হাইথরক্লি, মত্থুমক ফাওবা মাগী মমিত্তা উবগুম্মী। মহাক্কী থুত্তা শিরিবা সনাগী খুজি থাউমৈগী মশালদা মিংকুপ্তুং মিং থকখি, হীরম অমিদা মহাক চিংনবা লৈত্তে। মহাক্কী মনা অনিদা হীবা খিনবা লৈ ফর ফর হাইরি, মাগী থুংশাগী খুদোপকী নুংদগী অশংবা মশাল থক্তোরক্লি —

খঙাহৌদনা মহাক্কী কল্পনা থক পন্দুনা চপ লেপত্রে। পূম্নমক অসি মহাক্লা হৌজিক্লা কৈমগী মশাদা উথি হায়বা নিংশিংলক্লে। নিংশিংলকপদা অমম্বত্থুদা মতোমদা ওইরবম্থু ঈকাইবনা নুংঙক-নুংঙানত্রে। "চণ্ডী! চণ্ডী!" হায়ত্থুনা মাংদা লৈরিবা মন্দিরদা ওন্দুনা খোঙজিলদা মকোক থমত্থুনা থুরুম্লে, অত্থুগা বাখল পূম্নমক খাদোক্নুনা খোঙজিল মরাদগী মথুংদা চংলকতুনা লেপ্লবদা অমুক থুপা থুপী অনিগী বাখলনা থম্মোয় থুমহংলক্লে।

ডাইহাক্কী মমাংদা বারী শানমিটৈঙেদা নোং-থুংশিং মাকপগী ইজিকনা মহাকী থম্মোয়দা ঈথিল অমা পীখি। নোংথক্তা অমুবা নোং

মতুম মতুম্না অতিয়া শিনথ্রে, থিন্নমক প্রলয়গী শতুম লৌরকপা য়াই। হৌখিবা অহিং তংখায় অমা অরাবা কোবথোংনখি অচিং অচুমা মন্দিরগী লোল্লবা থোঙ মযাদা লেপতুনা করিগুম্বা মঙং অমদা লেনখি; অসিগুম্বা মওংদা হুকচাংদা নৈহৎপসি মহাক থাংবা হৈনদে, দেবীগী ভৈরবীদা অসিগুম্বসি হৈনবা থক লৈতে, অচু ৎইরংস্থু ডরাং মহাক রাক্লবা থক লৈখিদে। মগাক মশানা য়ানা য়ুম-কৈ মাগী মরাইবক থীরবা মপাদা পীথোক্লম্লগা লাকপনি, মসিগী মরমদা ওসি হুমিং চুপ্পা মহাক করিমত্তা থল্লুদে। অচুবু থঙহৌদনা মপুক্লিং হুংঙাইরকত্রে। থুঙংদগী নাইতোম তারবা অচিকপা অসিদা মতোমদা অহোবা নিংথায়রবা য়ুম অসিগী মথুংদা মহাক অহিং করম তৌনা লেনগদগে? মশাগী নাক য়েত্তা লৈতুনা য়েংলকই। শেংদবা মৈতালদা ইমুংগী অসোমগী কাচিন অনিচুদা লৈচাক পৈরিবা অচুগী মরক্তা লৈরিবা উচিগী মথুলশিং অচু মুশিন মুশিন মুবা মিৎকুম উরি, মচু শেমজিনবা তাবনি, কোকথক্তা মশীং নাইদনা হোরি, মাইহাক লৈরগা নোং তারক্লবদি অরর তৈথরক্লগনি, লেপকম কাওবা মচেং অমত্তা লৈররোই, পূম্নমক অসি মী কৌরগা শেমজিন শাজিনহনবা তাবনি, থোঙ য়াম্না শোল্লে, মসিনা থ্বাইদগী হান্না শেমজিনবা মরকায় ওই। হুমিং লৈরিবৈদা থলহৌত্রে থল্লুবদা মাগী থম্মোয়দা নুংনাংবা পোক্লকই। য়েংশিনবিদ্রবা শেমজিন-শাজিনবিত্রবা য়ুম অসিদা নত্তে—নোংমগী মথংদা নোংমা মচাক কমদোনা লৈগদগে?

মহাকী মপুক্লিংদা নিংশিংলকই, হৌজিক্তা বিদায়গী মতমদা নির্মলনা হায়রবা বাগী পাউথুম করিমত্তা পীখিদে, অচুম ওইনমক থূনা অমুক উমগদবনু লৈতে। মহাক্না খাক্লন্দুনা হায়রম্মী, ইশাবু

তশেংনা উপায় লৈতবীনি খন্দনবা। থবক ময়াম মরক্তা ৱাফম অসি মাগী মপুক্কি-দা লৈতবস্তু য়াই। লৈরবস্তু, নোংচুপকী করিগুম্বা ফজরবা সহর অমদা লৈরগা মহাক্না মতেং কমদৌনবু পাংলকপদগে, অহুগা তেংবাং অহু পোগদৌরিবনা অধিকার করি লৈহুননো? হৈমবু অমুক নি শিংলকই। চংলমদাযদা কবিস্তু হায়রমদে, অহুবু মপুরোইবগী রা মতুং ইন্না মথুং শন্নহুনা চংমিন্নখি, মতম অহুদা মপুরোইবগী রা খুদিংমক মহাক্না ভু মন্না ইনবগুম্মী। মরম অসিনা মপুরোইবনা কাউথোকখিবদি রাই অহুবু মহারদি হায়দোকপ্রবা রাহৈশিং অহু ভরাই ভরাই কাউবোই, ষোড়শীনা মসি মপুক্লিং চেংনা থাজে।

হৈমগা মহাক্না পরিচয় মতম কুইনগী মমাংদগী লৈনরকপা নত্তে, নকশিন্নবস্তু নত্তে। অহুম ওইনমক করিগুম্বা মওং অমদা থোক্ত লোনশিল্লগা মহাক কম্বল অহু খাহুনা ফম শেম্নপা ফমথররে, মতম অহুদা মহারা হৈমবু হন্না হন্না নিংশিংলকই। অহানবা মুমিংমক্তদা হাযরুবা লৈতনা মাগী অবাবা শরুক য়াহুনা খুঞ্জা 'পূম্বগী মায়োক্তা মপাগী মায়োক্তা, ওইরবা যাই অতোপ্পা মুপা অমগী মাযোক্তা লোম্না লাম্ভেংনরম্বা, মহাক অহু চংশ্রবদি হয়েং মাগী নাকন্দা লেপ্পিরগদবা মফম অসিদা কনাম্নু অমুক লৈররোই, রাথে ক্ত্রি অস্থুম অস্থুম চাউথোরকনি, অহুবু ইশাগী ওইব', থেমজিন রাহৈ অমতং পনবিরগদবা অহুগুম্বা মী ফংলবোত্ত, অহুম ওইনমক নোংলৈ-মুংশিং অসি কদায়দ চংলগা করি তৌরগা লাম্ভেংকপা য়াগদগে মহুগী আরম্ভা লৈতে। মতৌ অস্থুম্না মরূপ-মপাং কনা লৈহবা যুম অসিদা মাইকৈ মরি শুক-শুনা অমম্বা মরক্তা মতোমদা ফমহুনা মহাক

হৌজিক তুংদা পোংদনা থাক্সগদবা খুদোংচীবগী চিংনবা হাইদোক্‌খতনা ভাইহাকী মহু দা মফম থঙদবা ... অমগী উচেলদা মাগী ককতাওরবা থম্মায় লুপথ্রে, মহু মশাক থঙহৌদ্রে।

অসুক কুইবসি পুসিবু মহাক্না ফংলিবা মওং মতুংদা অহুম পোথক্লি। মহাক চণ্ডীগী ভৈরবীনি — মসিগী দায়িত্ব লৈ, চপু ... লৈ, ... খুদোংচীবা লৈ — নিংশি বা থোকচরবা ... মমং ... শৈরকখিবা ভৈরবীশিংনা চংনবা লম্বীশিং ... খুই, মদাযদনা পাকই ... কনানা চমথ্রিংনা চংখি, কনানা থেগা খোইনা চংথিবগী ... ইতিহাসগী লামায়দা ইতুনা লৌর। মসিগী ... মালা গী মচিন্দা কদায়দ। ... ফম্ববগী মওবা ... উপোন হৌব, কদায়দনা ... নাইদবগী মৈথু ... অতোং ... ভৈরবীগী ... লিংখিনা লোমদবা ইচেম ... পুজিতা ...। বাএ। তৌরবদি অধারবা অক্লবা, এফবা ..., ... কানগী, ... চংপা ভাবনি, মদুদা ... নত্তে, মতু কবিগীনো, কবিগীদনচনে, মাহং ... কনানসু কবিশবনসু হংলমদবা য়াই, নংগা মসিবু যাত্রবসু অতোপ্পা লম্বী অমা অমুক খিবা হৈনিংলমদবা য়াই। লাইরক্তা ... নশক থঙনবা লম্বা অতুগী মতুং ইন্না ষোড়শীগী পুন্সিগী অয়াম্বা শরুক হৌত্রে, মসিবু ভৈরবীগী পুন্সিনি হায়না মহাক্ চিংনবা লৈতনা লৌরক্লি, নোংমতসু মশাকী পুন্সিবু শুঙ্গীগী পুন্সিনি হায়না থনাখদে। চণ্ডীগী সেবায়েতশিং হায়তুনা মশাকপু অনৌবগী অরায়দা লৈদ্রিবা মশীং থিজমত্রবা প্রজাশিংনা মশক থঙই। মশীং থিজমত্রবা শুপী কয়া — কনানা চহি হন্থ্রে, কনানা

চহি চহি, কনানা লেংশানবীনি — মখোয়গী মথল কয়াগী অমা-মং ওই, মথল কয়াগী আশা, ব্রায়েম কয়া, পুম্নিংগী অথুম্বা কয়াগী ওয়া অমসুং জ্ঞান তাংনা সাক্ষী ওইরক্কি, দেবীগী থোঙ্গাল ফংননবগী-দমক্তা মতম কয়া চংনা [illegible] বয়া মখোয়না খোঙ্জেল পিরক্লা মঙোন্দা হায়খি, লাইববা পূর্ণ [illegible] শাস্ত্রা অধ্যায় চিংনবা লৈতনা ফাকহুনা [illegible]ওান্দা প্রসাদ নি[illegible], পূৰ্ণমঙ্ক আস্ মনিংঙা উত্রে, অদুবু মুপীগী মা[illegible] অমাদ মহাক্ [illegible] উখি[illegible] । মখোয়গী মওং-মতৌ অসুম্বা [illegible]রিগুম্বা অতে[illegible] [illegible]গী পোৎনি, মতু থঙনবা উনবা করিগুম্বা [illegible] [illegible] অমত্তা মহাক্কী লৈরমদে। দরকার অদুগী অহানবা [illegible] [illegible]সিদা [illegible]স্বা ইমুং অসিদা মাগী মশাদা ফাওরক্লে। [illegible] নাক্তা অহিংদা নির্ম্মলগী মখুৎ শমহুনা ভুরবল লান্দুনা লাইরগা [illegible] [illegible]বিখি, মী অনি নওনা বাকম [illegible]সি [illegible] [illegible] [illegible]বা যাই, হৌখিক্লা মনিং নিংথিনা উদবা মুপী অদু[illegible] হা[illegible] [illegible] [illegible]না মা[illegible] [illegible] মখুনা ভুমিম্না চৎমিন্নখি, বাকম অসি[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] খঙদবা য়াই, অদুবু ওরাংশীগী [illegible]সি [illegible] [illegible], অসিগী বয়াদা থেংনি।

ওসি অমুক্ত, হৈমগী শাড়িগী দিবান, মাগী অশংবা মচুগী নুং ফিনবা খুদোপ্তুংনা মনাগী লৈ ফাওবা মহাক্কী মমিত্তা উখি, অদুগা মথল খুদিংমক্কী কুযোম অমসুং অমম্বা লাম্হোকহুনা তশেংনা মাগী ইন্দ্রিয়না খঙঙমদবা মিংযেংগী বাংমদা নুপী অদুগী থোঙথাং খুদিং মতুং ইন্দুনা চৎপগুম্মী। মহাক্লা উই, মপুরোইবগী মখুৎ থাদোক্লগা হুন্দক্তি মহাক লোম্না ইমুংদা চংবা তাই, মকমহুদা মাগী থরাম্ন বারবা মুংশাথীরবা মমা-মপাগী মীচৈ কয়া তানা অমসুং পাউখুম পীঙমনা

ঈকাই ফিরুকুনা মশাগী কাদা চংথিগনি, মতম অদুদা মহাকী মচান্নুপা ম্নিংকপ্ থোক্লমদুনা ফমুংদা কপতুনা লৈরম্না য়াই — মাবু থেমজিল্লগা অমুক শুম্না তাই, অদুবু মসিনা পোথাবা ফংলগদ্রা ? মতম অদু ফাওবা থবক কয়া লোইশিনগদবা ম্রাংলমথিগনি। মপুরোইবনা চাব-থকপদা অরাং-অপা য়েংশিনবা তাই —অশোযবা ম্নাউদনবা, মচান্নুপা হৌদোক্লগা যঙ্গোম শীথকপা তাই — মহাক লাম্না লৈথিদনবা, অদুগী তুংদা মশামকন্থু থরা চারগা মওং অমদা অহিং অহ লেল্লগা অমুক অযুক অঙনবদা হৌগংলগা চংননবা শেম-শাবা তাই। মপুরোইবা, মচান্নুপা, মরি-মতা, মীনাই-মীশল পুম্নমক মহাকী মতেং লৌদুনা চংকদোরিবনি। শাংলবা লম্বীদা কনানা করি পাম্মী — মহাক্না শিনবা তাবনি, মহাক্না পুম্নমক থল্লগা পুবা তাবনি।

মশাগী পুন্সিবু ষোড়শীনা করিগুম্বা হুমিত্তগু অতোপ্পগা চাংদম্নদুনা থক য়েংলুদে, থল্লুনবগী মাম্থু করিগুম্বদা থল্লুদে, অদুম ওইনমক মহাকী থম্মোয় মুংদা যুম্বাম্বী অমগী দায়িত্ব পুম্নমক, পোংলুম পুম্নমক, মমা ওইবীগী থোদাং পুম্নমক, মাখল পুম্নমকপু কনানমো হৈ-শিংলদা মখুংনা মপুং ফানা শেম-শাদুনা থম্বিরম্বগুম্মী। অদুনা মহাক করিগুম্ থঙদ্রবন্থু পুম্নমক থঙই, করিগুম্বদা করিমতা তমলুদ্রবন্থু হৈমগী মতৌগুন থবক খুদিংমক মওং ভানা তৌবা ঙমগনি হায়না মহাকী থম্মোয়দা থল্লকই।

থোইনা লাপ্তনা উচেং অমদা থাম্লিবা মৈদু মুথরক্লে, মাখলদা তাউনা তাউনা মহু ঙালহন্নবা শেম্বদা মহাকী মঙম্রং অদু কায়খিদুনা মহাক চণ্ডীগড়গী ভৈরবীনি হায়বা নিংশিংলক্লে। অমুক চাউনা

সন্মান লৈরবী মতিক-মঙুণ চেল্লবী নুপীদি মাইকৈ 'লোমদা অমমুক লৈত্রে। মহাক অচম্বা নুপী অমগী থোইদোক্লা চম্নবা মুম্বাল্লোনগী করিস্ত লৈতবা বাথন্দা মিংকুপ্তুগী ওইনা ওইরবস্তু মশাবু কাউথোকউরে থনবদা ঈকাইবনা শিগদোার। ইমু্দা অতোপ্পা কনাস্তু লৈতে, ঙাইহাকী ওইনা খজিক্তং শোম্বকুবসি কনানস্ত কৈদৌঙৈদস্তু থঙলোই, অদুবু মহাক্কি দেবীগী সেবিকানে চণ্ডী অদুবু থাগোল্লদুনা মথুং লোম্লরগা মকোক নোম্না হায়জরকই, "ইমা, অরেম্বা বাথন্দা মতম মাংহনগ্রে, নহাক্না ঙাকপিয।"

অহিং কয়া য়াম্না থেংলবগে ওভননবা উপায় লৈত্তে, অদুবু য়াম্না থে্লমগনি হায়না ভাবনা শারকই। অদুনা ফমুং অদু থল্লা চিংথোকতুনা শেম্লে অমস্তু, থাউমৈদা থাট থরা অমুক হাপ্লগা মহাক হিপথগ্রে। চোকথরবা মিত্তা যাম্না থুনা তুম্লি বা ফাওরকপা য়াই, অদুবু মপান্দা থোঙ ময়াদা অকনবা মখোল অমা তাবদা ওকচাম্লনা হৌগংতুনা ফম্লে। মুংশিংস্তু থরা কনখংলক্লে, হুই লমহুই ওইরম্বা ওইথোক্কনিংঙাই নত্তে, অদু ওইরবস্তু ঙাইহাক মনা থাংগংতুনা তারগা কীনা হ লকই কনানো?"

মপান্দগী থুম্লকই "কীক্রনু ইমা, তুম্বিরো — ঐ সাগরনি।"

"অদুবু অমুক থে্লবা অহিংসিদা নঙ করিগী নো?"

সাগরনা হায়রকই, "হরথুডানা হায়, জমিদার লাক্লে অহিগী ক্ষিভমস্থু ফত্তে — ইমা মথন্দা লৈ, চংলো সাগর নঙ চৈদু পায়দুনা অমুক্তা শংলুচো। তুম্বিরো ইমা, নোংঙাল্দ্রিমথৈ ঐ লেংলরোই।"

যোড়শীনা ওকচাম্লনা হাযরকই, "মদু ওইরবদি সাগর, নঙ মথন্দনা করিবু তৌবা ওমগদগে?"

মপান্নদগী মুপাহুনা থিত্তুং নোক্লগা হায়রকই, "ইশ্শা কদায়দগী ওইগদগে হায়, খুডাবু খুং খন্দুনা অমুক্তং কৌগনি। খুডাগা ঐগনা চৈ পায়গবদি - পুম্নমক ইশানা খঙবিরিহ্নান। হুমিং অচুগী ঈকাইবনা লৈফম খঙদ্রা ং, অমুক্তং য়াথং পীবিরবদি খঙগদবনি হায়।"

মথুডা হরিহর অমসুং মচানুপা সাগর অনি অসি লুট তৌই হায়রিজনবিদুনা চহি অনি জেলদা অমুক লৈরই। জেলদা লৈরিঙৈদনা ফম্মী, অংবু খাদোরকপদগী, মখোয়বু মতম শাংনা মাইকৈ অংদনা জমিদারনা অচুগা মাইকৈ অমদনা পুলিশ কর্ম্মচারীশিংনা লৎ-নৈথি। কদায়দনো কৱিগুম্ব। অমত্তা খোবপদা মাইকৈ অনিদগী চিংনরকপনা মখোয় শিনিংচিত্ত হিংই। মতু মচাগা লোয়নন শাস্তি লৈনা লৈবা ফংদে, অচুগা ময়ুম-নকৈ ও লোকতুনা কদায়দনো চৎপস্তু ঙমদে। মরম চাদনা নৈবিন অমসুং ময়ম ভাতনা হৎপিবা অচুগী ষোড়শীনা মখোয়বু থরমগে কনাবাখবনি। বীজগাঁর্ম্মী জমিদারগী মন্নুং চম্না লৈরম্বদগী মশাগী লম পীরুনা হোংদোক্লহনখি অমসুং পুলিশনা পেরনবা কয়া শিন্দুনা মখে যগা নুঙ্সি ফনা নিংখিন। ঈংনা লেঞ্জনবা হোৎনবিখি। মতুদগী হোনা হুরানবা শীবিরবা অখোইবা ভক্ত অনি অসি ষোড়শীগী অরা-মুংঙাইদা থানত্রবা মত্তেং ওইরক্লি। অমগী অতোনবা জাতনি অমসুং অমাংবনি হায়না চিংনজহুনা মখোয়না খ প্লপ থাপ্লপ্পা লৈদত্তনি, অচুগা ষোড়শী মশানসু কৱিগুম্বা হুমিংতা মখোয়বু মনাক্তা কৌশিন্দুনা নকশিন্নবা হোৎনকদে। চানবিতুনদা লাক্লিবনি কৱিগুম্বদসু মচু হন্না থক লৌক্লদে, দরকারসু লৈরমদবা যাই। ওসি চিক্লবা তাথেংবা অচি, অসিদা চিংনবা অমদি মুংশাথীবা মরক্তা ""াযগী তাং য়াউদবা মুংশিবা অমসুং মনঃ-মলিন নাইদনা

সেথা তৌনবা 'হাংনজবা অসিদা ষোড়শীগী মমিং অনিদা পী ঈয়া চেম্লক্লে। তৈথোক্লগা হংলকই, "ফার সাগর, নখোয়গী কাংবু মরক্তু ঐগী মরমদা য়ারী শানরমগনি নিংই, নত্রনে, কনানা করি হায়নবগে ?"

মপালদগী পাউথুম পীরকই, "ইস। ঐখোয়গী মাংদবো। ঐখোয় কন্নায়দবু চেনগদবনো খণ্ডদ্রে ইমা।"

ষোড়শী খুদক্তা ঈকাইবা পোক্লকই, মঙোন্দা অসিগুম্বা য়াহং হংলুবা চুমদবনি। অস্তম তৌত্তুনা য়াফমত্তু অমুক চাউথোকহন্দনা ভুমিন্না লৈক্লে। অত্তুম ওইনমক মিত্তস্থ ভুম্নিংবা পোক্কে। নোং-মুংশিং তৌরকপা য়াবা কোক্না থোংত্থনা মী অমা মাবু ঙাক শেন্দুনা মপান্দা ফমত্তুনা লৈরি খঙবনা ভুম্বা পাক য়াগদবা লৈতে, অত্তুনা ঙাইহাক ভুনিন্না লৈরগা মহাক্না য়াফম অসি কাংলকই, হায়রকই, "করিগুম্বা নোং চুবক্লবদি যামা য়াগনিনে সাগর, 'সিদস্থ লেপফম মচেৎ অমত্তা লৈরোই।"

সাগরনা হায়বকই "লৈতসম্নু ইমা। নোংঙানগবা কুইদ্রে, য়ুথক অনি নোং চোংশনা ঐখোযদি নারোই।"

তশেংনমক মত্তুগী অতোপ্পা পাম্বস্থ লৈতে, অত্তুনা ঙাইহাক ভুমিন্না অমুক লৈরগা ষোড়শীনা অতোপ্পা য়াফম অমা হৌদোরকই। হায়রকই, "ফরে, জমিদারগী মীনা ঐবু স্থমিং অত্তুদা যুমদগী নমত্তুনা কাত্তুনা পুবনি হায়বসি নখোয় তশেংনা থাজবরা ?"

সাগরনা মথবায় মুংঙাইতবা খোঞ্জেলনা হায়রকই, "করিদি তৌরুনি ইমা, নহাক্তি নথন্জনি, মুপীনি। খুঙ্গং অসিদা মীনি হায়বা য়াবা কনাস্থ লৈতে, খুডাগা ঐগা মুমিং অত্তুদা কৈথেল মচাদগী মতম

অদু কাওবা হল্লকপা ঙমখিদে। নংলমদ্রবদি মতিক করি লৈগনি ইমা, মহাক্কী নশাদা থুং থারগদবা।"

ষোড়শীনা মপুক্সিংদা খঙলে, খন্নরিবা অসিসু অফবা নত্তে, রাগী রাপাদগী ফজদবা রা তারবা যাই, অদুবু লেপ্পসু ঙমদ্রে, হায়রকই, "মখোয়গীদি মী করানি, নখোয় অনি লৈরক্লপবু থিংবা ঙমগদ্রনে?"

"করিসু কাপ্লদে ইমা, পুক্সিংগী অরাবা হেনগংহনবনা। তুংগী লাক্লে, ঐখোযসু পুম্নমক খঙই। ইমাগী রূপাদগী অমুক বরিংহ্বা মতম লাক্লবদি মতমত্তুদা মতুগী পাউখুম য়াবগনি। নহাক খল্লুম্ন ইমা, হরখুডা হন্নুরে শিরগনি হায়না। মাবু মাতু (মাতঙ্গিনী) ভৈরবীনা খঙবনি, মাবু শিরোমণি ঠাকুরনা খঙবনি। জমিদারগী মনাই-মশল য়াম্না লৈ হায়বসু খঙই, লাইরবনি হায়দুনা ঐখোয়বু অরাবসু থোইনা পীখিদবা নত্তে, মদুসু কাউদ্রি — জাত অতানবা ঐখোয়দি ইশাদগী খন্দে, অদুবু নহাকী য়াথং ফংলবদি ইমা ভৈরবীগী অশাদা থুং থারিবগী লমন খুম্বা ঙমগনি। মতক্তা থোরি থাদুনা হুজুরদুবু পুরক্লগা অহিং লেন্দনা ইমা (চণ্ডী) গী মফমদা বলি কংপা ঙমগনি ইমা, কনানসু থিংবা মতিক ওইরোই।"

ষোড়শী খম্মোয়দা তু চুংই, হায়রকই, "হায়রিবদু করিনো সাগর, নখোয অদুক তমথীবা, অদুক শাথীবা শক্লোন লৌবা ওম্নবা? অদুথক্কুগীদমক মী হাংনিংলবা নখোয়মা?"

সাগরনা হায়রকই, "অদুথক্তা। অদুথক্কুগীদমক্তা নত্রা ঙসি নহাক্কা তারিবা দশা অসি? জমিদার লাকই হায়বা তাবদা খুড়াদি মৈ হোৌহোৌরে, নহাক রাকসু ইমা, অমুক করিগুম্বা খন্না থোক্লবদি মতমদুদা মাসু ওপগী মুদুথক্কুদা লেপপ্রগদবনি।"

ষোড়শীনা হায়রকই, "তারিবরা সাগর! নহাক্ করিগুম্বদা গুরু মহাশয়গী পাটশালাদ চম্লবগরা?"

মপান্দা কপ্পিবা সাগর ঈকাইবগুম তৌই, হায়রকই, "নহাক্কী আশীর্ব্বাদদগী রামায়ণ-মহাভারত ফাক্তোক-ফাকচিন খরমখৈ অহুম মঙশী। অহুবু বা অসি হংবিরিবা করিগীনো?"

ষোড়শীনা হায়রকই, "নঙগী ব তাবদা থল্লি, নখুড়ানা খঙদংদি রাই, অহুবু নঙদি খঙবা ঙমগনি। হুরিৎ অহুদা ঐবু কনানসু ফাহনা পুদে সাগর, কনানসু ঐগী ইশাদা থুং থাদে, ঐ গুপ্নগী অশাউবগী ময়াইনা ইখোঙনা খোনা চংলুবনি।"

সাগরনা হায়রকই, "মহু ঐখোযসু ভাজরে, অহুবু অহিং চুপ্পা হল্লকখিদে ইমা, মহুসু শাউহনরা?"

ষোড়শীনা রাহং আসগী চপ চাবা পাউথুমদগী থৈদোক্লনা হায়রকই, "অহুবু নখোয়না অহুক কন্না শাউরি, দশা অহুদি ঐহাক্ ইশামক্ল। তাইঙ্গরনি। ঐদি ইশানা যানা বাবাদা শিন্নরম্লগা 'সিদা লাকতুনা লৈররিবনি।"

সাগরনা হায়রকই, "অস্রক বুইবসি 'সিদা লৈবা পাম্বিরমদে ইমা।" ভাইহাক্তং তুমিন্না লৈরগা খঙহৌদনা মাগী খোঙ্গোল নুম্লক্লে অমসুং রাক্লক্লে, হায়রকই, "তারাদাস ঠাকুরগী মথক্তা ঐখোয়গী অশাউবা লৈত্রে; রায় মহাশয়দসু ঐখোয় কনানসু করিসু হায়রোই, জমিদারবুদি ঐখোয়না খুদোং হেক ফংবদা কেন্না থক থারোই। খঙবিত্রা ইমা, ঐখোয়গী বিপিনগী মানা করি তৌথিংগে হায়বা? মহাক মুখদা লৈরমদে — জমিদারগী নী মতম মুখদা চংলক্লগা —"

ষোড়শীনা খুদা যাংনা মাবু খামছুনা হায়রকই, "তোক্লো সাগর, অহুগুম্বা পাউ অহু ঐ চান্দা অমুক তাহল্লগন্নু।"

সাগর তুম্মিন্না লৈখ্রে। ষোড়শী মশামকন্থু ফনা কুইরবা ফাওবা অমুক থাহং, অমত্তা হংখিদ্রে। অদুবু ডাইহাক লৈরগা সাগরনা বা ঙাংলকই, মহাক্কী খোঙজেলদা খোইদোক্লা ঙকপগী খুদম ষোড়শীনা মঙ্গেক শেংনা ফংই। সাগরনা হায়রকই, "ইমা, ঐখোয় নহাক্কী প্রজানি, ঐখোয়গী অংাবা নহাক্না ভাবিদ্রবদি কনানা ভাবিগদাগ?"

ষোড়শীনা হায়রকই, "অদুবু শারবন্থ অদুক চাউবা জমিদারগী মাইযোক্তা ঐনা করিন্থু তৌরুবা ঙম্লোইনে ইবুংঙো।"

সাগরনা হায়রকই, "অমুক্তি শিনবিথি। অমুক দরকার লৈববদি নহাক্কুনা ঙমগানি। নহাক্না ঙমদ্রবদি ঐখোয়বু কনবিনবা কনান্থু লৈত্রে ইমা।"

ষোড়শীনা হায়রকই, "অনৌবা ভৈরবী করিগুম্বা লাক্লবদি মঙোন্দা নখোয়গী অবাবা ঙম্মু।"

সাগরনা ঙক্লা হায়রকই, "অদু ওইরবদি নহাক ঐখোয়বু তশেংনমক থাদোকতুনা চৎলগদ্রা ইমা? খুদং 'পূম্বনা ঙাংনরি –" মহাক লেপখ্রে, অদুবু ষোড়শী মশামক্কন্থু পাউখুম পাক হেক পীবা ঙমদ্রে। মিংকুপ খরা তুম্মিন্না লৈরগা তপ্না তপ্না হায়রকই, "য়েংউ সাগর, নঙোন্দা বাফম অসি পনগদবা খোইদোক্লা ঈকাই। অদুবু ঐগী মরমদদি পূম্নমক তারবা নত্রা? খুজংগী অতৈ মী তরাগী মঙৌগুম নখোয়নন্থু খাজরে হায়বা উরে, মহুগী মতুংদন্থু ঐহাক্পু ইমাগী ভৈরবী ওইনা লৈহন্নিংলিবরা?"

মপান্দা ফন্নিবা সাগরনা তপ্না তপ্না খুন্নকই, "ঋা য়াম্না তাই ইমা, অহুগা অতোম্না মী শঙ্গাগী মতৌগুম ঐখোয়স্থ খনবদা থোক্তে, ব্রিগীদমক্তা নহাক অহিং অহু য়ুমদা হল্লকখিদবনো, অছুগা করিগী-দমক্তা অয়ুক্তা সাহেবকী মখুৎতগী হুজুরবু কনখিবনো ? অহুবু মহু ওইনিংবা ৎইজসনু ইমা, জাত অতোনবা য়ুম খরা শাইদাংলিবা ঐখোয়না নহাকপু ইমা হাযনা খঙই, মফম অমদবু চৎলবস্থ ঐখোয়স্থ নতুং ইনগনি। অহুবু চৎলমদায়দা অমুক্তদি খঙহনবিরম্মু।"

ষোডশীনা হায়রকই, "অহুবু নখোয়দি ঐগী প্রজা নত্তে, ইমা চণ্ডীগী প্রজানি। ইমাগী ঐগুম্বী মীনাই কযা হৌশ্রে, কয়া অমা লাকখিগনি, মহুগীদমক্তা নখোয়না করিগী নয়ুম-নকৈ থাদোকভুনা চৎকনি, করিগীদমক ইরা হৌহনগনি। অসুমস্থ ওইবা য়াই, ঐহাক ইশানা পূন্নমক অসি অমুক পান্নক্তবা।"

সাগরনা চঙ্কনা হায়রকই, "পান্নক্তবা ?"

ষোডশীনা হায়রকই, "ওক্রিংঙাই করি লৈবগে সাগর ? মীওইবগী পুক্রিং ওনবা নাইদ্রবে ?"

চন্দক্তি পাঙখুমদা মুপাহুনা শুপ্নগী "ওঁ" হায়রগা ঙাইহাক তুম্মিন লৈরগা হায়রকই, "অহুবু নোংঙানগদবা থোইনা কুইশিন্নকত্রে ইমা, অতিয়াদা মংলগা নোংস্থ হাইদোকপ্রে, হৌজিক ঙাইহাক্তা পোত্থাবিয়ু।"

ষোডশী মশামকস্থ অসিগুম্বসি খম্নবা পান্নকত্রে, মহুদা মহাক থোইদোক্তা চোকথরে। সাগরগী মাদা য়েৎলুবা তৌমনা হিপথক্রে। অহুবু মহাক্তা মনিঙ্তা তুম্নিংবা পোক্লকত্রিবা ফাওবা হন্না হন্না মাগী মাইশিংগী নিংশিংলকই, মীশেল থাংহুনা মপান্দা কন্নিবা মুপা অসিবু

মহাক্না অঙাং ওইরিঙৈগী থওলক্লবনি, অতোনবনি সুত্রনি হায়রদুনা অসুক কুইবসি গুপ্নগী করিস্নু লৈতবা অমসুং হন্থবা থবক্তা শিন্ডিরে, করিগুম্বদসু করিগুম্বা ঈকাইখুম্নবগী মফম ফংখিদে, রাত্রী শাননবা রাখল ফাওবা কনাগী মমঙদা থল্লুদে, অদুবু ঙসি অরাবা অহিং অসিদা জ্ঞান ভানা অমসুং জ্ঞান তাদনা মাগী মচিন্দগী রাহু কয়া থোকপ্রে, অদুগা মদুগী অফ-ফত্তা য়েংশিন্নবা সুমিং নোংমা লাকপসু য়াই, অদুবু অতাবা অমা ওইনা অতোনবা মুপা অসিবু মহাক্না থোইদোক্না হন্থবনি হায়না ঙসি করিগুম্বা মওংদসু থল্লুবা ঙমদে।

মথংগী অযুক্তা মিংকপ থোকতুনা মপান্দা থোরকপদা থোইনা ঙম্লমদ্রে — সুমিং য়াম্না কায়ম্লে, অদুগা থোইনা লাপ্তনা মীয়াম তৌন্দুনা থিংলিবা থোঙলোমদা ওনশিন্দুনা কুম্ব য়েংগদবগী ভাইদুনা লেপ্লম্লি। কদাযদসু মরুম থুপিংঙাই মচি অমত্তা লৈতে মশাগী ইজ্জত ঙাকচক্কম লৈতে। খঙহৌদনা মপুক্লিংদা থল্লকই, থুদক্তা থোঙ থিংজিন্নবদি মীয়ামদুগী লাংঙক্লবা মিংয়েংদগী নাম্থোকপা য়ারম্লোই। যনা পিক্লবা খাংপোক ওইজসন্থ, মশাবু কঞ্জনবা মসি নংঙনা অতোপ্পা মফম অমমুক লৈরমদবা য়াই, অদুগা মিংকুপ অদুযক্তদা মহাক্না উরক্লে মীয়াম ময়ক ফাওদুনা এককড়ি নন্দী চংশিন্নকতুনা মনাক্তা লেপ্লবে। নোল্লুক্না হায়রকই, "খুঙংদা হুজুর থোঙদাবিরবে — তাবিরম্বা য়াই।"

জমিদারগী গোমস্তা এককড়িনা মসিগী মমাংদা করিগুম্বদসু মঙোন্না ঈকাই-খুম্না রা ভাংখিদ্রি। মহাক্না নোল্লুকপা, মহাক্না ব্যবহারগী অওনবা অসিনা ষোড়শীগী থম্মোয়দা য়ুরবে, অদুবু

করিগুম্বা পাউখুম অমত্তা পীড্রিটৈগী মমাংদা মহাক্না তৌকম খঙদনা হায়রকই, "হুজুরনা আজ্ঞা-ইবেম্মবু নিংশিংলকই।

"কদাযদা ?"

"জমিদারীগী অফিসতনি। অয়ুক্কী লেংখাবরক্লগা প্রজাশিংগী রাকং তাহৌরি। করিগুম্বা য়াবিনিংলবদি দোলাই লৌজরগে ?"

মরাম ময়া কানা তারি, ষোড়শীনা খল্লকই, মখোয়না রা অসি তাবদা নোয়্রিংবা থাংলি। মাগী লকাম্নুংদা মেহৌনা চাক্লক্লে, অদুবু মিংকুপ্পা মপুক্নিং ফাথরগা হায়রকই, "মসি মহাক্না হায়রকপরা, নত্রগনা মহাক্কী নরোমদোম রাখল্লা এককড়ি ?"

এককড়িনা তৌফম খঙদনা হায়রকই, "আজ্ঞা, ঐদি মীনাইনি, মসিদি হুজুরগী য়াথংনি।"

ষোড়শীনা হায়রকই, "মখোয়গী হুজুরগী মরাইবক ফবনি। জেলদা কোল্লু তুম্বগী মহুত্তা দোলাই তোংহুনা চংবা ফংলি, মদুসু মশাদা নত্তনা অতোয়গীদমক্তসু শিঙবা শারি। অদুবু হায়রুচো এককড়ি, দোলাই তোংননবা মতম শংদে — ঐ থবক য়াম্না চিল্লি।"

এককড়িনা হায়রকই, "অহুমকপু তাঙ্গা কংলবদি ফগদবনিদো! অদুগা প্রজাশিংগী রাকংসু নৈ"

ষোড়শীনা খোঙ্জেল য়াক্না পাউখুম পীরকই, "বিচার তৌনবগী মবুদ্ধি-মরৌশিং লৈরবদি মাগী প্রজাদা তৌজসনু। অদুবু ঐহাক্তি মখোয়গী হুজুরগী প্রজা নত্তে, এগী বিচার তৌননবগীদমক্তদি নিংথৌগী লোইশঙ লৈ।"

অসি হায়রগা মহাক গামছা মরেংজুমদা য়ানশিল্লগা পুক্সি তম্না খুনা য়াংনা চংখ্রে।

তবাহুমদোই

জমিদারগী অচিকপা য়ুম লৈতিনকাহিনবদা ফুমিং মরিনি চৌগ্রে। মনা অপুন্না তাংবৈ মতুদি, হুজুর হন্দক্তি, অমুম লোংদনা থা অনি চপ্তীগচনা পোখাখিগনি। ওসি অমুক অহনবমক্কুদা অথাংগী কাঙ্গাওদা দরবার ফম্লি। কাহুগী মচি অমদা ওসি থুঙ্গংগী শক্লাইবশিং পরেং শানা ফম্লি — জমিদারগী মফমদা বাকংকদবা অচৌবা বাফম অমা লৈ। রায় মহাশয়, শিরোমণি, ঘোষজা, বোসজা য়াউই, অমুদা নত্তনা তারাদাস ঠাকুরশু মথোযগী মকমদা মক লুক্না অমসুং মনা শিংনা চেকশিন্না ফম্লি। অহুগা অতৈ অতোপ্পা লৈরিবা মথোয় অহু খোওইদবা যাবা মীওই অমতা নত্তে, অহু ওইরবসু মমিং-মথাক-চিংবা কুপ্প। তমত্রবসু পাবিরিবশিংদা থোইনা অকায়বা খোক্লোই থজ্জহুনা মহুদা থুং থাজত্রবনি। ওইনিংবা ওইজরসু, মথোয় মরাম্না কম্না হোংনবদগী বাকংকী বাহৈদোক কাওবদি উচিন-নাচিন্না লোই-শিনপ্রবসু অশেংবা বাফম অহুদি হায়গে হাযগে তৌনা কাংথোকপা ওয়ত্রে — কনা হায়লিংহুনসু চিন কাংহুনা হায়দোকপা ওয়ত্রি।

জীবানন্দ চৌধুরি লৈ। মরামগা লোয়ননা লৈরবসু লাওপা আরাম চেয়ার অমদা [illegible] অনিদা মথুং শৌহুনা মহাক্কা মপুক্কিং চংনা বা পুন্নমক তাবা যাদ্রি। মপুক্কিং মকা শায়া উই। হপেংনা অচম্বা ফিত্তমক নত্রবসু মপুংফাম্না তৌশিন্নবনি হায়বহু লৌবা ওয়দে। থুমী ময়াইদা হৌজিক কাওবা যাদী থোক্না লৈরকত্রিবা ওইরম্বা যাই। মাইয়োক্নরিবা অচৌবা থোওজাওদা কাওকিন্নরকহুনা বাক্লইগী অকংবা অহুগা ঈশিং থুবা লমহাংদগী মমম হুংশিল্লা

হুমজিল্লক্রি, অদুগা থংনবা কাদা থোং-থাকপনা মরম ওইদুনা থিংলিবী খোঙগী কদায়দনো অহোবদা লিংশিল্লকতুনা মথল অমগী মখোল অমসুং মনম হু শিংনা মরক মরক্তা হুমজিল্লকতুনা মরামগী নাকোংদা নত্তোন্দা থৈররি, মদু খোঙ্গদোকপা মীওইগী মফমদা হৈননা অমদি পামজনা খোক্রবসু শিরোমণি মহাশয়দি তথক তথক্রক্রে। থঙহৌদনা মহাক অনিরক লোক থুরকই অমসুং নাত্তোল মেন্দুনা হৌগৎলগা মচি অমদা থরা হন্দোকতুনা থমথখিবগা জীবানন্দনা নোকতুনা হায়রকই, "শিরোমণি মহাশযগী লুক চাবা তংখায় চনবিররিনিনা?"

অয়াম্বনা নোক্রকই, শিরোমণি মমাই চাংলক্রে। জীবানন্দনা মতম অসিদা নোকতুনা হায়রকই, "কীবিরুসু ঠাকুর জাত তারোই, মসি ঠাকুরখোয়গী মহাপ্রসাদনি। অদুগা খোংলিবা মাগী গোত্রদি অশেংবা থঙদে, গোত্র নাইরমদবসু য়াই।"

শিরোমণিনা মশাবু কয়া কাথকরগা হায়রকই, "মদু ওইজনু, মদু ওইসনু। চাক খোংলবসু বাখোম্নিদনা — লাইররবসু গোত্র অমবুদি করিগী লৈত্তনি।"

জীবানন্দনা হা. হাঃ নোক্রগা হায়রকই, "থঙত্রেদা ঠাকুর, মহুনবু মখোয়দা কারববু করি লৈরমগদবনো। অদুবু থাবেগী মখোলগা লোয়ননা সনা-থুজিগী [illegible]নহুসু ঐ য়ামা খোইদাজে। অদুনা মথুং অদুনা চাক-য়েঙ্গাং য়েরবা — মদুগী নিকরুল কংলবদি অমুক —"

শিরোমণি মক লুকথত্রে, অদুগা মঙুলৈ ফজদবা ঈচেল অদু মরাম পুন্নমক্তা থঙনরিবনি। অদুম ওইনমক থনঙমদবা ঈকাইখনা মকখাহুদা লৈরিবা কনানসু হুপাহুদা প্লাক হেক-লেংলুবা ওয়ত্রে।

নোকপা লেপ্লগা মহাক্না হায়রকই, "য়াইফ-রাবোদি লোইরে, অদুনা চানবিদুনা মরক মরক্তা লেংবিরক্লবদি অসিগুম্বা অতৈ কয়ামা থেংনবিরকখিগনি, অদুবু ময়ামগী রাকৎ হাযবিরো তারসি ?"

অদুবু পাউখুমদা কনানসু মচিন কাংদুনা বা ঙাংবা ঙম্লদে, ময়াম পূম্নমক ভুম্নিন ভুমিন ফমদুনা লৈ।

জীবানন্দনা হায়রকই, "হায়দোকপদা ঈকাইবিরবরা ?"

হন্দক্তি রায় মহাশয়না মগুক থাংগৎতুনা য়েংলকই, হায়রকই, "নন্দী মহাশয়দি পূম্নমক খঙবনি, মহাক্না হুজুরদা হঙৎলকত্রিবরা ?"

জীবানন্দনা হায়রকই, "হায়রগদু য়াই, অদুবু ঐদি নিংশিংবা থোকত্রে। অদুদা নত্তনা মানা হায়বা হায়দবা অমুক থিগৎলুবগী শরুকপুদি হেক্তা হাযবিরো। অনিমক হনবদা দোষ লৈরম্বা য়াই, অদুবু করমদি ভোগনি। জমিদারগী গোমস্তানি — থবা লেমথোক্না লৈজবা কৈ। চুমত্রনে ?"

জমিদারনা এককডিবু থাগৎপা বাহৈ থরদং হায়রকপসিদা রায মহাশয় মপুক্লিংদা হরাওকৈ। অদুবু থকৎতনা থোইদোক্না শককন হল্লিনা হায়রকই, "হুজুরদি পূম্নমক খঙবি-উবিরিবনি। মন্নাইগী মররমদি তাকপিনিংবা য়াম্না তাকপিবা য়াই, অদুবু ঐখোয়না রাকৎচরিবদি —"

"করি রাকৎনো ?"

জনার্দ্দন রায়না হায়রকই, "ঐখোয় পুরংগী ভদ্রলোক শুনা তৌরগা —"

জীবানন্দনা নোককেং তৌনা হায়রকই, "মদুবুদি উরে। আদাগীসি ভৈরবীগী মপা তারাদাস ঠাকুর নত্রা ?"

অসি হায়রূনা তারাদাসনা লৈরিবা মাইকৈদা মখুৎ থিল্লকই।

তারাদাস মনা-মনিল নাইদনা তুমিন্না ফমহুনা লৈ। শিরোমণি ঠাকুরনা নোল্লুক্না হায়রকই, "নিংথৌগী মকমদদি প্রজা মচাশিং পাংথক্কি, দোষ লংজরবসু ল জত্রবসু মচানি। অদুগা মাগী রাফমসু মহুত্তুম্বনি। মাগী মচানুপীগী মরমদা ঐখোয়না তশেংনা লেপ্লবে, মাবু অমুক মহাদেবীগী ভৈরবী ওইনা থম্বা য়াদ্রে হায়না। ঐখোয়না হায়জরি, হুজুরনা মাবু সেবা চংপগী থবক্তগী তাঙ্খোকখিনবা য়াথং পীবিয়ু।"

জমিদার চঙ্কক্রে, "করিগীনো? মাগী মরালদি?"

মী অনি অহুম্না খোঞ্জেল চপ মান্নবা হায়রকই, "মরাল য়াম্না চাউই।"

জীবানন্দনা অমমমদা ওইনা মখোয়গী মাইথোং য়েংলগা মমৈথংদা জনার্দ্দনদা মিংয়েং থম্লগা হায়রকই, "মহাক্না থভাহৌদনা অতুগুম্বা দোষ করি লংজকরবগে রায় মহাশয়, মহুগীদমক্তা মাবু তাঙ্খোকপা দরকার ওইরিবা?"

জনার্দনা নমাই ওনশিন্দুনা শিরোমণিদা নমিংনা ইঙ্গিত তৌরমক্তদা জীবানন্দনা হায়রকই, "নত্তে, নত্তে, মহাক য়াম্না বাজরবান, অহন্দা অরাবা পীক্লবগী কান্নদে, রাফমদু ইশানা অতুম তাঙরো।"

রায় মহাশয়না য়াম্না হৈনিংদনা খোঞ্জেল পিক্লা হায়রকই, "ব্রাহ্মণ-কন্যা — য়াথং অসি ঐঙোন্দা তাকাপগন্নু।"

জীবানন্দনা নোকতুনা হায়রকই, "ঈশ্বরদা ব্রাহ্মণদা অদোমগী ভক্তি চেংলি হায়রবা মাইকৈ 'সোমদা থভনদবা কনা লৈতে। অদুবু ভদ্রলোক অমুক য়াম্না লোয়নবিংক্লবনিনা বাফমদু খোইদোক্লা লুরমগনি হায়রবা ঐ থাজবে, অদুবু মহু অদোমগী মকমদগী তাবা পামদ্রে।"

অদুবু জনার্দ্দন রায় ইনাশল্লগা অদুক লায়না চৎখদবা মীশক নত্তে। মহাক্না শিরোমণিদা অশাউবা মিংহেৎ থম্লদুনা হায়রকই, "হুজুরগী য়াথং ফংলবা অসিদা কিরুনিংঙাই করি অমুক কৈথিগদগে? চিংনবা লৈতনা তম্লো।"

খোই মতমদা চৈনা থিল্লবদুদা শিরোমণিনা খঙহৌদনা ফিংনা হায়রকই, "অচম্বা রাদবু কিরুখিগদ্রা জনার্দন? তারাদাসকী মচানুপীবু ঐগোয় কনানসু ভৈরবী ওইনা থম্মিংদ্রে হুজুর। নাগী লমচৎ শাজৎ য়াম্না ফদ্রে — মসিনি ঐখোযনা খঙহঙনিংলিবা।"

জীবানন্দগী মকা লাম্লবা করেম্নবা শরোন খঙহৌদনা মাংদ্রে, মিৎকুপ অমরোম তুমিন্না লৈরগা তপ্না তপ্না হংলকই, "মাগী লমচৎ ফদ্রে হায়বগী রাফম মুন্ন খঙবিররবরা?"

থুদক অদুমক্তদা অয়াম্বনা খোঞ্জেল অমত্তা ওইনা হায়রকই, "মসিদা কনানসু করিগুম্বা চিংনবা অমত্তা লৈত্রে — রাফম অসি খুঙ্গং 'পূম্বা ইখও খঙনরবনি।"

জনার্দ্দন রায় মচিন্দদি রা ঙাংদ্রেবসু তুমিন্না মঙক নোম্লকই। জীবানন্দনা ঙাইহাক তুমিন্না লৈরগা মঙোন্দা যেংদুনা হায়রকই, "অদুবু অচুম্বা বিচার পাম্বদগী কোইথি থিরুরগা ভীষ্মদেবগী মাক্তা লাকপিরিবরা রায় মহাশয়? খোইদোক্না বাম্লবা ফংগনি হায়বা থাজবা ঙমদে।"

হায়রিবা অসিগী ইঙ্গিত ময়াম্না খঙবা ঙম্লমদবসু য়াই, অদুবু জনার্দ্দন অমসুং শিরোমণিদি খঙই। জনার্দ্দন তুমিন্না লৈ, অদুবু শিরোমণিনা পাউখুম পীবকই, "ইবুংঙোদি লৈবাক্তী নিংথৌনি — অচুম্ববু ওইরবসু অত্তানববু ওইরবসু ইবুংঙোনা বিচার তৌবিগদবনি।

ঐখোয়না মহু ইকোক নোম্না ইঞ্জগনি। চণ্ডীগড অপুন্বগি ... নি।"

অসি তাবদ জীবানন্দগী মাইথোং চাইক্লেং মকা লাম্লকই, কংনোক নোঞ্জগা হায়রকই, "তাবিযু শিরোমণি মহাশয়, থোইদোক্কা নোল্লুকপগা লোয়ননা অহুক হাক্লা বাংনা খাংগংপগীসু দরকার ওইদে। ঐনা খঙ ... লবদি বাকং অসি চুম্বরা চুমদবরা অসিদনি!"

শিরোমণিনা হায়রকই, "বাকং? চুম্বা চুমদবা! ঐখোয়না নত্রবসু তারাদাস, মহাক নশামক্লা হঙ্গংলোদনা! নিংথৌগী সনা-মাংনি। অচুম্বদা হঙ্গংকদবনি —"

তারাদাস মমাং মকশিন্না চৌগংলকই। মহাক্লা য়াম্না বানা চোংনহুনা অসিদ হায়রকই, "হুজুর —"

জীবানন্দনা খদক্তা মথুং থাগংতুনা খামহুনা হায়রকই, "তোক্লো। মাগী মণিনমক্লেদগী মচাঙ্গুপীমক্তা বারী ফনা চুম্বসু ওইরসু ঐ তানিংদে। থোইদোক্লতুম কনানো অথওবা য়াউরবদি হায়াবয়ু।"

সভা অহু অমুক তুমিন তুমিন লৈপ্রে অহুবু হন্দক্তি অচিকপা অঙ্গুগী মথক্তা মরোল থোক্তবা লাংতক্নবগী ইঙ্গিত অমা উরকই। থংনবা থোঙ হাংহুনা মনাই অমনা সোডা য়ানবা হুইস্কি হাপ্পা পাত্র অমা পুশিন্নক্লগা জমিদারদা পীরগে, মহাক্লা য়াউম অমদা মহু থকচিন্নগা মনাইদা পাত্র অহু পীরগা হায়রই, "ও. — হিংলে।" নোকক্লেং তৌহুনা হায়রকই, "অয়ুক্তগী ময়ামগী ফজবা বাহে তাবদা থৌদাংবনা থনাও ফাওবা প্রক প্রক কংলুরবনি। অহুবু তুমিন তুমিন লৈরিবেনা! ময়ামগী ধর্মগী অচুম্বহুবু করি তৌরিবগে?"

শিরোমণিনা ত্তোকম খণ্ডদনা হায়রকই, "হায়জরিবসিনি, ঐনা ধর্ম্ম কায়দনা হায়জগনি।"

জীবানন্দনা মঙক নোমন্থনা হায়কই, "ওইবা যাই অদোমদি অহল ওইরবা ব্রাহ্মণনি, অদুবু মুপী অমগী লমচৎ মাংবগী রারী মশা মাউদনা তম্লবদি আদামগী ধর্ম্ম কায়দবদুগী কায়দবা অদু লৈরবস্থু ধর্ম্ম অদুদি লৈথিগদ্রা? ইশাগীদি থোইদোকপা য়ানিংদবা করিমতো লৈতে — ধর্ম্ম অধর্ম্মদগী কুইরে ঐদি মপান্দা থোরকপা, অদুম ওইনমক ঐদি কায়দবরা নিংই। মরু ওইনা ঐগী বাহংগী পাউপুম শীয়ু। হৌজিক ওইরিবা ভৈরবীবু ময়ামা তাম্থোকপা পাম্মী — অসি নত্রা?"

ময়ামা চপ মায়না হায়রকই, "মহুমক্রি।"

"মহাক লৈবনা খুদোং চাদ্রে।"

জনার্দ্দনা য়ানিংদবা উংতুনা মঙক হাইদুনা হায়রকই, "খুদোং চাব চাদবগী নত্তে হুজব, খুঙংগী মাইফনগীদক দরকারনি।"

জীবনন্দনা খণ্ডপ্রেক থংনা মোকথোক্লগা হায়রকই, "চায়রদি খুঙংগী অয-মন্ত্রগী খল্লুদ্রগসু মসিদি লৌবা য়ারে মহুদি, অদোম নশাগী অয-কত্তা থরমইথদি লৈরে। চাম্থোকপা ছত্রগী শক্তি ঐগী লৈবরা লৈতবরা ঐ খঙদে, অদুবু য়ানিংদবদি থোইদোকপা লৈতে। অদুবু করিগুম্বা ময়াল অমগমুক শিজিনবা য়াররোইদ্রা? হোৎনদুনা য়েংবিয়ু! থোইদোক্লদুম ঐথোয়গী একবডিবুসু য়াউহল্লু, হীরমদুদা মহাক থোইদোক্লা মমিং লৈবনি।"

ময়াম ছকই। হুজুরনা চাইহাক তুমিন্না লৈরগা হায়রকই, "মথোয়গী সতী ওইবগী রারী মরু ওইনা তত্তা কাররনি, কাওরক্লবনি,

মরম অদুনা মহু অমুক নৈনরুদুনা কাম্নদে। ভৈববীবু লৈয়বদি ভৈরব হেক্তা ফাওরকই, অদুগা ভৈরবীশিংস্থু ভৈরব য়াউদন হিংজবা ঙমদে, মসি য়াম্না লিরবা চৎনবীনি — মহু পাক হেক খিংবা য়ারোই। লৈবাক্কী ভক্তশিংগী কা,ল্লুপ্না শাউনরবগা য়াই, দেবী মশামকসু পেল্লমদবা য়াই — ইরাং হৌরকপা য়াই। মাওঙ্গিনী ভৈরবীগী ভৈরব মঙা ফাওবা লৈরম্মী, অদুগা মহুগী মমংদা কৈরম্বা অদুগীনা থুং থেকদুনা পাবা ঙমদে। কার হায়বগে শিরোমণি মহাশয়, আমামদি মাইকৈ 'সোমগী অহল ওইরবা মীশক্তি, পুম্নমক খঙবিরিবা নত্রা ?" রাহং অসিগী পাউথুম কনানা পীগনি, ময়াম বুদ্ধি ফকচিনবঙমজ্রে। জমিদারগী খোঞ্জেল চম্বা নত্রগা মরৌ লৈবরা ঙংলিবসি চুম্বা লানবরা, অশেংবরা করেম্নরিবরা, তৌশিন্নরিবরা চৈরিবরা কনানসু অশেংবা খঙবা ঙমদে।

মায়োক্লরিবা মাঙোল কোইরদুনা মশা নানবা ভদ্রলোক্কী ফিজেৎ শেংপা পাখং অমা চংলকই। মাগী মখুত্তা ইংরেজী বাংলাগী পাউ-চে থরা অমসুং মখুম য়াউদবা চিঠি থরা পায়রি। জীবানন্দনা মাবু উবদা হায়রকই, "করিনোনে প্রফুল্ল, মকম 'সিদসু ডাকঘর লৈব্রনে? হুঁ — করম্বা কালদা মথোয়শিংসি চৎখিগদগে ?"

প্রফুল্লনা মঙক নোমদুনা হায়রকই, "অচুম্বনি। চৎজ্রবদি দাদাগী খুদোং চাগনি। মহু নক্লবনিনা পুম্নমক অসি য়েংলবা মতম লৌখিগজ্রা ?"

জীবানন্দনা হায়রকই, "লৈতে, হোয়েনসু লৈরোই। অয়াম্বনা মপান্দগী থারকপা চাক্তা মাখি। মহুদি হীরালাল-মোহনলালগী দুকানগী শিল নমই। চিঠিসু মাগী উকিলগীরা নত্রগা কোর্টমকীরনে?

মথুমক্তু সোলোমোন সাহেবকী মাল্লি। ইবুংঙো, বিলাতি যু-নম চেম্নদগী কাওরকপগুম ৎৌই। করি হায়রকপগে সাহেবনা, ডিক্রী জারিগদৌরব্রা, জমিদারী অসি খো য চিংনরগনি — খঙহল্লক্লিবরা ?" আ. — মতমদুগী ব্রাহ্মণ্য-তেজ খজিঙং লেমহৌরম্লবদি ইহুদি মচাঙু টং পুমঙন ওনহল্লমগদবনি। য়ুগী শেন্দোল শিংদবা য়াগদবনি।"

প্রফুল্লনা লাংতক্লনা হায়রকই, "করিনো হায়বিরিবদুবু দাদা ? তোকপিরো, তোকপিরো, অতোপ্পা মতম অমদা অমুক খন্নর্বাসি।" অসি হায়রগা মহাক চংখিগদগী তৌবমক্তদা জীবানন্দনা নোকতুনা হায়রকই, "সিদা ঈকাইনিঙাই লৈবরা ইনাও, ময়াম অসি এরখোয়গী মী ওক্তাপ। মৈবু কিনা কুপতুনা কয়াবু কুইনা থম্বা য়াগদ্গে ভাই। লুপা! লুপা! অদুগী বাকং অদাগী বাকং কনাগী ডিক্রী অদুগা কনাগীনা কিস্তিদা খিগদবা থিদবা — তারিবরা তারাদাস, নুমিংতুদা নঙগী বাখল অরেম্বা ওইথি অদুবু নংবা কায়রুগদু ঠাকুর, ওইরাক্লবা অসিনা নঙগী অপাম্বদু থুংবদা থোইনা খিম্নগনি নংদে। প্রফুল্ল, শাউগদু ভাই, ঐগী মীনি হায়না খোপাচন্দবা কনাসু থোইনা লৈব্রে, অদুবু চাহ নিকু অাস ফাওবদা হেনরকপাস পাক থাদোক্পা ওমগনি হায়বদু থাজবা ওমদে মদুগী শরুকপুদি থোইদোক্লা নোট-সুং নম্বা ওম্বা কনাগুম্বা অমতং করিগুম্বা খিরকপা ওম্লদিনহৈ —"

প্রফুল্ল য়াম্না শাউত্তুনস্থ নোকখোবক্লে, হায়রকই, "ময়াম্না হুজুরগী বা ভাব তাবা ওাম্বরোই, অদুম্বনি খন্দুনা কারগুম্বা কনাগুম্বনা —"

জীবানন্দনা শককম হাঙক্লা হায়রকই, "করিগুম্বা কনাগুম্বনা খিত্না পুরক্লবদি ? মদুবু ওইরবাদ হিংলগদবনিনে প্রফুল্ল। রায় মহাশয়, অদোমাদ য়াম্না হৈংশংবা মান হায়না তাজে, অদোমগা খঙন চাম্নবা কনা —"

রায় মহাশয়না মাইথোং মকশিন্না হায়রকই, "মতম থেংজিল্লক্লে, করিগুম্বা য়াথং পীবিরবনি হৌজিক য়েংজগ্রগে।"

জীবানন্দনা চাইথেৎ বারোনা হায়রকই, "ফম্বিথো, ফম্বিথো, ভৈরবীগী রাক্ষমচু লোইশিনখিসি। অদুবু ঐনা চৎলো হায়রগা মহাক চৎখিগদ্রা ?"

রায় মহাশয়না ফমথদনা শম্না হায়রকই, "মচুগী থৌদাংদি ঐখোয়গীনি।"

জীবানন্দনা মুংশা মপী হোন্দোক্লগা হায়রকই, "মচু ওইরবদি শোইদ্রে হন্দক্তি মহাক লিংখম লৈররোই। অস্তুক য়াম্বা মীগী মুংশা মপী ভৈরবী মতোমদা নত্তে চণ্ডী-মাতা মশামক ফাওবা থাম্বা ডগ্লাই। মরামগী অমাং-অতোংদি ময়াম্না থগুবিরিনি, অদুবু ঐগী ফিভমদি অসি য়োরে মচুদি, শেলবু ফংলবদি য়ানিংদবা করিসু লৈতে। শিন্দোক-শিঙিন তৌবদা ঐ থয়া পামই। ফরবা রাক্ষ্মি, কনা লৈ, য়েংলুচো একবড়ি লৈরিব্রা চৎপ্ররব্রা? অদুবু চৎমসে কংখিবনা তশেংনা মরুভূমি ওইরে।"

মনাই অমনা চৎলক্লগা জমিদারগী সনা-খুত্তা অথনবা পাত্রচু লানশিল্লগা পাউ পীরকই, মহাক অফিসতা ফমচুনা হিসাব তৌরি। হুজুরনা কৌবদগী তাইহাক লৈরগা এককড়ি চৎলক্লগা তৌকম খঙদনা মচি অমদা চপ লেপ্লরে, জীবানন্দনা চরম কংবা ফহল্লগা হংলকই, "নহাক ভৈরবী কৌক হায়থিবচু কনাগুম্বনা মঙোন্দা পাউ পীক্লরব্রা ?"

এককড়িনা হায়রকই, "ঐ হশানা পীক্লকই।"

"মহাক লাক্লম্বরা ?"

"আজ্ঞা, লাক্কে।"

"লাকত্রিবা করিগীনো ?"

এককড়ি মাইথোং লুক্লপ্না লেপত্তুনা লৈ। জীবানন্দনা য়াম্না শওনিংনো হংলকই, "মহাক করম্না মতমদা লাকনি হায়রকপগে ?" এককড়িনা মক লুক্না শেংফাত্তবা খোঞ্জেলনা হংলকই, "অসুক যাম্না মীয়াম অসিগী মমাংদা রাফমচু হঙ্গংপা ঙমজরোই।"

জীবানন্দনা মখুত্তা পায়রিবা অহাংবা গিলাসতু থম্লগা শওগৈদনা খোঞ্জেল কম্না হায়রকই "এককড়ি, নঙগী লৈসি-লৈথোনবা রাওংচু খরা থাদোকউ। মহাক লাক্লরোই, মত্রা ?"

"অহোয।"

"করিগীনো ?"

হন্দক পাউখুম পীবদস্মু অতুম ওইনমক এককড়িনা মশাগী হৈনবী মওংচু পুমথা থদোক্ত, অদুবু ময়াম তানবা মওংদা মরেক শেংনা হায়রকই, "মহাক লাকপা ঙম্লোই হায়বসি মকমতুদা লেংন্না মী খুদিংমক তাখি। হায়রকই, "নখোয়গী হুজুরদা হায়রু এককড়ি, বিচার তৌননবা মবুদ্ধি-মরৌশিং লৈরবদি মশাগী প্রজাদা তৌজসন্থু। ঐগী বিচার তৌননবদি নিংথৌগী লোইশঙ লৈ।"

শওহৌদনা জমিদারগী ওসায়মখৈ অদুক মথুম-মরাং হৌরম্না অদুক চম্না, নোকপনা লংথংলম্না মাইথোং অদুগা মাগী ত্রো ত্রো লাউবা খোঞ্জেল মিংনা কুপ্পদা মুংখিবগুম মমক্লে। অইহাক লৈরগা ত্তপ্না ত্তপ্না অহুম্মদা হায়রকই, "হুঁ। করে নঙ চংপ্রো প্রফুল্ল, চিনিগী কোম্পানি অমনা বিঘা জিশিং অমগী হুম পাময় হায়রমায়, মখোয়না করিগুম্বা পাউখুমককা পীরবরা ?"

"পীখিত্রি আজ্ঞা।"

"অদু ওইরবদি মখোয়না লম কংগনি হায়না ইখ্রে। থিজরম্মু।"

"থিজজরোই, ইজগ্রগে।" অসি হায়রগা প্রফুল্ল এককড়িগা লোয়ননা চৎখ্রে। অমুক ওাইহাক্কী ওইনা য়ুম অদু ইচিক চিকখ্রে। শিরোমণিনা হৌগৎলগা আশীর্ব্বাদ তৌরগা হায়রকই, "ঐখোয় "ঙসি অদু ওইরবদি হঙ্গগ্রগে?"

"লেংবিরসি।"

রায় মহশয়না নকোক নোন্দুনা খুরুম্নগা হায়রকই "য়াথং ফংলবদি নোংমা অমুক দর্শন তৌজরগে?"

য়াম্না তপ্না তপ্না থোকখ্রে।

লখী কনা শানা চৎলবা ফাওবা কনান্থ কনাগা বারী শানদে। মমৈথংদ শিরোমণিনা লাংতক্লবা অমুক নমথবা ওয়্রকত্রুহুম্না রায় মহাশয়গী মনাক থরা নকশিল্লগা মুকুম মুকুম শোনহুনা হায়রকই, "জনার্দ্দন, জমিদারবু নহাক্কী করি ওইনা খনবগে টৌমাও?"

জনার্দ্দনা শয়া হায়রকই, "পুক্লিংদদি মগুল মগুল থল্লি।"

"মহাপাপিনি — ঈকাই-হঙ্গোইবা ওইগ্রে লৈতে।"

"লৈতে।"

"অদুমু মপুকতেলদি তশেংনা চমই। য়ু থকপনিদনা। ডারথনা, শেন্দোগা পুমহংতুনা মশম ফাওবা বন্ধক থনবনি, মহু কাওবা হায়দোকই।"

জনার্দ্দনা হায়রকই, "হুঁ।"

শিরোমণিনা হায়রকই, "কারিস্থ লৈহৌররোই, পুম্নমক অঙ্গারখার শারগনি, নখিং থিংনা ক্লেংজো।"

জনার্দ্দনা হায়রকই, "মহু শোইদনা ওইবা য়াই।"

"মতম শাংনা হিংবস্থ হিংলরোই "

"ওইবস্থ য়াই।"

ভাইহাক তুম্মিন্না লম্বী চৎলগা শিরোমণিনা অমুক হায়রকই, "ঐখোয়না খল্লবা অহুমক ভগেংনা পাংথোকপা ঙমগনি থাজদে—খোইদোক্লা অপঙ্ভাওমক্তি ওটগনি নিংদে। করি হায়বগে ?"

জনার্দ্দন্না অস্থন্নদা পাউথুম পীরকই, "অহোয় ।"

"অহুবু খোইদোক্লা মথোং ছুক্কবা মীনি। ঈকাই খুম্মিংঙাই ওইবা মীদা ঈকাই-খুন্নবা উৎপগী জ্ঞান লৈতে।"

জনার্দ্দন তুম্মিন্না লৈ।

পাউথুম ফংদ্রবস্থ শিরোমণিনা হায়রকই, "অহুবু উরেদনা ইনাও, মাগী য়াঙাং-শাঙাগী মৎং — তংথায় অমা অর্থ খঙবা ঙমদে। অচুম্বা ঙাংলিবরা ঙাংদবরা, ঐখোয়বু য়োং জগোই শাহল্লিবরা, কাবা যাম্না লুই। খঙবরনে গুন্নমক, করি হায়বগে ?

রায় মহাশয় অহুম ওইনমক মপুক্লিংগী করিগুম্বা মত অমত্তা কোংদোক্তে, তুম্মিন্না অহুম চৎলি। অহুবু ন্থম ময়া নকশিল্লক্লবদা শিরোমণিনা লাংতক্লবা অমুব ফাখবা ঙম্লকত্রে, তপ্না তপ্না হায়রকই, ইনাও খোইদোক্লা মাইখোং মকশিন্না ভই — খোইনা খুদোংচাবা কংজরোই হায়না ছুংশাথীরে, নত্রা ?"

রায় মহাশয়না হৈনিংত্রবস্থ লেপকক্ ক্তোবগা হায়রকই, "ইমাগী অপ্পাম্বনি।"

শিরোমণিন মঙক নোয়ক্লনা হায়রকই, "মহুদা অমুক করি হায় [illegible] অহুবু খোদোকসি খেচরি তাবে — মপাম চাকস্থ লাক মথা [illegible]চাকস্থ অদা, মহাক করি খরি ইনাও—মবল-মচুম লৈ—অহুবু

কৈ মকোন্দা লাং থাকপা চংবদা মৈমদা পিদনবা চেকশিনগনবনি।"

জনর্দ্দন্না খোঙ্গেপ যাক্লপ্না হায়রকই, "মাবু কিবিবনা ?"

শিরোমণিনা হায়রকই, "নত্তে নত্তে, কিম্বা নত্তে, অদুবু নহাকহ্ন মায়া পেম্না হল্লক্লিবনি, মতুদি নহাকী মাইথোং উবদা থাজবা ঙমদে। হুজুরদি ঈকাই খঙদবা সিপাইনি — বা ঙাংবদা মরৌ থাংবা অকগুম্না থবক্রস্থ অঙকপনি। মানা থম্নাং কাক্তোকতুনা মু ইনশিল্লক্লবসিহ্নম ঙক্লিবনি। এককড়িগী মচিন্দগী তৈরিবীনা ইচংখৌনা হায়রকপদুহ্ন তারেদনা। ঐমক্না শাজিনবা বা ঙাংনুরি — চুমদবনি। কনানা খঙগনি, এককড়িনা মন্নুংগী বা পুম্বা লোয়না হায়দোক্লমহ্ন য়াই। মাইকৈ অনিদগী চপশিকতুনা মথৈদা লাংদহুম থুরগদ্রা!"

জনাদ্দন্না নিংবা কায়বা খোঞ্জেলনা হায়রকই, "প্রমক চণ্ডীগী ইচ্ছানি। মতম খেংলে — হোরেল অমুক্তা লাকপিম্নু।"

"লাকপা হায়বদুনি।"

গলিগী খেচিনবদা ওইরোমদা উ-রাগী কারক্তা মন্দিরগী শরুক থম্না উবমক্তদা অহল ওইরবা শিরোমণিনা শেংফাম্বা খোঞ্জেলনা করি হায়নবো থুরুম্লিবা অদু তাবা কংদে। অদুগী তুংদা তম্না তম্না মখুনদা চংল্লে।

জবামরি

মতোপ অতোপ্পা নমদমগী মতৌগুম চণ্ডীগড়দহ্ন মুখিং লাকই হৌখি, মপানগী মিংচেংদা করিগুম্বা খোইদোক-হেন্দোকপা 'অমত্তা উদে। চেৎনীগী লেপা মহৌশাগুম চপ মানবা চংথখি, নিংথখি, পুজা তৌখি, বলি কংলি, থবক-থৌরম পুখিংকা হায়তুম চংথরি।

মরু ওইনা কদায়দসু অহোংবা লৈতে। মীরৈবাক মচানা খঙনিংঙাই মরম লৈতে মতুদি, মরক অসিনা মুশিং হোংঙে, নোংলৈ মুংশিংকী মতৌওম্না চঙৌগডগী নোংথক্তা অরোনবা পোৎলুম অমা লেংদনা য়ান্দুনা লৈবঙমই হায়বা। খুঙ্গংগী চয়বা লৌউ শিংউবশিংনসু অশেংনা অমেপ্পা থ্রমথৈ ফাওবদি থঙদবা নত্তে, অদুবু ষোড়শীগী মরমদা খুলগী মশক নাইবশিংনা থমিংবা থঞ্জসঙ্গু, লাইরু-অনংবশিং-নদি মহাকপু মগৌশাওম ভক্তি লৈনা লুনা শিংলি। এককড়ি মন্দীগী ওৎ-নৈবদগী নাম্পোক্লবা মতুতনা অমত্তা ঙাইরবা লগ্নীনি। শেল খজিক খরাক পুবা ফংদ্রবা মতম অহুদা ভৈরবীগী মনাক্তা চংলগা মখুৎ তিংথোকলুবদা মথোয়না চিংনবা লৈতে। মগাক য়ুম থাদোকতুনা লাকপগীদমক মথোয়না তশেং তশেংনমক থোইদোক্লা করিসু বাক্লবা লৈতে, মপা মচাগী পুকচেল তীনদবা নোংমা নক্লগা নোংমা ফখিগনি হায়বা মথোয়না খঙই। ষোড়শীগী কত্তবা মিংচৎকী বাফমতু ভাদবা নত্তে। মহুনি হায়দুনা অসুম্না শম্নোকপশি চুমদবনি, নত্রবদি ভৈরবীগী লমচৎ-শাজৎকীদমক কনাসু মকোক শ হুনবগী খজিক্লসু কাম্নবা নৈ থল্লোকদবনি — মহৌশাদগী থেংনরকপগী মতুংইক্তা মহুবু থোইদোক্লা বাবিসু নৈতনা লৌনৈ। অদুবু মতুনা মরম ওইদুনা মন্দিরগী মরমদা অচৌবা য়াথোক ওইরকনি খাজমরদে, খুলগী মচিল তোংবশিংনা জনার্দন ঠাকুরগা লোয়ননা অযুক খঙদে, হুমিদাং খঙদে হুজুরগী মনাক্তা চংথোক চংশিনবা তৌদুনা করিনো ওন্ন-তৈতনবা অমা থোকহন্নবা শিন্নি, অমসুং খকখঙদবী মুপীমচা অমা কদায়দগীনো পুরকতুনা থমি — অমুক্তা চিংনবগী লোংথোং মতি মফিরা অসুম অসুম কুমক্তে,

মতম অসিদা মিংগং মক্তুবদা কদায়দনো অতিয়াগী মচি অমদা অমঙ্গলগী লৈচিন লৈশিল্লক্কি অমসুং মহুনা লৈবাকী য়াইকবা ওইরোই হায়বা বাখল অসিনা ময়ামগী মরক্তা শাউবা অমদি ইরাং ছোৎনবী মতোঙম কাওরক্কি।

সুমিং অহুদা অষ্টমী তিথিগী (নিপালনি পাববা সুমিংকী) দময় মন্দিরদা মী ধবা হেন্না তীল্লি। দেবীগী মুর্তিদগী খোইনা লাপ্তনা মচি অমদা ফমহুনা ষোড়শী আরতি কংনবগী শিল-লাংলি, তারাদাস অমসুং সুশীমচা অহুগা লোমননা এককড়ি থুংলবে। ষোড়শী থবক তৌহুনা লৈ, হন্না কাওবা য়েংদে। এককড়িনা হায়রকই, "ইবেম্মা মঙলা, নহাকী চণ্ডীমাতাবু খুরমউ।"

পুজারী করিনো অমা তৌর, তৌফম থগুদনা হৌগৎলকই। ষোড়শীনা হন্না য়েংত্রবসু মহু উই। সুশীমচাহুনা খুরুমগা হৌগৎ-লকপমক্তদা পুজারীনা হায়রকই, "দেবীগী সন্ধ্যারতি দর্শন তৌগেরা সুশীমচা? অহু ওইরবদি দেবীগী থাবোমদা থান্নবা ফিদাসিদা কমলুচো।"

এককড়িনা ষোড়শীদা মিংচিনা মরৌ লৈনা য়েংলগা লোকহুনা হায়রকই, "মহাক মশাগী ফম্ফম মশানা থগুজগনি ঠাকুর, নহাক্তা তাক্কদবা নত্তে, অহুবু দেবীগী পোৎ-চৈ অবৈ-অবৈবহু য়েংজল্লুদনা।"

পুজারীনা ঈকাইরপ তৌনা হায়রকই, "করিগী য়েংলন্দনি, পুয়মক অময়ম ওইনা উংকনি। লিষ্টকা পোৎকা চপ চান্নরা লৈ, করিসু বাবিকক্কু। সুশীমচা, মাওকৈ অসোমদা উবিবা উপু অসিদা পুজারী পাত্র অহুগা শিথ্রইগী কাংশিনচিল্লো [illegible] গো লে শুনা লৈ, মচৌ মচৌবা থৌদোক-থাথোকদা [illegible] গা কুহুনা

চা নম্বিবা উগী উপু অসিদনা মখমলগী শামিয়ানা, ঝ লরনচিংবা য়াউবি, অদুগা অসিদনা গালিচা, দম্বুর, ফক অসিনচিংবা —"

একড়িনা হায়রকই, "অতৈদি —"

পূজারীনা হায়রকই, "অদুগা নোংপোকী ফক্লাংদা শো লোল্লিবা অসিনা য়োংকী উপুনি, মন্দিরগী ফক্লাংদা হুকচিন্দুনা শেম্বনি। মসিগী মনুংদা সনাগী লোহুপ, রামপুরগী মহারণীনা কংলকপা যোড়শীগী পরেং কীকগাগী জমিদারশিংনা পীরকপা সনাগী লৈ, লিক, মচুদা নত্তনা ভক্ত কয়ানা পীরকপা সনা লুপাগী লিক-কোলশিং, অদুদগী নত্তনা শেলথুম, দর্শিল মুংলল, সনা-লুপাগী থাংজেল — হায়রদি মমল য়ায়রবা পূমমক উপু অসিদা লৈ।"

একড়িনা হায়রকই, "ঐ অঙা, নাহ, ঠাকুর, পূমমক থজই, অদুবু পূমমক অদু নঙগী চিমবান্দদা লৈবা ওইরিনি উপু হাংদুনা য়েংবদা কবিবু য়াইরমগদগে? অসিদা মশাকশু কমদুনা লৈরি। শো লোরগা অমুক্তা হাংদোকতুনা য়েংশল্লুদনা? খুঙ্গাংশিংনা হায়জবদগী য়াবিদুনা হুজুরনা য়াথং কবি পীরমগে তাত্রিবরা? চৈত্র-সংক্রান্তিগী মমাংদা পূমমক চাশিনদুনা য়েংগদৌরিবনি।"

পূজারী তৌকম থজদবগী মতৌগুম তুম্মিন্না লৈ। মন্দিরদগী যোড়শীগী হক লৈরকত্রে হায়বা মরাক তারবনি অমসুং নন্দী মহাশয়না হায়রিবা য়াথং অদু ইন্দবদু খোইদোক্তা লুনা থোকই হায়বদু থজই, অদুবু মথোদা মপুক্লিং চেংলবা ভৈরবী খোইনা লাওনা কমদুনা এনাক্তোমেক্তা পূমমক তাকখদু তাশিনজি, মমাংদা চংলগা মতোঙা [illegible] খোনাদু [illegible] লৈতে। মহাক্তা কিনা

কিনা হায়রকই, "অদুবু মহাক্না হৌজিক হাংলিদনা নন্দী মহাশয়। লুমিংঙু তাশিল্লক্রে — ।"

তারাদাস অমুক কুইবসি বা হাংদে, অদুগা চিংনবা অমদি কিবগী মমি পূজারীদগী মাইদা-মিংতা তাই, নহু নত্তে। অপ্পা অপ্পা হায়রকই, "চাশিন-খোংচিন্নদুনা য়েংবদা মতম য়াম্মা চংগনি নন্দী মহাশয়, নোংমা অমুক থরা অমা লাকপিরগা থবক অদু লৌইশিনবিবা য়ারোঈদ্রা? করি হায়বিনিংলিবগে ?"

এককড়িনা বাখল তৌরগা হায়রকই, "ফরে, মহুক্না তৌবা ভারেদনা।" পূজারীদা হায়রকই, "অদুবু কাউরোইদবদি চক্রবর্ত্তী মহাশয়, লাক্লিবা থাংজ অসি সংক্রান্তিনি। পঞ্চায়েত নাটমন্দিরদা মপুংফানা ফমগনি। হুজুর মশামক লেংলকনি। অদুনা নিংখিনা শিল-লাংলমগদবনি। থাউমৈশিং অদুসু থাংগৎপা পায়ই।"

এককড়ি খোঞ্জেল থরা হৌনা হাংই, মরম অদুনা অয়াম্বনা লাংতক্লনা জুরিদা শুমাংদা পূনশিন পূনশিন্দুনা লৈ। মহাক্না মখোয়দুবু তাহন্নবা থরগসু হৌনা লাউদুনা পূজারীদা হায়রকই, "মুমিৎতুদা মী খোইনা য়াম্মা তীল্লোইদবা নত্তে — থরগদৌরিবা বাফমদু য়াম্মা অরুবনি।" মঙলা কৌবী মুপীমচাদুবু পুনা তৌদুনা হায়রকই, "কারনোনে মুপীমচা লাম্বী ভৈরবী। য়েং-খোংতুনা পুম্নমক চলাইবা ওমগনিদনা? অদুদি ঐখোয় হন্নসি, হুজুরনা হৌজিকপী য়েংশন্নবিরগনি তাকপিরে, নত্রবদি খৌদাং অসি পুবা অরায়বা ওইরোই। য়াম্মা হৈ-াশংদবা য়াদে।" হায়রগা খোড়শীবু ওনশিন্দুনা কল্লপা য়েংলকই, মহাক ঠাকুরগী হৈকক শেমদুনা [illegible] লৈ। তারাদাসতা য়েংলগা নোকদুনা হায়রকই, "করি হায়রবে

আজা-ইবুংগো, অনৌবা অভিষেকী পুংকম-কেতম লেপ্পরে হায়বা তাবিরম্বিনিনা ? মীমা ঐখোয়বু তশেংনা ওংলরবনি, ঈকজননবা চাননবা মতম ফাওবা পীনিংঙ্গে।"

পাউথুমদা তারাদাসনা শেংকোত্তবা খোজেলনা কবি হায়খিবগে থঙবা উমজ্রে। মখোয়না খোকখিবগা লোয়ননা মী কয়াম্থ তুং ইরখি, অদুবু চণ্ডীগী আরতি কংপা তাইদুনা লৈহৌরিবা মখোয় থরদুনা লাক্লকা ষোড়শীগী 'লুকথরিবা মাইথোংলোমদা তুমিন তুমিন য়েংনরি, মনাক্কা চংশিল্লগা রা অমা ফাওবা হংলুনবগী খোনা কনাগীস্থ লৈতে।

মতম চানা দেবীগী আরতি কংপা লোইরে। প্রসাদ পুদুনা মনুম মযুমদা হল্লক্লে, মন্দিরগী মীনাইশিংনা খোঙ লোনগদবগী লাক্লবা মতম অসিদা ষোড়শীনা পূজারীবু অচিকপদা কৌখোক্লগা হায়রকই, "চক্রবর্ত্তী মশাই, ঠাকুরগী সেবায়েত ঐরা, নত্রগা এককড়ি নন্দীরা ?"

চক্রবর্ত্তীনা ঈকাইনা হায়রকই, "নহাক্নিদনা ইবেম্মা, নহাক দেবীগী ভৈরবীনি।"

ষোড়শীনা হায়রকই, "অদুবু মহাকী ব্যবহারদা ওসি অতোপ্পা মওং অমা উই। ঐনা লৈরিবমখৈ মন্দির অসিগী মনুংদদি গোমস্তানগী ঐবুনা হেন্না ঈকাই-থুম্নগদবনি। চুমদব্রা ?

পূজারীনা হায়রকই, "মদুদা অমুক চিংনলিংতাই লৈব্রিরা ইবেম্মা ? অদুবু —"

ষোড়শীনা হায়রকই, "অদুবু হায়বসি মহাক্কা মতম থরদি থাদোকখিবা তাই।"

ঈংন্না তপ্পবা খোজেল অসি পূজারীনা মুন্না থম্ই , মহাক মরু লুক্না কৈন্ত্রে অমসুং যোড়শীনসু কন্নিসু অমুক হায়জে । মন্দিরগী খোঙ্গ শো লোল্লবদা মহাক শৌ চবুল অহু ফিজিদা ফিশিন্নগা চুম্মিন্না তপ্পা তপ্পঃ মপান্দা থোকখ্রে ।

মথংগী অয়ুক্তা ঈরুজবা কারকপদা লাম্লিকৈদগী নহাক্না উরে, মতম থম্লিবং অহূগী মসুংদা মাগী খাংপোক অহূগী ওমাংদা পুন্দুনা মী য়াম্না তীম্নই। নকশিন্নবপক্তদা মীয়ম্নহুনা লৈমায় শোক্না খুরুমজুনা খুয়া-উযুল লৌগদবগী অমুক্তদা খুং , কুনমচারোম তিং-খোবকপদা যোড়শীনা চুং হন্না হন্দোক্লগা মোকতুনা হায়রকই, "ইমা, উযুল অহূক য়াম্না খোঙদা পক্তে, ঐবু অমুক ঈরুজহন্দুনা হাংলঙ্, ঐ মন্দিরদা চংগদী মতম ওইরে। করি তৌরবাগ হায়মু ?"

মখোয় পুন্নবক অসি মহাকী প্রজা ওইরমাজে , মখুং লোক্নহুনা হাযরকই, "ইমা, ঐখোয় শিবা তারে। মাংবা তারে !"

মখোয়গী মাইথাং মকশিনবা অহূক তাইকেং তাই। কনা কনাগুবদি অহিং চুপ্পা মমিং কক্না অমতা উইশিনবা চম্নদবা য়াই। হন্নবা বিপিন মাইতিনা ফিতমদা অমদি চক্কিদা খাইদগী অহলনি , মত্তোন্দা য়েংজুনা যোড়শীনা হায়রকই, "হৌজিক খুদক্তা করি অমাং-অতা থোক্লবগে বিপিন ?"

বিপিন্না হায়রকই, "কনানো মাজ্রাজী সাহেব অমদা থাগী লৌবুক জমিদারগী মাইকৈদগী য়োঘোকখ্রে। ঐখোয়গী লৈজবা পুরবক। অহু ওইরবদি কনাসু হিংলরোই — চাবা কংদহুনা কাসং কংহুনা শিরগনি ইমা !"

বাকমসি অদুকী মতিক ওইখোক্তবনি মচুদি, ষোড়শীনা লোকখোক্লগা হায়রকই, "অদু ওইরবদি নখোয় কংছুনা শিবনা করে। চংলো, নয়ুমদা হল্লো, অয়ুক্তা ঐগী মতম অমুক মাংহল্লগু।"

অদুবু মহাক্না নোকপদা কনাস্থ য়াউবা ঙমদ্রে, ময়াম্না খোঞ্জেল অমত্তদা হায়রকই, "নত্তে ইমা, মসি অচুম্বনি।"

ষোড়শীনা থাজবা ঙমদে, হায়রকই, "নত্তেনে নত্তে, মসি কৈদৌঙৈদম্ম ওইখোকপা য়াবা নত্তে, মদু নখোয়বু লক্লিবা ওইদ্রিনি।"

থাজবা ঙমদবগী খোঙ্‌দোকপা মরম লৈ। লম পূম্নমক অদু মখোয়না মপা-মপু হাক্তকী দখল তোরকপনি, মচুদা লৈরবা লৌবুক পূম্নমক ওুগ্নগী বীজগ্রামদগী সম্পত্তি নত্তে। মদুগী শরুক কয়া ৺চণ্ডী মাতাগীনি, অদুগা হরনা রায় মহাশয়না লৈবনি। মরম অসিনা জীবানন্দ মতোমদনা কনা পামদুনম্ম মদুবু খুৎথাং চৎহনখিবদি ঙম্লোই। অহল ওইরবা বিপিন মাইতিনা থাদোক পূম্নমক তম্রকই মচুদি, অমাং কাছাড়ি অফিসতা ময়াম 'কৌখৎলগা নন্দী মহাশয় মশামক্না খঙ্‌হনবনি, মতমদুদা জনার্দনগা তারাদাসকম্ম লৈ, অদুগা দেবীগী নাইকৈদগী মহাকী মপা তারাদাসমক্না সহি তৌখি। মতম অসিদা মথৈ নাইদবা অশাউবা অমদি অঙকপনা ষোড়শী কনা কুইনা চপ য়ুনা লৈ। মমৈথংদা তপ্না তপ্না হায়রকই "অদু করিগুম্বা ওইরবদি কোর্টতা বাকৎলুচো।"

বিপিন্না উপায় লৈতবগী মওংদা মঙক হাইরদুনা হায়রকই, "এদুবু য়াত্ররে ইমা? নিংথৌগা থংনক্লবা চুমগদ্রা?"

ষোড়শীনা হায়রকই, "অদুনি হায়দুনবু অহল-অমন হাক্তকী দখল তৌবক্লিবা অদু নমিৎ উইথিন্দুনা থাদোক্লগদ্রা?"

বিশিন্না হায়রকই, "নহাক্না চানবিদুনা ঐখোয়বু কনবিয়ু, লাইরিক-অনৌবা ঐখোয়গী ইমানি নহাক্কি, নত্রবদি নুপী অঙাংশী মথুং শন্দুনা উথাদা লেপ্পা তারে। অহননি নহাক্কী নাক্না ঐখোয় পুন্নক চেঞ্জরক্লিবসি।"

ষোড়শীনা অময়ম ওইনা পুন্নক্কী মাইথোং য়েংলকই। মখোয় কনাম্বু করিম্ব ত্তৌবা হন্থগী মাতক লৈতে, অহুনা খুদোংথীবগী চং ফংলবা মতম অসিদা মখোয় ময়াম পুন্না অত্তোপ্পগী থৌজাল নিবা থোরক্লিবনি। নুবা নরবা উপায় লৈজদবশিং অহুগী মচিন্নগী থম্মোয় পুক্তমত্রবা ব্লাকং অদুনা মাগী থম্মোয় নুংঙা মৈ ছোমা চাকহল্লক্লে, চ য়ুরকই, "নখোয় অসুক য়াম্বা নুপা ময়াম্বা নশাবু কপ্পবা ঙম্মোই, অদুগা নুপী ঐনা নখোয়বু কনগদৌরিবা। শাউগঙ্গু বিপন, অহুবু হংবিরে, লম অসি নঙহুনা নয়ুমগী নুপীবু করিগুম্বা জমিদারবাবুনা অশুম্বা নন হাদুনা অত্তোপ্পা নুপা অমদা য়োম্থোকত্লে খল্লো, অদুগা নুপাদুনা দখল তৌবা লাক্লবদি কমি তৌগদগে নহাক্ক ?"

ষোড়শীগী অঙকপা প্রমাণ অসিদা অয়াম্বনা মচিন্না নোকফেং নোকফেং ত্তৌরকই, অদুবু হন্নুবগী মিংছগী মৈরি কাপথোরকপা উই। অদুম ওইনমক মশাবু ফাথজরগা অচম্বা থোক্লেলনা হায়রকই, "ইমা, ঐদি হন্নুরবনি, ঐগী ব্রাদ থম্বিথো, অদুবু ঐগী নুপী ইচা খাশং মন্তাগী মমানি, মখোয়না মতমদুদা জেলদা নচ্চে, কাংলিগী শাপাই ফাওবা কিবোই, বাফমসি ইমা-চৌ শন্না থাশকতুনা নহাক্কী নফমদা হায়রবা ওমগনি থঙহন্জবিরুসিনি"।

মহাক্না অমুক্কম্ব কদিলো হায়গে ত্তৌরকই, অদুবু ষোড়শীনা

খাৎলদুনা হায়রকই, "মদুনা অচুম্বা ওইরবদি বিনিম, মহাক্কী মচামুপা শাথং মঙা অহুমা হায়রু, ইপা-ইপু হাক্তক্তগী দখল তৌরক্লিবা লৌ-ইংখোল অহুম্ মখোয়গী মমা হমুখীদগী মরিব অমতা হন্থবা নত্তে, মখোয় অনি অসিনা চপ মান্নবা মখোয়বু য়োক্লক্লিবনি।"

হমুখনা থিংকুপ্তা হৌগৎতুনা চপ লেপ্লগা হায়রকই, "অচুম্বনি! অচুম্বা বানি ইমা। ঐখোয়গী ইমানি। হৌজিকমক চৎলগা ঐনা ইচাশিংদা হাকম অসি খঙহন্লুগনি, অদুবু নহাক্কা ঐখোয়গী সহায় ওইবিয়ু।"

ষোডশীনা মথক নোমদুনা হায়রকই, "ঐদা কবিশীনো, ইমা চণ্ডীনা নখোয়গী সহায় ওইবিগনি, অদুবু ঐগী পূজাগী মতম থেম্বিগদৌরে, ঐ চৎলে।" হায়রমল্লগা মহাক থুনা য়াংনা চৎখিদুনা মাপী থাংশোক মন্দুংদা চংখ্রে। অদুবু বিপিনগী খোজেল মহাক্কা মরেক শেংনা তারকই। মহাক্কা মযামদা কৌদুনা হায়রি, "নখোয় মরামদু তারেদনা, গর্ভ পুদুনা পোকশিবদনা ইমা নত্তে, য়োকপিরিবী মহাকসু ইমানি। ওইনিংবা ওইরকসনু, য়ুমগী ইমাবু ঐখোয়না কনিতম্বা মথংদসু মীগী মখুংতা থাহল্লোই।"

অবামথা

লমতাগী সংক্রান্তি লকশিনক্লে। চড়ক অমসুং গাজনগী উৎসবকী ঐরাংদা লমদম অদুগী লৌ-উবশিংদি খোইদোক্না অক্লাৎহৎ-তবরে — অমুক চাউবা পর্বদিন মখোয়গী অমমুক শৈরে। খা অমা চুমা সন্ন্যাসকী ব্রত তৌরক্লবা মুপা-মুপীশিং মখোয় অদুনা লৈংথি-ঙীরিবা গেরুয়া কিজোলনা অতিয়া শিমা থুমু খণ্ডকয়রে।

লম্বীদা 'শিব-শম্ভু' শোনবগী কেঙ্গা লৈতে, চণ্ডীগী খোঙ্গান্দা মখোয়না হকং-হন্দা চংপগী পেখাবা নাইদে — শিব মন্দিরগী অকোয়বদা মশীং থিঙমন্ত্রবা মনাইশিংনা কুক কুক ইয়রি। পূজা কংনবা, কুমৈ য়োমবা পোং য়োঙ্খোক-য়োনশিন তৌনবা যাত্রিক লাকপা হৌরে — উবদা পুক্নিংদা খল্লি, চণ্ডীগড়গী ওমথৈ অমদগীনা ওমথৈ অমা কাওবা অচৌবা উৎসবকী পাউজেলনা ইয়াং হৌরকদবা কুইরবোই।

ষোড়শী মখরায় হুংচাইত্তবা খাদোকতুনা মহৌশাগুম হন্দকমু থবক্তা মপুক্নিং থিংজিনরে — মাইক পূজমক্তা য়েংশিনবা হোৎনবদা অয়ুকপী হুমিদাং কাওবা মহাক মন্দিরদগী থুবৈ অমা নাক্তোক্কবা উপায় লৈরে। হুংখিনদা মন্দিরগী মাঙ্গোন্দা ফমদুনা মপুক্নিং চংনা হিসাবকী খাতাদা জমাগা খরচকা চাশিনরি, মওং করাগ রাহৈগী ঈথক্তা মৈরবমু মহৌশানা হৈনবক্রবগুম মাগী নাকোংদা চংলে, অসিগুম্বা মতম অসিদা ইথত খত্তৌদনা নিয়ন্ত্রু হেক খ লেপ লেপহনখিবা অমনা মাগী খাম্বায়দা বুররে। মমাই নোনখংতুনা য়েংবদা জীবানন্দ মশামকপু উরে। মহাকী য়েক্তা, ওইদা, তুংদা শক খত্তবা খত্তদবা ভদ্রলোক কয়া লেপ্লি। রায় মহাশয়, শিরোমণি ঠাকুর, তারাদাস, এককড়ি অমসুং থুঙ্গংগী অতৈ কয়াসু মাঙ্গান্দা লৈরম্মী। অহুপা হুপা অহুম-মরিদি মহাক্তা মশক খত্তদে, অহুবু কিজেং-চাকচা উবদি মখোয় অমি কলকাতাদগী বাবুগা লোয়নরকপা, ওইরবগনি থিংই। থুজংগী অশেংবা প্রকাশং কংনবা অমসুং প্রকৃতিগী ককবা য়েংবা লাকপা ওইরবা মাই। ভোজপুরী দোলাইদবেং হুপা 'মথি মাটেমি। ষোড়শীনা থিংদুনা লৈখোনকতুনা অমুক মাগী খাতাগী লায়রিক্কী থংদে, অহুবু মপুক্নিং চংবদি ওমদে। জীবানন্দ করিওদগী

মকম অসিদা লাকখিদ্রি, মহাক্না লাংডক্রনা কোইরেং কোইরেং য়েংলকই, শিরোমণি মহাশয়না মকম অসিদা লৈরিবা মোইরোকপা পুম্নমক অদুগী ইতিহাস, মদুগী হায়নবা বা পুম্নমক অনৌবা জমিদার কচদা তম্লদুনা চংমিন্নি। মতৌ অসুম্না পুংথায় অমরোম চংলুরগা কাবু অদু মথক অমদা মন্দিরগী থোঙদা থংলরে অদুগা মিনিট অনিরোমগী মতুংদা পূজারীনা লাক্লগা ষোড়শীদা হায়রকই, "ইবেম্মা, বাবুনা নহাকপু অমুক্তা লাকপিয়ু হায়রকই।"

ষোড়শীনা মম ই লোনখৎতুনা ছাইহাক খল্লগা হায়রকই, "করে চৎসি, চৎলো।" হায়রগা মহাক পূজারীগী মতুং ইন্দুনা জমিদারগী মাংদা লেপ্লরে। জীবানন্দনা মিনিট মচা-তরুক মহাকী থোঙদগী তোন কাওবা হয়া হয়া য়েংলগা মরৈখংদা তপ্না তপ্না হায়রকই, "মরায়া হায়জরকপদগী নহাকী মখিদা ঐনা হুকুম কবি থোকপ্রবগে তারবরা?"

ষোড়শীনা মথক হাইদুনা হায়রকই, "তাদে।"

জীবানন্দনা হায়রকই, "মহাকপু বিদায় পীরে, অদুগা আদগী অপিকপা ছুপীমচা অসিবু নৌনা ভৈরবী হাপতুনা মন্দির য়েংশিন-থোংচিন্নবগী থৌদাং শিন্নরে। অভিষেকী চুমিং লেপখ্রি, অদুবু থুনা লেপ্নগনি, হয়েং অমুক রায় মহাশয়নচিবা মুয়াম লাকনি। মখোয়গী মকমদা দেবীগী লৈরিবা সম্পত্তি পুম্নমক খজল্লগা ঐগী গোলস্তাগী মথুক্তা উপুগী শো শিন্নগদবনি। অসিদা মহাকী কবিওবা খবা হায়নিংবা লৈবরা?"

ষোড়শীনা হায়দগী মখাবু কাখজরবনি, অদুনা মাগী থোক্লেম্না

করিগুম্বা ফিজংগা অমত্তা উত্তে, ইচম চম্বা ষোড়শীনা হায়রকই, "ঐনা বা তাংবগী অদোমগী কায়গদবা লৈবিবরা ?"

জীবানন্দনা হায়রকই, "লৈতে। অহুদা, হংচিং সম্ব্যা মহুৎদা মকম অসিদা সভা কৌগনি, হায়নিংবা লৈরবদি ময়াম মমাংদা নহাক্কী বা থওবয়বা য়াগনি। খুংগাইবা বানি, নহাক্কা কনানমক্কো ঐগী মায়োক্তা ঐগী প্রজাশিংবু ইরাং হোৎনগদৌরি হায়না তাবিবসি ?"

ষোড়শীনা হায়রকই, "মহু থওজদে। অদুবু ঐগী প্রজাশিংদা অদোমা ওৎপদগীদি বয়নবা হোৎনৈ।"

জীবানন্দনা মথদাং চিকতুনা হায়রকই, "ওমগত্রা ?"

ষোড়শীনা হায়রকই, "ওম্বা ওমদবদি চণ্ডীগী মখুত্তনি।"

জীবানন্দনা হায়রকই, "মখোয় শিত্থনা তোক্কনি।"

ষোড়শীনা হায়রকই, "মীওইবা অমর নত্তে মখোয় থওই।"

শাউবা অমম্থং ঈকাইবনা ময়াম অহু মমাই-মমিং তাংলক্লে। এককডিদি অসিগুম্বা ভাব উৎলকই মহুদি, মহাক্কা য়াম্না রানা মশাবু ফাওজহনা থম্মিবগুম।

জীবানন্দনা মিংকুপ অমা চপ যুংনা লৈরগা হায়রকই, "মহাক নশাগী প্রজা অমত্তা লৈতে। মখোয়দা প্রজা ওইরিবা মপু মশাবক অহনা সহি তৌগ্রবনি। অহনা কনানহু করিম্থু তৌবা ওয়েদোই।"

ষোড়শীনা মমাই নোনথংলগা হায়রকই, "অদোমগী অতৈ হুকুম অমুক লৈদ্রিবরা ?"

জীবানন্দনা শাউনিংবা কাথরগা হায়রকই, "লৈত্রে, অতৈ করিম্থু লৈতে।"

ষোডশীনা হায়রকই, "অহু ওইরবদি চানবিহুনা হৌজিক ঐগী বা তাবিয়ু।"

"হায়য়ু!"

ষোডশীনা হায়রকই, "হয়েং দেবীগী পোং-চৈ শিন্নবা ঐগী মতম কংলোই, অহুগা হংচিং মন্দিরগী মফম কদায়দসু সভা-সমিতি তৌকন লৈরোই। পুম্নমক অসি হৌজিক তোকপিথো।"

শিরোমণি রাখা খাংলক্লিবনি, অমুক চক্রকত্রে। খঙহৌরনা লাউ-খোংহুনা হায়রকই, "কৈদৌনুংদসু য়ারোই, শুপন্না য়ারোই।" অহুগুম্বা চালাক ঐঙোন্দা চংলোই হায়রিবাসিনি —"

অহুগা তপ্নগী জীবানন্দ নত্তনা ময়ামসু পুম্নিন নিম্নরকই।

জনার্দ্দন রায় অপুক কুইবসি বা তাংলকে, চরাংনবা লেপ্পবদা খঙহৌদনা হায়রকই, নহাক্কী মতম অহুগা মন্দির মরুংদা মফম লৈরোইদৌরিবদি করিগীনো হায়য়ুদনা ঠৌবাগী ?"

মসিগী অরোইবা বাহৈসি করেম্নবনি খঙলবসু ষোড়শীনা চম্না নোম্নুকপা খোঞ্জেলনা হায়রকই, "রায় মহাশয়সু খঙ্গিরিবহুনি, হৌজিকং গাজনগী মতম অসি যাত্রিক য়াম্না তাম্নি, সন্ন্যাসী য়াম্না লাকই, ঐগীবু মতম পংলিত্রা, অহুগা মখোয় কদায়দা থৈদোকলুগনি।"

তশেংনমক মহুনি। অহুগা হায়জবা অসিদা মরম চাদবা কুরিগুম্ব য়াওদে, জিবানন্দদি মহু খঙলব্বা য়াই, অহুবু ময়াম হোৎহুনা লাক্লবিনিনা মরম-মচাশিংহুদি খোঞ্জেল তপ্না করেম্নরিবনি বাহুনা লৌহুনা তশেংনা শাউনরক্লে। জনার্দ্দন রায়না মশাবু কাউখোক্তবগুম্ব লাউহুনা হায়রকই, "মফম লৈগদবনি। ঐনা হায়রিবসিনি মফম

লৈগদবনি। ঐনা হায়রিবসিনি মকম লৈতবা য়ারোই।" অদুগা ময়াম মরক্তগী মুপা অমনা খোনচোপ ক্লাওবা শিজিন্নরক্লে

রাদ্ধ ষোড়শীগী নাকোং য়েংত্রে, অদুগা মাইথোংগী শকওং হোংখিবগা লোয়ন-লোয়ননা থোইদোক্না কনশিনদ্রে অমসুং চৌং-লেমদ্রে। মিংকুপমুক তুমিন লৈরগা জীবানন্দদা থোইদোক্না অপাননা হায়রকই, "খংনবা ঐ ক্রঙ্গাইজে। অদুদি ওইরগা পুন্নমক অদু ভৌননবগী খুদোং হৌজিক চাংখিরোই, রাফম অসি অদোমগা লোয়নবিরক্লিবশিংদা খঙননবা তাকপিয়ু। ঐগী মতম য়াম্না তেল্লি, ময়াদগী থবক লোইরিংদি ঐ চৎচরগে।"

মাইথোং অসি, খোঞ্জেল অসি, শুপথৌ থৌওইদবা অসিনা খঙহৌদনা জীবানন্দদা শাথীনা য়ুররে, অদুগা মহাক মশাগী খোঞ্জেলদু কম্না-কক্কুমরক্লে, হায়রকই, "অদুবু ঐনা হুকুম পীরম্লিবসিনি, হয়েংমক পুন্নমকসি ওইগদবনি, অদুগা ওইবসু পাম্মী।"

"নমদুনা?"

"হোয়, নমদুনা।"

"খুদোং চাবা চাদবা ফনা লৈরবসু?"

"খুদোং চাবা চাদবা ফনসু লৈসনু।"

ষোড়শীনা অমুক করিসু য়েংলুদ্রে। মতুং হন্না য়েংলগা মীরক্তা মুপা অমদা মখুংনা ইঙ্গিত তৌদুনা কৌরগা হায়রকই, "সাগর, মখোয়গী পুন্নমক ঠিক-ঠাক্না লৈরিদনা?"

সাগরনা নোল্লুক্না হায়রকই, "লৈ ইমা, নহাক্কী আশীর্ব্বাদনা অয়াংপা করিসু লৈতে।"

ষোড়শীনা হায়রকই, "করে, জমিদারগী মীনা ইর ং হৌহনবা পাম্নি, অদুবু ঐদি পামদে। গাঞ্জনগী মতম অসিদা ইমুং নাইদুং

তানবা ঐগী অপাম্বা নাক, অদুগ দরকার ওইরবদি তৌবা ফাই। মখোয় অসিগী মশক নখোয় খঙজিলগনি, মখোয় কনাসু ঐগী মন্দিরগী সীমানাদা লানশিলকপা ঙমদনবা। পাক তেক ফুরুন্নু—মঙক লাকতুনা ইস্পাকপদমক ইম্বোকউ।" অসি হায়রম্লগা হল্লা য়েংলমদনা থোঙথাং তম্না মাঙ্গোলদগী চংখ্রে। ষোড়শীবু চহি কয়া চুপ্পা ময়াম্না উরক্লবনি মহাক্কী খঙদ-উদবা করিগুম্বা থরা লৈরমখিগনি হায়বা কনানসু খল্লুদে। অদুবু মহাক্কী লোনচৎ শাজংতা উরিবা অচম্বা নত্তবা মাইকৈ অসিগী পরিচয় অহানবা ওইনা ফংবদা হজুরকীনা পিযন কাওদা নুংগী মূর্ত্তিগুম চপ যুংনা লৈম্লে।

তবাতরুক

লমতাগী সংক্রান্তি উপদ্রব যাউদনা লেনখ্রে—শিব শম্ভুগী গাজন-উৎসবতা কদায়দসু থাজক্তা অপনবা থোকখিদে। দর্শন লাকপশিং ময়ুমদা হল্লখ্রে, দুকান্দারশিং দুকান শিদোকপদা মপুক্কিং চংখ্রে অখাপোং চেপা তাউবগী মনম শাম্লক্লে, অমসুং গেরুয়া শেংপাশিং লাউ-খোংবা তোকতুনা ময়ুমগী থবক্তা মপুক্কিং চংবনা চুম্মী থম্লখ্রে। মহৌশাগী হৈনরবা থোঞ্জেলদা মাইকৈ মরিমক্ত' অর-ফুংঙাইবগী মশক খঙলবা ঈচেল অমুক মন্না উবে শুপ্পগী চণ্ডীগড়গী ভৈরবীগী হকচাংদদি কয়ি লায়নানো অমা চংখ্রে, মহাক্কী মশক অদু অমুক হনজিল্লকত্রে—মওং অমগী অকিবা অমনা মহাক অহিং শুংথিল চুপ্পা ইথক থকৎতুনা লৈ। উৎসবকী হুমিং থরনি অদু অপনবা থোক্তনা লেনগনি হায়বা ষোড়শীনা

খাজরশ্মী, মরমদি লাইবু শাউগন্নবগী দায়িত্ব কোক নোম্না লৌবা ওম্বা কনাগুম্বা লৈরম্লবস্থু জনার্দ্দন্দি ওমোই হাযবা মহাক ভশেংনা থগুই। অদুবু হন্দক্তি ?

অদু ওইরবস্থ মুম্মিং কয়া অশম্বা মনা ননিন নাইদনা হৌত্রি মতুদি, অমুক ইরাং লৈত্রবগুম, পূর্নক যানগ্ররবগুম। অদুবু ভশেং ভশেংনমক য়ানবা করিস্থ লৈতে, উদনা লোম্না অকনবা করিগুম্বা থরা মশা কন্দোরক্রি, চিংনবা আস গুপগী ষোড়শীদা নত্তে, অয়াম্বগী থম্মোয়দস্থনি। রা থোক্লিবা লৌবুক অদুগী লৌ-উবশিংদা ঙসি পাউ থাখি। রাকমদি, মখোয় সন্ধ্যারতি মতুংদা মন্দিরগী ওমাংদা ভৌরগদবনি, অদুবু আরতি লোইত্রে, অহিং পুং নিপাল লাম্থোক-থিদুনা মাপল ভারে, অদুগা মাপল হৌখিদুনা তরা তাশিল্লক্ল, অদুবু কনাস্থ উদে। থুরুম্বা নিঙগী লাকপশিংদু প্রসাদ পুদুনা মহৈ মহৈ চংনল্লে, অমসুং মন্দিরগী মীনাইনা থোও লোল্লগে হায়জক্লে। অমুক ওাইরুবগী কাম্নবা লৈত্রে, অদুগা কবিগুম্বা অমা থোক্লম্বা য়াই হায়বস্থু কাউদে, অদুবু অশেংবা অদু খঙবা ওমত্রদুনা ম॰ ক থ ॰দোক্ল মপুক্ল॰ ওযা॰-ভশোযরক্লে। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা ভপ্না ভপ্না সাগর লাকতুনা থুংলরে। মহাকপু মতোমদা উবদ। পাখংতুনা ষোড়শীনা হংলকই, "অমুক থেংলক্লিবদি কৈদৌরে সাগর? অদুবু অতৈদি কনামত্তা লাকত্রব্রা? অদুদি মখোয় পাউ ফংত্রব্রা ইবুংঙো?"

সাগরনা হায়রকই, "করিগী ফংদনি। ঐ ইশানক মখোয়গী য়ুমথোঙ থুদিং চংলগ নহাক্তা অপাম্বা থঙজল্লুরবনি।

ষোড়শীনা চিংনরদুনা হায়রকই, "অদুদি?"

সাগরনা হায়রকই, "ওসিদি কনাগুম্ মতম অমুক কাইগোকতুনা লাকপা ওয়ত্রমাল্লে। হুজুরগী কাছারিদা পঞ্চায়েত কম্মী, মহু হৌজিক্তা কায়নরি। পঞ্চু, অনাথ রামময়, নবকুমার, অক্ষয় মাইতি, অহুগা ঐখোয়গী হন্নবা খুড়া বিপিন কাওবা মচা পাখংশিংগা লোয়ননা — কনাগুম্ চিংথত্রে ইমা, ঐ হৈজাং পাম্বী অমদা কাথংলগা নৈগল লানশিন্দুনা চংলুই।"

ষোড়শীনা হায়রকই, "মহু চুমদবনি সাগর, কানগুম্বনা উত্রবদি — "

সাগরনা নোকতুনা হায়রকই, "ইতোএদা চত্তে ইমা, মাগা লোয়নৈ।" হায়রগা মহাক্না মখুৎ ওইনা পায়রিবা অশাংবা রাকক অহু হরাওবগা লোয়ননা তৌফম থত্তদনা মখুৎ য়েংতা শিল্লকই।

ষোড়শীনা হায়রকই, অদুবু, "মকম অসিদা কমগনি হায়বদায়নে?"

সাগরনা হায়রকই, "হুজুরগী মীশিংনস্মু প্যায়রহনি অদুবু খুদংগী মীওই কনানস্মু য়াদ্রে। মখোয়দি মাইকৈ সোমগী মীনি — ঐখোয়গী খুড়া ইপা-ইচাবু থত্তলম্বা য়াই।"

ষোড়শীনা ঙাইহাক তুমিন নৈরগা হায়রকই, "লম্ভাদা করি লেপ্পখিবগে?"

সাগরনা হায়রকই, "মহু অকবা ঙাক্তনি। নৈবাকপোকপদা হুদীমচা অহুগী অভিষেক শোইশিল্লগনি। নহাক্তীম্ থম্মুনিংঙাই লৈত্রে — কাদীদা বাস তৌনবা হায়জনবদি শেল থম্বা যংগনি।"

ষোড়শীনা হায়রকই, "হায়জগদোবিবদি কনাগী মফমদা না?"

সাগরনা হায়রকই, "হুজুরগী মকমদা ওইগত্রা থজি।"

ষোড়শীনা হায়রকই, "অদুগা ময়ামশীদি ? লৈ-ইংখোল পুম্নমক চংশ্রবা মখোয়গীদি ?"

সাগরনা হায়রকই, "কিক্রুনিংঙাই লৈতে ইমা, মহৌশাদগী ওইরক্লিবা অদুদগী মখোয় নাম্থোক্লরোই। প্রজাদগী লুপা লিশিং মঙা খোমগংখিবা হুমিং অদুগী প্রজাশিংগী বন্ধকী চেরাম রায় মহাশয়গী উপ্পুদা নম্তুনা কদায়দসু লৈফম ফংখিদে, অদু নংলমখ্রবদি মচাক্লা হুকুম তৌফাংত্রিঙৈদা মযাম পুন্দুনা ঙসি কৈদৌনা চংলুনি।"

ষোড়শী ঙাইহাক্তং তুমিন্না লৈ। অদুগী তুংদা হায়রকই, "অদুগা নখোয়দি ?"

সাগরনা হায়রকই, "ঐখোয়গী খুড়া ইপা-ইচাশিংনা ?" নোকফেং তৌরগা হায়রকই, "মদুগী ফিভমসু মহাক্না শিল্লে, হুমিং ওয়েংনিঙ্গংনিসি তুমিন্না ফমদুনা লৈখোকপা নত্তে। অচংবা মীনি, দারোগা-পুলিশ খুবাম-হুম্নো লৈ, য়ুথক তরাগী মনুংদা কদায়দনো লুট চংশদবা কুইরক্লোই। খঙবিরিবদুনি ইমা, চহি অনি নিয়াদ অমুক তাক্লে, হন্দক্তি চহি তরাগী ওইনা থক্লু নংঙাই শুপ্লে লৈরারোই, খুড়াগী গঙ্গা প্রাপ্তি মদুগী মতুংদা ওইরগনি, অদুবু ঐদি হৌজিকসু নহা ওইবি, ইরৈবাকী মশক অমুক উবা ফংবসু য়াই।" হায়রগা মহাক নোকই।

ষোড়শীনা কিরকতুনা হায়রকই "অদুবু অচুম্বনি হায়না খনবরা ?"

সাগরনা হায়রকই, "মখোয়গী ফিভম ঐখোয়দগীসু হেন্না ফত্তে। জেল মনুংদদি শীজৈ অমবু ওইরবসু চবা অনি চাবা ফংগনি, মখোয়দি মদুসু ফংলোই। কেশশিংদু ডিক্রী জারিরকপা

কুইররোই, মহুগী মতুংদা রায় মহাশয়গী থবক শুহুনা চখোম অনিদ চাবা কংলগা ফংলে, নত্রগনা ঐখোয়গী চা বাগানদি লৈরিদনʼ। করি হায়বগে ইমা, নহাক্পু নিংশিংবিদ্রব্রা, উমংগী অতোংব অসিদা ঐখোয়গুম্বʼ লৌ-উবা বাউরিগী থুল লৈরম্মী, অহুবু ঙসি মখোয় কদায়দা চংলে ? কয়ানা কোয়লা তৌবা চংলে, কয়ানা, চা-বাগান্দা চালান তৌরে। অহুবু ঐনা অচাং ওইরিবৈদা উহৌই, মখোয়গী লৌ-ইংখোল, পোৎপু-লাঙ্গোল। ফৌ থরা থরদি মখোয় হু প্ররম্মী। ঙাস মহুক্কী তংথায অমা এককড়ি নন্দীগী অহুগা তংথাব অমনা রায় মহশায়গী ওইরে।”

ষোড়শী নুংবন্‌না লেপ্তুনা বাফম পূম্নমকতুগী নহুং হুনজিনবহু লৌশিল্লি। হুমিং অহুদা মখোয়না কাংলুপ ওইনা মঙোন্দা চ জফম লৌবা লাকখিবা মখোয় অহুনা ঙসি মাগী ফিভম হাইথরে হায়রুমা অকনবগী মিংকী ইঙ্গিত্তা মহাকমক্কী মাইযোক্তা বা তাম্নবা পুনখি — হুমিং অহুগী মখোয়গী বাশক কদায়দা তাউখোগ্রবগে ? অকনবা, ঈনাকথুনবʼ, ধর্ম্ম চেন্দবনা ওং-নৈবদগী নাম্থোক্লবা লম্বী অমত্তা অশোনবগী লৈতে। কদায়দসু মসিগী রাকংফম লৈতে, ঈশ্বরনা তাবিদে, সংসারদা মতম খুদিংমক্তা অস্নম্না অস্নম চংনরক্লি। ঙসি মী অস্নুক য়াম্না চংতুনা অকনবগী থুয়াথাদা মখোয়গী অফ-কত্তা থস্তমবা শক্তি, ধর্ম্ম, মীওইবগী লোনচং পূম্নক লৈদোক্রম্নগা করিগুম্বা মওং অমদা মথরায় হিংহুমা লৈনমবা আশা অসিমতং পুহুনা মমুমদা হমরকই, মসিগী ঈকাইবা, মসিগী তোহুবা, মসিগী মৈচাক ফনসু কনসমু, মিংমা উবা ফংলিবা অসিমথৈ, লাইর-অনংবশিংনা লৌশিং থরসি নত্তনা পৃথিবীদা অতৈ অমমুক্কু উথিদ্রে।

অসুক থাম্বা মীয়াম্বু অসুম্না মী ওইহন্রিবা চুমদবা অসিবু চৈরক পীননবা শক্তি অসুক চাওবা জগৎ অসিদা আইন লৈরিব্রা? ছুমিং অহুদা নৈহৎপিরবশিংগী মাইকৈদা লেপখিবা সাগর সর্দার মহাক্না অপোনবগী অসুক চাউরবা চাউখোকচবগী লিশিং লিশিং হেন্না চাউবা চৈ থাংগৎলি — থিংনমবা করিগুম্বা লম্বী অমা লৈতে। খঙহৌদনা হংলকই, "ফরে সাগর, পুম্নমক অসি নঙ কনাগী মচিন্দগী তারকপগে?"

সাগরনা হায়রকই, "হুজুরমক্কী মচিন্দগী।"

"অহু ওইরবদি পুম্নমক অসি মহাকমক্কী খোরাংলা?"

সাগরনা থল্লগা হায়রকই, "কনানা খঙগনি ইমা, অহুবু রায় মহাশয়সু য়াওরমগত্রা চিংনৈ।"

ষোড়শীনা মিংকুপ অমা চপ যুংনা লৈবগা হায়রকই, "ফরে সাগর, জমিদারনা ঐঙোন্দা ওংলত্রিবা করিগীনো, নঙ হায়বা ঙময়া? ঐদি অহোবা থাংপোক্তা ইতোমদা লৈ, পাম্নবদি ওংলবা ঙম্মোইত্রনে?"

সাগর নোক্লকই, হায়রকই, "মহাক নতোমদা লৈ, কনানা নঙোন্দা হাযবগে ইমা? ইমা ঐখোয় ইশানা ইশাগী পরিচয় পীবা পামজদে, গুরুনা যাদে।" হায়না হায়না খঙহৌদনা মহাকী কল্লবা মখুৎ য়েংকী খুৎশা মঙানা চৈহু ক্রক ক্রক লাকশিল্লকই, হায়রকই, "চণ্ডীগী মন্দিরদা সভা কম্বা কিহুনা, ঙসি এককড়িগী কাছারিদা অফিসতা ফমগ্রিবা মহাক অহুবু কিবদগী নহাকী সীমানাদা লানশিল্লকপা ঙমদরম্নি। হরিহর সর্দারগী মরাক্তী মচা সাগরবু যুথক তরা রুন ফাওবগী মীনা থঙই, নঙোন্দা ওংলগদবা মীশক্তি ইমা, খুজং য়াথেংদা খিবদা কংলোই।"

ষোডশীগী মিৎ অনি খুদক্তা মৈ হৌরকই, হায়রকই, "মসি অচুম্বরা ?"

সাগরনা মগুক নোয়মহুনা থুদক্তা মহাক্কী মথুংতা পায়রিবা চৈহ্ ষোডশীগী মখোঙ ময়াদা থম্লগা হায়রকই, "করবনি ইমা, আশীর্বাদ তৌবিয়ু, ঐনা হায়জরিবসি মীনম্বা ওইদনবা ।"

ষোডশীগী মিৎয়েং অমুক্তং থরা ঈংথরুরগা অমুক হায়গুম হৈম হৌরকই, হায়রকই, "করে, সাগর, ঐদি নখোয় নথবায় পাম্মুদে হায়না তায়, চুম্বরা ?"

সাগরনা নোকতুনা হায়রকই, "লাম্না তায় হায়বদি ঐ হায়জদে ইমা ।"

ষোডশীনা হায়রকই, "থবায় কংথোকপদমক ওম্বা অহুগা লৌবদি ওমব্রা ?"

সাগরনা হায়রকই, "য়াথং অমত্তং পীবিয়ু, ওসি অহিংমক করিগী চাং য়েংবিরোইদগে ইমা ?" অসি হায়রগা মহাক্না ষোডশীগা মিৎচায়রকপদা ষোডশী ওকপা অমদি কিবনা চবম্লে । সাগরগী মিৎয়েং মিৎকুপ অমদা হোংলে । অচম্বা মিৎয়েং অহু লৈতে, মতাল অহু লৈতে, অঙৈবহু কদায়দনো মাংখ্রে — চিংনিংঙাই ওইবা মরৌলৈবা মিৎয়েংনি — মসি সাগর অহু নত্রে, মসি অতোপ্পা কনাম্নো অমনি । সাগরনা বা ঙাংলকই । খোঙ্গেল তপ্পা য়াকই, খোইদোক্লা লুম্বী । হায়রকই, "অহিং খোইনা থেংজ্রি — মতম য়াম্না লৈখি । চণ্ডীমাতাগী খোঙ হৌজিক কাওবা হাংলি ইমা, ঐ মহাক্কী য়াথং ভাবা কংজবে, করে, মহু ওইগনি ইমা, পাপ লোইশিন্নগনি — নোংঙাবথগা ভাবিরজি, মহাক্কী সাগরনা অরেম্বদা

নাপল তৌবা নত্তে।" মহাক্কী মপা-মপুগী চৈশাং অহ্নু ষোড়শীগী খে.ঙম্বাদা তাহনা লৈখি, নোনথরগা খুদক্তা মহু তাপ পায়খৎলগা চপ লেপ্পি।

ষোড়শীনা বা ঙাংগদবগী তৌরকই মহাক্কী চিনবান নিক্রকই খামগে তৌরকই, খৌরিদা খোঞ্জেল খোরকত্রে, ভূমিকম্পগী মতোংগুম মহাক্কী থম্মোয-ন্নুং মথক মথা ওল্লক্লে, অমম্তুং মি'কুপ অমদি সাগরগী খোইদোক্লা মশক খঙদবা মীহাৎপগী মৃতিঙ্ হু মহাক্কী মিৎয়েং মাৎদগী মাংখ্রে। সাগরনা করিনো অমা হায়রকই, অহুবু মহু খঙবা ঙমাদ্রে, ওপ্লগী অসিথক্তংদি খঙবগুম তৌই মহুদি, মহাক নৈমায় শোক্লা থুক্কম্লগা থুনা য়াংনা মপান্দা থোকখ্রি।

অবাতাবৎ

ষোড়শীনা জ্ঞান তারকপা মতম অহুদদি সাগর চংখ্রে।

মন্দিরগী মীনাইনা কৌহনা হায়রকই, "ইমা হৌজিক থোঙ থিংলোরা ?"

"থিংলো।" হায়রগা মহাক শোগীদমক লেপ্তুনা লৈ। অঙাং ওইবিতৈগী মহাক্কী পুন্সি থোইদোক্লা মুংঙাইবম্ নত্তে, থোইনা হয়াঙ তম্লাম্লা মতম লেংথিবম্ নত্তে, মরু ওইনা ফজবা পুংফমদা বীজগ্রামগী অনৌবা জমিদা'র চংশিগডদা খোঙারকখি, মতম অহুদগী হৌনা উপদ্রবকী নোংলৈ-নুংশিৎনা মহাকপু সহায় লৈত্রবীনি উহুনা চডনা ঈংবস্ত্রে, থকৎহল্লে, অহুগা পেংখাক্লা মংহন্দনা থম্লক্লি। অহু ওইরবম্ সমুজ্র পুম্নমক অহুগাচ ংদম্লকবদা

যণ-খোঙগুলগুম্নবা মকম অদুদা ঙসি সাগর সর্দারনা মহাকপু হৌজিক্তা ছন্দোরম্নগা মা'গ্রে। অদুম ওইনমক শোইদনমক মহাক্না অদুক চাউবা অকি পরৈ চনবা করিগুম্বা অমদি অহিং অসিদা তৌবা ঙমগনি, মসি অদুম্না ওইখোক্তবনি মহুদি ষোডশীনা পাক হেক খাজবসু ঙমদে নত্রগা অদুম্না তশেং-তশেংনমক মহাকী খম্মোয়দা চিংনবসু ঙমদে মহুদি, হাৎপা, ঈমু-নাইমু তাবা অদুগা হিংসা মখল থুদিংমক্কী থুৎলাই শুনা শেম-শাহনা মতম চুম্নদা শাগোম্নরিবা মহাক পাপ ফনা চাউনসু চেনসদু শুপ্নগী সাগরগী চৈগী শাঙ্গলদনা নহাকপু লোয়শিনবা ঙমগনি হায়বা। অদুম ওইনমক নোংদম হায়না লৈরিবা শক্তিগী মফমদা ওইখোক্তবা পুম্নমক মাইথীরিবনি, মহুবু কিবনা মাগী থম্মোয় প্রোক প্রোক চান্নক্রে।

মন্দিরগী থোঙ শো লোম্লগা শো'জ মপুনা মীনাইনা মহাকী মথুৎতা শিম্নরগা হংলকই, " অহিং য়াম্না থেংলে ইমা, লোয়নদুনা চৎকত্রা ?"

ষোডশীনা মমাই নোনখৎলগা রাখল অমদা তাউবগী মতৌগুন হায়রকই, " কদাযদনো বলাই ?"

" মহাকপু থেনবনি ইমা।"

" িংনবা ? ম্নারে ", হায়রগা ষোডশী তপ্না তপ্না মঙ-হাঙুম মপান্দা খোকখ্রে। নিডিগী মতৌগুম ঙসিদি লম্বী অসিথক্তগী মম্নুংদসু য়াম্না চেকশিনবা অদু মহাক নিংশিংবা ফাওবা থোকখিদ্রে অহিং য়াম্না মম্মী, অদুবু মুম্নিং কয়ানি অসিগী মতৌগুম অপাবা লৈচিন্না কুপ্লদু ঙসিদি লৈতে। তক-তক্নবা শেংলবা কৃষ্ণা-দ্বাদশীগী

অমস্থা অতিম্না হৌজিক্তা করিগুম্বা মশক উদবা অতোপ্পা ঙমখৈ অমদা ঈক্লক্কক্করগা লাকপনি, মহাক্কী চোংলবা হকচাংদা হৌজিকসু ঈরিক শক্তি। মন্দিরদগী ষোড়শীগী যুম ফাওবা লাপ্নবা থরদনি, থেক-থোইবা লম্বী মথক্তা ঈংলবা মণ্ডাল অমা মশীং খিঙমত্রবা থরাম্মিচাক্কী লৈবাক্কগী হৈথরক্রি, মহুগী মথক্তা মহাক শউম থোক্তবা থোঙথাংনা থাংহুনা মগাক্কী যুমগী থোঙজিন্দা থুংলরে।

লমতাগী অরোইবা নুমিৎ থরনি অসি খুঙ্গংদা থবক শুথা মী ফংদে, অহুম ওইনমক মহাক্কী মতুং ইনবা ভক্ত প্রজাশিংদা যুমগী অকোইবদা রানা শঙ্কল থাবিরে অমসু, মল্লবা থাংপোক থবা থম্না শেমজিন্দুনা লৈবা য়ানবা মওং ওইহল্লে। শোহাংলগা ষোড়শী ইমু, লমযাইদা চংলকতুনা লেপ্লরে অমসুং মৈ চুথংলগা মফমহুদা অহুম ফমথররে। নিতিগী মতৌগুম ওসিসু মহাক্কী তৌগদবা মথৌ য়াম্না বাংলি। অহিংদা থোং-থাকপগীদি মহাক্কী রাইচিম্নিংঙাই লৈতে হাযবা য়াই, দেবীগী প্রসাদ থম্না ষোম্লকপা অহুনা অহুম লেনবা যাই, অদুবু আহিক্লুচিংবা মহাক্লা মীযাম মা\দা মন্দিরদা তৌদনা ইমুংগী অচিকপদা পাংথোকই, অহুগী মতুংদা অহিং যাম্না থেংলবা ফাওবা তুমদনা ধর্ম্মগী লাইরিক পাহুনা লৈ। পুম্নমক অসি মহাক্কী নিতিগী ওইবা নিয়ম্নি, অহুনা নিতিগী মতৌগুম ওসিসু মাগী মপুক্লিংদা লোইশিন্নিবা কর্ম্ম তৌনবা হৌগংনিংই, অদুবু মথোঙ অনিহু করিগুম্বা মওংদসু লেপথংণা ঙমজে, অমসুং হাংদোকতুনা লৈরিবা থোঙ অহু থিংনবা হৌগংকে হৌগংকে থম্না পওথবগুম লেংদনা অহুম থাউমৈ মনাক্তা কমহুনা লৈ।

মহাক সাগরগী বা থল্লকই। মন্দিরদগী থোইনা লাপুনা লৈরিবা খুঙ্গংগী লৌ-উবা ওক্তবা লমহেনবা মখোয় অসিবু মহাক্না অত্তাং ওইরিবদগী মুংশিজরকই অমসুং চাউরকপগা লায়নন। মখোয়গী অরা-অনাগী শক্তম অদুকী মতিক উরক্লিবমথৈ মহাকী মুংশিজবা অদু মচানু মমান মুংশিবগুম হকচিনরা অমদি চেংশিনবা হেনগৎলকই। মহাক্না উই, চণ্ডীগড়দা নথোয় অসিমক মওং অমগী অহানবা থুদা লৈত্তাবশিংনি, অদুগা নোংমা মখোয় খুদিংমক মরৌ-মশীং লৈবা লৌ-উবা ওইরম্মী, অদুবু হৌজিক্তি অয়াম্বগী মরৌ-মশীং লৈত্রে — মীগী লৌবুক্তা থবক শুদুনা বানা মতম লেপ্লি। লৌ-ইংথোল পুম্নমক জনার্দ্দন অমসুং জমিদারগী বর্ম্ম লমীগী মমিংদা নত্রগা শাজিনবা মমিংদা ভন্না য়োংশিনখ্রে। হায়্না লৈবম্বা ভৈরবীশিংগী মতমদা লৌ য়াম্না লৈরম্মী, পুম্নক হকথেংনন উরম্মী, ভৈরবীশিংগী অপাম্বা মওংদা চহি খুদিংগী মখোয়কই অমসুং থৌদোক অদুদা প্রজা মশেল শংন-চৈনবগী মশী নাইবগদে। অদুম ওইনমক কাম্নবদি করিবতা কংলমদে, য়েংশিল-খাংচিনবিনবা অমদি শিনখি-লাংবিনবা লৈত্তবনা কংফম থোকপগী শকক থম্নমথৈদি প্রজাশিংনা হুরান্দুনা চাখি, অদুগা লেমহৌবা থরা থোমগৎপা অদুসু মরম চাদবদা শিজিন্নদুনা মাংখল্লি। লৌ পুম্নমক অদু লৌ লৈজদব' লৌ উবা প্রজাশিংদা চহি তরুক-তরেংকী মমাংদা ফকির সাহেবকী পাউত্তাক মতুং ইন্না অরেপ্পা লৌশান্দা শিন্নদুনা পীখি। জনার্দ্দন রায় অমসুং এককড়ি নন্দীগী মহাকা খংননবগী মরু মতম অদুদগী হুনখি। অদুগা উংখৎনরকপা অদুনা হুদা অত্তোপ অত্তোপ্পা মথলদগী করিসু লৈত্তবা বাকম কয়াদগী ওসি মওং অসি

যৌরক্লিবনি সাগর অমস্থং হরিহর সর্দ্দার মতম অহুদা মিয়াদ ভাহুনা জেলদা লৈরম্মী। থাদোরকপা মতুংদা নোংমা মখোয়না মন্দিরদা ষোডশীগী মফমদা মথুং লোয়মহুনা লৈপ্রে। হায়রকই, "ইমা, ঐখোয় ইপা-ইচাবু কাখংনবা লৈরায় লাম্বা ফংলরোইদ্রা? অদুম ভাউথখিবা ভারব্রা?"

ষোডশীনা শাউদুনা হায়রকই, "নখোয় করিগী ভাউথখিগদগে হরিহর—জেলগী অদুক য়াম্বা যুমশিংহু অদু ওইরবদি কৈদোনগদগে?"

সাগর তুমিনা মমাই লৈখোক্লগা নোংথক্তা য়েংহুনা লৈ, অহুবু হন্নুবা হাৎরহরনা অহুম মথুং লোয়মহুনা হায়রকই, "ইমা, ঐখোয়দি নহাক্কী ওক্লবা মচানি হায়দুনা নহাকসু কত্তবী মমা ওইরগদ্রা? ঐখোয়গীসু লম্বী অমদি পী বিয়ু"

ষোডশীনা থরা ঈংথরহুনা হায়রকই, "নহাকী য়াইফশিংহুদি কৈজে হরিহর, অদুগী মথক্তা নহাক্কি অহলস্থ ওইরে, অদুবু নহাকী নবাম্বগী মচা অসিদি চাউখোকতুনা মমাই লৈথোকতুনা লৈ, মরাসহু কাওবা মশানা য়াজনিংদ্রি — নহাক কৈদোঠৈ অতম্মা মী ওইরকদগে?"

হরিহ মশা 'পূম্বা অমুক্তং হন্থনা য়েংলগা হায়রকই, "হন্নুর নত্রা ইমা? শম লোইনমক ভৌরে।" হায়রগা মহাক্না অমুহং নোকক্কেং ভৌরপদা সাগরগী মাইথোং 'পূম্বা অতম্মা মীনোক্না লংথংলক্লে। মিংকুপ্তা মখুডাগা মচাম্নুপাগা মিংকা মিংকা খোঙ্গেল খোক্তনা বা অসি ভাংনপ্রমাক্লে মহুদি, মসিনা কৈ। হন্নুবা মহাকী থুংকী মপালল থম্ভদবা মহাক অহুগী মকমদা অদুম্না লোকপগা লোয়দনা মোহুক্না য়াজবনা থাইদগী হেক্না লেমজানিংঙোম্নি।

হন্নবনা হায়রকই, "নাপল নত্তে ইমা, ওইনজবনি। মসিমথৈদি মা তৌবা ঙম্মী — সাগর কৈদোউৈদদহু ‿ট তৌদে।"

ষোড়শীনা ঙবতুনা হায়রবই, "করিনো, অঙ্গদি মরাল লৈতনা দণ্ডী ফংলবরা ? ময়ায়া খঙ-রিবসি অচুম্বা নত্তে — মসি ঐঙোন্দা নহাক্কা খঙহনবা পাম্লিব্রা হরিহর ?"

মহাক্কী খোঙজলহনা মরম চাদনা পোইদোক্কা শীংজানা থেবঙম থোকখ্রে, অদু ওইরবসু হন্নবা হরিহরনা করিনো অমা হায়গদবগী তৌরকই, অদুবু ময়াম্বগী মচ না খুন্দক্কা লৈশিল্লক্রগা মহাকপু নমহৎতুনা হায়রকই, "কৈদোনান ইমা, নহাক্কা বা অদু তারগা ? মখোয় ভদ্রলোকশিংনা ঐখোয় অহোনবা মীগী বা থাজবিগদবা লৈতে। ভদ্রলোকশিংনা ঐখোয়গী লৈজবা 'পুম্বা মুনখিখ্রে' হন্নু অচুম্বা কংকম থোকপগী দাবিদা, অমুক জেলদা পীরে, মহুৎসু অচুম্বা সাক্ষীগী পাঙলনা। জজ-সাহেবকী কোর্টতগীনা চণ্ডীমাতাগী মন্দির ফাওবদা অহানবা মীগী বা থাজবিগদবা কনাসু লৈতে ইন! চংলসি গুড়া-ভান, 'ঐখোয় মুমদ' হন্নসি।" হায়রগা মহাক থোক লুকখৎহুনা ভৈরবীগী খুদা উযুংদা এক্কোক্কা হাপ্লগা চংখ্রে। হরিবর মপাময়কসু খুযা-উযুংদা লৌরগা ঈকাইবা খোঙজেলনা হায়রকই, "শাউরিক্কনু ইমা, অসুম্না মখোং হুক্কবা অঙাংনি, নহাক কন্নাগী বা তুমিন্না তাথোকপা হৌক্তে।" হায়রগা মহাকসু ময়াম্বগী মচাগী মতুং ইনখ্রে।

ওইজসনু মাথায় জাত মক্তোনবা, ওইজসনু মখোয় জাকু, উগ্রিমশ্য ষোড়শীনা চঙক্লনা মতিং ফুদোকচবা ঙমদ্রবা, থৌওই বিজ্রবা লৈখা তারবা অদুম ওইনমক মণা ফরবা, কিগন্দবা অরম্বুং থৌইদোক্কা বল-খোয়রবা পুণা অনি অদুগী মাইকৈদা থেংহুনা লৈ।

মথংগী অদুক মতমদা ষোড়শীনা সাগরবু কৌরুরগা হায়রকই, "নখোয়দনে ইবুংগো, ঙরাং ঐ লানখে। লৌ বিঘা অরামবি-অরামন্তা ঐগী হৌজিক ফাওবা লৈরি, নঙগী নখুদাগা নত্তগা মহু যেনরে। ইমাগী থাজনদি নখোয়না পীনিংবা পীবু, অদুবু অরানবা লম্বীদা অমুক কৈদৌঙৈদসু নখোঙ থাংজিল্লুরসু, মসিনি ঐগী শর্ত।"

মহুদগী সাগর অমসুং হরিহর মহাক্কী অরেবা মীনাইগী পাংথক ওইখি। মহাক্কী খোংদাক থাখোক থুদিংমক মখোয়না মিগুম ইররক্লি, খুদাংথীবা থুদিংমক্তা মথয়ায় থুবাক্তা হাপ্তুনা কল্লক্লি। কিন্তুরবা থা পোক, মপাং য়াউদবা থুদোংথীবনা থল্লবা পূল্লি অদু ওইরবসু কনানসু মহাক্কী শম্মা অমা ফাওবা শোক্লনবগী খৌনা লৈতে, মসি কনাবু কিবদগীনো হায়রবদু মহাক থজদবা নত্তে। অদুম ওইনমক সাগর অদুগী ওসি মহাক্কা মমিংতা উরকখিবা মুত্তি অদুনা থাঙনিংঙাই য়াগী করিসু অমুক লেমহল্লে। মহাক লুই ঙৌত্রা তঁদত্রা হায়বা লুই, অদুবু দবকার লৈরবদি মহাক্না ঙম্মোইদবা করিসু লৈতে — মহাক্কী শক্লোন অদু ওসিসু চপ চানা লৈ'ব, অমসুং মিংকুপ্তা মখোয়না ওসিসু মহৌশাগী ফিভম অদুদা হ'ঙন্দুনা লেপ্পা ওনগনি, চিংনবা অসিবু অমুক ইস্তোকত্তুনা থম্বা য়াবা নত্তে।

শেগায়বা চেজেং অমা মনাক্তা তাহুনা লৈ ভাব ওইদনা খুনগংসুবনক্তদা থাউমৈ মক্তালদা উবে, হৈমগী চিঠিগী পাউথুম ওইনা হুমিং অদুদা চিঠি ইকরগা কক্তত্রে থন্দুনা শেগায়রকনা হুদোককথা অক্তোম্বা অমমুক ইবগা থাখি, মসি মহুগী মচেংনি। হুমিং কমাল্লি অসি কাউখোকল্লুরবা অদু ওসি অমমব ওইনা চিঠি

অচুপী বাখোল পুম্নমক নিংশিংলকপদা মহাক ঈকাইজরক্লে —
বাক্যমচুবু কনাগুম্বনা লায়না লৌতুনা মহাকপু কনবা লাকত্রা
কিরক্লে। হৈম অমসুং মাগী মপুরোইবা মখোয়বু নিংশিংলকপগা
মাগী থম্মোয় কময়দৌতুননো পঙথবকই। মখোয়গী লৈপুল চেংলবা
পুন্সিগী ঈচেলগা মহাক থোইদাক্লা পরিচয় লৈনরুদে, অচু ওইরবসু
কমদৌতুননো মঙ মঙলক্রই, কমদৌতুননো মাগী থবক্কী য়াথলদগী
থোইজ্রিং-থাইজ্রাংবা য়াথলদা থৈদোকখি, কয়িগুম্বদা নির্ম্মলগী মরমদা
কমদৌতুননো পুক্লিং ফাজ্জিনবগী পন হেক নমথেকতুনা থল্লকপদা
থঙহৌদনা ঈকাইবনা শিগদৌই, মতুগী মরম মশানা খিজবদা কংদে।
অচুম ওইনমক মপুক্লিংগী কল্লক-মীহৌবন থক্লব পক্লেংকম নাইদবা
ঈচেলবু মশানা থঙজে, কিজে, ঈকাইজে, অমসুং শক্তি পুম্নমক
শিজিন্নতুনা মচুদগী নাম্হোকপা পাম্মী। ককঙাওনবা ঈথক্লা
লান্দারকপা অচুদগী নাম্হোক্লবা চিঠি মচেৎ অমু বৎ বৎ শেগায়তুনা
লাংথোকপ্রগা লেংদনা ফমতুনা লৈ। মপুক্লিং চেৎনা হায়জে,
কয়িগীদমক্তা হৈমখোয়গী মরমদা অসুক য়াম্না ঐনা থল্লুরিবনো?
করম্বা মতেং মখোয়গী মফমদগী ঐনা নিতুনা লৌগদৌরিবনো?
কয়িগীদমক লৌগদৌরিবনো? দেবীগী ভৈরবী ফমসিদা কয়ি
লৈতুনা অসুম্না কোনশিন্দুনা থাংগদৌরিবনো? কনাগুম্বনা লৌখিবদা
ঐগী কয়ি মাংগদগে? মখোয় পুম্নমক হুরান চিন্থি ঙাক্কনি। অহক্কী
মতিক শক্তি লৈবা মহাক অহু অহক্কী মতিক অচৌবা ডাকুনি।
খুদোং অমসুং পাক্কলগী মতুং ইন্না মীগী মখৌরি মেৎতুনা য়ুনবনা
মখোয়গী থবক্তি। মসিনি সংসার, মসিনি সমাজ, মসিনি মীওইবগী
'কারবার'। লৈহৎপিরবা অমসুং লৈহৎজিবা মরক অমু কনা-কায়া

লাপরনা অহিং-নুংথিল চুপ্পা অসুপ্পা কিথি-ক্রিক্রম লৈরিবা। মিংকুপ অমদংদি থল্লকই, থবক অসি মতোন্দা শুপপু লুনা থোক্লোই, মরেং অনুকমক মহাক্কা এককড়ি অমসুং জনার্দ্দন রায়বু চিঠি ইদুনা কৌরগা লৈরবীগী দায়িত্ব পুম্নমক মশানা য়ানা শীংথাকখিবা শুমগনি, কগায়দসু করিগুম্বা লিচিং অমত্তা, করিগুম্বা মুংতাইজবা অমত্তা পোক্লোই।

ষোড়শী হৌগৎতুনা লেপ্লে। মনাক্কী শাগাইদা মাগী মুকদু কলম অমসুং চে লৈ, লোথরগা চিঠি অদু মতম অদুমক্তদা ইননবা হোৎনরকই। হাথু হাথু পরেং থরা ইরগা থঙহৌদনা মহাক চপ লেপখ্রে। হরিহর সর্দ্দার অমসুং সাগরবু নিংশিংজরে— পৃথিবী 'পুম্নমা অথম অথম মুম্নবা হাৎনা-শুনবা মরক্তা তাকু অনি অসিনুংদি শুদি কাওবা মহাকপু থাদোক্কে। থঙহৌদনা মশাগী বা নিংশিংলম্মা থল্লকই, অদুগী মতুংদদি? কদায়দসু লেপকম লৈত্তে— পুম্নমক থাদোক্লবনি। শরাং মাবু কোইশিন্দুনা লৈরম্বা মখোয়শিংদু শুনিদি শাসন কিবদগী জমিদারগী শুমাংদা লেপ্তুনা মহাকমক্তা মাইয়োক্তা পঞ্চায়েত কম্মুরে। অদুম ওইনমক মহ মতম কুইঞ্জবা বাকম নত্তে, মখোয় অসিমকপু— অদুবু তোক্লসি রাকম আসি। থোইদোক্লা তোক্লবশিং অসিগী মথক্তা মহাক রারৌদে। এককড়ি, জনার্দ্দন, শিরোমণি, মহাক্কী মপা তারাদাস, অদুগা জমিদার অসি— অরিবা অমদি অনৌবা রাকম কয়া— অদুবু মহুম্ভ তোক্লসি, মাপ শাক্তবীগী শুসি কাম্নবা অমুক লৈত্রে। মহাক্কী ফকির সাহেবপু নিংশিংলকই। মহাক ফকির থম্বুনবো অদুম্মা থঙহৌদনা চংশিনখ', মহাক থিংদে। জনার্দ্দনু মহাক্কা করিগুম্বা মরম, কমাগী মাইরোকতু

করিগুম্বা সুংগু ইত্তবগী ইঙ্গিত অমতা উৎলবদে। মশিগী মবাংমক্ষু মহাক তুমিন্না হেক হেক চৎখি, নিংজবা, ভক্তি উৎতুনা সুংঙাইহনা বিদায় তৌননবগী করিগুম্বা খুদোং অমতা কনাদন্থু পীদে, মসিমক মহাক্কী চৎপগী নিয়ম ওইরম্বা য়াই। অদু ওইরবস্থু কমদৌহুননো ষোড়শীগী খম্বোয় সুংদা সুংঙাইজদবা অমা চেৎনা পুন্দুনা লৈরে, মহাক্না চৎখিবা অদু করিগুম্বা মওংদসু মাগী হৈনবানি খান্দাকহুনা মশাবু থেমজিঞ্জবা ঙম্লমদে। মহাক্না মরক মরক্তা মাগী বাক্ষ পণ্ডিথুগদা হায়রিবি, "সুশীমচা, ঐথাক ইশাগা মরি থবৎনবা পাম্মী, মীগা নত্তে। অদুনা মীয়ামগী মাযা ককথৎপা পামদে —মীওইবগী মরক্তা লৈবা পামদ্রে। মহাকস্থু মহাক্কী ককচাংহু ঈশ্বরদা বংথে প্রবনিনা যাফম অদুমক খাইদগী মাংথানা থম্বা কাউরোইদবনি। করিগুম্বা মওংদসু ঐগী চাযনা পাম্না লৌরোইদবনি। ঈশ্বরনা ইশাবু পুনশিন্দুনা আম্বাবু লৌনম তৌগদবগী শরুক ঈশ্বরবু থাদোকপমস্থু কৈ। ঙসি লৌনম অসিনা থানবা য়াদনা শিন্দুনা থম্মি। ঙসি করিগুম্বা মহাক লৈরম্বা থোক্লবদি। অযুক্কং করিগুম্বা মহাক্ক থুম্নাপাদ চংহফম ফংলবদি।" মমাংদৈদা মোংমা মহাক্না হায়রিবি, "সুশীমচা, ঐহাকপু মহাক্না তঙাইফদনা দরকার ওইরক্লবা, পুক্নিং যুংনা কৌরক্লবা, অদু ওইরবদি মফম অমদবু লৈরবস্থু, ঐ মতম অদুদা নন্তা লেপ্লগানি" ঙসিদি মাবু দরকার ওই।

তাঙ্গা অশিমক্তদ মপান্দগী কৌরকই, "মমুংদা অমুক্তা চৎলকপা য়াগদ্রা ?"

ষোড়শীগী লাংতক্লবা ককঙাওনরবা খম্বোয় চাইহাক্তং য়ুম্লরগা থংনবা নিংহুপ্ত অমুক ওমচাক্লরক্লে। অমুক চাউবা ওইরোক্লবা অঙৎপা যুদক্তা পাক হেক থঙবা মহাক ঙমদ্রে।

"ঐ চংলকপা য়াগদ্রা?"

"লৈশিনবিরকউ।" হায়না ষোড়শী হোগৎতুনা লেপখৎলে, অদুগা মখিৎ হৈদুনা পুক্লিং হকচাং য়াড়না নংগক্লিবা অদুগী মখোঙদা লৈমায় শেংক্লা থুকয়ানা নিক্লা হৌপংলকপদা খাউমৈগী মঙালদা উরে, ফকির সাহেব নাত্তে, জমিদার জীবানন্দ চৌধুরীনি। মখিৎ অমুক কুপথিজ্রে — মিংথাংন ফাওবা নুং ওনথ্রেনাল্লে। ইমুংগী মৈরি পিকংরক্লি, অদুবু মতৌ অসুম্বা মিংকুপ্তা নুং ওইহল্লিবন্তবু মীশক খঙনবা মঙাল ফাওবদি নৈ। মরম অ'সনা অঙকপা অমসুং মরম চাদনা কা হেনবা উৎপা ভক্তি অসিগী মওং সিনা তশেংমক মচাকপু নত্তে কনাগুম্বা অমা ওইরবোই নিংহুনখি হায়না থাকপনা জীবানন্দগী অকিবা কোকক্লে। চৌংলেম্না হায়রকই, "অসুম্বা মপুরোইবদ ৎক্কি লৈদসি কলিগী মতমদদি অত্তাংবনি। ঐগী খোঙ খুং চারবা ঈশি, অ সন্ন চৎবদি কদায়?"

ষোড়শী ১প য়ুংনা লৈ মহাক্কী মরাইবক থীরবা পুন্সি অসিদা মহাক মীওই কয়া উরক্লে। মহাক্না জদানবু উরে, এককড়ি নন্দিবু উরে, মহাক্না মপাবু খোইদেক্লা নকশিনবা মওংদা উরে, অদুবু মীওইবনা অসি য়েনা তমথীবা ওন্সী হায়বসি খল্লুবদা মহাক্কী লুংডাইজদবা হুম্বহরবা হোংনবদা মতম চংহল্লি। জীবানন্দনা খিদা মশানা লৌজরগা খাবদা হাংলিবা খোঙমোমদা য়েংথোক্লুবদা হায়রকই, "পৌবোন খাজিল্লগা কমসিদনা? মহাক্কী সাগর হায়বা মমা ইবুংঙোহুনা ঐ অদুক লুংশিবিদে হায়না জাই, অমকপদা কদায়রদনো, লৈরমপাসি শোইরলা, চংলকপা খোক্লবদি কবিবো খনথিগদি। অতোনবা নস্তবা নত্তে।" হায়রগা মহাক লোক্লকই।

ষোড়শী মথা নিক্লকই। মহাক্না শেংনা ধঙলে, মুপা অসি মঙোমদা লাকপা নত্তে, মহাক্কী মী অনকপদা লোংতুনা লৈরমগনি অমসুং খন্দোং অসিমক মহাক্না নিতিগী ছাইরবা য়াই। ঙসি ঙমখীবা করিগুম্বা অমা থোক্লবা য়াই — হাংপসু ঙইখোক্তবা নত্তে অদুগা ঈথক অসি মশাগী খোঞ্জেলদা মহাক্ক মপুংফানা লোংপা ঙমন্নহুনা হায়রকই, "মফম অসিদা লাকপিরিবা করিগীনো?"

জীবানন্দনা হায়রকই, "নহাকপু য়েংবনি। খরা কিরমাগ্রে খল্লি — কিফম থোকই। অদুবু মহনি হায়ত্নুনসু লাউগনু। পিস্তল য়াউরি, নহাক্কী ভাকু কাংবু অগমক অরেম্বদা শিন্দুনা তোকচনি, অদুগা করিসু তৌজবা ঙম্লোই।" হায়রগা মহাক্না পকেটতগী রিভলভর লৌথোরক্লগা অমুক পকেটতা হাপচিল্লগা হায়রকই, "অদুবু থোঙ লোনশিন্দুনা চিংনবা থরমথৈ কোকহনবা কৈ।" অসি হায়রগা মহাক ষোড়শীগী মাইথোংদা যেংদুনা নোকফেং তৌরমকই অমসুং চংশিল্লগা থোঙ পৌযোন থাজিল্লে, যুম্বুগী য়্যা ছাইক্লবা লৈত্তে।

ষোড়শীগী মাইথোং মকশিনগ্রে। অমুক' য়া ভাংগদবগী তৌরকপদা মথক্মাঙদা শনগ্রে, অদুগী মতুংদা খোঞ্জেল থোক্লকই, মতম অদুদা খাঞ্জেলহু কিবনা নিক্লকই, হায়রকই "সাগর লৈত্তে।"

জীবানন্দনা হ য়রকই, "লৈত্তে? সনা-ইবুংঙোহবু কদায়দা চংখিবগে?"

ষোড়শীনা হায়রকই, "ময়াম্না লৈত্তে খঙবিদুনা — "

জীবানন্দনা হাযরকই, "খঙই হায়বা? অদুবু ময়াম কায়রদি কনা কনানো? ঐদি মনিক অমা কাওবা খঙলে।"

ষোড়শীনা হায়রকই, "কনা লৈজদবীনি হায়রুবনি মী পুম্বা ঐবু হাৎপা লাক্লিবা। অদুবু অদোমগী মকমদা কনি কায়প্রবগে ঐনা ?"

জীবানন্দনা হায়কই, "মী পুম্বা হাৎপা লাক্লিবা। নহাকপু ? ঈশ্বর সাক্ষী, মহু নত্তে! থোইদোক্লহৌম পুক্নুং কৈনোম্না তৌরকই হায়রুনা যেংবা লাকপানি।"

ষোড়শী অমুক বা ডাংদ্রে। মহাক্কী মমিৎতা ঈরা চেল্লম্মী, অদুবু মশুং চাদনা করেম্নবা অসিনা মচু পূমকং কংদ্রে। অদুগা কংলবা মিং অদুগী মিংথংদ লৈমায়দ। থম্লদুনা মহাক তুমিন কমদুনা লৈ, অদুগা থোইনা লাপ্তুনা কম্লিবা মা অমস্থ মহাক্কী লুকচাম্নরিবা মাইথোংদা অপাম্বন। খোরাংলবা মিংথংদ লেংদনা থম্লদুনা মহাক্কী মতৌশুম তুমিম্না লৈ।

ভবানিপাল

"অলকা ?"

"তাকপিয়।"

"নহাক্কী 'সিদা হিদাক-মুংদা ক্তি লৈ-লাক্লিরোইনে ?"

ষোড়শী অমুক্তং মমাই নোনথৎলম্লগা অমুক লুকচাম্লনা চপ মুংনা লৈরে।

পাউখুম কংদ্রবদা জীবানন্দনা মুংশা মপী অমা কন্না হোম্দোক্লগা হায়রকই, "ব্রজেশ্বরগী বরাইবক কনি। দেবীরাণীনা মাহুক কাহুবা পুরকখিবা অচুমনি, অদুবু অহাওবা মখিং চৎপা

হিদাক শীৰকৰি, অদুগা চাক চাবা তোকপদা দক্ষিণা তৌবিৰি। বিদায়গী মতাংদু অমুক খাংজিল্লক্ৰরোই, হংবিংই, বঙ্কিমবাবুগী লাইরিক অদু পারেদনা ?"

ষোড়শীনা লেপ্লম্মী, লমচৎ নাইদবা অসিনা ঙসি মহাকপু কনা ঈকাইবা পীরবদু মহাক ৱা ঙাংগ্ররোই, অদুবু জীবানন্দগী খোঞ্জেলগী মথৈথংবা শরুক্না থঙহৌদনা কমদোঙনবো মহাক্না ৱাশক কায়দুনখ্রে, হায়রদোকখ্রে, "অদোম্বু কাদুনা পুরকপা ওইরমবদি মহুম্না তৌরমগদবনি—বাকংনবা য়াম্নাইদবনি।"

জীবানন্দ নোক্লকই, হায়রকই, "মদু ওইবা যাই! চিং-খোংতুনা থৌমি থৌরাংনা কাব-পুনবদি মীওইবনা উবৈ। ভোজপুরী পিয়ন থারগা কাদুনা পুরকপদি থুঙ্গং 'পূম্বনা উবৈ, অদুবু মিৎনা উবা কংদবা দূত অদু—যেংঙোই অসকা, নখোয়গী শাস্ত্রগী লাইরিক্তা মাবু কৰি কৌই? অতনু (কামদেব) নত্রা? নিংথিজ মহাক।"

মমাই ঙাংনা লুকচায়না লৈরিবী ষোড়শী চঙক্লখ্রে।

জীবানন্দনা হায়রকই, "হায়জগদবা থজিক্তং লৈ, অদুবু ঙসিদি হৌগৎলগে। নহাক্না নচা-ননাইশিংনা থঙথিবা খোক্লবদি নিঙোল মরানি হায়দুনা তরাম তরাম থক তৌরোই, নুপী মপামদা লাকপনি হায়বা অসি কাওবা থাজবা ঙমদবা য়াই—মথৱায় শিনিংদদুনা মীনম্বা ঙাংলিমাল্লে থনগনি"

ষোড়শী বা মচেং অমত্তা ঙাংদে, মওং চাদনা করেমবা অসিনা থম্মোয়দা করবা মওংগী ঈকাইবা কাওবগে হায়বা মহাক্না মমাই নোমংতুনা মদু থঙহনবদু তৌদে।

পাউথুম কংত্রবা জীবানন্দনা থিংকুপ থবা মঙোম্না য়েংদুনা

লৈক্লরগা তাশংনমক হৌগৎলক্লে, হায়রকই, "হাত্ত-থুম্ববা হিদাকী মৈথু থোইদোক্লা পুক্তা চংহন্দ্রবস্থ য়াবনি, অহুবু মৈথু নত্তবা করিনো অমা হৌমিক পুক্তা তাহন্দ্রবদি অমুক লেপ্পা ওন্নক্তে। থাঙ্গৈমক শেংনা করিস্থ লৈত্রব্রা অলকা ?"

ষোড়শী তুমিন্না লৈরমগদবনি, অদুবু মহাকী মমিং পন্দুনা কৌহ্না হংলকপা অকোনবগী ন্নাহং অসিনা মঃাকপু তুমিন্না লৈহন্দ্রে, মমাই নোনৎৎতুনা হাযরকই, "করিস্থ হায়বদি করিনো ? যুন্না ?"

জীবানন্দনা নোক্তনা মগুক হায়রকই। হায়রকই, "হন্দক্তি লাল্লে, মতুগীদি অত্তোপ্পা মী লৈ, মীশক অদু নহাক নত্তে। নহাকপু খঙবা গুম্লনবগী মতিক চাবা থুদোং, ফংদ্রে — অদুগা বদনাম কনা পীগ্রবস্থ হায়জিনবগী বদনাম পীবদি ঐ ওয়োই। মতৌ অস্নম্না নহাকী মকমদগী করিগুম্বা নিবা তাববদি অসিগুম্বা থরা পাম্মী, মীওইববু হিংহন্দুনা থম্নবা, অশিবগী মাইকৈদা ইনশিন্নোইদবা। চাক ইস্থাং, মিঠাই-মুৎঠাই, কবোক-হৈবোক অরৈবদু পীয়ু, মদু চাদুনা ঐ হিংগে। লৈত্রব্রা ?"

ষোড়শী চপ য়ুংনা ম্নেংহুনা লৈ, জীবানন্দনা মথা তাথরকই, "ওসি অমুক পুক্লং মুংডাইরমদে। হকচাংগী বা হৌদোকউবগী কান্নদে, হকচাং মুংডাইবা হায়বদু করিনো ঐ খঙদে। শুপগী নহাক্কবু নিংশিংলকই। হন্নকপা লম্বাদা অত্তনা ওইরম্বা য়াই অমুক য়ুমলোমদা চৎতবা, লাম্না থৌরাংনো লাকতুনা উ অসিগী মথোত্তদা লেপ্পম্মী। থোক হাংবা, মৈ থানবা উরকই। পিস্তল য়াউদনা ঐ থোঙকম অমতা থাংদোক্তে—মদু পকেটতা য়াউই,

অদু ওইরবসু হকচাং ভনিক্রবই। বাবাজীশিংছ লোয়' থুপ্না কদায়দনো শোইদনা লৈরমগনি খঙই। খঙহৌদনা উনা হাইদোকহুনা মুনা য়েংলুই, লৈমাযদা নহাক তুমিন্না ফমহুনা লৈ। ইশাবু অমুক কাথজবা ওম্নদে। থাঙ্গৈমক শেংনা লৈত্রব্রা করিমতা?"

ষোড়শীনা মিংকুপ অমত্তং লকক তৌরগা হায়রকই, "অদুবু য়ুমদা হল্লগদি লায়না চাবা কংবিগনি।"

জীবানন্দনা হায়রকই, "হায়বদি ঐগী য়ুমগী মরমদা ঐগী চান্দগী নহাক্না হেন্না খঙই!" হায়রগা মহাক নোকমি নোকমি তৌরকই। অদুবু নোকপা অদু লেপত্রিডুদা ষোড়শীনা খঙহৌদনা হায়রকই, "নুমিৎ চপ্পা চাবিত্রি, অদুগা য়ুমদা অদোমগী চাননবা খোরাং তৌরম্লোই, মসিবু করিগুম্বদা ওইথোকপা য়াব্রনে?"

মী অমগী খোঙ্গেলদা লাংতক্লবগী ইঙ্গিত লোংত্রে, অদুগা অত্তোপ্পা মী অমদি থোইদোক্না ফবা মীগী মতৌগুম ইত্তপ-ত্তপথবা মওংদা হায়রকই, "করিগী য়াদনি। ঐ চাত্রি হায়হনা কনাগুম্বী অমনা চাদনা চাক থেনগৎহুনা লাকদবা মাইকৈদা য়েংহনা ভাইরমগদবা ফিভম অসিদি ঐ শিন্দুনা থমদে। ওসি অরেম্বদা শাউরগা য়াগত্রনে অলকা!" হায়রগা মহাক্না হায়গুম অমুত্তং নোককেং তৌরগা হায়রকই, "ওসিদি চৎলগে। অদুবু ত্তলেং ত্তলেংনমক থাংবা ওম্লকহনা করিগুম্বা লোংবা লাক্লবদি শাউবা ওম্রোই হায়হৌরিবসিনি।"

দুপা অসিগী থোইদোক্না নিরম য়াউদবা পুলিশ-থোকচংকী মোংমা ষোড়শী মশামক্না উরকখিবা শকক্তম অদু নিংশিংলকই।

খল্লকই, লমদং লাইদবা, য়ুম্ভাংবা ঙমশিনৈতবা মীশক অদু মহাক অসি নত্তু, লৌনম তৌদুনা মহাকপু নাংমা মাংহল্লবা যোরাংঙিবা জমিদার অদু অতোপ্পা মীশক অমনি। নুমিৎ অহুমা মন্দিরদগী বিদায় তৌনবা মতোম্দা চিংনবা হেক্তনা হুকুম পীখিবা মহাক অদু অতোপ্পা মীশক্নি। অদুম ওইনমক তমুক্তং নিংহল্লকই, অদুবু থংনবা মিংকুপ্তা শেংফাত্তবা খোঞ্জেলনা হায়রকই, "দবীগী প্রসাদ খাজকুং লে, অদুবু মহু চাবা যাবা যেংবিগেরা?"

"য়ারোইদবা? মহু হায়বু!" অসি হায়রগ মহাক্না চঙ্গিন্দুনা ফিদাদা হেক ফমথরগা হায়রকই, "প্রসাদ চাবা য়ারে হদবা? থুনা পুখোরকউ, ইশ্বরদা লৈরিবা এগী অচেৎপা ভক্তিগী মশক অদু অমুক্তা য়েংহনগে।"

মহাক্না মাংগী লৈমায় মচেৎ খরদু ষোড়শীনা ঙশিংনা তৈখোক্লে, অদুগা চাকশঙদগী চৌপ্ত মনাদা ঈশ্বরগী প্রসাদ অমৈবমখৈ অদু হাপ্তুনা লৌরুগা জীবানন্দগী নাংদা খল্লর, হায়রকই, "যেংবিয়ু করিগুম্বা চাবা য়াত্রা।"

জীবানন্দনা মতক লোমদুনা হায়রকই, "মহুদি যে ফ্রেবম্ব য়ারে, অদুবু মসিদি নহাক্নীদমক্তা খগ্বা নত্রা?

ষোড়শীনা হায়রকই, "হায়বদি অদোম্নীদমক্তা তোঙাম্না পুক্লগা খব্রা খমদত্রা মহু হংবিরিত্রা?

জীবানন্দনা নেংকথোক্লগা হায়রকই, "নত্তেনে, মহু হংব মতে, ঐনা হংজিবদি অতৈ লৈত্রবা?

ষোড়শীনা হায়রকই, "লৈত্রে।"

"অদু ভৈরবদি মসি যীগী মথয়াংতগী মওং অমদা শংতুনা চায়' ভৈরব ইদ ?

ষে ডশীনা হায়রকই "মীগী খয়াঙ্গী শংতুনা চায়বদি ভুস্থিমত্রা ?

মা অসিগী পাওখুম জীবানন্দনা অমুক নোকতুনা পীবা ওমক্কে। হায়রকই, "কনানা খঙগনি, তাশেংবা অমা হেক্তা হায়বা ওমদে অলকা। অদুবু মহু তোক্লসি, নহাক করি চাংদগে ? অদুদি হংখায় অমা থগজিল্লো।"

ষোড়শীনা হায়রকই, "মহুদি ঐঙোন্দমু থল্লরোই, অদোমমু শুক থনবিররোই "

জীবানন্দনা অনম-কনবগুম হায়রকই, "থন্দসনু, অদুবু নহাক্তি অচিং চুপ্পা চরা হেনগদৌরিবনি।"

ওসি চাবগী মা ষোড়শীনা মপুক্লিংদমু শল্লমখে — জিবানন্দ লাক্লমত্রবদি মহু ভাহুনা লৈরগদবনি, মহাক শোকপা ফাওবা শোক্লমদবা য়াই। অদুবু মা অদু হায়দনুনা হায়রকই, "ভৈরবীশীংদি চরা হেনবা হৈনৈ। অদুদা নত্তনা অচিং অমা ঐ বাগনি হায়না খন্দুনা বাবিকমু। খোইদোকহুম অবেস্থদা ফমহুনা লৈথোকপিরমু, ঈশ্বরদা অচেৎপা ভক্তি লৈ হায়বগী প্রমান পীবরো।"

"মহু পীরনি, অদুবু নহাক চরা হেল্লগনি খল্লুবদা মহুগী হৈনিংবা অমুক লৈত্রে।"

"ফরে, হেনিংবা লৈতনা চোবরো।" হায়রগা ষোড়শীনা নোকখেং তোহুনা হায়রকই, "ঐবু চরা হেলহনবগী মরাক অনৌবা অমমুক পীশল্লরোই। অদুবু হেংনরিবা য়াকম খল্লিন' ঐবু উকাইহল্লে। হৌজিক তোক্পিরো।"

জীবানন্দ বা অমুক ঙাংদনা চাবা ছৌরকই। মিনিট অনিগী মতুংদা খঙহৌদনা মমাই নোনখৎতুনা মহাক্কী মাইথোংদা য়েংলদুনা হায়রকই, "চাউরাক্পা চহি তরামঙা ওইরবা নত্রা? ঙসি অচৌবা মী অমা ওইবা ঙম্লগদবনি।"

ষোড়শীনা বা ঙাংদনা য়েংহুনা লৈ। চাউরাক্পা চহি তরামঙাগী মমাংগী ছায়রিবা ইঙ্গিত অ৩ মরক . খঙলে, অদুবু মকোনবগী বা অছুদি খঙবা ঙমদ্রে।

জীবানন্দনা হায়রকই, "অদুগা পূম্নমক থাদোক্লগা য়ুগী রাকমল্লমক কৌখংসি। অশিবদা থোঙ থাংজিল্লবনি — মহুদি মনিংমক্লা উপ্রবদুনি, অদুবু কনবিবা ঙমগদৌবা মথৌনা লৈবা কনাচু লৈদ্রে। ঙসিদু মতম লৈথিবা য়াই, হৌজিকসু ফংথিবা য়াই — লোগেরা ঐগী ভার অলকা?"

ষোড়শী স্বপ্ন নিক্লকতুনা মমিং উইশিনদ্রে। মকম অঙদা হৈম, মহাক্কী মপুরোইবা, মহাক্কী মচাল্লপা, মহাক্কী মীমাই-মীশল, মহাক্কী মুস্থানবগী মশিং থিঙমদ্রবা মথল মথলগী ছবি সিনেমাগী মতৌঙম উরক্লে।

জীবানন্দনা হায়রকই, "ঐগী ভার পূম্নমক নহাক লৌরো অলকা।"

মশা কথোকপগী অঙকপা থোজেল অসিনা ষোড়শীবু ঙকচাহল্লে। পূজি অসিদা অমুম্মা কনানম্ম মহাকপু কৌরকখিদে, মসি পুম্নো মৌবনি, অদুবু ভৈরবী পূজিগী মপুঙিং কাথরগী অকনবা পাঙ্গলনা মহাকপু ঙমহৎপা ঙমহল্লে। মহাক্লা মিৎকুপমুক্ত লৈরগা হায়রকই, "মহুমক ঐকোন্নগী অদুমা ওইহনবা পাঙ্গিদ্রে। ঐগী ইমাদা ঠোক তৌবা ঙম্বিথি, অদুবু ঐকোনবদি ঙম্বিরোই।"

"অঙ্গবু মহুদি ঐ হোৎনদে। খঙদননগী ঐনা নঙগী নক্কমন্না কম্ববা শাক্তং উংথি, অদু অচুম্বনি। নহাক্কী বিচার তৌথি, অহবু থাজবদি নত্তে। খঙ্গোয়দা অস্নুম্নদি খল্লি, অসুক মগুং কল্লবী হুপী অসিবু শুমহৎলিবা মীশক অদু কনানো?"

ষোড়শীনা ঙকতুনা হায়রকই, "নখোয়না নাগী মনিং তাক্কত্রা?"

জীবানন্দনা হায়রকই, "তাক্কে। ঐনা হন্না হন্না হংই, মখোয়না হন্না হন্না তুমিন্না লৈথি।"

"চাবিরো!" হায়রগা ষোড়শী চপ যু না কমহুনা লৈ।

চখোম অহুম-মরি চারগা জীবানন্দনা মমাই নোনখৎতুনা হায়রকই, "ঐ হেন্না চাশিনবা ঙমদে।"

"হেন্না চাবিয়ু হায়জদে। ময়াম্না চানবা অহুন্না চাবিয়ু।"

"ঐ মহুসু ঙমদে। ঐগী অঙসা চাবা লোইরে।"

ষোড়শীনা হায়রকই, "নত্তে, লোইদ্রি। প্রসাদতা ভক্তি লৈতবা উৎলবদি বাবাজীশিংছু বৌগনি।"

জীবানন্দনা নোকতুনা হায়রকই, "মহু নহাক ঙম্লোই। নহাক্কী পাঙ্গল ঐ খঙই। পুলিশকী কাংবুদগীনা মেজিস্ট্রেট সাহেব ফাওবনা মোংবা মহুগী মহুনা খঙদ্রবনি। নহাক্কী নমানা নোংমা ঐহাক্কী খুৎতা নঙবু শিন্নখি, মসি মারোইদবগী শক্তি নঙগী লৈতে।"

ষোড়শী তুমিন লৈ। জীবানন্দ মচিন ভেংনুরগা হন্নকতুনা কন্নরে, হায়রকই, "ঐ ইথন্না লৈবা মতমদা অহিং অহুগী বা পুক্নিংদা খল্লুবদা কমদোনা মতম হৌখিবগে হায়বা ঙমদে, খোইদোক হেক্নোন্না মীনাইশিংগী কাদা থাগত্রা কিবনা নহাক্না নখুং লোন্নহনা কপখিবহ — কাউবিরোইনে?"

ষোড়শীনা হায়রকই, "কাউজি।"

জীবানন্দনা হায়রকই, "অদুগী তুংদা থাংডবদব অনা-মৈচাক অদু — কা অমদা নওগা ঐগদা মমৈথংদা মহাক্কী তম্পাক্তা মোন থাংহনা ঐ অহিং লেনাথ। অদুগী মতুংগী খোদোকশিংদু অমুক থল্লুবা পাম্বদে। মচোম্বা শেনজা-থুমজা পীগে তৌখিবগী বা নিংশিংক্লবদি ঐ ফাওবা ঈকাইবনা তু চুংই। নোংমা ঐ শিগাদৌরম্মী, মতম অদুদা প্রফুল্লনা হায়, 'দাদা, অলকাবু অমুক্তা কৌহনবিক্ল।' ঐনা হায়রম্মী, 'মহাক কৈদৌনা লাকদগে ?' প্রফুল্লনা হায়, 'নমহুনা পুহল্লকদবনি।' ঐনা হায়রম্মী, 'নমহুনা পুহল্লকগা কাম্নগজ্রনে ?' মহাক্না থুল্লকই, 'ঠৌরানী অদুদা লাক্তা লাকসনু, মদুগী তুংদা মসিগী অমাং-অতোং হিসাব যেংবা হায়বদুনি।' মাবু নওনা থওদে, অদুবু নহাক্কী অদুক কবা ভক্ত অময়ুক লৈত্রবনি।"

ভক্ত অদুগী পরিচয় থওনিংলকই, অদুবু অপাম্বা অদু ফাজিন্দুনা থমখ্রে।

জীবানন্দনা হায়রকই, "অসিং মাম্না চেংখ্রে, নহাকপু অমুক কমহন্দুনা থম্লিংখ্রে। হৌজিক্তি ঐ চৎখ্রগে করি হায়রগে ?"

ষোড়শীনা হায়রকই, "করি'না থবকী বা অমা লৈ হায়বিবি।"

"থবকী বা ? খোয়দোকপা করি বা থল্লমগে ঐ অমুক নিশিংবা খোকবে। হৌজিক ভয়নী বা অমথক্তি নিংশিংলি, নহাকা বারী শাবনা ঐগী থবক্তি। মাম্না হৈরাওনবা থাম্মংগা ভৈনা তাই, নত্রা ? অদুবু অমুম্না থাগংগা ওগনি হায়বা মসিগী থওলমদে। হোয় অলকা, নহাক ভশেংনবক অহুক লুহোংবিবরা ?"

ষোড়শীনা মমাই নোনখৎলগা হায়রকই "অমুক করম্বা মওংদা? অচুম্বা লুহোংবদি ঐ অমুখক্তনি।"

জীবানন্দনা হায়রকই, "অদুগা নঙগী নমানা মঙগা ঐগা লুহোংবিখিবা অদুনি অচুম্বা নত্তব্রা?"

ষোড়শীনা খুদক্তা চিংনবা লৈতনা হায়রকই, "নত্তে অচুম্বা নত্তে। ইথানা ঐগা লোয়নবা পীবিখিবা শেল অদুভনি অদোম্বা লৌবিখিবা, ঐবুদি লৌশিনবিখিদে। ঠোক নত্তনা মহুদা অচুম্বা শম্মা অমা যাওবা যাউবিদে।"

জীবানন্দ চপ যুংনা ফমহুনা লৈ, করিগুম্বা মওংদা পাউখুম পীননবা হোৎনবা ফাওবা তৌদে। মিনট মঙা মতৌ অস্থুম্না লেপ্লে। মতম অদুদা ষোড়শী মপুক্লিং লাংলকই অমসুং মুংখয়রক্রবা থাউমৈ জ্ঞানহৌমবা হোৎনবগী তাঞ্জাদা লৈহুনা য়েংলকই, মহাক খঙহৌদনা ধ্যান তৌহুনা ফম্লি। ধ্যান অসি কায়হনগদবা হঞ্জাবরকই, অদুবু ডাইহাক লৈরগা মহাক মখামক্তা বা ডাংলকই, মতম অদুদা খল্লকই, কনানো অমনা অয়াম্বদগী বা ডাংলক্লিমাদে।

"জলকা, নহাক্তী বা অসি অচুম্বা নত্তে।"

"করম্বা বা?"

জীবানন্দনা হায়রকই, "নহাক্না খঙলিবা অদু! বাখী অদু করিগুম্বদমু কনাদমু হায়দোক্লোই খল্লম্মী, অদুবু নহাকপু ঠোক তৌননবা খুদেংই ঈশ্বরনা ঐঙোন্দা পীখিদে। ঐনা হায়জবা অমত্তং য়াগজ্রা।"

"হায়বিয়ু।"

জীবানন্দনা হায়রকই, "ঐহাক অচুম্বা ডাংবা মী নত্তে, অদুবু মসিগী ঐগী বা নহাক থা'জো। নহাকী নমাবু থৌই, মাগী মচানুপীবু য়ুমগী মৌ ৎইনা লৌশিনবগী বাখল ঐগী লৈরমদে— ঐনা উখিবদি মহাকী শেল থুদনি, অদুবু অহিং অদুদা থুংকা থুংকা শিল্লহুনা নত্তবু ফংখিবা মতম অদুদা ওম্মোয় হায়হুনা হন্দোক্লিংবগী অপাম্বস্ত লৈরমদে"

"অদু ওইরবদি বল্লি পাম্বিখিবগে?"

জিবানন্দনা হায়রকই, "তোক্লসি, মহু মহাক অমুক তানিংলুরম্মু। লোইবা ফাওবা তারবদি, মশানা থঙজরকনি, মহু থওবদা ঐগী মাংজব নংতনা তোংগদবা লৈতে, অদুবু মখোয়না নহোম্বা থওহল্লিবা অদু মহু নত্তে, ঐ নঙবু হন্দোকতুনা চেন্দে।"

ষোড়শী ইঙ্গিত অসি থত্তই, অমস্তুং তুকচ্চবনা থাংওমদহুনা হায়রকই, "চেন্নবগী ইতিহাস হৌজিক শেংদোকপিয়ু।"

মহাকী অয়াকপা খোল্লেল তাবদা জীবানন্দ থওহৌদনা নোকফেং তৌরকই। হায়রকই, "অলকা, ঐ অপঙবা নত্তে। ৎম্না তারবদি মহুগী অক-ফত্তা থঙনা তমগনি। নহাকী নমাগী অতুক ওকপা বাকস অদু কাওবা করিগী য়াম্রিবনো থঙ্রা? হুপী অমগী লিক অমা ঐনা হয়'মুই, শেল পীহুনা মাবু থেমজিনগে থল্লগী। মহাক্না য়াবিদে, অদুবু পুলিশকী বাকেটপুদি থিংবা [illegible]। থা তকক জেলদা চংই — নোংঙাক্লবদায়দা খোয়কথিবা অদুদগী হয়রুবগী মতম অমুক থংথিদে।"

.. ষোড়শীনা হুংনা পোৎ থিংলগা হায়রকই, "[illegible]"

জীবানন্দনা নোকফেং তৌনা হায়রকই, 'মহুৎ মতুংদদু কত্না নত্তে। জীবানন্দ বাবুগী মিংদা বারেন্ট অমগমু লৈরম্মী। থা থরগী মমাংদা রেল গাড়ীদা চংনিন্নরিবা মকপ অমগী ব্যাগ পুহনা মহাক লোৎখি। মহুগী ফলনা অমুকমু চহি অমগা মথায় শাংথখি। পুম্না চহি অনি জেলদা লৈরবা তুংদা বীজগাঁগী ওইরগদবা জমিদার বাবু অমুক হয়না ষ্টেজদা খোঙদারকখি, মতম অহুদা অলকানা কদায়দা, অহুগা কদায়দা মাগী মমানা।"

জীবানন্দগী মশাগী বারী তাংকক অমা লোইরে। অহুগী ছুংদা মখোয় অনিমক লেংদনা ফমহুনা লৈ।

"অহিং কয়া যান্না থেংরবগে?"

"নোঙানগদবা থোইনা অমুক বাংলমখিগনি নিংদে।"

"অহু ওইরবদি য়ুমদা অমুক হনবিকবগী কান্নবা লৈত্রে।"

"কান্নবা লৈত্রবা? অহুগী অর্থদি?"

ষোড়শীনা হায়রকই, "কম্বল থাজগে, পোখাবিয়ু।"

জীবানন্দনা মমিং লাওথোক্লহুনা হায়রকই, "পোখাগদবা? মকম অসিদা?"

ষোড়শীনা হায়রকই, "করি কান্নবগে?"

"অমবু অচৌ-অশাং জমিদারদি মকম অসিদা বাঞ্ছনিনে অলকা?"

ষোড়শীনা হায়রকই, "অহ ওইরবমু লৈবিরম্মবনি। লাইরবগী অবাবহ ওসি থরমথৈদি থঙবিথো।"

জীবানন্দ ছুমিন্না লৈ। মহাকী মিংলুকা গী মীয়া চেক্কনবগী তৌরকই, হায়নিংলকই, ঐ পুম্নমক থঙই, অচুবু থঙবিগদবা মীশক

অহুদি অশিবগুমন্নে। অহুবু বা অসি হায়দনা অহুক্কা হায়ুরকই,
"করিগুবা তুমখরবদি অলকা ?"

অলকানা তপ্না প্লাউথুম পীরকই, "চিংনবা অহুবি দৈবা তারবনি।"

ভবানিপাল

জীবানন্দগী লুখাক-লা অমস্তং চঙ্গয়চিংবা লংখোকলুনবা অহুগা চাকশঙগী থবক খজিক খরাক লোইশিন্নরগা খোঙ হিংজিল্লখবনী ষোড়শী মপান্দা থোবক্লে, মচাক্কী চিঠি অহুগী মচেৎ অহু জীবানন্দগী মিংয়েংদা তাকরে। খুনগংলগা মুক্কা পাংয়ংগুম শেমজিল্লগা মরেকশিং অহুদা অঙকপা মিংয়েং থম্লহুনা থাউমৈমী মঙ্গলদা পুশিল্লগা ইন্নিবশিংহু ওন্না অমুক্তদা পাখোক্লে। অমাপা শরুক য়াউরে, অহুবু খজিক্কং অসিদমী থঙলে, অইবীগী খুদেংখীবগী ঙমখৈ দৈরে অহুগা মক্তেং নত্তসু, চানবিনবা খদুনা চিঠি অসি থাম্লিবা মহাক অহু মশামক হুপীনি, অহুবু অহুম শইনমক মহেক্কী মকমদা লেপজুনা হুপা অমা মযেক শেংফত্তনা উ রবা মহাকপু করিগুম্ব মঙ দহু হুপীনি হায়না লাম্না লৌনি চাংহ ওইদে। অমুক অমাবক পায়গা অমুকহু পাবা হৌগংলকপা মতম অহুদা ষোড়শীগী খোঙথাং মখোল তাহুনা মমাই নোনখংলগা হায়রকই "মপুম ওইনা পায়বদি হুংজাইরমশদবনি। ময়েক্কুম লোলহু মরিক চুম্মী—পাবা জোক্লিংদে।"

ষোড়শীনা মহাক্কী খোজেল ওনবা লায়না খঙহুনহু হায়রকই' "অমুক্কা হৌগংশিখো, কম্বলহু থাজিল্লগে।"

জীবানন্দনা মনাদা হাপ্তে, হায়রকই, "স্ত্রী-হিংচাবষু কনানো হায়বা ওচম্বা বুদ্ধিনা খণ্ডবা ওম্মী, অহবু মাবু অবাবা মংকন্নবা আবাহন তৌতুনা কৌরিবা লাইরেম্বা অতু কনানো? মাগী মমিং খণ্ডবা য়াবোইত্রা?"

হুন্দকস্তু ষোড়শীনা মশাবু ফিংগংচহন্দে। নিংথম থাদা খণ্ডহৌদনা থাগী মুংশিং শিংলকপগুম মহাক্কী খম্মোয় মুংদা ওসিন্থ মথক খঙদবা খোঙথাং মখোলগী আশাদা মনা থাংগংখিবা মকম অমুদা জীবানন্দগী করেম্নবতুনা থোইনা মরেক শেংনা যৌখিত্রে। মহক্না খুদক্তা ইচম চম্না হায়রকই, "মাগনি। হৌজিক অমুক্তা হৌগংপিখোসে, ঐ মসি থাজিঙ্গখিগে।"

জীবানন্দ অমুক বা ঙাংদে, মচি অমদা থৈদোকতুনা লেপ্লগা মহাক্না তৌরিবহু য়েংলকই। ষোড়শীনা ওমজিংনা হান্না ইমুং খুংবা শিংচিল্লে, অহুগী হুংদা কখল অহু অনি থোক্না থুপচিন্দুনা থাজিন্নগা অত্তোম্না কি নৈতবনা মহাক্কী অণ্ডবা কি অমা য়াম্না মতম তৌনা হুপশিন্নগা হায়রকই, "কম্বিরো। অহবু এইদি যোম্প্যাক নৈজদে।"

"দরকারবু ওইরবদি কংগনিরে— অহাংপা নৈরোই।" অনি হায়রগা মহাক্না চংশিন্নগা লুকখন্না কি অহু লৌথোক্লগা মকক চানা থমখিবদা ষোড়শীনা মপুন্নিংদা য়াম্না ঈকাইজরহুনা মখাই ঙাংনা হায়রকই, "অহবু মহু লৌথোকপিন্নিবা করিনো, কথদজন্নি য়ুরোইত্রা?"

জীবানন্দনা কমথবগা হায়রকই, "মহু খঙই, অহবু হেন্নবনা হেন্না য়ুগনি। মতম তৌবা হায়বসি : য়াম্না মকবগী কপচি

অচুম্বনি, অদুবু মহু ভৌশিন্নবদদি মনম চেন্দে, মহাও য়াউদে। মহুদি খোইরুডম অভোম্না কনাগুম্বদা পীয়ু।"

বা তাবদা ষোড়শী ওকপনা থম থেংলে। মহাক্কী মাইথোংদা মিংকুপ অমগী মন্নুংদা কনাবনো হায়ুক তৈশিনলে।

জীবানন্দনা হায়রকই, "মহাক্কী মমিংদি ?"

ষোড়শী মিংকুপ খরা পাক হেক বা ওাংথোকপা ঙমদ্রে, মতুগী মতুংদা হায়রকই, "কনাগী মমিংনো ?"

জীবানন্দনা মখুংতা পায়রিবা চিঠি মচেং অহুক্কা খানা য়েংলগনা হায়রকই, "হিংচাবা হাংনলবগীদমক খুম্না খোঙদাবিরগ-দৌরিবা মহাক অদু ? দ্রৌপদীগী সখা, অদুগা — অমুক হায়খোম্বা ?"

করেম কাথাইনবা অসিগী পাউথুম মহাক্কা পীদে, অদুবু মহাক্কী মমিংতা ওমহৎপগী কুপ্পবা মুখল অতদি মচেং মচেং শেগায়রে। ধর্ম্ম য়াউদবা দোষ পিখিক্কা ভীরুবা লমচৎ নাইবনা অসিগী অওকপা অভিনয়দা ওবহৎতুনা কমদোম্নদো মহাক্কী থম্মোয়দা ডাইহাক্কী ওইনা ডাকপিহৈবগা লোয়ননা মীচুংশি কাওরকখিবা অহু থল্লুবদা পাক হেক লাম্বা ফংদে। অদুগা ডাইহাক্কুং মপুক্কিং চমমক্কবা অসিগীদমক থম্মোয় 'পূম্বা হুংনাংবনা চেকশিনহনরে, অমস্তুং থম্মোয় কনশিনহনরে। ডাইহাক লৈরগা জীবানন্দনা অমুক হন্না বাহং অহুমক হুংলকই, মতম অহুদা ষোড়শীনা খোঞ্জেল লেমন্নুনা হায়রকই, "বাগী মমিং করি দরকার লৈবিবগে ?"

জীবানন্দনা হায়রকই, "দরকার করিগী লৈরগদগে ? হায়বদি থওহৌরবদি ইশা কল্লনবা উপায় শিজ্জহোম্বা য়াই।"

ষোড়শীনা মাগী মাইথোংদা খানা যেংহুনা হায়রকই, "অদুগা ইশা কয়নবগী অধিকার ঐগীদি লৈতব্রা ?"

জীবানন্দনা হায়রকই, "করিগী লৈতনি।"

ষোড়শীনা হায়রকই, "অদু ওইরবদি মমিং অদু খঙবিবা য়ারোই। ঐগা অসোমগা অমুক্তদা কয়নবগী উপায লৈতে।"

জীবানন্দনা ডাইহাক চপ যুংনা লৈরগা হায়রকই, "মদু ওইবা তাররবদি ইশা কনবা ঐগীনা দরকার হেনা ওই, অদুগা মতুদা অশোয়বা লৈরোই খঙউ।"

ষোড়শীনা মচিন্দা পত্নিংলকই, মদু খঙই, নোংমা জিলাগী মেজিষ্ট্রেট কে সাহেবকী মফমদা বাহং অসিগী অরেপ্পা খঙনগ্রবনি। হুমিং অদুদা ময়াল লৈজদবী মুপী অমগী মথক্তা মবাল ননশিন্দুনা মহাক্কী থবায় হিংখিবনি, অদুগা মহাক্কা ওসি হিংহুনা লৈরিবা অসিগী মমলসু অদুক চাউনা মী অমদা পীগদবনি। অদুবু মহাক বা অমত্তা হাংদে। মপুক্কিংদা খল্লকই, অসুক চাউবা মী-শাগী মফমদা অদুক চাউবা দানগী বা পল্লুবগুম অরেম্বা অতৈ অময়ুক লৈররোই।৮—

জীবানন্দ জ্ঞান তাররে। মহাক্কী অদুক কল্লা চাউথোকচবগী পাউখুম পীরকত্রে,—মীগী মতিং শোকহল্লবা হায়খিবা অদুনা অরেম্বা তাররবদা মশাদা হুল্লা তেনবাল্লরে। মহাক্কী লাংতল্লবদি নেমথরে, অদুবু শাউবা হেনগংত্রে। হায়রকই, "মদকা, মতৌগী বীরপুরুষ অহগী মমিং ঐ খঙদবা নত্তে।"

ষোড়শীনা খুদক্তা খুল্লকই, "করিগী খঙবিদনি, অদু নত্রবদি মাগা কয়রা খংনবিগদগেদো ? অদুদা নত্তনা পৃথিবীগী বীরপুরুষশিংগী মচুংদা মমিং য়াউফম থোকই।"

জীবানন্দনা হায়রকই, "মহ চুপ্পী। অহুবু কাপুরুষ অসিবু হন্না হন্না ঈকাইবা পীবগী ভার অহু নত্তগী বীরপুরুষ অহুনা থাংবা ঙম্লগা লোইরে। ফরে, চিঠি অসি শেগায়ন্নিবা করিগীনো ?"

ষোড়শীনা হায়রকই, "অতোপ্পা চিঠি অমা থাক্রে হায়রহনা।"

"অহুবু চুমত্রিং মঙোন্দা ইদনা মাগী মুপীদা ইরিবা করিগীনো ? অসিগুম্বা শব্দভেদী বাণ অসি বীরপুরুষ অহুনা তম্বিব্রা ?

ষোড়শীনা হায়রকই, "অহুদগী দি ?"

জীবানন্দনা হায়রকই, "ওসি ঐগী চিংনবা কোক্রে। মরুপকী পাউ ঐ মীঙোন্দগী তারে, অহুবু রায় মহাশয়দা হংলিবমথৈ মহাক হুমিন্না লৈ। মহাক্ক থাইদগী হেন্না চৈবহুগী মরম থঙলে।"

ষোড়শী চঙক্লে। কলঙ্কগী নোংলৈ-নুংশিং মরক্তা তাহুনা মহাকী হকচাংদা দাগ লৈতবা মফম অমুক লৈত্রবনি, অহুবু মহুগী মপান্দা লেপ্পবম্ব মী অমমুক নাম্থোকপা ঙম্লোইদোরি, মসি মহাক থন্নমদে। তপ্পা তপ্পা হংলকই, "মাগী মরমদা কাব তাবিবগে ?"

জীবানন্দনা হায়রকই, "পূন্নমক।" মাইহাক লেপ্লগ হায়রকই, "মহাক্কী মিংয়েং-নায়েং অহুগা ফজবা থাঙাং-শাঙ রুদা ঐ নোক্লিংবা পোকপা চুবনি, অহুবু নোকপা ঙমদে — ঐগী হন্নাওনিংঙাই ওইবা ব্রা নস্তে মসি। নোং-নুংশিং তৌবা অহিং অহুগী ব্রা নিংশিংলিব্রা ? মহুগী সাক্ষী লৈ। সাক্ষীশিং অহু কমায়দা লোৎতুনা লৈরুবনো মহাকমথৈ করিস্থ হায়বা ঙমদ। ঐনা গাড়ীদগী ব্যাগ পুহুনা চেনবা মতম অহুনা কনা উহোদে থন্নম্মী।"

ষোড়শীনা হায়রকই, "করিগুম্বা মহ হুশেংনা থইরবম্ব দোষ কয়া য়ায়া চাউবগে ?"

জীবানন্দনা হায়রকই "অদুবু মচবু লোৎপা অদুদি? চিঠি অদুগী মচেৎ অসিদি? মসি ঐনা পুখিগনি, দরকার লৈরবদি মফম চাবদা য়োইহনখিগনি। ঐগী মতৌগুম মহাকপুসু নহাক্কী বিচার তৌনবা অমুক হায়খিবা নত্রা? খঙলে, নহাক্কী বিচার তৌবদা খুদোংথীবা লৈ।" অসি হায়রগা মহাক নোকফেৎ তৌরকই।

ষোড়শীনা তুমিন্না বাখল তৌরকই। খুদোংথীবগী পাউ খঙহন্দুনা মচাক্না মী অমদা পান্নগা অতোপ্পা মী অমবু লাক্লনবা কৌখি — কৌখিবা অদু চিঠি মচেৎ অসিদা য়ুপা অসিদগী ফাওবা লোৎপা গুমদ্রে, মতম অসিদা মপুংফাবা চিঠি অদুদ হৈমগী মিৎয়েংদগী নাম্বোকহনবা ঙমগদ্রা? অদুগা মাইকৈ অদুমক কনাগুম্বনা করিগুম্বা মখুৎ থিন্দুনা হৈমগী মিৎয়েং চিংশিনহনবা পাম্লব দ ঈকাইবগী ঙমথে অমুক লৈরয়োই।

মিৎকুপ্পা হৈমগী যুম্বানবগী মওং — মাগী মপুরোইবা, মাগী মচাহুপ', মাগী মীনাই-মীশল ময়াম, মাগী ঐশ্বর্যৎ, মাগী মরা তপ্পবা পূন্সি-ঈচেল — মুমিৎ কয়ানিগী মমাংদগী উরক্লিবা কপ্পনাগী শক্তম —পূম্নমক অমুক্তদা পাপকী মনিলনা কুপশিনগ্রগনি খল্লুবদা মহাক মশাগী মকমদা মমাই উচ্চবা ঙম্রকত্রে। অদুগা পাপী অসিনা মহাকমক্কী ময়ুমদ কম্বরগা মতোন্দা কিহন্নরি কত্তবা থবক্তা হায়নিংঙাই লৈত্তনা হৈনবর্জ মহাক্না মীনম্বগী লাং থাকতুনা শক খঙদবী মরাল লৈজদবী মুপী অমগী মাংননবা শিলবদা করিমত্তা মীংহন্নরোই, 'ষাড়শীনা খল্লকই, পূন্সি অসিদা অদুক্কু মীনা হন্দোইবদি মচাক করিগুম্বদসু কনাগী মফমদসু থোকখিদ্রি, অদুক্কু অম্মোয় ংথায়বক্লিবা হু অসিগী বৈচাক্না পুকচুং শিন-থুংনা তাকখৎলক্রে।

নির্ম্মল শোইদনা লাকনি। মহাক্কী খুদোংচাদবা কবা লৈছনম্ব অরাবা অসিগী কৌজবু মহাক্না খোশাদবা ঙম্মোই — মশানা তাঙ্গরবগী মৈশানা মপু ক্লিং ওমচাক্লরক্লে।

মিনিট মঙা-তরুকলোম তুমিন্না লৈনরবা মতুং অসিমক্তদা জীবানন্দনা মহাক্কী মাইখোংদা য়েংহ্না হায়রকই, "কমদোই, বা যাম্না খঙই নত্রা?"

ষোড়শীনা ভূত চুবগী মতৌগুম খুদক্তা খুম্নকই, "হোয়!"

"পুম্নমক অসি অচুম্বরা হায়রু?"

ষোড়শীনা অহুম্না চিংনবা লৈতনা হায়রকই, "হোয, অচুম্বনি।"

জীবানন্দ চঙ্কুখ্রে। থোওই-উশিংতবা অতেনবা পাউখুম অসি তাঙ্গরবদা মহাক মশামকম্ব পাক হেক বা ঙাংখোকপা ঙমদ্রে। অহুম্নদং হংলকই, "হৌজিক অহু ওইরবদি নহাক কবি তৌগে খল্লিবগে?"

"ঐহাকপু কবি তৌ হায়বিরিবনো?"

"নহাকপু?" হায়রগা জীবানন্দনা তুমিন্না মক লুকখরছ্না থাক্ত খ্রাউবিবা থাউ'ম অহু মরম লৈতনা অহুম ঙানখংহন্নকই। ঙাইহাক লৈরগা মহাক্না বা ঙাংলকপা মতম অহুদম্ব মহাক্কী মিৎযেং মৈখিদা থম্মী। হায়রকই, "অহু ওইরবদি মখোয় পুম্নমক্না নহাকপু অমত্তীনি হায়না — "

ষোড়শীনা বা মযাইদা থংতুনা হায়রকই, "বাকম অহু মসিদা করিগীনো? মখোয়গী মাইয়োক্তা অদোমগী মকমদা ঐ থাকংচদে। ঐবু কবি তৌ হায়বগে মহু ঙাকপিয়ু। করিগুম্বা মরম অমত্তা উৎপগী ধরকার লৈক্তে!"

জীবানন্দনা হায়রকই, "মহু ওইবা য়াই। অদুবু ময়াম্না হাববনি, অদুগা নহাক নত্তোমদদি অচুম্বা তাংই, মসি ঐঙোন্দা নহাক্না খঙহন্নিংব্রা অলকা ?"

পাউখুম ওইনা ষোডশীনা মঙোন্দা য়েংদুনা করি'না অমা হায়গে ত্তোরম্লগা খঙহৌদনা তুমিন্না কৈথিবা উদুনা। জীবানন্দনা মশাবু অমুক্কা ঈকাইবা শীরবনি হায়না লৌই। হায়রকই, "পাউখুম অমত্তমু পীনিংব্রা।"

ষোডশীনা মঙক হাইদুনা হায়রকই, "পীনিংদে।"

জীবানন্দনা হায়রকই, "হায়বদি ঐঙোন্দা মরম তাক্কদবগী শরুক মিংচৎ থীবনা কৈ। অদুনি। অদুবু পুম্নমক খঙলে।" অসি হায়রগা করেম্নবা মীনোক্লা নোক্লকই।

অদুবু মসি ফাওবদা ষোডশীগী অচম্বা খোঙ্গেল মাংদ, হায়রকই, "মরম শেংনা খঙলবা ভুংদা করি ত্তোগদগে হায়বিয়ু ?"

মহাক্কী বাহং অমদি খোঙ্গেল নিক্কবা অসিগী অরোনবা শাফুনা জীবানন্দগী অশাউবা অমদি থাংওমদবা শারুক চা-মা হেনগৎহনম্রে, হায়রকই "মহাক্না করি ত্তোগদগে মহু নহাক্না খঙলিগনি, অদুবু ঐদি মন্দিরগী পবিত্র কনবা তাই। অচুম্বা মওগী অভিভাবক নহাক নত্তে, ঐনি। মমাংদা করি চংলরম্বগে ঐ খঙদে, অদুবু হৌজিক্কগীদি ভৈরবীনা ভৈরবীগী মত্তোংগুম লৈগদবনি। অসিগুম্বা চিঠি ইবা য়ারোই।" অসি হায়রগা মহাক্না মমাই নোনখৎলকপদা মাগী খনবনবগী মিংথেং উবদা ষোড়শীগী মিথেং মিংকুপ অমদা য়ুথক অনা লাপথোকখিবগা লোয়নবা মুংশি-মুংওন্না থুমহৎলবা মুংশা পোরবা নশা 'পুম্বদা হৈরবগুম খল্লকতুনা তাইবক্পান অসিদা

হৈনিংবা পোক্তবগুমগ্রে। পুক্লিংদা খল্লকই, হৈম, মহাক্কী সংসার, দেবমন্দির, মাগী সহায় লৈত্রবা প্রজাশিংগী অবাবা, মাগী তুংগী থাখল করিমত্তা কান্নবা লৈত্রে—লিপুন ময়াম অসিদগী নাম্ভোকত্তুনা মখম খণ্ডদবা কন্দায়দনো চৎতুনা লোৎনুবা ফংলবদ হিংগনি। থ্বাইদগী হেন্না খল্লিবদি নির্ম্মল লাক্রবনি। ফনা কুইনা চপ খুংনা লৈরগা মমৈখংদা তপ্না তপ্না হায়রকই, "ফরে, মহুদা তায়ে। অশেংবা অভিভাবক কনানো মহুগী মবমদা ঐ য়েৎলরোই, মযাম্না করিগুম্বা ঐ চৎগ্রগা মন্দিরগী অফবা ওইগনি হায়ররদি ঐ চৎখিগনি।"

মাসবু কবেম্নবনি খদুনা জীবানন্দনা মৈশা লাংবগা লোয়ননা হায়রকই, "নহাক চৎপবুদি শোয়দ্রবনি। মরমদি চৎলি চৎকে ঐ য়েংগে।"

ষোড়শীনা অহুম খোজেল নেম্না হায়রকই, "ইশানা চৎপা পায়ে, অহুদা করিগীনো অদোম্না শাউবিরিবা? অহুবু মন্দিরগী তশেংনা ফননবা শিনবগী থৌদাং অসিদি অদোমদা নম্নবনি।"

জীবানন্দনা হংলকই, "নহাক কৈদোউঙ চৎকদগে?"

ষোড়শীনা পাউখুম পীরকই, "য়াখং হেক পীবিবগা। হয়েং, চসি, হৌজিক—হেক হায়দিবগা।"

জীবানন্দগী অশাউবা হেনগৎলকপা নত্তুনা হঙ্গদে, হাযরকই, "অহুবু নির্ম্মলবাবু? মমহাক ইবুংঙো?"

ষোড়শীনা কপ্পিংনা হায়রকই, "মাগী মমিং অমুক পনবিরম্ভু।"

জীবানন্দনা হায়রকই, "ঐগী চিন্দা মাগী মমিং পনবা কাওবা খাংহনমগ্রা? ফরে। অহুদি নত্তোন্দা করি পীবা তাবগে?"

"ঐঙোন্দা করিম্ নীবিলগনু ।"

জীবানন্দনা হায়রকই, "নুং অসি কাওবা থাদোকদবনি খঙলব্রা ?"

ষোড়শীনা মচক নোনদুনা মোল্লুক্না হায়রকই, "খঙই । করিগুম্বা ঙমবদি হায়্‌মক থাদোকনি ।"

"হয়েংমক ? হৈক, কদায়দা চৈগে লেপ্লবগে ?"

ষোড়শীনা হায়রকই, "মকম অসিদা চৈরবোই, মসিদগী হেন্না করিম্ লেপত্রি । নোংমা করিম্ খঙদনা ভৈরবী ওইথিবনি, ঙসি বিদায় লোবা মতমদসু ঐ মসিগী হেন্না করিম্ খল্লোই ।"

জীবানন্দ তুমিন্না চৈ । মহাক্না খঙহৌদনা মপুক্লিংদা থল্লকই, ঙসাবমথৈ কদায়দনো অমা মহাক্কী অরানবা চৈরক্লে ।

ষোড়শীনা হায়রকই, "অদোমদি চৈরমগী জমিদারনি, চণ্ডীগড়গী অফ-ফত্তা খরবা থৌদাং ননশিল্লম্লগা চংশদা ঐ অমুক যাররোই, অহুবু ঐগী বাবা যাম্না য়বনি, মঙোন্দা শিন্নথোকতুনা নিংঙাইদনা চৈথোকপিগনু ।"

মহাক্কী খোঙ্গল অমসুং বাঙাংদা শাংতক্লরকতুনা জীবানন্দনা হংলকই, "নহাক ঙংশংনমক চৎনিংলব্রা ?"

ষোড়শীনা মথক্কী বা হক্তিনবগী মওংদা হায়রকই, "ঐগী রাজরক্লবা লাইরবা লৌ-মী প্রজাশিং—মথোয়গী অবা-হুঙাইনী ভরম্ ঐনা অদোমগী মফমদা শিন্নরমহনা চৎকদৌরিবনি ।"

জীবানন্দনা থুনা য়াংনা হায়রকই, "করে মহু য়াবে । মখোয়না করি পাম্বগে হায়রুদনা ?"

ষোড়শীনা হায়রকই, "মহু মখোয়না অদোমদা খঙহল্লগাবে ।

ভদোমগী ৱাদি ঐনা চৎত্রিদৈদা মখোয়দা খঙহল্লমগনি।" খঙহৌদনা মহাক্না মপান্দা য়েংথোকউরগা হায়রকই, "অদুবু হৌজিক ঐ চৎচরে—ঐগী ঈরুজবা চৎপা মতম ওইরে।" অসি হায়রগা মহাক্না মাগী ফি অমস্থুং গমছা ফিয়ানখোক্তগী লৌরগা ময়েংজুমদা য়ানখৎত্রে।

জীবানন্দনা ঙকপনা খম থেংহনা হায়রকই, "ঈরুজবগী মতম? অহিং অসিদা?"

"নোং ঙাল্লে। হৌজিক্তি লেংবিয়রা।" ঙাংনা ঙাংনা ষোড়শী ইমুংদগী থোরক্লে। মহাক্না অদুম্না মরম চাদনা খঙহৌদনা তফিং তফিংলকপা অসিদা জীবানন্দসু ফিংগৎলক্লে, হায়রকই, "অদুবু ঐগী হায়গদবা বা পূম্নমক ৱাৎহৌরিনে অলকা?

ষোড়শীনা হায়রকই, "যুমদা হনবিরো?"

জীবানন্দনা অনম কম্না হায়রকই, "নত্তে। ঐগী বা লোইত্রিবা ফাওবা মফম অসিমক্তদা নহাকপু ঙাইরমখিগনি।"

পাউথুম পীবদা ষোড়শীনা ঙক্না লেপ্লগা হায়রকই, "নত্তে, নখোঙদা তুজবি, ঐবু অমুক ঙাইবিরগন্থু।" হায়রল্লগা মহাক ওই থংবগী উমং লম্বীদা থুনা য়াংনা চৎখিহনা উখিত্রে।

কুন

সুম্বিং অহুগী অয়ুকতু খঙহৌদনা অমম্বা লৈচিন্না পূম্নমক কুপখিনখি। রায় মহাশয ফম্বুংদগী হৌগৎলগা মপান্দা থোরকপদা লঙায়রিঙি, ভদ্রলোক অমা চংলকপা উবদা হংলকই, "কনানো?"

"ঐ নির্ম্মলনি।" হায়রগা মহাক্না চংশিল্লরুগা মহাকপু খুরুম্লরে। খঙহৌদনা লাকপা অসিদা মহাক করিগুম্বা মওং অমতদা ওকপা নত্রগা হরাওবা ফোংদোক্লে। মীনাইশিংবু কৌহুনা হায়রকই, "হায় কনা লৈবগেনে, নিম্মলগী পোৎ-চৈশিং পূম্নমক হৈমগী কাদা থম্মোবাও। অহুদি গাড়ীদগী অরাবা নং-লক্কেদনা হৈবুংঙো? অঙাং, হৈম, মখোয় অনা অয়েক যাউদেনকো।"

নির্ম্মলনা মওক নোনহুনা বনাম্লু অনা-অযেক য়াউদে খঙহল্লকই।

রায় মহাশয়না হায়রকই, "অহুবু নঙোমদা লাক্লিবা করিগীনো নির্ম্মল, সুপীমচ পুবিরক্লম্লবদি মশক উব ফংলমগদবনি।"

নির্ম্মলনা হায়রকই, "সুমিং হুম্নি-মরিনিদগী নিনা অমুক—"

রায় মহাশয় নোকফেং তৌরকই, হায়রকই, "মসি হুম্নি-মরিনিগী রাফম নত্তে সুপামচা, থা অহুম-মরিগী দরকাররনি। চংলো, ইমুংদা চংলো—নমাই নমিং তাথোকউরাগো।"

নির্ম্মলনা ইমুংদা চংলকপদা উরে, মফম অসিদসু ফিভম অহুমক্লি। করিগুম্বা মওং অমদবু ওইরবসু মখোঙ-মখুং হাম্বা, ফি-রোল হোংদোকপনচিংবা লোইরবদা চা অশাবা অহুগা চানবা থরা মনেম-ইবেম্মা মথুংমক্না পুরকহুনা ময়াম্লুপাদা পীজনবা কমথরগা হংলকই, "হৈমদি লাক্লিংদব্রা?"

নির্ম্মলনা হায়রকই, "অহে।য।"

"মহাক কৈদোৎনা চংলিবনো হায়বা মখোয় খঙ্গদৌব্রা?"

নির্ম্মলনা মওক নোমহুনা হায়রকই, "করিগী খঙদ্রিনি, পূম্নমক খঙই।"

"অহুদি থাক-লাকব্রা?"

মহাক্কী বাহং অমস্তুং খোংজলদা নির্ম্মলনা হুংঙাইত্তবগী ইচুল কাওই থঙলহুনা হায়রকই, "থামগদৌরিবা করিগীনো ইমা? মহাক্কদি ঐ অরানবা থবক্তা কয়িঙুবা হুমিংতস্থু খুং থাদে থঙ্‌লিবনি।

"অহুগা মাগী মপাদি অরানবা থবক্তদা খুং থাহুনা লৈ, মসি মহাক থঙত্রা নির্ম্মল?" অসি হায়রগা মহাক ঙাইহাক লুকথহুনা তুমিন্না লৈরগা থঙহৌদনা ঈথক্তা লোয়ননা হায়রকই, "মহু মহাক ফনস্থু থঙজসন্নু ইবুংঙো, মসি নঙদি তৌবা ঙম্রোই— থবক অসিদা নহাকপু ঐনা কয়িঙুম্বা মঙংদস্থু নখুং থাহনবা ঙম্রোই। মকুবোক্তা মমহাক্তা থংনবা লৈকাইগী মীনা কুপ্পৈ যেংবা, মহুগী মমাংদা ঐ ঈশিংদা চোংথহুনা শিজ্জবিগনি, নঙোন্দা হাযবৌম্বিবসিনি ইবুংঙো।"

নির্ম্মলনা তপ্না তপ্না হায়রকই, "অহুবু নৈচংশিরবী, সহায লৈজরবী মথোয়বু কনবন্দনা ঐথোয়গী কারবারনি।"

মনেম্মোক্তা হায়রকই, "অহুবু কারবারদনা মীহুইবগী পূম্মক নস্তে ইবুংঙো। উকিল-বেরিষ্টরশিংস্থু মচল-মচে, মমা-মস্কোল, মতুং-মচা মনেম-মকু লৈনরিবনি — গুরুজনশিংগী ঈকাই খুম্নবা হাক্কবরা থৌদাং মাথায়গীদমক্তস্থু শকক থুংলি।"

নির্ম্মলনা মঙক নোমহুনা হায়রকই, "করিগী থুংদগদগে ইমা, অশংবা থুংলিবনি।" অহুগী মতুংদা বাফম পুম্নমক লায়থোকহল্লবগী বাথম্না নোককেং ভৌহুনা হায়রকই, "অহুবু মহৈদা থংবা ঠৈবগী করিমত্তা থোক্লদবা কাই।"

মুখু...গী মাইটে... ... মকা লৌমাদ, হায়রকই, "মাই, অহুবু ... ... হুবায়া মচং ...ল... ...না মাইতীবা ফংলবদনা য়াগনি। অহুবু মহুগী মতুংদদি মহাক অমুক রায় মহাশয় ওইনা থুঙং অদিদা লৈবা য়ারোই। অদুদা নত্তনা ষোড়শী অশোনবীস্থ নত্তে, হয়া য়েংবদা কনা লৈতবীস্থ নত্তে। মাগী, লম্বীদা পোৎ-চৈ মুনবা ডাকু কাংবু লৈ, মাবু জামিদার কাওবনা কিরিবনি। মাগী চিঠি অমত্তগী মপাঙ্গলনা যুথক চা-মত্তা লাপ্পনা লৈবা মী মমুম-মকৈ, মতু-মচা থাদোক্লমহনা লাক্লি, দৈথোয়না মহু চিঠি চা-মনা কাবো ভয়া নত্তে মথোয় তৈত্তবীনি, অহু অদা, মন্ত্র-তন্ত্র কবা চৈ। অহুনা মহাক লৈরবস্থ কৈ, লেন্সবস্থ কৈ, ঐগী অমাংবা লৈতে— মশাগী পাপকী পোৎলুম মশানা পুক্লদবনি, অদুবু ইনাহেমক্লনা ইচাম্নুপীগী মাংননবদি ঐনা থাকহল্লোই নির্ম্মল, মীনা হায়নিংবমথৈ হায়জসস্থ, তৌনিংমথৈ তৌজসস্থ।"

নির্ম্মল নুংবংননা লৈ। ... অমাবু থৈরবস্থ মাইকৈ সোমদা থগুনদবা করিস্থ লৈত্রে, অতগা লোতুনবদস্থ করিগুম্বা অশোয়বা অমত্তা লৈতে। মহাকী মবুথোক্লা অপাং-অয়াক লৈগদবা পুম্নমক ওয়া থিত্তুনা থমগ্রে, অহাবা পুথোক্লবা উপায় লৈত্রে। মহাকী বা তাংগন্দবী মনেম-ইবেম্মনা অস্তক চেৎপা বা ... ৈ লৈরমগনি হায়বা মহাক্না থল্লমদে, অহুবু পাউথুম থিদদস্থ লাপ্পা কংদে। রারেং অদি লেংলগা আত্তাম্না অমবু চিনক্লা পুংপ্রিবা মহাক্না মাইকৈ থুদিংমক থল্লগা তৌরিবনি, অতগা অদিমু মহাক অচন থগুদবা নাত্ত মহুদি, থৌলৈকনা অতোপ্পগী মাইকনবা

য়াথন্দা লোংচুপনী চিদায় ফদা নুংশিচা হন্দোক্লমহনা লাক্লিবা নহাক্না মানী পাউখুম করিহৌবা নঙংন্দ্রি মচিনথক্না শীবা ওইরোই।

পুং অনিরোম পোখারবা মতুংদা নির্ম্মলনা ইমুংদগী থোরকপা মতম অহৌদা যুম্বুরেন মপান্দা ফংখী। মহাক্না কদায়দা কৈদৌবা অমিনচিংবা কান্নদবা বাহং হংলকতুনা মতম মাংহন্দে, গুপ্তী থবা ওন্না হল্লক্লবা হাবরগা হায়রকই মান্দি, মশা চোকথরবা অহৌনা য়াম্না থেংনা ঈরুরগা চারবন্দি নারকনি।

শিরোমণি মপাশযনা মনাক্তা ফমন্না করিনো হায়রম্মী, কল্লপ য়েংলগা হায়রকই, "ঐথোযগী ইবুংঙো নত্রা?"

রায় মহাশয়না হায়রকই, "মানি।"

শিরোমণিনা কৌত্তুনা য়ারী শাগদবগী তৌরকপদা জনার্দ্দনা খাঙনা লাকই, "নির্ম্মল চেনখিগদবা নত্তে, নহাক্কী বাথুহম লোইশিনবা, ঐ হেংগৎপা তারে।"

নির্ম্মল তুমিন্না মপান্দ থোরক্লে। মহাক্কী মকুবোক্না মহাকপু য়াম্না থওমিংগৎলবা যুম্থংগী লম্বীদা য়াংং হংজনদবদগী চানবিন্দুনা নাম্নোকহনবিরে, মাস থন্নুবদা মহাক মশাই ওাংলকই।

ষোড়শীনা উত্রবা মহাক চংলিবনি। অমিং নিনিগী মমাংদা থম্মোয় লায়ুমদা য়েকথিবা লাই অহৌ পুজনা মশায়া মখুম থাদোরক-থিবা অহৌগুম্না পৌনা অহৌ অমুক লৈথিদ্রে। লমশাং লাকপগী অমাবা কোকহল্লিবা মও অহৌ মনেম্নোক্তী হায়বা য়াবা য়াদবা বাহৈনা লান্দ রকথিবদগী হৌরিক্তা পূমতোয় তোয়ক্লবনি। অপুনবা অমত্তং অকনবা শক্তি পুম্নমক্কী ম ইয়োক্তা লপ্পুনা মশাগী অমত্তা ভাইরব হুপা থোকপগী মতোনা চংজফম লৈত্রবী, মশাক্তদা

লোমলবী, অয়া-মৈশা লাংলবী, মাইথীরবোগী কইজবা থিদবা মকপকী মমাক ওইনা থুঙং অসিদা মহাক থোক্তখাববা পামথিবনি। মহাকী মপাঙল কয়া লৈরম্মী, মথৌনা কয়া লৈরম্মী, অদুবু লাক্লগা উরে, মহাক্কী থবক খুদিংমকপু মমক অসিদা মময় লমা নত্রগা অমা পুথোকপগী অরাংপা লৈরমদ্রে। মকুবোকপু মহাক্কা করিগুম্বা লুমিংতসু আদর্শ লৈবা হুপানি থনখিদে, খুদু নী সম্পত্তি লৈবা মীমি অচম্বা ক্ষিভমদগী মতিক চানা শেল তাঙ্খিবতনি, অদুম তৌদুনা লাইরম্লেনগী থমচকী লামায়দসু লৌনা লৈরমগদবা নত্তে অমসুং মপুক্লিংদা ঙাকপিখি, অদুবু ঙসি মহাক্কা মন্দিরগী চেকপল কোইদুনা চংলিবা অখুবা লমী মতুং ইন্না যোড়শীগী থাংপোক তম্না থোক থাংলকপা মতম অদুদা মাগী লাংতক্লবা থম্মোয়গী মচি অমদা মকুবোকী মাইয়োক্তা রেক্লবা অমসুং তুকচ্ছবনা ফুনগৎলক্লা উবগুর মদুগী মচি অমদনা থোইদোক্লা করিসু খণ্ডপ্রবস্ত যোড়শীদা বায়োবা অমদি শাউনিংবনা ফুনগৎলকই। মপুক্লিংদা হয়া হয়া হায়জরকই, মরি-মতা থোক্লদবা মশক খঙদবগুম্বা লুপাঙ্গী থৌজাল নিঙ-চিঠিগী মথেংনা চিংনবা লৈতনা কৌরিবী, অদুগা রাকম অদু কৈয়োই-লৈকাইদা শন্দোক্লিবী অদুগুম্বী লুপীদুবু অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু ঈকাই-খুম্নবগী অরাংবা থাক্তা থাগৎপা যাবা নত্তে। অদুবু খঙহৌদনা রাখল মতাং অসিদা অপনবা কংজুনা লেপরে। মনা পুংলবা তেংনৌ পাম্বীগী মকুমদগী হুৎ লৈশিনবমক্তদা মহাকী লাংতক্লবা মিংরেং থায়া নক্লা লৈরিবী যোড়শীগী মাইথোংবা তাক্লরে। মহাক গুমাং মতোন্দা লেপ্পুনা মপুক্লিং লুমা শক্তিন পুন্দুনা লৈরম্মী, চংলক্লিবগী থোঙথাং মথোল তাদে, অমসুং তাইহাক্তি

নির্ম্মল ভুমত্রে লেংবা, ভুমত্রে মিংয়েং হোংবা। অসিনি ষুহিং অচুম্বী, অদু ওইরবস্ত মাগী মপুর্নিংদা মতাক অসি ভৈরবী অমম্ন চত্রগাপ্নে শক্লকই। অদুম ভওমক খেতুরিবস্তু কদায়দনো মচুস্তু ফাবা ভুমদে। ফিবাল অজা বা চনবা গেরুয়া মচুগী শাড়ী অদুম শেংলি, মচৌশাগুম মশম ফানা চোইজাইনৈ ভকশদদা কাগুম রুদ্রাক্ষগী মালা শিরি মাইথোংদা উপবাস কনবগী মমি অদুম ভারি — সিন্দুর তৈবা ত্রিশূলস্থ কাওবা অদুম মথুং মরাদা য়ুংশিন্দুনা থম্লি — অহোংবা কর্নস্ত্র নৈতে, মচু ওইরবস্ত মশক উদবা, মফম খণ্ডবা মঁহৌবনা মহাকপু মিংকুপ খুরদি নুংবংনহনগ্রে। পয়া মচিল অনি পায়হনা চিংলগা ষোড়শীনা মমাই নোংখৎলকপমক্তদা হাইকেং চঙক্রুরকই, অদুবু থংনবা মিংকুপমক্তদা পয়া থাদোক্লগা খোইক্রুম মোমোন তৌনা মমাংদা চংশিল্লক্রগা হায়রকই, "লেংশিন-বিরকউ, ঐগী য়ুমদা লেংশিল্লুসি"

নির্ম্মলনা তৌফম খওদনা হায়রকই, "অদুবু অদোমগী থবক্তা অপনবা পীরবাস্নে।"

ষোড়শীনা খওনিংবগা লোয়ননা মোমোন তৌনা হায়রকই, "খমল থাবা ঐগী থবক্লিনে? অদুনা মসিনা ইথৌ ওইরেনে, মরি-মতাবু তরাম তরাম তৌবদি খতলে ইথৌ ওইরিরোইবে? মুগী মপামদা নিঙোল মরাবু হরাও হরাও তৌবিরক্তে, অদুবু মীতমগী থাংলোক্লগীদি মনাও মুপাবু থৌওইমনা হলহল্লোই। লেংশিনবিয়ু, ইমুংদা কমদুম্বি লাকপিয়ু। অতাং, হৈম, মীনাই-মীপন পুমমক অনা-অয়েক য়াউদ্দনা? অদোম য়াইকবিরিদনা?"

নির্মল কৈদৌগনা খুংগুক-খুংজানরকই। মচক লোমদুনা হায়রকই, "পূম্নমক য়াইফরি, অদুবু ঙসিদি অমুক কয়রোই।"

যোডশীনা হায়রকই, "করিগীনো হায়রু?" অদুগী মতুংদা অমুক খরগা চংশিল্লগা খোঞ্জেল নৌনা হায়রকই, "নোংমা খুং কপ্পদুনা অমম্বদা লমজিংশিনবদু নিংশিংবিরিব্রা? খুংগিংগী মঙমদদি মতুংগী কান্নবা অমুক লৈতে, অদুবু লাকপিরু হায়জরিবসিনি। অংক লাপ্পদগী চিংদুনা পুরকপা ঙস্বা মহাক্না অসিথক্কং অসিস্ব সিংদুনা পুবা ঙমগনি।"

নির্মল ঈকাইবা পোকই চৈনাখাল ফাওই। লোনচং অসি, বা অসি যোডশীগী চিন্দা পনবা লেমদবদা নত্তে, থম্মিংঙাই ওইদে। হৈ-শিংলবী সন্ন্যাসিনী ভৈরবীবু অঙৈংবী, পুক্নিং ফাবা ঙম্বী, মপুকচেল চেংশীনি, অদুদা নত্তনা পুকচেল কনবীনি হায়না মহাক্না খঙলম্মী। সংসারদা সাধারণ মীগী থাক্তা চলহন্দুনা কন্নদা তৌবদা য উবা মহাক ঙমজদে। মহাকপু কয়া কয়া থনবি — খুং অপূম্বা য়সনা খনগৎলকখি — অদুবু কৈদৌঙৈদম্ম বাৎলবু ঈচেল অদুদা থেৎনবা, থুগাযনবা মহুগী খোৌনা ফাওবা মাগী লৈখিদে, অদুবু যোডশী অদুনা ঙসি ইথা থাজদবা মরি-মতাগী অচেৎপা মরি পন্দুনা থঙহৌদনা মপাবু হন্দুহন্দুনা, মীওইবগী থাক্তা কন্নদুনা অস্বা মীওইবগী অপাম্বগী খুবামখুংদা চলহল্লে। নির্মলগী থম্মোয়গী চিদায় অমদা মৈশা লাংবঙম অতোপ্পা চিদায় অমদা মঙং অমগী মরৌলবা খুংঙাইবগী ঈপোম হৌরকদুনা অমুক্তা পুক্নিং ঙাল্লে।

নির্মলবু ইমুংদা পুশিল্লগা যোডশীনা কম্বল থাদুনা কররক্লে, হংলকই "লম্বীদা খুদোংথীবা নংলক্লেদনা?"

নির্ম্মলনা হায়রকই, "নংলক্তে। অদুবু মন্দিরদা ওসি অযোমকী থবক লৈরিবফত্রা?

ষোড়শীনা হায়রকই, "হায়বদি ওসি মন্দিরগী নোংমাইজিংলা করিনো।" অদুগী মতুংদা হায়রকই, "থবক লৈ, অয়ুক্তো অমুক শৌকররনি। বাংহৌবা থরা অদুদি হোরেল তৌরবত্থ য়ারে।" নোকতুনা হায়রকই, "ননক্লাক-ইবুংঙো, মসি নখোয়গী কোর্ট-চুং নত্তে, মন্দিরনি। লাইশিংনা মখোয়গী মনাইশিংবু মিংকুপ অমত্তা চুটি পীবিদ, না পায়হনা পুং কুনমরি চুপ্পা সেবা তৌহল্লবা অহুদ্দা পেল্লিবনি।"

"অদুবু থবক অসি ইবেম্মনা পানজহনা তৌবিথিবনি।"

"পানজহনা? মহ ওইরমগনি।" হায়রগা ষোড়শীনা খঙহৌদনা হাইফেৎতং নোক্লগা হায়রকই, "ফরে, লাকত্রিংঙদা মাংহৌনবা থজিক্লং খঙহনদ্রিরক ত্রবদি করিগীনো?"

নির্ম্মলন হায়রকই, "মতম কংথিদে। অদুবু মহুগী দক্তিগী মশক ওইনা মুপী নপামদা থৌওইবিরক্তে, থোইদোক্লহুম মখোয়না ঐবু উবদা হয়াওদে, মাকম অসি ইবেম্মনা করম্না খঙবিরিবনো? অদুগা ঐ লাকপগী পাউ লাকত্রিঙৈগী মযাংদা কনানা শন্দোক্লিবনো হায়বিবা ওগ্রা?"

ষোড়শীনা হায়রকই, হায়বা ওমদে, অদুবু আন্দাজ তৌবদি ওম্মী।"

নির্ম্মলনা হায়রকই, "আন্দাজ তৌবদি ঐসু ওম্মী, অদুবু কনানা তৌরিবনো অদুগা কদায়দগী পাউ অহ কংবগে, খঙবিরবদি ঐহোন্দা তাকপিয়ু। থাজে ইবেম্মনা মাকম অসি শন্দোকপদি ওইরিবোইনে?"

ষোড়শী নোক্লকই, হায়রকই, "ভৌনিংবা আশা তেৌবদা ঐবা কনাবুস্ত থিংদে। অদুবু মতু খঙলগা করি কায়গদ'গ ?" খ'দায় লাকপগী পাউ অসি অচুম্বনি ঐগীদমক্তা লাক্লিবনি হা'নবা ব'ক্ষ অসিস্ত লাক্লে। মতু'গ শককপুদি হায়বিষু, লাকপগী ম'হ যা গদা? ঐবু কনবিবা ঙমগদৌরিব্রা ঙম্লোইদৌরিব্রা?"

নির্মলনা হায়রকই, "থর'য় হকচ ং য়াউন কবী হাংনবনি।"

"কবিগুম্বা ফনা বাবা অত্থু কাওবদস্থ?"

নির্ম'লনা মঙক নোয়ন্থুনা হায়রকই, "কবিগুম্বা ফনা বারবা অহু কাওবদন্থ।"

ষোড়শী নোকখোরক্লে। নির্ম'লনা মহাক্কী মাইথোংদা য়েংলদুনা মশামকমু নোকফেং ভৌরগা হায়রকই, "নোকপিবিব্রা ?"

ষোড়শীনা হায়রকই, "নোক্লিবনি — হায়গী ভৈরবীশিংনা মীমৈথাক মচাশিংবু হায়েং ওলহন্দুনা থম্মী। করে মখোযনা হায়েংছু কবি ভৌনবগে? তোংননব্রা, থাইনহন্দুনা কু'প্ম য়েংননব্রা?" হায়র-হায়রদুনা মহাক তশেংবা অঙাং মচাগুম শিথশিথ নোক্লকই।

নির্ম'লগী থম্মোয-হকচাং হৱাওবনা জগোয় শাররক্লে। অকনবা লৈয়োল অসিগী মথাদা ফুমজিন্দুনা লৈরিবা মাবৌ লৈবী কাগী চেনবী তথকপী নুপীগী শকতম অহুগী মপাল নাইব্রবা মীনোকী ঈহুং ব্রত উপবাসকী খীংথানিংঙাই লৈতনা কম্লবা সাধনাদা চপি কাওবা কংথিব্রি — উৎনা কুপ্পা মৈগুম মহু অহুম ফিংলি — বাকম অসি থম্বনা মহাকী হকচাং অপুম্বনা চক চক থিরকপগুম কাওরকই। কাগীদা মশাস্থ মাউশিন্দুনা নোকতুনা হায়রকই, "ময়ক মক্তুনা চৌগী মাংলদ্ধ বলি ভৌবগা চায়বা য় ই। হায়বদি ঐগী ইকুরোক

নত্রগা ইনেখোক চৈরক অসিদা অদোমগী নাক্তা লাক্লম্লগনি, অদুগা মুংশিহৈজবা ওইদবা কয়া ভাবল্লম্লগনি ."

ষোড়শীনা হায়রকই, "নত্তে, মখোয় কনাসু লাক্তে। ঐ মন্ত্র-তন্ত্রনা সিদ্ধি ফংই হায়বসু চুম্লমদবা মাই,, অদুবু ঐবু মুংশিরোইদৌরিবদি করিগীনো নির্মলবাবু ? অদুদা নত্তনা অদোমনা লাকপগী মওং উবদা ইশানক চিংনজদবা ওমদে অদুগা খোইনা মীনম্বা ওইরমদবসু য়াই খন্দবা ওমদে।" মহাকী চিনবান্দা নোকপগী মমি কোকত্রি অদুবু খোম্থোক ওনখ্রে। চিনবান্দা অমদি খোজেলদা খঙহোদনা সঙ্গীত অমুক চেনখিত্রে।

নির্মল ওক্না, চনম্লনা লৈ। মসি কয়া মাম্ল ফাগনো অদুগা কয়া য়াম্বনা চেন্নিরমনো, অমদুং করিগীদমক্তনো মহু মহাক্না খনখবা করিসু খোক্তে।

ষোড়শী মশাঙকসু অমুক বা মচেং অমত্তা ওাংদে, অদুবু মহাকনা লুকখরিবা মাইখোংদা মরম চাদনা ঈকাইবগী ওাংকক থোবনা মিংকুপকী মঙ্গুংদা শিনখ্রে, মহু মাগী মিংয়েংদা তাকরে। অদুবু মহু মিংকুপ অত্তুজগীনি। ষোড়শীনা মিংয়েং লৈথোকতুনা মমাই মোমখংজনা নোকমি নোকমি তৌদুনা হায়রকই, "নিজোল-মবাবু অরাম অরাবদি তৌরে। অশেংনা নোক-খেদুনা হৱাজহনবমথৈদি ওম্মী — মহুদগী হেনবদি উপায় লৈত্তে ইনাও — ওৌজিজ্জি অতগী শরুকপুদি খবক্তী বা ওাংনরসি।"

মহাকী নম্বা মরিগী মিংগোবু হন্দজি নির্মলনা মিংজিং-খাংজিংবনা লোৌশিনবা পাম্লকই, অত ওইরবসু মহাকী খোমজ্জা মখুম-মমাং হৌরকই। হায়রকই, "হায়বিয়ু।"

ষোড়শীনা হায়রকই, "হূপা অসিনা ঈশ্বরদা ঠৌক তৌবা পাম্মি। অমনা রায় মহাশয়নি অহুগা অমনা জমিদারনি।

নির্ম্মলনা হায়রকই,"অহুগা অমনা ইবেম্মগী বাবানি। মখোয় অসিনা ইবেম্মহু ঠৌক তৌবা পাম্মী।"

"বাবা ?" হোয়, মহাকম্ভু ওইবা য়াই।" অসি হায়রগা ষোড়শী তুমিন্না লৈ।

নির্ম্মলনা হায়রকই, "ঐগী ইকুবোকী বা খঙই, অদোমগী বাবাগী রায় খরমখৈ খঙই অহুবু জমিদার প্রভৃতবুদি খঙবা মঙমদ্রে। মহাক্না করিগীদমক অদোম্বু অহুক য়েংথিরিবনো ?"

ষোড়শীনা হায়রকই, "দেবীগী লৌ ফনা য়াম্না মহাক্না মপাঙ্গলনা য়োম্লোকপা পাম্মী, অহুবু ঐ লৈরিবমখৈ মহাক্না করিগুম্বা মওংদম্ভু করিম্ভু তৌবা ঙম্বগী উপায় লৈতে।"

নির্ম্মলনা নোকতুনা হায়রকই, "মহু ঐনা থিংবা ঙমগনি।" অসি হায়রগা মহাক্না মাখৌ লৈনা ভৈরবীগী মাইথোংদা য়েংথোকলুবদা টার, ষোড়শী তুমিন্না লৈ, অহুবু মহাকী মাইথোংদা অহোংবা করিমত্তা উদে। ভাইহাক লৈরগা মমাই নোনখৎলগা তপ্না তপ্না হায়রকই, "অহুবু অচৌক কয়া অমম্ভু লৈরি, মহু অদোম্না থিংবা ঙম্মদব য়াই।"

"কাক্ত কয়াম্ভু হায়রদি করিনো ?" অমনা ইবেম্মগী হায়জিনবা মিংচৎ থীবা অহুরা ?"

ষোড়শীনা করিগুম্বা মওংগী লাংতক্কবা অমত্তা কোংদোক্লে। খোঞ্জেল তপ্না হায়রকই, "মহু ঐ খান্দ। মিংচৎথীবা অচুম্বা ওইজরম্ভু, অহুম তৌহনা লেনবনা ভৈরবীগী পুন্সিনি নির্ম্মলবাবু। ঐ বাক্য অসিমক মখোয়দা হায়রিংই।"

নির্ম্মলনা হায়রকই, "বাকম অসি ইশানক্না হাযুমিদিংব্রা? মহুদি ইশানা য়াজবগা পাংথক ওইগনি!"

ষোড়শী তুমিন্না লৈ।

নির্ম্মলনা চিংনবগা লোয়ননা হায়রকই, "মখোয়না হায় —"

"কনানা হায়রিবা?"

"অয়াম্বনা হায়নৈ, মতম অহুদা ইবেম্মা —"

"করম্বা মতমদা?"

নির্ম্মলনা ভাইহাক তুমিন লৈরগা খোইদোক্না চিংনবা য়াম্না কন্না নমথরগা হায়রকই, "মেজিষ্ট্রেট লাকপা মুমিত্তা। মতম অহুদা ইবেম্মগী তম্প্যাক্তরা করিনো —"

ষোডশীনা হাইফং ওক্না হায়রকই, "মখোয় উথিব্রনে? উরম্বা য়াই, ঐদি নিংশিংবা খোকত্রে — করিগুম্বা উরবদি মহু অচুম্বনি, জমিদারগী কোক ইতম্বাক্কা পমহুনা ফম্মী।"

নির্ম্মল নুংবাননা ফমহুনা লৈত্রে। ফনা কুইনা লৈরগা তপ্না তপ্না হায়রকই, "অহুদগীদি?"

ষোডশীনা অঙৈংবা মীমোক্তা ইনিন্না থবা লংথংহল্লগা হায়রকই, "অহুদগীদি নুমিৎ অসুম অসুম হৌখি। অহবু করিমতদসু পুক্নিং লৈত্তাবা অমুক ফংত্রে। পুম্নমক মীনম্বা ওইনা খোক্লে!"

"করি মীনম্বা?"

"পুম্নমক। ধর্ম্ম, ব্রত, উপবাস, দেব-সেবা, অসুক কুইবসিদা ক্ষৌরক্রিয়া পুম্নমক —"

"অদু ওইরবা কাওবা তৈরবীগী কম শাখিরিব্রা?"

"করিগী পাম্মদনি। অদুগা অদোম্মা করিগুম্বা পামম্বে হায়রিরবদি — "

"নত্তে, নত্তে, ঐ করিস্তু হায়জদে।" অদু হায়রগা যুক কৌগৎলগা হায়রকই, "মতম থেংজিল্লক্লে — হৌজিক ঐ য়োকররগে।"

যোড়শীস্তু লোয়ননা কৌগৎক্লে, হায়রকই, "মন্দিরগী থবক লৈ। অদুবু কররম্বা মতমদা অমুক উররগদগে ?"

নির্ম্মলনা অরেপ্পা লৈতংবা ক'ররনো অমা শেংফাৎতবা খোঞ্জেলনা হায়রকই, নিংথিনা তাবা ফংদে। যোড়শীনা থৎহায় হায়রকই, "করবা য়াদি, সন্ধ্যা মতুংদা হুসিদি ঐগী মরমদা মন্দিরদা ইবাং অমা তৌগদৌরি, লাকপিগনিদনা ?"

নির্ম্মলনা মচুক লোমহনা য়ানিংবা উৎলম্লগা মপান্দা থোকখ্রে। যোড়শী খোইকুম মোমোন চৌরকই, অদুগী মতুংদা য়ুমগী খোঙ পুনা হাপচিল্লগা মন্দির ভুমা চৎখ্রে।

কুনমাথোই

মকুবোক্কা মমহাক্কা থমত্রাংনলা ফমদুনা চাক চামিম্লরি। মনেম-ইবেম্মনা দোই অমস্তং অহাও-অথুম লোক্লনবা অতোপ্পা মফমদা চংগ্রবদা রায় মহাশয়না হায়রকই, "যোড়শীগা নহাক্কা উনররা নির্ম্মল ?"

নির্ম্মলনা মমাই নোনথৎতনা হায়রকই, "অহোয়, আজ্ঞা।"

"করি হায়রকপগে মহাক্কা ?"

অনিগুম্বা অচম্বা য়াহংগী পাউথুম পীবা দুই। মহাক্কা চাইথাক ছুমিন লৈরগা হংলকই, "করিগী মরমমনো ?"

"মন্দিরগী মরমদা। মাবু ভৈরবী ওইবা তোকদৌরিব্রা নত্ত্রগা চণ্ডীগড়গী মমিং কাওবা লুপশিনখিগদৌরিব্র ?" লমমদ অপিগী মীদি মপাংলগী তরাম্চাগী মফমদা মাই উৎপা অমুক গুম্নরোইদৌবা অসিগুম্বা ফিভমদা লৈরে।"

নির্ম্মল তুপিল্লা লৈ। চণ্ডীগড়গী মরমদা অমুম্না চাংনবা কসি মমা ভগী। চৎনরক্কই, অমগুং মচুগীদমক কনাগু করিগুম্বা হুমিত্তা ঈকাইবনা মথল্লাঘ থাখি হাৰ্বা থজনবা কনা লৈভে। মখোয়গী নীতি নিয়ম, মরু ওইনা ষোড়শীগী বদনাম অদু মহাক্লা থাজনে, মরম অসিমা মাস মান্সানি হায়বা প্রমাণ কৎলম্নবদি মহাক হুংগ হৈবমগদবা'ন, অদুবু প্রমাণ অসিমক্তা মাগী ভৈরবী ফমগী অমতা চাইরবা দবিনি হায়বাদি মহাক্লা নোংমজন্থ খল্লুবা লৈভে। মহাকী মকুবোক্তা ইঙ্গিত অসি নৌনা থোক্কে, অদুম ওইনমক হা খরা অসিদা খঙহৌদনা চসি মহাকী খঙ্মোয়দা ঘুবনা মশা চেকশিঞ্জবা মতম অসিদা মপুক্কিংগী লাংতক্নরিবস খল্লুবদা মহাক তপেংনা চঙকুম্রে। মহাক নূংবংননা লৈবা উৎনা রায় মহাশয়না অমুক হায়রকই, "কেদৌরে খুম্মুদনা ?"

লাম্মনা অমমুং মতমগা চুমবা পাউথুম পীননবগী মতম অমদি ফিভম নির্ম্মলগী ওইদে, মহাক্লা হায়গী বা অদুমক তজিম্না হায়রকই, "ভৈরবীশিংগী মংচিংথীবদি মহৌশাদগীনি।"

রায় মহাশয়না মত য়াদবা তৌদে, হায়রকই, "মাসি অদুবু মিচং থীবা হায়বসিদি কত্তবনি, মতম পুম্নমক্তা মাগী মাগী মবাচৌ হায়রুনা কত্তবরু মোকথংপা চুম্মোই। কবি হায়বগে ?"

"অদুবু মদু কত্তবনি হায়বা অশেংবা প্রমাণ কংবিরক্তা ?"

রায় মহাশয়না চিংনবা লৈতনা হায়রকই, "কংদে।"

নির্ম্মলনা ডাইহাক ভুমিন লৈরগা হংলকই, "কমদৌনা কংবিরিবা! অদুগী অশোংবা প্রমাণ কনানা পীবগে?"

রায় মহাশয়না হায়রকই "হায়রি পীখিবা মহাক অদু-না ওসি পীরগনি। সন্ধ্যা মতুংদা মন্দিরদা চংলুচো, অদুগী মতুংদাদি মরুবোকা মমহাকা নাকপাক নাকপাক লেপ্পদুনা খুদং অপুম্বগী লোক্লনবা কুম্বা ওইরবোই খল্লি। মসিদি নহাক্কী শিনকরি, অশুম তৌদুনা অশোংবা প্রমাণ কদাযবু কৌবগে হায়বদু ঐঙোন্দা অমদি নঙোন্দা তাক্কবগী দরকার লৈরবোই।"

য়ুম্পুরেম্বীনা নুপী লেম্পাক্কা মখুম-অহাও অমসুং তেঙ্কোংকা লোই পুদুনা চংলক্লে, হায়রকই, "কদায় ইবুংঙো, চাক্রবদি কৈদৌরে?"

"চাখিসিনি।" হায়রগা নির্ম্মল চাবদা মপুক্কিং চংখ্রে।

য়ুম্পুরবী চংখ্রবদা রায় মহাশয়না হায়রকই, "মোং-মুংশিং তৌবা অমসুং অহিংদা মহাক্কা মহাকপু খুৎ শমদুনা, শিনবিরকখিবা মহৌশীদমক নহাক্কা কদাযদগী ওইগদগে ঐখোয় ময়াম লমন তোক্লবনি, কননবা শিনবিরিবা মহাক অদুগী মাংননবা তৌবা পুক্লিংনা য়ানিংদে অদুবু মসিদি ঐখোয় ইশাগী ওইবা না নত্তে নির্ম্মল, মসিদি খুদংগী বানি, সমাজগী বানি, লাইগী বাকনি, বকখ অসিনা অখোইবা থৌদাং অদু ঐখোয়বা তোকপবনি।"

মাহিং অদুগী খৌদোক শাগনবা ঐলক্লে বাক্কা মহাক হায়বা তাক্রবনি, অদুগ ওইনমক মশানা লোংকেই য়ারবগী ইকায়খুম্বা ভুমিনা চৈক্লে।

য়ুধুরেরা চাইরকই, "দেব-দেবীশিংনদি কা ঙাম্লে, অদুবু মখোয়না খুদম হেক হেক পীরকই। খুজংগী অকৌবা ঙক্লিগুংদসু ভূইদে, অসুম অসুম লৈবা তাথরক্লবনি, মসিসু অচৌবা খুদম অমা ওইগনি খল্লি। প্রমাণগী বা হায়খিবদায়, অদুবু নহাক লাকনি হায়বা অসি ঐখোয়না কমদৌনা খঙ্গিবনো খঙ্লো? নহাক ইচাওবনি নচোম্বা বা পূন্নক অথাকপা লেডনপাক হেক হায়বা ঐ ভমদে, অদুবু হায়দবসু য়াদে। জমিদার বাবু অহিং অমুদা চাবা চংপগী খুদোং ফংদমাক্লে, ষোড়শীনা চানবা লোবা চংল্লিক্লৈবা মহাক্না চিঠি মচেং অমা থেং-ক্লই। নচোম্বা ইবনগী শেগায়ঙ্ক্না হুন্দোকপ্লগা মীমথংদা হৈমদা ইখিমক্লে। এদুসু ওসি উবা ফংগনি, মহাক্না অয়ুক্কা লাকপদা পুরকও।"

নির্ম্মলনা শাউবনা বৈ লৌতুনা হায়রকই, "হীনবা বাসি। ঈকাই-খঙ্দব, মশানা মরাল লৈরবা, মু-থকপা, ওক্কবা, লমচং লাইদবা মহাক অদুগী বাবু থাজবিব্রা? ওইথোক্লোই।"

রায় মহাশয়না লোককেংতংক তৌরকই। কিজংহুবা খোঙ্কেলনা হায়রকই, "ওইথোকপা য়াই, অদুগা ওইরবনি। জমিদার অগ ঈকাইবা থঙদে মু-থকপনি ওক্কবনি, লচং লাইদবনি, মচুঙ" খঙই, মচুপগীসু কেন্নবা য়াই, নংলমক্রবসি মাগী কংক্ষণী বাহু মচিন্না পনবা ওঙ্ক্লোই। মাগী ভণ্ডীকী ওয়বৈ লৈতে খুজংগী রাইকবগীদমক্তা মহাক্না থবক অসিদা মথুং ফিজিন্নবগী মখে, ইথব লাক্কবা ধীপক নত্তে। মমবুনা মশিন্নবা হাথেং খৃশি লৌইক্কবা লৈখিবনি। শারবদি ওক্কবা বাবা মেন, শকল, মহুনা মরুবা খা শাকুবা হাবা ওঙ্কবনি।"

"অদু ওইরবদু যাগী মতেং পাংবিবি লিব্রা?"

"নত্তে, ঐমা তুম অমম' ৃর অমা হনবা পাম্মী।"

নির্মলনা কনা কুইনা তুমিন লৈরগা হায়রকই, "তুম হল্লোকপা ফাগত্রা যাম্মোইত্রা মচুদি থত্তক্লে, অদুবু মহাকপু লোইবং লিংখোং ওইগনি। দেবীগী সম্পত্তি য়ানবা পাম্নিবদু ষোড়শী ভৈরবী লৈরবদি মহুগী খুদং কংলোই।"

রায় মহাশয়না হায়রকই, "মহাক হেক্রবদু থুদোং কংলোই, ঐ লৈরা।"

নির্মলনা হাবনিংবকই, মহাক লৈবনা জমিদারগী থুদোংচাবা কংদবা য়াই, অদুবু দেবীগীদু থুদোংচাবদি ওইরোই। অদুদি থুদোংচাবা অদু কনাগীনা হায়বা মতু মচিন লোকত্রে।

রায় মহাশয়না খোইখুম্বা খোল্লেলনা হায়রকই, "হেবুংতো নির্মল, মহাক অচৌবা উকিলনি, মায়া থক-হৈরবনি, অদুবু সংসারগী খুবাক মথিদনা ঐনা লান শোক্লবা হৌখিবনি, মতম অদুদা শুমগী লম-থুমদবক কানশিনখিবা নত্তে, কোকদু থরমথৈ তানশিন্নবা থুদোং কংখি। মতোন্না মীনা চায়থিরমগনি, লম অদুগী জমিদারনা মীহৌই — ষোড়শী মখো থডবী হুমীনি মহাক লৈরিমথৈ কংবা তৌবা ওইরোই, অদুনা মগাগী কলঙ্কগী হায়ুক তৈশিনখিনা মায় তাম্লোকপা পাম্লিবনি। কয়ে থুগায়মচা, বীজগাঁগী জমিদারগী মকমদা লম মচেং খজিত্কংদ কয়া য়াম্বা সম্পত্তি ওইগদগে? মহাক লৈরবা চিঙ্গি, অমা মত্রপা অমা তোনবদা অখিবা লৈগদবা নত্তে; অদুবু মতম অগনবা পীখিবা পোৎশক অতুদি পুরক্লোন তেক্লুনি। হৌজিক অসিদা মহাক মতম শাবনা লৈবা ওইরোই, মহুৎকী মীদি,

মহৈরদা চংখিগনি। নির্মল, হৈমগী মতৌগুম মঙ্গুম্ ঐমী ইচানি। নঙোন্দা হ'য় দাকদবা হঙ্গোই, অদুবু দুপীমচাদুগী য়াইকবা কদিগুম্বা প'য়বদি হায়রিবু, মাগী য়ানিংঙাই লৈতে। চণ্ডীগডগী ভৈরবী ওইবদা খোইনা কায়গদবা লৈতে — মাগী মাংজগদৌরিবা অদুদগী শক্তক মরি হেয়া জমিদায়না পীবিগনি, মসি ঐ বাপকতুনা হায়রবা ওম্মা। মহাক্না মাবু অবাবা পীবস্তু পামদে — অবাবা পীদু পীরাই, হি অনিদা তোংদুনা লৈনিংবগী অপাম্বদু মশানা থাদোকচবা কৈ।"

নির্মল পাউখুম পীওমদনা তুমিন্না কমদুনা লৈরে মকুবোকপু মহাক্না কয়া খঙই—অমুক হাক্নদি খঙদে। মকুবোক অসিনা ষোড়শীগী য়াইফনবা লম্বী তাক্লিবা অসিদা যেৎন্দুনবা হাৎননিংঙাই কাওবা মাগী লেমহৌবা লৈতৌরে।

মনেম্বোক্না শঙ্গোম শাহল্লগা পুরকপদা থরা তম্লি মহাক্না ইমুংদা চংলক্লগা মপুরোইবগী পুথম ময়াদা কোল থম্লগা য়ায়া চাদে হায়দুনা ময়াম্বুপাদা থরমথৈ ঙাংলকই, অদুগা মহাক থরা হন্দোকতুনা লৈরে।

যুম্মুরেম্না শঙ্গোমগী কোল মচিন্দগী থম্লপা হায়রকই, "অদুবু দুপীমচাগবু থাগৎতবা ঙমদে—মহাক লাইরিক্না সপস্বতীগুম্বা।ন। মহাক্না খঙদবা অহুগুম্বা শাস্ত্র লৈতে।"

মুম্মুরেম্বীনা খুদক্তা মঙক নোমদুনা হায়রকই, "মদুদ অমুক হায়ননিংঙাই লৈতে। উবেদনা থবক ইথাংদা মহাক লৈরবদি নথোয়গী শিরোমণি ঠাকুর কাওথনা বিবনা উং লাইরিবনি। চংঙ্গবদি হম্বুগী মচিন্দা বেদেং বেদেং ঙাংই, অদুবু মখাংলদি [illegible] [illegible] [illegible]"।

ঋষুরেমা হায়রকই, "নিঙ্গা তৌগদৌরিবা করিগীনো, মাকপি থোইদোক্তহন থাগৎলিবনি।"

ঋষুরেম্বীনা য়াম্না য়ানিংদনা হায়রকই, "হোয়, ঋষুবহ মহুতপা মীশক ওইরিনি! হিংসাদা পোকথায়গদৌরবনি, অহুগা থাগৎলিবা! নিংশিংবিগ্রব্রা, অন্তর ইনাও অহুগী প্রায়শ্চিত্তকী শিনবা মতাংদা হূমিং কয়ানি লঙাও থোকখিবা। অহুদা নঙুন্না হূপীমচা অহুনা মাইকৈ অমদা তৌনিংবা অমা তৌজববন্থু অর-অনা, খুমোংথীবা, লৈত-লাইরবদা মাগুম্বী মগী-মপা শকপী খুঙ্গংদা কনাসু লৈতে। থবক অমগীবু ওইরবস্থু হেক কৌরবদা মচিনবান নোকখি নোকনি তৌহনদা লৈ, ঙম্মোই হায়বা হৈজদে।"

ঋষুরেন হয়াওদে, হায়রকই, "হুঁ, ভৈরবী খুদিংমক অহুম্না তৌরিবনি।"

ঋষুরেম্বীনা হায়রকই, "খুদিংমক? করম্না, মাতঙ্গিনী ভৈরবীবু ঐবু ইমিংনা উথিগ্রব্রা?"

"উগ্রবস্থ কাউগ্রবনি।"

ঋষুরেম্বীনা শাউহুনা খুম্নকই, "করিমতা কাউত্রি। ঙসি কাওবা মহোন্নগী লুপা চাম্বা কংনিংঙাই লৈ—ভোম্বে হায়হুনা লায়না লৈথোকপা ঙম্মী! ষোড়শীনা কনাগী মকমদহু ঠোক তৌদে, মীনম্বা বাহু ঙাংদে।"

ঋষুরেমা থোইদোক্না পেঙ্গহুনা হায়রকই, "মত্তে—ঋষিগ্নিবনি।" অসি হায়রগা মহাক কয়রম্নী খোঙ্গথে।

ঋষুরেম্বীনা মরাহুপাবা হায়রকই, "ঐসি যাগী তৌজাগনবী ইজম্বী মশক খঙবা কংলিবনি থগৎলিবনি। মত্তে ইবুঙো, মীনা

তাংখিংবা তাংজসন্থ, মহাক ঠোক-ঠাকী হুন্দীদি নত্তে। অহুদি ওইরগা মহাক চণ্ডীগী পূজা তৌবা তোকখ্রে তাবা হুরক অহুদা চিংনবা পোকখিবনি কমদোনি। অহু নংনমত্রবদি কনাগী বাদস্থ পাক হেক থাজগদবা নত্তে।"

যুম্বুবেম্না থোংজিন কাম্বোকপদা মনা থাজংতুনা লেম্নগা হায়রকই, "মাগী থোজালদগী ইও কংলে, অহুবু ইওগী মাইকনবা পূজা মহাকপু তৌবিয়ু হায়বা য়াথিজ্রিবহু কবিগীনো অমুক্তা কৌরগা হংবা য়ারোইজ্রা!" অসি হায়রগা পাউখুম তাইরম্বা তৌদনা চংখ্রে।

নির্মল চাবা লোইরে, মহাকন্থু হৌগংলে, হায়রকই, "ষোড়শীদা লৈবা ইমান্থি ভক্তি শ্রসি কাওবা ঙমম্থৈদি কোক্তনা ঊই।"

"নত্তে ইবুংঙো, মীনম্বা বা কব্বিগী তাংগনি, মাবু নিংশিংক-মক্তদা কপ্পিবনি। মথোয় ময়াম অসিনা অমত্তা ওইরগা মাগী মাইরোকপা অহুক কয়া লেপ্পিবসি কবিগীনো ঐ থনবদা লাম্বা কংলে।"

নির্মলনা নোকখেং তৌহুনা যুম্বুবেনগী কোটিগী মছুং ইম্না হায়রকই, "অহুবু ইমা, মাগী মন্ত্র-তন্ত্রগী বিদ্যাগী বাকমহ থজিন্না থহবিয়ু—"

যুম্বুবেম্বীনা কবিনো অমা বায়খে তৌরকপদা মীনাই হুন্দীনা থোংজিন মকখদা লেপ্তুনা হায়রকই, "কমাঙো হুনা অমা মমহাক-ইবুংঙোহু কৌবা নাক্তি — থাবুনা পাউ থীক হায়রকই।"

নির্ম্মলনা মচিন তেংলগা মপান্দা থোরকপদা উরে, চৈরক অংদা থুজংগী অয়াম্বা ভদ্রলোক তঁম্রে, অদুগা সন্ধ্যা মতুংদা ফমংদোংবিবা সভা অদুগী মরমদা থম্বা হৌগংল্রে। শিরোমণি মহাশয়গী ওসি খাশিগী ব্রতনি, মহক্না নির্ম্মলবু কৌশিল্লগা আশীর্বাদ তৌরকই, অদুগা মমহাক ইবুংঙোবু পাক হেক শক থঙবা চমলুদ্রে হায়রদুনা মশাগী অহল ওইশিল্লকপবু দোষ তৌহরকই। উথোং ময়াদা লেপ্লিবা রুপা অদুনা নমস্কার তৌরগা খওহল্লক্লে মহুদি, ভৈরবীনা ওাইহৌরি, মহাক্না খল্লগদবা থোইদোকপা বা লৈ।

নির্ম্মল খওহৌদনা য়াম্না ঈকাইরক্লে। মতুং হন্না য়েংলুবদা ময়াম্না লাংতক্লনা খওমিংনা মহাক্না পাউথুম ওাইদুনা লৈরি খল্লকই। মসিগী লৈরোন মুংদা অরোনবা নোক্লবা ঈচেল অমা চোল্ল, মদুনা মঙোন্দা ঈকাইবা পীররে, অঙোপ্পা মতম ওইরম্লবদি মতুংবু থোইদোক্না লায়না থৌশাদবা ওম্নমগদবনি, অদুবু ওসি মহাক্না খঙ্গোয়দা পাঙল থিবা ফংখিদ্রে করিওম্বা মওংমতু মচিন কাংদুনা হায়দোকপা ওমদ্রে, চংসি, ঐ চংকনি। থোইদোক্লদুনা ঈকাইদুনা রুপাদুদা হায়দোকল্লে, "ঐ হৌজিক লাকপা ওল্লোই হায়না অম্মুচো।"

শিরোমণিনা ফন চোংথোকতুনা হায়রকই, "মঙোন্দা বা হংলনবা মতম খরা পীদু নথোরনা—করি হায়নবগেনে?" অসি হায়রগা মহাক মখিংনা ইজিত তৌদুনা মরম চাদনা হাঃহাঃ নোক্লকই। কনানা নোকপা অদুদা কোংনা শরুক য়াই, কনানা নোকর্দি নোকনিংমক তৌই।

নির্ম্মলনা পুম্নমক অহু থোঙইদনা ইমুংদা চংখিগে হৌরকপদা শিরোমণিনা কৌতুনা হায়রকই, "ইবুংঙোবু মাখী উকিল ওইনা লেপহনগদৌরিব্রা ?"

নির্ম্মলনা চাকখলংক্রিবা অশাউববু নমথবগা ইতপ তপ্না হায়রকই, "কেৎ শোক্লরবদি মহ তৌবা য়াই নিংই।"

শিরোমণিনা পাউথুম অসিগী আশা তৌরমদে, হাইরেৎ তৌকহ খঙদনা হায়রকই, "অদুবু হায়হৌরিবসিনি, উচিগা নত্তে কৈগা থেংনগদৌরিবনি — কেৎ হাইকোর্ট য়ৌদনা তোক্লে ই, মহ শেংনা খঙউ।"

নির্ম্মলনা হ যরকই, "কেৎ বদা'য় য়ৌগদগে হায়রবসিদি ঐনা খঙহম থোকপা বানি শিরোমণি মহাশয়।"

শিরোমণিনা হায়রকই, "মহুদি মশানা তাবনি, মহু নহাক্কী শিনফম্নি, নহাক্না অমুক খঙলোইদবা ! অদুবু মহুগীসু চংগদবা খরচ য়াম্না লৈ, মহু কনানা পীগদৌরিবনো ?" অসি হায়রগা মহাক মচিন থুমহনা নোক্লকই, অদুবু নোকপা অসিদ ইন্দাক্তি বনাসু য়াউদ্রে।

নির্ম্মলনা হ'য়রকই, "লৈত্রবদি ঐনা পীগনি।"

মহাক্কী পাউথুম তাবদা শিরোমণিদা নাত্ত লৈখিবা পুম্নমক চঙক্লক্রে। রায় মহাশয় মশামকসু তপথবা গুমকত্রে, থোঞ্জল য়াক্না হায়দোরক্লে, "নথোয়গী ফাগী-ফারাংগী মতম নত্তে নির্ম্মল, মরু ওইনা শিরোমণি মহাশয় অহলনি অমুগা ঈকাই খুম্নরিবা খীশক্কি — করেম্নবা নওোন্না পকচদে।"

নির্ম্মল ভুমিন্না নৈ, শিরোমণিনা মখুক্লিং কাখহনা হাইকেংতং নোক্লনবা হোংনরগা হায়রকই, "শেংদি শীরগনি, অদুবু মদু শীগদৌরিবগী মরম অমুক্তা তাবা য়রোইদ্রা?"

নির্ম্মলনা হায়রকই, "মহুগী মরমদি শুপ্নগী ময়ায়া ওংপি-নৈবিবগীনি। ঐনা নৈরু নৈরুবা মফমদা থিগংশিরবদি পুন্সিদা ঐগী অসিগুম্বা পামজবা কয়া ইকোক খোংনা পুবগে হায়রা খঙবিগনি।"

কৌবা লাকপা লুপা অদু মতম অসি ফাওবা চংখিদ্রে, হায়রকই, "করম্বা মতমদা লাকপা ওম্বিগনি হায়না মখোন্দা খঙহন্নৌ হায়গে?

"ঐগী অশংবা মতমদা উদ্নরগনি হায়যু।" অসি হায়রম্লগা মহাক ইমুংদা চংখ্রে।

সন্ধ্যাদা জনার্দ্দন্না মাঙোন্দ লেপতুনা নির্ম্মলবু কৌরগা হায়রকই "মন্দিরদা ময়াম শুনা তীল্লে, নহাকপু মখোয়না কৌহল্লরে, করিগুম্বা চংকদবা নৈরবদি অমুক থিন্দুরনু।"

নির্ম্মলনা মপান্দ খোয়ক্লগা হায়রকই, "ঐ চংপা দরকার ওই খনবিদ্রা?"

জনার্দ্দনা হায়রকই "কৌবা থারক্লিবা মখোয়না দরকার ওই তশেংনা থল্লি" অসি হায়রম্লগা চংখ্রে।

সন্ধ্যা মতুংমক্তা দেবীগী আরতি কংপা হৌরকই। দেবীগী লেমজনফম ওইরবা পোং মখল কয়া মচুমগী ঈরোল্ংদা লুপল্লে, অদুবু মহাকী মোইবুং, শরিক, কাংসি, পুং, ঢোল, সহনাই অসিনচিংবা খোংনবা য়ৈনবা যন্ত্র কয়া থাইনবগী চংনরকপা

কায়দদমা হৌজিক ফাওবা অহুম শিজিন্নরি। ময়ম অহু পূম্না যৈংক-থাংলকপগী মখোল নির্ম্মলনা ইমুংদা ফমহুনা ত্তাই। আরতি লোইরগা পঞ্চপ্রেত ফম্বগী রা লৈ, মরম অহুনা শেংনবা মখোল ময়াম অহু লেপখিবগা মহাক ইমুংদগী যাত্রা তৌরক্ল। মন্দিরদা চংশকপদা উরে, মৈগী থোইদোকপা থোরা, কদাযদম্ব উদে, শুমাং ময়াইদা লৈরিবা নাট-মন্দির মথাংদা লান্টেন অনিথক ময়াইদা থাল্লগা ময়াম ইরাং-লাংলি অমম্বুং মহুদা ময়াম্মা ইকোই-কোইশিন্না লেপ্লহুনা ব' তানবা মনা থাংগৎনরি। অমম্বা অহুনা নির্ম্মলবু কনানম্ব শক খঙদ্রে, মহাক্না মী অনিগী লেংজুম কারক্না মখু নিং কাংহুনা য়েংলকই, মকম অহুদা কনানো বাবু মানবা ভদ্রলোক অমনা মচিন লেংহুনা মখুৎ হাইদ্রনা করি করিনো হায়রি। করিমত্তা তাবা ফংদে, অহুবু ময়ামগী ইরাং উবদা মসিমথৈদি খঙলে, থোইদোক্না তাবদা শুংঙাইরবা কনাবুনো নিন্দা তৌরি অমম্বুং চৈরি। হৌপা অসিমক জমিদার জীবানন্দ চৌধুরীনি হায়রবা মহাক্না ভাবনা শাহুনা লৌরে মরম অহুনা ঙাংলিবা অহু ষোড়শীগী জীবন চরিতনি হায়বদম্ব চিংননিংঙাই ওইদে। মীয়াম মরক্না লিংশিন্দুনা চংবা মহাক পামদে, অহুম থোঙবী শোহুনা মখুনি কাংহুনা লেপ্লি। মিৎকুপ খরদংগী মম্বুংদা থল্লকই, মতম অহু ফাওবা জীবানন্দ চৌধুরী মরু ওইবা রাজম পন্ত্রি, ষোড়শীগী মমাগী রারী লিরি, তশেংনা পূম্নমক অহু তানরবা রাকম্লি। সাক্ষী তারাদাস লাপ্তক্না ফম্লি—অসিগুবী লমচৎ নাইদবী হুপীশিংগী য়াথং ইনবদগী লাইফম অসি অম্নম অম্রুথ মোংশিন্নক্লি অমম্বুং লৈবাক 'পুম্বগী অমাংবা ওইরক্লি—

তুংদা খজিক্কং খেংলকতুনা হন্না যেংথোকপদা উরে, অমম্বদা মফি জোন জোন ইনবা কনানো অমনা মপান্দা খোক্লবা ইঙ্গিত তৌরকই অমম্থং মহাকী মতুং ইন্দুনা থোঙফম খন্না থাংলবদা নির্ম্মলনা তশেংনা খঙবা ঙম্লে, চুং-ফিরাল চানা রাংলবা লৈতেং হাউদবা হকচাং অসি ষোড়শী নত্তনা অতোপ্পা কনাম্তু নত্তে। মহাক থোঙ মপান্দা খোক্লগা মমাই লেশিন্দুনা লেপ্লি অমম্থং নোকফেং তৌরম্লুনা হায়জবগী খোঞ্জেলনা হায়রকই, "লেপ্পু্রা অহং-অদা করি তাবিরম্লিবনো? কাপুরুষ কয়ামরুম তীম্লুনা সহায়-উপায় লৈত্রবী মুপী অনিগী ফঙবা লমচৎ শাজিন্দুনা চাংনরি — মতুম্তু অমনা শিগ্রবনি, অমনা মশা য়াউদে। ঐগী মুমদা লে লুসি, ফকির সাহেব ফমচৌই, অদোমগা শক খঙনচঞ্জগ।"

"মহাক বৈদৌঙ্ গাকপগে?"

"কনামা খঙনি! মুংখিল চনখিবদা থেংনৈ, ঐগী ঙমাংদা লেপ্লম্বা। হায়ওবগী ঙমখৈ লৈরমদে, থুরুম্লগা ইমুংদা পুশিন্দুনা ফমহল্লি, রাধী পুম্লমক মপুক্লিং চংনা তাবি।"

"তারগা করি হায়বগে?"

"নোকফেং তৌই। পুম্লমক খঙবা ম্রাল্লি। অদুবু হোয় নির্ম্মল বাবু ঐগী কেশ-মুংগী চংগদবা পুম্লমক অদে ম্রা পুবিগনি হায়বিখিত্রা? মসিবু অচুম্বরা?"

"নির্ম্মলনা মঙক নোমম্লুনা হায়রকই, "হোয় অচুম্বনি।"

"অদুবু করিগী পুবিগদৌরিবনো?"

মিংকুপ অমা তুমিন্না লৈরগা হায়রকই, "অদোম্বু ওৎ-নৈ হায়বগী থনবনা ওইবা য়াই।"

"অদুবু অতৈদি করিন্থু থনবিদেদনকো ?" হায়রগা ষোড়শীনা থিক থিক নোক্লগা হায়রকই, "লৈরসন্থু, রা খুদিংমক্কী পাউথুম পীদবা য়াদে হায়বা শাস্ত্রগী শাসন করিন্থু লৈতে। থোইদোক্লা তর্কনা থল্লবা শাস্ত্রদা — নত্রা ? লাকপিয়ু, ঐগী য়ুমদা চংলু থিসি।"

মহাক্কী থাংগোক্তা চংবদা ফকির সাহেব লৈরমক্রে। হায়রকই, "কদায়দা চংগ্রবগে হৌজিকমক হজিল্লকপা য়াই।" থাউমৈ মমথরক্লে, ঙানথংহল্লগা ফক উৎতুনা হায়রকই, "ফমবিয়ু। চয়াং-থোইয়াংনবা, নিল-খাংবা মরক্তা ফমিয়ত্থুনা বাকী শাননবা মতম ফংদে। ফয়ে কেশকী পোৎলুম পুম্নক লৌবিরয়, অসুবু করিগুম্বা মাইথীবা থাক্লবদি মতম অদুদা পোৎলুম অদু কনানা লৌবিগদগে ? মতম অদুদা তুং হনবিরোইদনা ?"

নির্ম্মল পাউথুম পীবা ঙমদ্রে, মহাক মনা ফাঙবা ঙাংদ্রে। ঙাইহাক লৈরগা হায়রকই, "ঐ ঙায়না মাইথীগদবা মওং অমতা উদে।"

"মদু ওইবা য়াই।" হায়রগা ষোড়শী নুংশুক-নুংজানবগুম তোই অদুবু মিৎকুপ্পুনি। থঙহৌদনা ফিংনা হংলকই "অঙাং কমাদোরিবগে নির্ম্মলবাবু ? কমদোনা মাবু থাদোকতুনা লাকপিরিবনো হায়বিযুদনা ? ঐদি ঙমজরোই।"

থঙহৌদনা হংলক্লিবা মরি লৈনদবা ৱাহং অসি তাবদা নির্ম্মল ঙকখ্রে। ষোড়শীনা মথক হাইরতুনা থোইক্কম মোমোন তৌনা হায়রকই, "ঐনা করিগুম্বা হৈম ওইরম্লবদি মৌগী কাম্নবা তৌরিবা পুম্নমক অসি থিংলমগদবনি। অদুক্ক ফবা মী নাত্তু। — ঐতোন্নদি চালাক তৌবা য়াররাই — অহিং-মুংথিল অশিমক্তা ইনাক্কগী থাদোক্কনা থমগনি।"

ইঙ্গিত অসুক ময়েক পশ ত্রে মহুদি, নির্ম্মলগী থাম্মোয়দা ঙকপা, কিবা অমদি হয়াওনা অমুক্তদা মতম অমতদা ঈথক হৌরক্লে। অদুগা তয়া-তশোইববা মতম অসিদা মহাক্না মচিন্দগী হায়দোকপ্রে, "মনাক্তা অদুম থম্ব য়াত্রনে ষোডশী? মসি লিপুনগী হৌকম অত্তদা মিংয়্যেং চংলুবা ঙমদে, 'য়া অসি ঙসি কাওবা নহাক থঙত্রিত্রা ?"

"করিগী থঙদনি।" হায়রগা ষোডশী নোকই। থঙহৌদনা মপান্দগী খোঙ্গল অমা তংহুনা মঙক থাংগৎপগা হায়রকই, "মহাক লেংলকক্রেদনা"

"কনা? ফকির সাহেব?"

"নত্তে, জমিদার বাবুনি। সভা কায়নরগা হল্লকপদা লম্বীদা ঐগী থাংপোক্তা থুযা-উযুল থরগা অদুক তাহনবিরগনি হায়না পাউ থারকই। অদুনা মহু তাহনবিবা লাকপিরিমাংল্লে। মী য়ায়া লোয়নরক্লবগনি মুপী অমগী যুমদা মত্তোমদা চংবা সাধু-পুরুষশিংগী মফমদ ফজদনা থোক্লম্বা য়াই। তুংদা মিংচৎ থিগত্রা চিংনরমগনি।" অসি হায়রগা মহাক নোক্লকই।

থোদোক অত্ত নির্ম্মলগী মফমদা থাঙ্গেশেংনা হুংঙাইনা থোক্তে। মহাক্না নুংঙাইতবা অমদি চিংনবনা পুন্দুনা হায়রকই, "য়াফম অসি ঐঙোন্দা অদোম্না তাকপিত্রিবা করিগীনো?"

"যদৈজে। অমুক্না নত্ত অমুক্না অদোম?" হায়রগা নোকতুনা হায়রকই, "কিনিংঙাই দৈতে, মহাক য়ায়া হৌন-থঙবা মীশক্তি, কুন-চৈনবোই। অদুদা নত্তনা শক থঙনবিবস্থ নত্তে — ঐগী থাংপোক অসি অমুক্না পবিত্র ওইরগনি।"

জীবানন্দনা থোঙজিন্দা মথোঙ থাংজিনবমক্তদা ঙকহুনা চপ লেপ্লগা ঙাইহাক কোইশনবং য়েংলগা হায়রকই, "মহাক ? নির্ম্মলবাবু ওইরিনিনে ?"

ষোড়শীনা মাইথোং মকা লাম্না খুম্নকই, "মানি, অদোমগী মরুপ্নি হায়না পরিচয় পীববদি থোইনা হেজিন্ন হায়জিনবা ওইরোই খল্লি।"

কুন্নিথোই

খল্লিবহু অরানবা নাত্তু, হুপা অসি তশেংনমক নির্ম্মল বম্হনি হায়বা খঙলবদা জীবানন্দ অহানবদা ঙক্লপ তৌই, অদুবু করিগুম্বা মওং অমদা মশাবু ফাওজনবগী শক্তি মাগী অঙকপনি। মহাক্না নোকফেং তৌনা হায়রকই, "য়াম্না নুংঙাইয়ে! মরুপ নত্তনদি করি ওইগনি ? মথোযগী কৃপাদগী হিংলিবনি, অদু নংন্নমত্রবদি, ঐবু জমিদারী কাওবা ফংহন্নবা শিনবিখি, মতুদা চণ্ডীগড়গী শান্তি কুঞ্জগী মহুংতা অম্বুক কুইবসি আন্দামানগী মন্দির (জেল) অচৌবদা লৈরম্নগদবনি।"

নির্ম্মল হৌবদগী হৈনরক্তে. অদুবু মশাগী লমচং নাইদবা ঈকাই-খঙদবা য়োকখংচদনা ফাগী তৌবা অসিদা মশা শাগংলক্লে। মমাই ঙাংনা করিনে। অম হায়গে তৌরকই, অদুবু ঙাংবা ফংজ্রে। ষোড়শীনা পাউখুম পীরকই, হায়রকই, "চৌধুরী মহাশয়, উকিল-বেরিষ্টর অচৌবা মীনি হায়দুনা থাগৎপসি মথোয়দমক ফংলগনি ? আন্দামানগুম্বা অচৌবা বাকন নত্তসন্থু, অহবু পীকই হায়দুনদু

লৈবাক অসিগী মন্দির (জেল) মচাশিং অসিসু থোইনা শুংঙাইবা মকম নত্তে — লাইরবীনি হায়দুনা ভৈরবীশিংদি খাগৎপা থরমথে কাওবা কংবা য়ারোইদ্রা ?"

জীবানন্দনা তোকম থঙদদুনা মচিন্দা থোকপা অমা ডাংলকই। হায়রকই, "খাগৎপা কংবা য়াবা মতম ওইরবদি কংগনি।"

ষোড়শীনা নোকতুনা হায়রকই "মন্দির অসিদা লেপ্তুনা হৌজিক্তা তাংকক অমদি পীবিরম্লে।"

জীবানন্দনা মসিগী করিগুম্বা পাউখুম অমত্তা পীদে। নির্ম্মলদা য়েংদুনা হায়রকই, "অদোমগী ইকুবোক্কী মকমদগী অদোম লেংলকই তাঙরে — মন্দিরদা উরগদ্রা আশা তৌবনি।"

ষোড়শীনা হায়রকই, "মদু এগী ইরালনি চৌধুরী মহাশয়। মহাক লাক্লগবু যাক্ষনবা থম্বদবু করিগী য়াউদনি, মীয়ামগী মফুংদা মঙক খাংগৎতুনা তামনবসু হোৎনরুই, অদুবু এনা উদুনা মথুং পাযদুনা চিংলকপনি। হায়রম্ম', লেংলসি নির্ম্মলবাবু, ইমুংদা কমদুনা থোইদোক্লদুম বারী অমা-অনি শারুসি।"

জীবানন্দনা মপুক্লিংগী মৈচাক কাথরগা য়ারিবমথে অচম্বা খোম্লোক্তা হায়রকই "অদু ওইরবদি এ চংলকতুনা অপনবা পিররেদনা।"

ষোড়শীনা হায়রকই, "অপনবা পীরবসু অদোমগী দোষ লৈতে — ইশামক্তা অদোমু কৌহজিখিবনি।"

জীবানন্দনা হায়রকই, "অদুবু করিগীনো ? বারী শানবগীদি ওইরিরোই নিংই।"

ষোডশীনা নোকতুনা হায়রকই, "নত্তেক্কে মকাশয়, নত্তে—থোইদোক্লবস মতুংগী ওম-তৈনবনি। ঙসি অকোয়বগী মকুমদা ঐনা য়াম্না ঙাংগনি।" মহাক্কী খোঙেল অমদি রাঙাংগী মঙাল-মতৌ উবদা নির্মল অমসুং জীবানন্দ অনিমক্ক ঙকতুনা য়েংহনা লৈ। ষোডশীনা থঙতোদনা হাইকেৎ শমফম হুক্লিন্না হায়রকই, "হুঁ হুঁ, মফম অহুদা ঙসি কয়া করি তৌগ্রবগে হায়বিয়ুদনা? সভা অমগী মরুম থুপ্ত্না ময়াইদা লেপ্লগা সহায় লৈত্রবী মুপী অনিগী ফজদবা মিংচৎ শন্দোকপিরকরি! মসিগী মরক্তা অমদি হিংবসু নত্রে। মসিবু কনগুম্বা মুপাগী মফমদা লেমজনিংঙাই ওইত্রা? অহুদা নত্তনা, করি কান্নবগে হায়বিযুদনা? মুমিং অহুনা য়ুম অসিদা কম্লিঙেদা হায়জগ্রবনি, অদে ম্না ঐঙোন্দা পীবিবা য়াথং অহু ঐ ইজগনি। অদোম্মসু অ'দামগী য়াথং ময়েক শেংনা ঙাকপিরম্লবনি, ঐস্নু ঐনা য়াগ্রবা বা হিক্তোকত্রি। 'সি লৌবিরো মন্দিরগী শো, অহুগ 'সি লৌবিরো হিসাব-থাক্তা।" অসি হায়রহুনা মাগী ফিজিদা পুল্লিবা শো চবুল লোথোক্লে, অহুগা শাগাইদগী লং অঙাংবনা য়েংশিনবা অথাবা থাক্তা লৌথরগা জীবানন্দগী মথোঙ ময়াদা থম্লগা হায়রকই, "ইমাগী অবৈবা লিক-কোন থরা, দলিল-পত্র অবৈবমথৈ উপুদগী ফংবিগনি, অহুগা ভৈরবীনা দায়িত্ব অয়াদ থৌদাং পূম্নমক্কগী থাদোকপগী ঐনা সহি তৌরবা চে অমগা ফংবিগনি।"

জীবানন্দনা ঙশেংনা শাক হেক থাজবা ঙমত্রমাল্লে, হায়রকই, "করিনো হায়রিবহ? অহুবু থাদোক্লিবদি কনাগী মকৈদনো।"

ষোড়শীনা হায়রকই, "মহুদা অইবা থেংনবিগনি।".

"মহ করিগুম্বা অচুম্বা ওইরবদি শোঙিংসি মঙোন্দা পীত্রিবা করিগীনো ?

"মঙোনমক্তদা পীজরিবনি।" হায়রগা ষোড়শী মচিল লৌদনা নোকখেং জোররকই। অহুবু মীনোক অহুবু উবদা জীবানন্দ মাইথোং মকশিনগ্রে। মহাক্না মাইহাক তুমিন্না লৈরগা চিংনবা খোঙ্গেলনা হায়রকই "অহুবু মসিদি ঐ লৌবা ঙম্লোই। থাতাদা ইবগা উপুদা য়াউবগা পুম্নমক ডায়রগনি, মহু ঐনা কমদৌনা থাজগদগে ? মহাক্না মরামদ শুগ য়না খঙহনবা নহাক্কী দরকারনি।"

ষোড়শীনা হায়রকই, "মহুগী দরকার ওইদে। অহুবু চৌধুরী মহাশয়, অদোমগী মসিগী মরমস্তু লেংদবনি। নোংমা মিং-না উইশিন্দুনা মথুংতগী হূ লৌহুনা থকপদ থাজখিব। মহাক অহুগী মথুংতগী ঙসি মসিদং মিং উইশিন্দুনা লৌননবগী লিংজেল অদোমগী লৈকম থোকই। মীবু থাজবগী অদোমগী শক্তি তশেংমক অহুক হাইহু হায়বা অসিদি ঐ করিগুম্বা মওংদস্তু থাজবা ঙম্লোই। সে পায়শিনবিরো।" হায়হুন মহাক্না থাতা অমস্তুং শো চবুল লৈবাক্তগী লৌথংলগা মওং অমদা নমহুনা জীবানন্দগী মথুংতা শিন্দরে, হায়রকই, "ঙসিদগী ঐ হিংলে। ঐগী করিগুম্বা পোৎলুম অমতা কৈদৌঙৈদস্তু লৌখিথিদ্রি, মসিনতং লৌবদা ধর্ম্ম মাংগদবদি লৈতে। অহুগী মথক্তা শিরগা করি পাউথুম পীবিরুগদগে ?" হায়রগা নোক্না নোক্না হায়রকই, "লাইরম্লেনগী রাথলদদি হুম্বা য়াখিদ্রে, মহু ঐ খঙই, অহুবু হৌখিবদি হৌদ্রে, মতুংদদি থরা থরা থহ্বিগদবনি, মসি হায়জগৌরিবসিনি।" মাগী মচিন্দা নোক্লবস্তু খাঙ্গেলখি রাইহে লোইশিল্লকপদা নৌথরকই। হায়রকই, "অহুগা থৌদাং অমতুংদা

শিল্লজরমগম্নি মহুদি ঐগী লাইরবা নংলবা প্রজাশিংনি। ঐনা কনা পামজহনম্নু মথে য়ৌবু কহনবা ওমন্ত্রে, অহুবু অদোম্নদি লাম্নলা ওম্বিগনি।" নির্ম্মলদা য়েংহুনা হায়রকই, "ঐগী বাতাং-শাঙাং তাবদা ওক্লমগনি, নত্রনে নির্ম্মলবাবু ?"

নির্ম্মলনা মঙক নোমজনা হায়রকই. "ওপ্পগী ওকপদা নত্তে, ঐদি ভূত চুবগুম্নবনি। ভৈরবীগী কম থাদোকতুনা ইবেম্মনা চৈরক অসিদা থাদোক-চে সহি তৌবা কাওবা লোইশিন্দুনা থম্বিরম্রে, রাকম অসি ঐঙোন্দা মরিক অমতা কাওবা থঙহনবিথিদেনা ?"

ষোডশীনা নোকফেং তৌবা মইথোংনা হায়রকই, "ঐগী বা অয়াম্বা অদোমদা থঙহল্লি, অহুবু নোংমদি পূম্নমক থঙবিরকপা য়াই। রাকম পূম্নমক থঙহনবা মীশক অহুদি সংসার অসিদা ঐগী ফকির সাহেব মতোমদনি।"

"পূম্নমক অসি মহাক্না হায়রুনা তৌরিবা ওইরিনিনে ?"

ষোড়শীনা খুদক্তা খুম্রকই, "নত্তে, মহাক ওসি অমুক কাওবা করিম্নু থঙলমদে, অহুগা থাদোক-চে হায়রিবহু ওবাং অহিং ঐনা ইবনি। থবক অসিদা ঐঙোন্দা লমজিং শীবিরম্নিবা মহাক অহুগী মমিংদংদি ঐহাক্না সংসারদা মরামগী মকমদা লোৎলগনি।"

জীবানন্দনা ঙাইহাক তুমিন্না লৈরুরবা মতুংদা থঙহৌদনা মুংশা মপী অমা হোন্দোক্লগা হায়রকই, "য়ুম অসিদা কৌরগা ঐবু অচৌবা লীলা অমা শাম্নবিত্রা থন্দবা ওমদে ষোডশী। মসিবু থাজবনা মরফিম্না চাবহুদগী হেন্না লূনা থোকই।"

অমুক কুইরবসিগী মতুংদা নির্ম্মলনা মঙোন্দা য়েংহুনা নোকফেং তৌরকই, হায়রকই, "অদোমদি শুপগী থোঙকাপ থমদং থাং... লাক্লগ্না বুদৈ য়েংবিমম্নি, অহুবু ঐদি থবক-থানা য়ুম কৈ থাদোকতুনা,

কুশ্মৈ অসি য়েংবা মাইল চানিপাল লাপ্পা চেল্লক্লিবনি। মসি করিগুম্বা অচুম্বা ওইরবদি অদোমদি অদোমগী অপাম্বা থুংবিরবনি, অদুবু ঐগী লাইবক্তদি চাম্মদা চাম্মা মাংজরে। মসিবু কুশ্মেনি হায়সিরা করেম্নবনি হায়সিরা হায়কম থগুদে।" হায়রগা মুপা অদুগী মাইথোংদা মুম্না য়েংলুবদা উরে, মহাক্কী মমিং অনিমক খগুহৌদনা মৈচাক্কী পোংলুম্না লুমথরম্লে। মহাক পাউথুম পীরক্তে, শুপ্নগী নেকেফেং ত্তৌনবা হোংনরকপতনি।

নির্ম্মলনা ষোড়শীদা হংলকই, "পূম্নমক অসি ইবেম্মনা ফাগী ত্তৌবদি নত্তেকো?"

ষোডশীনা হায়রকই, "নত্তে নির্ম্মল বাবু, ঐগী অমদি ইমাগী বদনামমা লৈবাক শিনদ্রে, মসিব্রু ঐ ফাগী-ফারাং ত্তৌবা চংখিগদ্রা? তশেং তশেংনমক ছুটি লৌরবনি।"

নির্ম্মলনা হায়রকই, "অদু ওইরবদি য়াম্না অয়াবা নংহুনা থবক অসি ত্তৌবা ওইরমগনি।"

ষোডশী পাউথুম পীদে। নির্ম্মল মশামকন্থু ভাইহাক চপ লেপ্লগা হায়রকই, "ঐ ইবেম্মবু কনবা লাকপনি, কনবগু ঙম্নবা য়াই, অদুবু করিগী মহু ত্তৌহল্লিবনো হায়বা ঐ থগুজরে। সম্পত্তিদি কনগনি, অদুবু বদনামগী ঈশ্বক্তি মহুনা অহোইনহুম কনখৎলকনি, অদুগা মহু খিংনবগী শক্তি ঐগী লৈত্তে।" মহাক্না হায়রিবসি কনাদা লৌ থাংহুনা হায়রিবনো হায়না লৈরিবা মথোয় [illegible]ক্লা থগুই। অদুবু জীবানন্দ ছুম্মিন্না লৈপ্রে, অদুগা ষোডশী [illegible]মকন্থু মহু য়ানিংদবা অমত্তা কোংদৌক্তে।

নির্ম্মলনা হংলকই, "অদু ওইরবদি হৌজিক করি তৌগে লেপ্লিবিষগে ?"

ষোড়শীনা হায়রকই, "মদু কোম্না খঙহন্ধরক্লগে।"

"কদায়দা লৈবিগদৌরিবনো ?"

"পাউ অসিন্দু কোম্না খঙহন্ধরকে।"

মপান্দগী কৌরকই "ইমা!" ষোড়শীনা মঙক থিন্দোকতুনা হায়রকই "ভূতনাথ। লাও ইবুংঙো ইমুদা পুশিন্ধকউ।" মন্দিরগী মীনাইনা ওসি খাওজাও অমা থন্না দেবীগী প্রসাদ উইহ-বাহৈ অমন্থং অহাও অথুম পুরকই। ষোড়শীনা মদু লৌশিন্নগা জীবানন্দগী মাইথোংদা য়েংতুনা পুক্নিং মকা লায়না নোকফেং তৌদুনা হায়রকই, "নুমিৎ অদুদা পুক থন্না পীজবা ঙমখিদে, অদুবু ঙসিদি মদুগী ইরাল অদু চুমথোকক্লনা তোক্লরোই।" নির্ম্মলদা য়েংতুনা হায়রকই, "অদুগা অদোমদি ইনাও মুপীগী মপুরোইবনি, মরি-মতানি —অদোম্না পীজ-পীথক্লনা অস্থম হলহনখিবাদি চমদে। ফজদবা বা কয়া নৈনপ্রে, হৌভিক্তি অনিমন্না চানবা তৌবিরো। চিম চোৎখিদনা হনবিপ্রবদি ঐ য়াম্না নুংঙাইজহৌররাই।"

নির্ম্মলনা হায়রকই "লৌখিরো।" অদুবু জীবানন্দনা য়ানিংদবা উৎতুনা হায়রকই, "ঐদি চাবা ঙম্রোই।"

"ওম্বিরোইদবা ? অদুবু চাবিদবা য়ারোই"

অদুম ওইনমক জীবানন্দনা মঙক হাইহুনা হায়রকই, "নত্রে।"

ষোড়শীনা হায়রকই, "অরেম্বদা ওক হাইবিগদু চৌধুরী মহাশয়। পুন্সিদা অমুক ফংলরোইদবা থুদোং অদু করিগুম্না থুংতা ফংলবদা মাম্থোকহনপ্রবদি মতম অমুক শাংনা হৈরবী

ওইরক্লিবসি অরেম্বা ওইরগনি।" হায়রগা মহাক্কা ঈশিং থিকতুনা মখোয় অনিগী মমাংদু হৈতথোক্লগ। চৌংশু মনাদা প্রসাদ হাপথরগা শ্রীজগদম্বগী ফম্লবে।

অহাও-অথুম অদু ওসি জীবানন্দনা য়োংশিনবা ওশেংনা য়াম্রে হায়বা খঙবা ষোড়শীদা কুইনা চংদে। মহাক্কা হায়রকই, "অদু ওইরবদি লৈজরসনু, মদু চাবিক্রুয়নু, উগৈ অনিদং চাবিরে।" অসি হায়দুনা মশাক্কা মথুং লানদুনা উনা অদু চিংখোক্লগা হায়রকই, "করি তৌরবগে ওসি? ওশেংনমক লাম্বিদত্রা? লামত্রবদি নমদুনা চাশিনবা ফত্তে। হাকচাং মনুংদা লায়না চেল্লিবদু থল্লুবদদা ঐনি য়াদবা ওংদে।"

নির্মল মপুক্লং চংনা চারম্বদগী মমাই নোনথংলকই। খোজেল অসিগী অথুপ্পা ঈচেকনা মহাক্কী নাকোংদা থিং পাল্লরে, মদুনা মরম চাদনা যাম্না থাপ্পা লৈতৌরবী হৈমবু নিংশিংহনগ্রে। ষোড়শীগা মাপা 'কন্না নোক-খেম্নিমখি, ওসি অযুক্তসু ষোড়শী অসিগী বাদা অমদি ইঙ্গিত্তা মাগী মশা 'পুম্বদা অপাম-ক্লংশি ঈথক হৌখি, অদুবু খোজেল অসি মদু নত্তে। মাধুর্য্যগী অসিগুম্বা অথুপ্পা রসকী ঈচেলদি মদুদা চেনখিদে? অথুম অহাওগী অথুম্বা মহাক্কী মচিন্দা থানা অদুগা হৈনা ফক্না খোকতুনা চাবগী মুংঙাইবা 'পুম্বা মিংকুপ্তা মাংত্রে। ঙাইহাক লৈরগা উরক্লদুনা ষোড়শীনা ওক্না হায়রকই, "অদোমগী দশাসু অদু ওইরখোইরে নির্মলবাবু, ইচং-চাবিত্রেনা?"

নির্মলনা হায়রকই, "অওম্বমথৈ চাবা ইবেম্মনা হায়নত্রিদৌদা লোইজরে, হায়নবা ঙাক্লজদে।"

"চানবা ওসি অছু ওইরবদি অহাওবা শীরকত্রবাল্লে।"

"মছু ওইরম্বা য়াই, মতম অতৈদা কররা শীরকপগে মচুদি খঙজদে।" হায়রগা মহাক মথুং চায়গদবগী থোবাং তৌই। মগাক্কী কা হেনবা লাংতক্লবত্থুনা শুপ্পগী ষোড়শীদা নত্তে, জীবানন্দগী মিংয়েংস্থু চিংশিল্লি, অত্থুবু মসিগীদমক কনানস্থু অমুক বা অমতা হৌদোরক্তে। মপান্দা থোকতুনা ষোড়শীনা চিন তেংনবা ঈশিং শীরে অমস্থুং কা মতপ মথুংতা শীরগা মছু য়াবরা য়েংলগা চানববা হায়জরকই, অত্থুবু মশাগী নক্সগা মহাক্কী মরমদা করিগুম্বা বাহং অমতা হংদে।

নির্ম্মলনা হায়রকই, "অছু ওইরবদি ঐ হৌজিক চংচরগে—"

"মুমদা কৈদৌঙৈ হনবিগদগে?"

"ঐগী অমুক দরকার অমতা লৈপত্রে, হয়েংমক চংপস্থু য়াই।"

"অঙাংদা হৈমদা ঐগী আশীর্ব্বাদ তৌরকই তম্বিয়ু।"

নির্ম্মলনা মিংকুপমুক তুম্বিরা লৈরগা হায়রকই, "ঐবু অমুক দরকার অমতা লৈত্রবাল্লেনে?"

ষোড়শীনা মশামকস্থু ঙাইহাক তুমিন লৈরুরগা হায়রকই, "অছুক চাউথোকপা বাবু ঐনা হায়বা শুমগত্রা নির্ম্মলবাবু? অত্থুদা মন্দিরশীদমক্তদি ঐনা করিগুম্বদস্থু অদোম্বু অরাবা অমুক শীরদবা য়াই থল্লি।"

নির্ম্মলনা মাইথোং মকশিন্না নোক্লনবা হোৎনত্থুনা হায়রকই, "ঐথোরবু থুনা কাউথোপিরোই হায়না আশা তৌবা য়াগত্রা?"

"কাউজরোই।"

নির্ম্মলনা নমস্কার তৌরগা হায়রকই, "ঐ চৎচরে। করিগুম্বা অমুকী গাড়ীদা চৎখিবা তারবদি অমুক উরবগী মতম কংপাব্বি

নিংদে। হৈমনা ইবেম্মবু য়াম্না লুনা নিংহৈজে, করিগুম্বা অহা বা মতম ফংলবদি মরক মরক্তা পাউ পীবিরকউ।" হায়রগা মহাক অমুক পাউথুম ঙাইরুবা তৌদনা চংগ্রে। লৌনমগী ঈকাইবা অমম্বুং মৈচাক্লা থোইদোক্লা থুপচাম্রনা মাপ্পী থম্মোয়দা মৈ হৌহনা চাকথংলক্লে, অদুগা নিংবা কায়রবা য়ু-থকপনা থোঙ খিংলবা মুয়োনফমদগী হল্লকপদা মশাবু ফাখজবগুম মহাক্না লম্বী লএশাংদা চংনা চংনা মপুক্লিদো হায়জরকই, ঐ হিংহৌরবনি। মনিং তৌবিগী মীহৌ লাংদগী নাম্থোরকতুনা ঐগী হৈমবু অমুক ফংজরবনি। রাংহশিংসি হন্না হন্না শোন্দুনা মহাক্না মাগী চাক্রবা শোক্রবা থম্মোয়দা মসি প্রমাণ পীননবা হোৎনরকই মতুদি, ষোড়শীগী য়ুমগী থোঙ মহাক্কী মমাংমক্তদা পুন্সিগী ওইনা খিংখিবা অসি য়াম্না করবনি।

মিনিট অনি-অহুমগী মতুংদা জীবানন্দনা মপান্দা থোরকপদা উরে, অমম্বদা উথোঙদা ঙাহনা ষোড়শী তুমিন্না লেপ্লম্মী। মনাক্তা চংশিল্লগা ওপ্না ওপ্না হায়রকই, "নির্ম্মল বাবু চংখ্রব্রা ?"

বাহং অসিগী পাউথুম পীবগী দরকার ওইদে, ষোড়শী অহুম তুমিন্না লৈ।

জীবানন্দনা হায়রকই, "ভদ্রলোক অদুবু মুন্না থঙবা ঙমদে।"

ষোড়শী সোড়োব্রোমদা য়েংলি, মাইকৈ অদোমদা অহুম মিৎয়েং থমদুনা হায়রকই, "মতুদা অদোমগী করি মাংবগে ?"

"ঐগী মাংবা ? নত্তে, করিমু মাংবা লৈতমাল্লে খল্লি, অদুবু নহাক্কীদি অমাংবা লৈরোইদ্রবে ? নঙদি মাবু মুন্না থঙবা ঙম্বরা ?"

ষোড়শীনা হায়রকই, "ঐগী দরকার অদুগী মথৈদি করিগী থঙলোইদগে ?"

"অহু ওইরবদি কৈ।" হায়রগা মহাক্না ভাইহাক তুমিন লৈরকগা মতোমদা শোঞ্জবগুম হায়রকই, "মাবু নিংশিংবিনবগীদমক্তা কয়াদা থম্মোর শোক্না হাইজরম্লিবা, বাকং য়াবিগ্রেদনা ?" হায়রগা মরাই নোরথংলকপদা অমস্বা অহুদা ফাওবা মখোয় অনি মিংকা মিংকা চানরুরে।

ষোড়শী মিংম্মেং হন্থদে, হায়রকই, "ঐনা মাবু খঙলিবা অহুগী তথ্মায়দং ওইরবসু করিগুম্বা ঐবু খঙনবা হোৎনরম্লবদি অমুক চাউবা হেঞ্জিনবা বাকং অসি ঐগী মাংদা মহাক্না মচিন্দা পনবা ফাওবা ছম্লম্লোইদবনি। ঐগী কল্পনা, মুংঙাইবা বাখল পূম্নমক অহু মখোয়গী ফংলিবনি। মখোয় থেংনরুবদগী ঐ ষোড়শী অহু অমুক ওইজ্রবনি। চণ্ডীগড়গী ভৈরবীগী ফম, ওইজবা ফংননবগী মীকানছুনা মম্লাম্লা মুম্নবগী অরেপ্পা লৈত্রিবা, কলঙ্ক লৈবাক শিম্না শন্দোকতুনা ফংননবা তাম্লিবা অহু ঙসি অমনবা কিজোল হোৎবগুম থাদোকতুনা চৎলগনি, জ্ঞান অসি কদায়দগী ফংলক্লিবনো খঙবিত্রা ? মতু মফম অহুনগীনি। নুপী ওইবীশিংগী মফমদা মাস কয়া চাউবা ফাগনো, কয়াদা তাং ওইরিবনো, বাকম অসি মখোয়বু উবদগী খঙলক্লিবনি। অহুম ওইনমক মসিগী মরিক অমা ফাওবা মহাক খঙদে, করিগুম্বদসু খঙবা ঙমদবা য়াই।"

জীবানন্দ চঙক্লনা য়েংহুনা লৈ, খঙহৌদনা মাটকৈ অদোমদা মিংম্মেং তাক্লবদা ষোড়শী মশাগী ঈথক অমদা বা ঙাংশিবগীদমক ঈকাইহুনা তুমিম্না লৈত্রে। ভাইহাক মরানি তুমিন ছুমিন লৈনরবা তুংদা জীবানন্দনা তপ্না তপ্না বা ঙাংলকই। হায়রকই, "বা অমা হংনিংবদা ঐ য়াম্না ঈকাই, অহুবু করিগুম্বা হংলবদি নঙনা মহুগী পাউখুম পীগদ্রা অদকা ?"

জীবানন্দগী মচিন্দা পনবা অলকাগী মিং অসিনা ষোড়শীগী থাইদগী অশোনবনি। মমেক অহুপগী ফেজবা বাহে অসিনা মতোন্দা কদায়দা চৈথেং পীবগে, মহু থনবদা থোক্কে। মরু ওইনা থোইদোক্না মহাক্কী বাহং হংনিংবগী লাংতক্লবা মওং অসিনা ষোড়শীবু নোকনিংহল্লে, হায়রকই, "অদোম্না করিগুম্বা অঙকপা থবক অমা তৌরা ঙম্মোইদ্রা, অহুগী তুংদা ঐনা অমুক করিগুম্বা অহুগুম্বা থবক অমা তৌবা ঙম্মোইদ্রা অহুক লুবা সত্য তৌনবগী শক্তি ঐগী লৈতে। অহুবু থবক অহু তৌবগী অদোমগী দরকার লৈতে — ঐ খঙজরে। অথীবা মিংচৎ ময়াম্না শব্দে কপিরে হায়দুনা মহু চুমহন্দবা য়াদে, মহুদি অর্থ য়াউদবনি। ঐ কবিগীদমক্তসু কৈদোইদম্সু কনাগী মকুমদা চংজকম লোরোই। ঐগী ইপুরোইবা লৈ, করিগুম্বা মীহৌবা অমতনা বাকম অসি ঐ কাড়থোকপা ঙম্মোই। অকিবা ফংলবা বাহং অসিগীদমক ঈকাইবা পোকপিরিবা নত্রা চৌধুরী মহাশয় ?"

"নহাক্না ঐঙোন্দা চৌধুরী মহাশয় হাযরিবা করিগীনো ?"

"অতুদি কবি হায়গদগে ? হুজুর ?"

"নত্তে ময়াম্না কৌনরিবা — জীবানন্দ বাবু।"

ষোড়শীনা হায়রকই, "ফরে. মতুংদা অতম্না কৌরগে ?"

জীবানন্দনা হায়রকই, "মতুংদা করিগীনো ? ঙসিমক কৌরোদনা ?"

ষোড়শীনা মসিগী পাউখুম অমত্তা পীদে। ইমুংদা থাউমে মমথমক্তে। মহাক্না ইমুংদা চংলগা মহু ঙানথংহল্লে। জীবানন্দনা চপ্তিল্লগা কয়বনক্তদা ষোড়শীনা ঙকতুনা হায়রকই, "অশিং থেংনক্তে, নুমদ: হনবিত্রিবোইদে ? অদোমগী মীলিংদি কদায় ?"

"মখোয়মু ঐনা চংহনক্লে।"

"ইত্তোমদা চংপা কিবিয়োইজ্রা?"

"কিদে, ঐগী পিস্তোল য়াউরি।"

"অদুদি অদু পায়দুনা য়ুমদা হনবিয়ো, ঐগী থবক য়ায়া লৈরি।"

জীবানন্দনা হায়রকই, "নঙগী থবক লৈরম্বা য়াই, অদুবু ঐগীদি লৈত্তে। ঐ হৌজিক চংখিরোই।"

ষোড়শীগী মিংথেং থারক্লে, অদুবু ইত্তপ তপথনা হায়রকই, "অহিং থেংজিন্নক্লে, অদোমগা চংমিন্নবা ঐ মী কৌগে, মখোয়বু য়ুম কাওবা থিলহনগে।"

জীবানন্দনা হায়রকই, "কনাবুসু কৌরুদুনা কায়দে, ঐ ইশাবা চংচরনি। ঐ চংনিংত্রি, ঐনা হায়বদি অসিদনি। নহাক তশেংনমক চণ্ডীগড থাদোকতুনা চংলগত্রা অলকা?"

"অমুকসু মিং অদু?" জীবানন্দগী মাইথোংদা য়েংলুবদা মহাক মপুক্কিং নৌয়কপগুম ত্তৌই, মগুক নোমদুনা থগুহল্লকই মদুদি, তশেংনমক মহাক চংলগনি।

"কৈদৌউঙ চংকদগে?"

"কনানা থগুগনি, হয়েংমক চংপসু য়াই।"

"হয়েং? হয়েংমক চংলবা য়াবা?" হায়রগা জীবানন্দ তশেংনা চপ মুংনা কমদুনা লৈল্লে। কনা কুইনা লৈরবা তুংদা মুংশা মগী অম্মা হোন্দোক্লগা হায়রকই, "অঙকপনি! মীওইবনা মশাগী মপুক্কিং থগুজবদা লাল্লবা! নহাক কমদৌরগা চংখিগদগে মহুত্তা থবায় পুবাক্তা হাপ্তুনা হোংনবিবনি, অদুব তুইনমক নহাক্তু

চৎলগনি তাবদা মাংদা লৈরিবা তাইবংপান অসি লৈকংলাগুমদ্রে। নির্ম্মলবাবু অচৌবা মীনি, অচৌবা বেরিষ্টরনি, মহাক নহাক্কী মাইকৈদা লেপ্লি — কেশ শোয়গনি লান হৌরগনি — ঐনা মাই পাক্কনি, লেঙ্গোল শিংননবা য়োম্হোকখিবা লম অহুম্নীদমক্তা অমুক করিগুম্বা ইমাং অমত্তা লৈরবোই — শেলগং ওইনা লুপা কয়াম্থ খুংতা লাক্লগনি, অহুগা নহাক্তি ঐনা তৌ হ'য়বত্নদা তৌরগনি, মাইকৈ অসিদা উই, অহুবু অতোপ্পা মাইকৈ অমা লৈরি — নহাক মশামক্তা পূরমক থাদোকতুনা বিদায লৌরবদি থোদোক অহু করি ওইগদগে, লিলাহুনী পোলোই করিদা ওইরগদগে মহু ঐ মতদা ফাওবা থন্দে — অলকা, অহুম্না ওইবা য়ামোইদ্রা ঐগুম্না নহাকম্থ কদাম্নদনো লানবা — নহাকন্তু নপুক্লিংগী বা নশানা কুপ্না খঙজদ্রবা?"

যাহৈশিং অসি অস্তকী মতিক নিংথিজদ্রে অমম্থং অস্থম্না ইনৌ নৌই মহুদি, খঙহৌদনা অঙকপা পোকই, মসি জীবানন্দগী মচিন্দগী থোরকপনি হায়বদা। পাউখুম পীবদা ষোড়শী লকক তৌই। মমৈথংদা হায়রকই, ঐনা লেপ্লিবসি অমুক হোংলরোই।"

জীবানন্দনা হায়রকই, "অঙকপনি অঙকপা! নহাক্না মুপা অহুপা ঐনা মুপী ওইরম্বনা চুম্বনি, ফরে, মফম অহুদা নহাক কমদোনা লেল্লগদগে?"

ষোড়শীনা হাদগুম অচম্বা থোম্হোক্লা হায়রকই, "মসিগী মরমদা ঐ অদোমগা করিগুম্বা মওংদম্থ থমবা ঙমজরোই।"

জীবানন্দনা শাউত্নুনা হায়রকই, "নহাক্তি করিম্থ ঙম্মোই, নহাক্তি মুংনি। ঐ শম তৌযক্লবনি, ঐ অহল ওইরক্লবনি —

নহাকী নকয়দা ঐ হৌজিক থুং লোয়হনা কয়া চমগনি, নহাক থনত্রা ?"

ষোড়শীনা হায়রকই, "তাবিয়ু, অহিং য়াম্না থেংজিল্লকে, হৌজিক কাওবা ঐ আহ্নিক-পূজা লোইত্রি —"

পুরোহিতনা থৌদেম্বা অমসুং থোঙখাং মথোক তারকে, মহাক্না থোঙজিন ময়াদা চংশিল্লরুগা হায়রকই "ঙহেম্মা, ময়ামগী মমাংদা মন্দির থোঙ লোনশিল্লগা শোদু ঐনা তারাদাস ঠাকুরদা শিয়জয়য়রবনি। রায় মহাশয়, শিরোমণি — মখোয়সু লেপ্লুনা লৈ।"

ষোড়শীনা হায়রকই, "য়াম্না করে। নহাক হাইহাক্কা তাইখো, ঐ সাগরখোয়রোনদা অমুক্তা য়োক্লগে।" হায়রগা মহাক হৌগংলক্লে।

জীবানন্দনা মনা-মনিন নাইদনা হৌগংতুনা লেপ্লগা হায়রকই, "মসিমু মহু ওইরবদি রায় মহাশয়দা পীহল্লুরো।"

ষোড়শীনা মঙক হাইদুনা হায়রকই, "নত্তে, উপূগী শো অত্তোয়া কনাগী মথুত্তা শিন্নবা ঐ থাজবা ওয়দে।"

"ঐদবু থাজত্রা ?"

ষোড়শীনা মসিগী করিগুম্বা পাউখুম অমত্তা পীদনা কাশী থোঙ লোনশিল্লগা থোরকতুনা মপান্দা লেপ্লয়ে অমসুং জীবানন্দ থোরকপগা থোঙজাও শিংজিল্লমগা মাগী মথোঙ ময়াদা কুনথহুনা থুকম্নগা পুরোহিতকী মতুং ইন্দুনা বা তাংদনা চংখ্রে। জীবানন্দ মত্তোমদা অমম্বা অহুদা মাঙোন্দা ভূত চুবগুম চপ লেপ্লুনা লৈ।

কুনজুমদোই

মেরিইর সাহেব চংখ্রে, মোক্তশী চংখিগদৌরে — মন্দিরগী শোনচিংবা অতৈ লৈরিবা মমল য়াম্রবা পোং-চৈ পুম্মক লৌশিল্লে, অসিনচিংবা পাউ শন্দোকপদা করিমতা খিল্লুদে। শিরোমণি হায়রবনা থুমহুংতুনা ককচাওননা রায় মহাশয়গী মুমদা থুলয়ে।

নির্ম্মল চংলমদায়গী বিদায়গী মতাং অদু খোইদোক্না কক্তনা থোকখি। মপুক্কিংদা অসিগুম্বা বাথল থনবদা জনার্দ্দনগী মাইখোংদা চীংলেম্বা শক্তোম লৌবা ওইরম্বা যাই। অদুবু মদু থওননবা য়োংনক্লনবগী কিভম শিরোমণিগী ওইদে, মহাক্না আশীর্ব্বাদ তৌবগী মওংদা মখুং য়েংথাংগংতুনা হায়রকই, “পুন্সি-মুংশাংবা শীনবিসনু ইনাও, মবুদ্ধিদি লৈরে হায়বা য়ারে।”

জনার্দ্দনা মমাই নোনথংলক্লগা হায়রকই, “কঁরি তৌরবগে ?”

শিরোমণিনা হায়রকই “করি তৌরবগে। পাউ কংননবা থুঙং তরাদা চিথতৌবা য়াউদ্রিব্রা ? চুপীমচাদু শো-মুং অমৈরমখৈ শীথোক্লমহুনা চংখিগদোরেনে। খুম্মু, তাদ্রিব্রা ?”

অয়ুক্তগী কমহুনা থা অসিগী শেন্দোয়গী লুপা থবা কোকপিনবা হায়জ-নোজহুনা ভদ্রলোক অমা লৈরি, মহাক্না হায়রকই, “বেশ ! থৌবুমো থওত্রগা মশানা থওলত্রা ? পুম্মক অসি কনানা শিল্লিবনো শিরোমণি মহাশয়, পুম্মক অসি রায় মহাশয়নদি।”

শিরোমণিনা কম্লগা হায়রকই, “অদুবু মক ওইবা শোদি জমিদারগী মথুক্তা তাপ্রে হায়না তাই, চুমত্রা ? মাদি মহাশাকাগী মু-থকপদি — য়েংম্লে ই ভারা, মমৈথংদা ইনাগী উপুদগী সনা লুপা

ওক্কবা অহূগী উপুদা চংখিবা য়াই। পাপকী ছমথৈ অমুক লৈরয়োই।"

অমুম অমুম অময়ম লাকহুনা বুঙ্গংগী মী অয়াম্বা থুংলয়ে। জমিদারগী মপুক্তগী শো খিস্থদনা লৌখোকপা চুম্মী হায়না লেপ্পরে। থেংথময়বদি মুংখিল তুম্বদগী হৌগংলগা হুজুর মু থকপা হৌখিগনি, মহাক মু ছাওত্রিছৈগী মমাংদা মহু পুং চনশিনহৌবা কৈ। মহু মাগী মথুঙা তাখিবগী মরমদা জনার্দ্দনা মথাগী মরাল থরা লৈখিবা অহূগা থহুবা থরা বাংখিবদগীনি হায়রবা মশানা য়াজরগা হায়রকই, "পূময়ক শিন্দুনা থম্বনি, থওহৌদনা মহাক্না চৈয়ক অসিদ' শো মথুং চনশিনখিগনি হায়রবা অহূদি থম্লুদে। হৌজিক শং হেক পীরক্লবদি কৈ। মুমিং তরানিগী মতুংদদি অস্থয়া হায়দো'রকপা য়াই, কদায় উপুদি করিস্থ য়াউদেনা! অহুবু ঐখোয় পূময়ক্না থওই, ভাই, ষোড়শীনা কনা অমা অমা তৌরবস্থ ইমাগী সম্পত্তিদি থক হায়রাই — পৈসা অমা কাওবা লৌথোক্রোই।

হায়রিবসি ময়ায়া য়ামরে অমস্থং ময়াম পূমা জমিদারগী শান্তিকুঞ্জদা থুংলরে, জমিদার মতমহুদা মপালগী কাদ্দা লৈরম্মী। মুগী লিক্লি অমস্থং গিলাসকী মহুৎতা জমিদারগী থার-থারবা থাতা মাংদা থম্মি। মচি অমদা কমহুমা মহাকী লোয়নবা প্রফুল্লচন্দ্র থবর পারি, মহাক্না ময়ামদা ঈকাই-খুম্নবা উৎহুনা কমহল্লে।

শিরোমণিনা থাইদগী হায়া বা হাংলকই। হায়রকই, "হুজুর চেয়দা অকায়বা খোকত্রা থম্বুনা থরা থেংনা লাকচবিথনি, ঐখোয় ময়ায়া —"

জীবানন্দনা খাতাশিংছু মাইকৈ অমদা ইপ্পোকতুনা খল্লগা নোকতুনা হায়রকই, "থেংনা লাবত্রবস্থু হুজুর তুম্বা কায়রোই শিরোমণি মহাশয়, মরমদি ঙংখিলদা মহাক তুমদে।"

"অদুবু ঐখোয়না তাজবদি হুজুর — "

"তাবিত্রা? ময়াম্না চুমদবা পাউ কয়া তাবি, অদুগা মীনম্বা বা কয়া তাংবি। ঐগী মরিদা ভৈরবীগী বাকম অদুগুম্বা — " হায়রগা বা তাংবনা নোক্রকই, অদুবু তাম্বিবা কাংবুদি তৌকম খঙত্রদ্রুনা মমাই তাংদ্রে। জীবানন্দনা হায়রকই, "অদুবু করিগীদমক ময়াম পুন্দুনা লাকপিরিবনো, মদুগী মরম তারলি?"

জনার্দ্দন রায়না মশাবু থরমথৈ ফাথজরে, মপুক্সিংদা হারজরকই, অমুক কিরিবা করিগীনো? ফোংনা হায়রকই, "মন্দিরগা মরি লৈনবা ইরাং অমুক লায়না নেমখিগনি হায়বা আশা তৌরমদে। নির্ম্মলনা পন তাকতুনা লেপ্পম্মী — "

জীবানন্দন হায়রকই, "মহাক কমদৌত্তুনা পন থ'দোকত্রিবনো?"

করেম্বা অসি জনার্দ্দন ভাব তাই, অদুবু শিরোমণিনা বাকম অদু নাম্পোকহন্দ্রে, হয়াওনা নাপল কানা হায়রকই, "পুম্নমক ইমাগী অপাম্বগী মথা পোনবনি হুজুর, খাদোকপা তাবনি। পাপকী পোৎলুম পুবা অমুক ঙম্লক্তবননি।"

জীবানন্দনা মতক নোমজুনা হায়রকই, "মদু অইরম্বা রাই। অদুগী মথাদি?"

শিরোমণিনা হায়রকই, "অদুবু পাপতি কোক্নে, চৌজিক — তায়রোদনা জনার্দ্দন, হুজুরদা পুম্নমক তাব তানবা হায়রোদনা?" অসি হায়রগা মহাক্না রায় মহাশয়দা মযুংনা ইল্লকই।

জনার্দ্দন্না চওক্লনা হায়রকই, "মন্দিরগী শোদি ঐখোয় লৈরিঙৈদা তারাদাস ঠাকুরদা শীরম্মী। ওসি মহাক্না ইমাগী থোক্ত হাংই, অদুবু উপুগী শোদি ষোড়শীনা হুজুরগী খুত্তা শিন্নবম্মী হায়না তাঔ্জে।"

জীবানন্দনা মঙক নোমহুনা হায়রকই, "মহু চুম্মী। জমা-খরচকী খাতাসু অমা শীরম্মী।"

শিরোমণিনা হায়রকই, "মুপীমচা হৌজিক ফাওবা লৈরি, অদুবু কৈদৌঙৈ কদায়দা চংথিগদগে মহুদি হায়বা ওমদে।"

জীবানন্দনা মিংকুপমুক অহল অদুগী মাইথোংদা য়েংলগা হংলকই, "অদুবু মদুগীদমক অদুক ফিংগংপিরিবা করিগীনো ?"

পাউথুমগীদমক্তা মহাক্না জনার্দ্দন্দা য়েংলকই। জনার্দ্দন্না মনৌনা ফংলহনা হায়রকই, "দলিল, মমল য়াম্লবা পোং কয়া, দেবীগী লিক-কোলনচিংবা অমরবা পূম্নমক পুঙ্গংগী অহল লমনশিংনা মশক খঙই। শিরোমণিনা তাকপিরি মহুদি, ষোড়শী চংখিদ্রিঙৈদা পূম্নমক অদু চাশিন্নহনা য়েংথোকপা কৈ। করিগুম্বা —"

"করিগুম্বা লৈরমদবসু য়াই ? মসি নত্রা ? অদুবু মসমত্রবদি ময়াম্না কমদৌনা লৌথংপা য়াগদগে ?"

জনার্দ্দন পাক হেক পাউথুম পীবা ঙমদ্রে, মমথংদা হায়রকই, "অহু খঙজিনহৌবদি কৈ হুজুর !"

"অদুবু ওসিদি ঐ মতম শংদ্রে রায় মহাশয়।"

জনার্দ্দন মপুক্কিং লাংতক্লমক্লে, চাউরাক্না তাম্নবগা মথায় লাক্লিবনি। শিরোমণিনা ফিংনা হায়রকই, "শোহু জনার্দ্দন ভায়াগী

মখুৎতা শীবিরবদি ঙসিমক সন্ধ্যা মমাংদা চাশিন্নবা লোইবা ঙমগনি। হুজুরগীসু করিগুম্বা দায়িত্ব অমত্তা অমুক লৈরম্বোই— করি করি লৈন্নিবগে লেত্তবগে হায়বা মহাক চেনথাদ্রবৈঙেদা পূম্নমক খঙবা ঙমহৌগনি। করি হাযবগে ভায়া? করি হায়রিবগেনে লখোয়না? চুমদ্রনে?”

ময়াম্না প্রস্তাব অসি চুম্মী হায়না ফোংদোক্লরকই, মখুৎতা শো লৈরিবা মহাক অহুদনদি যেংদোক্লক্তে। মহাক্না গুপ্তগী নোক্কেৎ ত্তৌঠনা হায়রকই, “করিগী কিঙ্গৎপিরিবনো শিরোমণি মহাশয়, করিগুম্বা থরা মাংহন-তাহল্লম্নবস্তু চাকনিবী অহুগী মকমদগী লৌনিংঙাই করিসু লৈরোই। ময়াম ঙসিদি লেংবিরম্মা, ঐগী অশংবা হুমিংতা চাশিংঙ্ছুনা য়েংশনবা ময়াম পূম্নমক্তা শাউ পীজরক্কে।”

লাংদা থুংদ্র হায়বা উবদা ময়াম পূম্নমক মপুক্কিংদা মীপাইনরক্লে। রায় মহাশযনা হৌগংলগা হাযরকই, “অহুবু দায়িত্ব অমদি—”

জীবানন্দনা শদক্তা থুম্নকই, “মহুদি অচুম্বা বানি রায় মহাশয়। দায়িত্ব অমদি ঐনা লৌরেদনা কমদৌনি।”

ইমুংদগী থোরকপগা শিরোমণিনা জনার্দনগী মশা পায়হুনা হায়রকই, “উরেদনা ভায়া, যু-থকপা অসিগী মপুক্কিং থঙবা লুই। ওক্কবা অসিনা রা ঙাংবসু করেম-কথা হৌন। মুনা গুম্নবনি। কুইনা হিংলরোই।”

জনার্দনা অসুম্না হায়রকই, “হুঁ। কিনবা অহুমক থোক্লে।”

শিরোমণিনা হায়রকই, “হন্দক্তি পূম্নমক শনা শাবগী হুকান য়োম্লগনি। লৈরবীনা চংলমদাম্নদা লাক্লবগ্রে।”

হুপা অমনা হায়রকই, “হুজুরনা শো পীরকত্রে।”

শিরোমণিনা শাউরংননা হায়রকই, "অমুক! হন্দক অমুক তাল্লুরবদি থয়াং ফাকতুনা য়ু হৈজিন্নকল্লিবমথৈ খাদোয়ল্লোই।" য়া অসি হায়দোকল্লুবগা মথা পুম্বা তু চুংসল্লে।

ইমুংদা জীবানন্দ হাংত্তুনা হৈরিবা খোঙ লোমদা তরংদা য়েংত্নুনা চপ য়ুংনা ফম্লি, প্রফুল্লনা হায়রকই, "দাদা, অনৌবা রাখোক অমদা অমুক ইশাবু পুনশিনবিরিবা কল্লিগীনো, শো মখোয়দা কোক পীথোকখিবনা ফবনি।"

জীবানন্দনা মাগী মিৎয়েং হোৎলগা হায়রকই, "ফয়োইনে প্রফুল্ল, য়ারবদি পীখিগদবনি। তুংদা খুদোংথীবা অসি খোল্লকনি হাবত্নুনা মহাক্কা ওয়াং অহিং ঐঙোন্দা শো শিন্নরকপনি।"

প্রফুল্লনা মপুক্লিংদা ভগেৎনা থাজবা ওমত্রমাল্লে, হংলকই, "উপুদা কবি য়াউবগে?"

জীবানন্দনা নোকফেং তৌনা হায়রকই, "কবি য়াউবগে? ওসি অমুক মত্নু ঐনা থাভাত্নু পাত্নুনা যেংলে। মোহর, হীরা, পান্না (মরকত মণি), মুক্তাগী মালা, সনাগী লোত্নুপ, মওং করাগী লিক, দলিল থরা, অত্নুদা নত্তনা সন-লুপাগী কোল-লিকসু য়ামদনা য়াউবা নত্তে। মতম কয়া চংনা পৈশিল্লকতুনা পিক্লবা চণ্ডীগড়গী দবীগী সম্পত্তি অমুক য়াম্না লৈরক্লিবনো হায়বা ঐ থনবদা লাম্বা ফংদে। হুরান-চিঙ্গি কিবদগী ভৈরবীশিংনা কনাদসু ভাকখোক্লমদবনি।"

"প্রফুল্লনা চিংননা হংলকই, "হায়বিরিবত্নু কবিনো? মত্নুগী শো দাদাদা লৈত্র।? অমত্তা পোক্কপা তোমপোক হিংচাবগী মথুংদা?"

জীবানন্দ শাউদে, হায়রকই, "হায়রিবত্থু থোইনা লানবা নত্তে তাই, শেল অত্থুক য়াম্না লৈরমগনি হায়বা ঐ ইশামকস্থু থাজরমদে।" তাইহাক তুমিন্না লৈরগা হায়রকই, "অত্থুম ওইনমক, মসিদি ঐ পামদবনি প্রফুল্ল। জনার্দন রায়না পীখিনবা হন্না হন্না হায়বদা মহাক্না য়াদত্থুনা ঐগী থুত্তা শিন্নরকপনি।"

প্রফুল্লনা তাইহাক তুমিন লৈরগা হায়রকই, "অত্থুবু দাদাবু মহাক্না থগুবা গুমদে।"

জীবানন্দ নোকই, অত্থুবু মীনোক অসিদা হুংঙাইবা চেন্দে, হায়রকই, "দোষ অত্থু মাগীনি, ঐগী নত্তে। মাগী নফমদা ঐগী ইরাল মাইকৈ কন্নাদগী লৈত্থুনস্থু ঐবু থগুবা গুমদবগী মরালদি হৌবদগী থোইবা ফাওবা ঐনা নোংমতস্থু লাংচখিদ্রি, শত্থুবু অংকপনি পৃথিবী অসি, অত্থুগা হেন্না গুকপাদ মীওশবগী পুন্নিংনি। কারদগী কন্নি ওইখি, কন্নিস্থু হায়বা ওস্বগী পাম্বে লৈত্তে। অসিগী মরম করিনো থগুত্রা ভায়া, মাগী মথুংতগী মরফিন নিং উইশিন্দুনা লোৎবগী রাগী নঙোন্দা তমস্ত্রে, মসিনা মাগী তর্ক পুন্নমক্তী অরোইবা তর্কনি, থাজবা 'পুন্বগী থাজবনি। অত্থুবু অহিং অত্থুদা মত্থু নত্তুনা অত্তোপ্পা উপায় অমা লৈখিদে, মাইকৈ অমদা ফংলে শিদোই, মাইকৈ অমদা ফংলে শিদোই, মত্থু নত্তুনা কদায়দস্থ হন্না খেংনবা লম্বী লৈরমদে — পুন্নমক অসে ষোড়শীনা তশেংনা কাউথোকত্রে, গুপগী রাকম অমতমক মাগী থম্মোয়দা অকাউবা লৈত্রি, মথবায় কাওবা চিংনবা লৈতনা ইখুংতা শিন্নখি, মাবু অমুক কন্নদৌনা থাজরোইদগে? অত্থুনা অরৈবা পুন্নমক মমিং উইশিন্দুনা ঐওোন্দা লাম্মোয়ন্নিবনি। প্রফুল্ল, সংসারগী থাইদগী চালাক লৈবা মী

কাওবা মরক মরক্তা শিবা য়ানা অকাউ পর্বৈ চল্লি অহু নংলমগ্রবদি সংসার অসি তমথীরবা মরুভূমি ওইরমগদবনি, কদায়দগী রসকী মনিল কাওবা তুশিন্নবা মফম লৈরম্লোইদবনি।"

প্রফুল্লনা মঙক নোমজুনা হায়রকই, "খোইদোক্লা অচুম্বা বানি দাদা। অঙুম তৌনা খিন্দনা থাতা অহু মৈ থাদোকখ্রগা তারাদাস ঠাকুর কৌরগা থমকা তৌবিয়ু — পৈশিল্লিবা মোহরশিংজুনা করিগুম্বা সলোমন সাহেবকী শেন্দোল শিংদোকখিবা য়াববদি গুপ্পগী রসকী মনিলদা নত্তে, মুইনা চুথরকদৌরিবনি।"

জীবানন্দনা হায়রকই, "প্রফুল্ল, মহুদগী দমক্তা নঙবু অমুক চাল্লিবনি।"

প্রফুল্লনা মথুং লোয়জুনা হায়রকই, "চানবিবা হন্দক্তি ময়েং থয়া তাহনবা তারে দাদা। রসকী ঈচেলদু অথবপা লৈতসনু, অহবু চাকলেম চাবদা মীনাই অসিগী ওক কাওবা উকং এনশিল্লক্লে। হন্দক্তি অমুক্তং মপান্দা লোকতুনা চিঙ্গাক থিবা চংলুগে। হয়েং-হংচিং ঐ বিদায় লৌরগনি।"

জীবানন্দনা নোকতুনা হায়রকই, "কশেংনা লৌবগদ্রা? অহবু হন্দক্তা থানা কয়ারক লৌরবগে প্রফুল্ল?"

"মরিয়ক।" অসি হায়রগা মহাক মশামকম্ব নোক্লগা হায়রকই "ঈশ্বরনা চিন পানবিরকপনি, মহুনা অচৌবা মগী প্রসাদ ফংবপা হুমিং মশীং য়ামল্লে, ওইদবা রা অনিদং কাওব করিগুম্বা মরক মরক্তা পুথোকপা ঙমদ্রবদি মা জাত তাগনি। অঙুম ওইনমক মরালম্ব লৈত্তে দাদা। মতম শাংনা দাদাগী পোৎপু বরিগুম্বদা রাংই করিগুম্বদনা নেশ্বী হায়জিন্দুনা হকচাং অসিগী শরম-তোংশা

চাউখৎহল্লকপনি, অচুম্বা মওংগী ঈ হায়রবত্থু মরিক অমত্তা পকত্ত্রবনি। ঙসি থবক অমা তৌরগে থল্লি। সন্ধ্যাগী অময়দা লোৎতুনা শৎ চৎলগা ভৈরবী ঠৌরানীগী খুঙ্গা উক্ফুম খরা হেক্কো লৌক্করগে। দাদাগী অকন্না-ফজবা পোৎ যাম্না ঙসি ফাওবদা যোৎশিনখ্রে, মত্থু তৌক্কত্রবদি তুম্লোইদৌ রি, পুক য়োং ওল্লক্লনি।"

জীবানন্দনা নোক্কনবা হোৎনরগা হায়রকই, "ঙসি ককত্তাওনবা থরমথৈ হেল্লেদনা প্রফুল্ল"

প্রফুল্লনা অমুক্তা মথুং লৌম্নহুনা হায়রকই, "অত্থু ওইরবদি কম্বিখা দাদা, রা অসি লোইশিঙ্গগে। প্রাইভেট সেক্রেটরীগী পেন্সিলনি হায়হুনা উইশ্নদা লুপা লিশিং মঙা পীবিনবা ইবিথিবত্থুগী মথক্তা কলম্না শৎ শৎ চিংশিন্দুনা থম্বিখ্রো — চণ্ডীগী শেলত্থু ফংবদা দাদাগী অরাংপা লৈরোই অত্থু ঐঙোন্দা দান তৌবিহুনা লুপা মম্নামত্থু আরম্বদা মাংহনবিকন্থু।"

"অত্থু ওইরবদি হন্দক্তি ঐবু নহক্ক তশে, তশেংনা থ দোক্লগত্রা?"

প্রফুল্লনা হাম্নঙম মথুং লোম্নহুনা হায়রকই "আশীর্ব্বাদ তৌবিয়ু, অফবা রাথল অসি তু, কোইনা লৈননবা।"

জীবানন্দ তুম্নিম্না লৈ।

প্রফুল্লনা হায়রকই, "মহাক কৈদৌঙৈ চৎখিগদৌরিবনো ?"

"থঙদে।"

"কদায়দা চৎকদৌরিবনো মহাক?"

"মত্থুম্থু থঙদে?"

প্রফুল্লনা হায়রকই, "থঙলুবগীম্থু, কাম্নবা লৈতে দাদা।"

থঙহৌদনা মহাক্কী মাইথোং মকশিনখ্রে, হায়রকই, "অঙকপনি! মুশী নত্তে, তশেংনা। মুপা ওইগদবমক্তি। মন্দিরদা লেপ্লুনা

তুমিংহুনা ফনা কুইনা য়েংই, মখোঙদগী মকোক কাওবা তাশেংনা নুংনা শাখগুম উই। শুগায়হনা কুপহনবা যাগনি, অহুবু মৈদা শৌদোকহন্দুনা অপাম্বা মওংদা শাদোকপা য়াগদবদি মহাক নত্তে। ওম্বিরবদি অপাম্বা অহু থাদোকপিযু।"

জীবানন্দনা অয়াম্বা শরুক কয়েম্নবগী মওংদা হংলকই, "অহু ওইরবদি প্রফুল্ল, হন্দক্কি তশেংনা চৎলমিদনা ?"

প্রফুল্লনা নোল্লুক্না পাউখুম পীরকই, "গুরুজনগী আশীর্ব্বাদনা শক্তি লৈরবদি নিংজবা করিগী থুংদনি।"

জীবানন্দনা হায়রকই, "অহু ওইবা য়াই। অহুবু করি তৌগে লেপ্লিবগে ?"

প্রফুল্লনা হায়রকই, "অপাম্বদি দাদাগী মফমদা ফোংদোকচরে। অহানবদা চিঞ্জাক থিনবা হাম্না হোৎনগনি।"

জীবানন্দনা মিৎকুপ খরা তুমিন্না লৈরগা হায়রকই, "ষোড়শী তশেংনা চৎথ্রগনি নঙ লাজত্রা ?"

প্রফুল্লনা হায়রকই, "থাজে। মহুগী মরমদি সংসারদা মী পূর্মক প্রফুল্ল নত্তে। অকবা বা অমা দাদা, মহু তম্বা কাউথোকলুরে। ওরাং অহিং তুরেল মপান্দা কোইথোকলুই, থওহৌদনা ফকির সাহেব থেংনৈ। দাদানা নোংমা মাগী থোংনাংদা উচেক শিকার তৌরবদা থিংখিবা — নোংমৈ মুনখিবা মহাক অহুনি। চাদুনা তৌহুনা হৈ-শিংনা য়াহং হংই, থাগৎ য়াহৈনা হয়াওহন্দুনা করিগুম্বা হিদাক অমতং লৌবা য়ারবদি দাদাবু লায়েংহুনা শেল তানগে থল্লমী। অহুবু মহাক চালাক য়ায়া লৈ, মাইকৈ অদোমদা পুশিনবা ওমখিদে। অহুম তাংব-শক্তবদগী মহাক ভৈরবী ওয়বা

লাকপনি, হৌজিক হল্লিবনি খঙই। ভৈরবীনা পুন্নমক থাদোকতুনা চৎলগনি হায়বসি মঙোন্দগী তারকপনি।"

জীবানন্দনা লাংতক্লনা হায়রকই, "মাগী পাউতাকী মহাক চৎকদৌরিবা ওইরমগনি।"

প্রফুল্লনা মঙক হাইদুনা হায়রকই, "নত্তে, থোইদোক্লদুম মাগী পাউতাকী মায়োক্তা মহাক চৎবদৌরিবনি।"

জীবানন্দনা হায়রকই, "হায়রিহ করিনো প্রফুল্ল, ফকির সাহেব মাগী গুরুনি হায়নৈ! গুরু-আজ্ঞা হিক্তোক্লবা?"

প্রফুল্লনা হায়রকই, "মতাং অসিদদি মহুনি হায়বা তাই।"

"অদুবু অদুক চাউবা থাদোকপগী মরমদি?"

প্রফুল্লনা হায়রকই, "থাদোকপগী মরমদি দাদানি।" ভ'ইহাক তুমিন্না লৈরগা হায়রকই, "রাক্ষস অসি দাদাদা তম্বা ফরোইদ্রা খঙদে, অদুবু ফকিরনা থাজরিবদি দাদাবু মহাক্না মপুক্লিংদা থোইদোক্লা কিজে — তুংদা খৎন-চৈনবদসু দাদাগা মাইয়োক্লগনি, মসিনি মাল্লা থ্বাইদগী কিরিবা। অদু নত্রবদি মরমসচাশিংবুদি মহাক্ন কিবা লৈতে।"

জীবানন্দনা মমিং লাওথোকতুনা মঙোন্দা তুমিন্না য়েংদুনা লৈ।

প্রফুল্লনা মোককেৎ তৌরগা হায়রকই, "দাদা, ঈশ্বরনা দাদাবা লৌশিং থোইদোক্লা রাংনা পীবিবা নত্তে, অদুবু কংথোকতুনা ওরাং মহাক শাথীনা লানথিবগুম, থুং ভিংথোকতুনা লৌশিন্দুনা দাদানা হেন্না শাথীনা লানথি, মসিগী রায়েল অসিদি লৈজরসু, করিগুম্বা হিংবা থোক্লবদি নোংমদি মহু উবা কংগনি থাজে।"

জীবানন্দনা রা অসিগীসু করিগুম্বা লাউথুম অমতা পীদে, তুমিন্না অমুম লৈ।

সন্ধ্যা ওইশিল্লক্লে, মীনাইনা য়ু থন্না হাপ্পা পাত্র পুশিন্দুনা চংলকই, জীবানন্দনা মখুৎ হাইদুনা হায়রকই, "পুথোকখে। — দরকার লৈতে।"

মীনাইনা ভাব তাবা ওমত্রদুনা চপ লেপতুনা লৈরম্দা প্রফুল্লনা হায়রকই, "করম্বা মতমদা দরকার ওইগদগে মহু হায়বিথোদনা ?"

জীবানন্দ খঙহৌদনা করম্বা মতমদগীনো হাথল অমদা তাউরে, প্রফুল্লগী য়াহং তাবদা য়েংলক্লগা হায়রকই, "হৌজিক্তি পুথোকপ্রো— দরকার ওইরগা কৌরক্কে।" মীনাই চৎল্রে, জীবানন্দনা কৌদুনা হায়রকই, "হাই, নথোয়গী চা লৈবিত্রা ?"

প্রফুল্লনা হায়রকই, "তাও য়া ? চা লৈত্রবদি ঐ হিংখিগদ্রা ?"

"অদুদি, মহু কপ অমতা পুরকউ।"

মীনাই চৎপ্রবদা প্রফুল্লনা হায়রকই, "খঙহৌদনা অমত্ত পাখিত্রেনা ?"

জীবানন্দনা হায়রকই, "পামদবা নত্তে — অদুবু অমুক হন্নদি থক্লরোই।"

প্রফুল্ল নোক্লকই, অদুগা ওাইহাকী মমাংদা মঙোন্দা করেম্নখিবা অদুগী মতৌ তমদুনা হায়রকই, "মসিগা থারগা কয়ারক শুরবগে দাদা ?"

জীবানন্দ শাউদে, মহাক্লসু নোকতুনা মতৌ তমদুনা হায়রকই, "মসিগী য়াম্বনসু ওাস লৈরসু প্রফুল্ল, করিগুম্বা হিংবা থোক্লবদি নোংমা উবা ফংগনি থাজে।"

প্রফুল্ল মচিন খুমদুনা নোকক্লেৎতমক তৌরকই, পাউখুম পীদে।

মীনাই চৈ থনয়গা চৎল্রে। অদুম অদুম সন্ধ্যাগী অমম্বা

মশান্দা কনা মন [illegible], জীবানন্দন [illegible] ফুক [illegible]

[illegible], "[illegible] —"

প্রযুদ্ধনা [illegible], "[illegible]?"

"[illegible]।"

"[illegible] কি? [illegible]?"

"[illegible]"

[illegible] "[illegible],

[illegible]?"

আমি [illegible]

[illegible]।

[illegible],

"মহ ঐ [illegible] —"

[illegible], "[illegible] সবু

[illegible] মাথায়

[illegible]।"

[illegible], "[illegible] নহে। [illegible]

[illegible] ঐ [illegible]

কনায় [illegible]। [illegible] আর [illegible]

[illegible] —এ [illegible]

[illegible]।" [illegible]

[illegible]।

বুনমবি

য়ুগী অথনবা পাত্রবু ঈকাই-খুম্নবা হনজনখিব উবদা প্রফুল্লনা করেম্মখি। মশানা তেংবা য়ানি। জিভরগী থাংহনবা মৈচাক অমত্তুং লায়েবনা শিবদগী নাগিবা জীবানন্দনা পুন্সিদা অসিগুম্বা অচিংবা অমি বখলবা ফোংখ্রে, অদুবু মশানা য়াম্না হকচাং শংঙানা মানুং মচুগী চা ওন্নরগা যুমগী পোক্লপসি হন্দকী অসিনা অচাংবা ওইরমগনি। জগাং 'পুন্সি মাঙনা ইন্দনা থোক্লে, অমস্তু, শগিৎ-পুরগী নাক-যম্বা মুশিন মুশিন মুন উবিদা গুরুবা জম্বীদগী থোকথোরকপা মাইথৈবদগী লেংযাঙ্গনা নীকপা-নীরাওথোলগী খোঙ্গেল নাম্লা নকোংদা তংতনা ফারদুই। মতম অদুদা হৈনবা পুন্সিগী লৈয়োম নুংদা নহাকমকী অমুম্বা তটুম্ব মনগী পুন্সি অমা গুসি য়ঙবা চিৎল হায়বা অসি মশানা খঙদে। মেট লগেকতুনা জৌবুকী অন্দদা থোরক্লে, মতম অসিদা লম্ফ্যাগী বাওথাংনবা নপা তপা পাহিংগী অমম্বা ওনশিনক্লি। মাইকৈ অমদা মাগংলবী তুরৌগী চৈক্লেইপা দবাডিংনা থেক্লা-খোইনা চংখিদুনা মংক উখিদ্রু, মতুগা মাইকৈ অমদনা শজিবুগী পুং কাওবা পাক শম্না নৈপিরিবা জোদুক চৌগড থুঙ্গা শম্মুত্রি। লম্বী চংপা কমা লৈতেংডা জৌবুক্তা জৌ উংশিং অমতা উবা ফংদে, শঙ্গেম্না মুশামচাশিং শঞ্জবুগী গুসিগী মপৌ জাইরম্বা ময়ুমদ হরক্লে — য়াচংবগী অতিয়া মথাদা নীতদবা লমচাংগী চিক্লবা অংথাবা নুংশি অসি গুসি মক্লাকী নকমদবি খোইদোম্বা পুমিং মুশিবা অমদি অঙকপা ঘটনা থোকক্লে। লম্বী অসিনা, অসিগুম্বা অচিকপা মক্লাদা মহাক কয়ারক হন্না চংথোক-চংশিন তৌরে, অদুবু অদুক কুইখনি

মালেম লৈমনা মাগী অঙাংবা অমাবা শক্লোন অসি য়ু-থকপগী ওাংলবা মখিত্তা ঊথিদনবা য়াম্না চেৎনা লোৎশিন্দুনা থম্লম্বগুম্বী। বাংমদগী অমাবা মুংশিংনা মমক মমক্তা নহাক্কী মশাদা লৈররি, করিস্ক অনৌবা নত্তে — মাইকৈ অদোমদা থঙহৌদনা ফুমজিল্লিবা নীংঙমদবগী মীকম্না ওসি মাগী থম্মোয় থুমহৎলক্লে। মপূক্লিংদা হায়রকই, মালেম লৈমা, ইমা নহাক্কী অমাবনা চাক্লবা মুংশা শোর অসি ঈকাইহুনা অমুক কুইবসি লোৎশিন্দুনা থনম্লিব্রা, ওক্কবনি হায়হুনা থওহনবিদব্রা? সংসারদা ঐগীনি হায়বা ঐগী কনা লৈতে, ইশাগী নহুনা কনাগীম্ক অমা-মুংঙাই কৈদৌঙৈদস্থ শক্কক থুংখিব্রি — মহুস্থ ইমা, ঐগী ইমাম্লনে? ওসি লৈরি, হয়েংদি করিগুম্বা লৈতবা য়াই, মহুদা সংসারদা কনাগীম্ক অমাং-অতোং লৈরোই, বাকম অসি নহাক্কা করিগুম্বা মুমিত্তা থনবি-লাকপিথিব্রা ইমা?

বাকং অসি মহাক্লা কনাগী মফমদা তৌরিবনো, ইমা হায়মা মহাক্লা থোইদোক্লা বনাদা অতম্লনা কৌরিবনো, মহাক মশামকস্থ ভাংদাংবা থওজরমগনি নিংদে, অহুম ওইনমক চৌংদগী নিংথায়রকপা নুং মচা মচাশিং ঈচেলগী লম্বী মতুং ইম্না থরো থরো ওন্দুনা চেম্বমকপা অহুগুম্না থুদক্তা ইথক থওহৌদনা পোক্লকপা মৈচাক থওলবা মিংকৌ পীগী লম্বী মতুং ইন্দুনা বাহৈগী পরেং লেংনা লেংনা অথকপা লৈতনা চেম্বরক্লি। লৌবুক্কী ঈশিং চিথোক্কবগীদমক্তা লৌ উবশিংনা লম্বী ককতুনা থোংলম অমা তৌবা হৌরম্মি। নন্দি মহাশয়গী অয়াবা লৌমনবা মতিক চাবা শেল কৎলুনবা করিগুম্বা মওংমস্থ থৌবাং তৌবা ওমখিদে, অহুনা মশাগী মাংগলবদগী মশা ফজনবা থবক অসি তৌখিবনি, অহুবু লাইরবশিংগী থৌবাং অহু

এককড়িনা হুজুরদা খঙহল্লক্রবদা মহাক্না খুদক্তা মহু থিংখিরবনি, উপায় লৈতবগী লীরাংদা হন্না লেংখিদে। মফম অদু শৌখিন ফাঙবা লৈতেম মাগ্নদনা লৈরি। লাইরবা শংপগী মথেক লায়বা খুদম অসি কয়ারক হন্না মাগী মিংয়েংদা তাক্লে, অদুবু ঙসি মহুমক উক্লবদা মরিংতগী পী শিন্থরক্লে। মপুকিংদা হায়জরকই, খঙ্হোকপনি মীগী মাংনবা কয়া তৌখ্রবগে কনানা খঙগনি! অপিকপা অত্তাং কয়া মপুক থন্না চন্না অনি শুনা চাবা কংলমদবা য়াই। করিগীদমক মীওইবনা অসুম্ম' তৌরিবা! মফম অমদা অমম্বদা ফনা বুইনা যেংলগা হায়রকই, খুত্ত' শেল পাথনবদি হয়েংমক মিস্ত্রি থাদহুনা উকু ফাংকদবনি, চহি খুদংগী মসিগীদমক্তা মথোয় অরাবা অমুক নংলরোইদবনি। করে, লুপা কয়া চংগদগে? মহাক লম্বী থাদোকতুনা লৌবুক্তা বুমথরক্লে, অমসুং পুম্নমক অহু মপুক্লিং চংনা য়েংলকই। মসিগী মরমদা মহাক্কী খঙজবা করিসু লৈতে, চেক, শুন্নু, লৈতোই উ কয়া, কয়া যাম্না করি করি চংগদগে মহাক করিসু খঙদে, অদুবু মহু মহাক খঙবগুম নিংই। মফম অদুদা মহাক ভূত চুবগুম মতোমদা লেপতুনা মহাক্না হিসাব তৌরনা য়েংই, মসিদা শেল থাদবা মাগী শক্তিদা লৈত্রা লৈতত্রা হায়বা।

লম্বী য়াংমা অসোয়বা করিনো অমা চেনখ্রে। হুই নত্রগা লমছই ওইরমগনি, অদুবু মহাক্কী মঙ কায়খ্রে। অতোপ্পগীদমক্তা অরাবা পোকপা অত্তকী মতিক হৈনরাক্ত মহুদি, মতুকা চেনবগা লোয়ন-লোয়ননা লিপা শানবা মওং পুম্নমক অহু মিংকুপ্পা খঙজরক্তুনা মহাক য়াম্না নোক্লিংলক্লে। থুনা য়াংনা লম্বীদা কাখংলগা ওম্পগী অসুম্বদা হায়রকই, বাঃ অত্তকপা থৌঅংনি। কনাগুম্বনা করিগুম্বা

উখিবা থোক্লবদি করি শনখিগনি। জীবানন্দ ঙসি মু থঙ্কনা মপান্দা থোরকপনি, ঙসি মহাক্কী মপুক্কিং শোন্থবা অসিগী মরম মহাক্না থঙলে, পোথাকম থঙ্ড্রবা থম্মোয়দা ঙসি মরম চাদনা গুপ্তী কপ্পিংবগী সুবদমক ফাওরক্লিবা কারইনো, মসিগী মরমন্থ থঙবদা মঙোন্দা কুইদা চংদে। অদুগা পোং অমা, মশাগী মরমদা ঙসি মহাক্কী অহানবা চিংনবা পোকখ্রে মতুদি, মতম কুইনা হৈনরকপনা ঙসি মহাক্কী মশা 'পুম্বা ঙম্না য়োমশিনখিদুনা মপুংফানা স্বভাব ওইহনখ্রে। মশাবু মশাগীনি হায়না দাবী তৌননবগী অধিকার মতম চুপ্পগী ওইনা মখুত্তগী নাম্থোকখ্রবনি। কবিগী দমক্তা যুমদগী থোরক্লিবনো ত্যদ ংবা িংশিংবা থোকখ্রে, মহাক্না যুমদগী থোরকপা মতম অহুদা অবেপ্পা বাফম কবিন্থ লৈরমদবা য়াউ, থঙঙ্গমদবা মরেক শেংফাত্তবা বা কয়া লৈরম্বন্থ য়াই — পুম্নমক মুংখিদুনা ইহাং হাংখ্রে। যুমদগী থোরকপগী মরম অমত্তা নিংশিংবা থোকাত্রে। অদুবু ময়ুমদন্থ হন্নিংদে। থবা লাপ্প চংলগা মথা পাংনা থেক্লা থোরনা চংখ্রবা লৌরিদা লৈরিবা থোঙ লম্বীদা অমম্বদুদা মহাক কুমথখ্রে। লম্বী অহ শাংই, থোঙথাং থুদিং অপানবা ফ্ৎউ, অদুবু নানথুগে তোনা থুদি থিনা লম্বী চংনা চংনা মাগী ওমচাক্লবা থম্মোয় চেক, উ, গুন্থ অমম্থং স্বরকিগী বাথলনা থলখ্রে হায়বা নহাক মশা থঙজদে।

পোং অহ কবিন্থ নুত্তে, উকুনি, বীজগাঁপী জমিদারগী মকমদা মতুদগী হন্না কবিন্থ লৈতবা পোং অমমুক লৈফম থোক্তে। মহু শাবদা শিল্প-কজবা য়াউদবা অচম্বা পোং অহুতবু লাইরবা কয়াগী অবা-মুংচাই মতুগী মমক্তা তৌন্দুনা অনৌবা রস অমনা থলহন্দুনা মতুবু মক ওইংখ্রে। ওইনা উ.র মতুবু মওং কয়াদা পুনায়বগী মওং কয়াদা

শাগৎপগী অয়োইবা অমুক নাইদে হায়বা ঙাই। অদু ওইরবসু পূম্নমক অসি মহাক্কী চোকথরবা থম্মোয়গী ডাইহাকী, ওইবা বাথলনি, অচুম্বা মশক নাত্তে, হয়েং অমুক-সুংথিলদা মচুগী মমি ফাওবা ভাগ্নোই, বাক্কম অসিদসু মহাক ওক্কে, থম্মোয়সুংদা থুপচাবা মৈচাকী মতৌগুম কদায়দনো য়ুরগি। অদুগ ওইনমক ওসি অহিংগী ওইনা অঙাং শাবা অসি মহাক করিগুম্বা মওংদসু থাদোকপা ওমত্রে, কন্নবা অমগী মথংদা কন্নবা অমা তৌবগী অয়েপ্পা লৈত্তে।

থওহৌদনা অমম্বা অতিযাদা চণ্ডী-মন্দিরগী মতোল উরক্রে। অদুক লাপ্পা লাক্লে হায়বা মহাক ভাব ভাহৌত্রে, অমুকসু থবা চংশিনবদা মন্দিরগী গেটকী থোঙ মচা অদু মতম অদু ফাওবা হাংদুনা লৈরম্বা থেনক্লরে, মহাক অমুক মনা-মনিল নাইদনা মন্নুংদা চংক্লে। দেবীগী আরতি লোইখিবা ফনা কুইরে, মন্দির থোঙ থিংক্লে, মাঙোল 'পূম্বা মম্মী, নাট-মন্দিরগী মচি অমদা কুপ্ফৎ-কাকেৎ ওঁম্না থাউমৈ অমা থাল্লি। জীবানন্দনা মনাক্তা চংশিনবদা উরে, মুপা মরি-মঙা কাং চিক্কনবা মমাই-মমিৎ খুমদুনা তুম্লি, কনানো মুপা অমতংদদি উথোং মক্কমদা তুমিন্না ফমদুনা মালা চংলি। জীবানন্দনা থবগা অমুক চংশিল্লগা মুপা অদুবু মশক য়েংননবা হোংনবদুনা হংলকই, "কনানো নহাক?"

মুপা অদুনা জীবানন্দগী মচু ভাবা কিক্কেৎ অমম্বা অদুবসু উবদুদা মহাকপু ভদ্রলোক্নি হায়বা খল্লে, হায়রকই, "ঐ যাত্রিকনি বাবু।"

"ওঃ — যাত্রিক। কদায়দা চৎকদৌরিবনো?"

"আজ্ঞা, ঐ শ্রীশ্রীপুরীধাম চৎকদৌরিবনি।"

"করি লমদগী লাক্লিবনো ? মখোয় অসি নহাক্কা লোয়নয়কপা শুইরিনিনে ?" অসি চায়রদুনা জীবানন্দনা তুম্নিবা মখোয় অহুদা য়েংলকই।

সুপাদুনা মণ্ডক হাইদুনা হায়রকই, "নত্তে আজ্ঞা, ঐ ইথন্দা মালভূম জেলাদগী লাকপনি। মখোয় অসি কানানা মেদিনীপুরদগীনি কনাগী মখুম্না অতোপ্পা লমদগীনি — বদায়দা চৎকদৌরিবনো মহুস্থ খঙজদে। সুপা অনিদি ওসি নুংখিলদা লাকপনি।"

জীবানন্দনা হংলকই, "ফরে, মী কয়া কয়া য়াম্না মকম অসিনা নিঙিগী থুংলবগে? 'সিদা লৈরবা মখোয় চরা অনি শুনা চাবা ফংই, নত্রা?"

সুপা অহু ভৌকম খঙলকত্রে। ঈকাইনা হ'য়রকই, "শুপনী চানবগীদমক্তা মী পুম্নমক 'সিদা লৈরবা নত্তে বাবু। খোঙনা চৎপা ঐ হৈনরক্তে। অদুনা খুনাম ছদে'কতুনা থীনা শোক্লে। ইমা ভৈরবীনা মমিংনা উদুনা য়াথং পীবি, ফক্ত্রিবমথৈ সিদা লৈয়ু।"

জীবানন্দনা হায়রকই, "অদুদি ফরে, অদুম লৈয়ু। লৈফম বাৎপস্থ নত্তেদনা।"

"অহবু ইমা ভৈরবীদি অমুক লৈনরোই হায়না ত্তাই।"

জীবানন্দনা নোকতুনা হায়রকই, "চৈরক অসিদা তাররা? মহাক লৈতসদু কৈদৌবগে, মাগী য়াথংদি লৈরিদনা। নহাকপু চৎলো হায়গদবা কনাগী মতিক লৈ? নখোঙ ফক্ত্রিবমথৈ নহাক লৈখো।" অসি হায়রগা জীবানন্দ মহাকী নাক্তা চংলরকতুনা ফমরে।

সুপা অহু অহানবদা হাইফেং ফিবা অমদি চিংনবা পোক্লগী,

অদুবু মহু করে। অদুগা উনা উনা অমম্বা অসিদা মন্দিরগী মচি অমদা মতিক লৈরবা জমিদার লাইরবা ময়ুম লৈজদবা চাক্লিবা অমগা অবা-মুংঙাই বারী শানবদা ভশেংনা নকশিন্নব্রে। মুপা অদুগী মমিং উমাচরণ কোই, জাতিনা কৈবর্ত্তনি, ময়ুম হাম্নদি মালভূম জেলাগী বংশীবট থঙ্গংদনি। খুঙ্গংহু চেং তাংই, ঈশিং ফংদে, মাইবা লৈতে — মহু মাগী পাক্সি-পুম্বি হাক্কী সম্পত্তিনি, মহাক নোংপোক্কী সহর অমদা উকিলগী থবক তৌরম্মী। নিংথৌগা প্রজাগা মুংশিনদে, মরি লৈনদে, গুপ্নগী ওং-নৈবনা মথোয়গী শাপেগী অথিবারনি। হৌখিবা ফাইরেনগী লোইরকপদা কোলেরা তৌহনা মাগী মুপী শিখি মতিক চাবা মচামুপা অনি মথং মথং মমাংমক্তদা লায়েংবা মাউদন। শাখি, মহুদা উপায় অমতা শিনবা ঙমথিদে, মমৈথংদা অমনম্বা য়ুম অদু মহাক্না মাগী মম্বাম্বগী মচাহুপী লুপ্পাবী অমদা দান তোথোক্লগা পূন্সগী ওইনা য়ুম থাদোরক্লবনি। পূন্সি অসিদা মহাক অমুক ময়ুমদা হনবগী আশা লৈত্রে, অপাম্বা লৈত্রে, অসি হায়রগা মহাক্না মুপী-অঙাংগুম হিক হিক কপ্লকই। জীবানন্দগী মখিত্তগী পী তপ তপ তারকই। অতোপ্পনা কপ্পা মঙেন্দা অপোবা পোংশক নত্তে, অসিগুম্বসি মহাক্না পূন্সিদা কয়া কপ্পা উরক্লবাগ, অদুবু করিগুম্বা মুমিত্তসু মপুক্লিংদা দাগ খজিক্তা ফাওবা লৈতৌদে, ঙসিসু মহাক নত্তনা কনানসু থঙবা ফাওবা থঙখিদ্রিদে, অদুবু অমম্বদা ফুরিং মচিনা মপী থেথোক্লা মহাক্লা হায়নিংলকই, কদায়দনো চেন্নগা মহাকী মুপী শিত্রিবা, মহাকী মচা পোকত্রিবা, মহাক য়ুম থাদোকতুনা চংপগী দরকার ওইদ্রিবা, পুম্মক অসিগীদমক শক থঙবা মুপা অসিগুম মহাক মথোল থোক্লা কম্লিংলকই।

ঙ ইহাক লৈরগা মুপা অহুনা মপুক্কিং খরমথৈ যাংবগা হায়রকই, "বাবু, ঐগুম্না অরাবা মী সংসারদা অময়ুক লৈত্রে।"

জীবানন্দনা হায়রকই, "নত্তে ভাই, সংসারদি য়াম্না চাউই, কদায়দা কনা কমদৌনা লৈরিবাগ থগুনরবা উপায় লৈ'ত।"

মসিগী অথুম্মহু খঙবা ঙম্মবগী শিক্ষা নত্রগা শক্তি চম্লবা মুপা অসিগী লৈতে, জীবানন্দ মশামকম্ত মহু আপা তৌদে, অহুবু গুাংবা লেম্নদি ঙমত্রে। মহাকী পীরাংনা ফুনগংলবা খোঞ্জেলনা, চা্জো নাইদবনা মশাগী নাকোংদা অহুম্না অমত থিকপগুম খোক্লরে মহুদি, মহুগী মীহোৎবহু মহাক থাদোকপা ঙমত্রে। হায়রকই "অরাবা ত রংশিংগী কবিগুম্না তোঙানবা জাত লৈতে ভাই, অরাববু কদায়দহু কাজিন্দুনা থম্না য়াবা নত্তে। অহু ওইরম্লবদি মীপুম খুদিংমক মাবু থৈদোকতুনা চংনগদবনি। প ইশিল্লকতুনা ইথক্কো নম্লরবা নপম অহুদদা মীওইবনা মাবু খঙই। অহুবু করম্না লম্বীনো মহাক্কা চংথোক-চংশিন তৌরিবসি কনানহু মহু খঙবা ঙমদে। ঐগী বা পুম্নমক খঙলাই ভাই, অহুবু সংসারদা নথন্দা নত্তে— থোংদোক্না মরূপ অমা নহাকী নাক্কা লৈরি, নহাক্না মশক খঙবা ঙংত্রে।"

মুপা অহু তুমিম্না লৈ। যাহুহু দৌশিনবা ঙমদে, মরূপ কনা লৈরিবনো মহুম্ন খঙদে।

জীবানন্দনা হৌগংতুনা লেপ্লগা হায়রকই, "নহাক ইমাগী মান শোংবদা ঐনা অপনবা পীত্রে। অমুক শোলহৌবো, চংলে, হয়ে, অসিগুম্বা মতম অসিদা অমুক উরবা য়াই।"

সুপাহনা হায়রকই, "অমুক উয়রয়োই বাবু, ঐ হুমিং মণ্ডানি গুরে, ঐ হয়েংমক চংপা ভারে।"

"চংপা ভারবা ? অহুবু নখোঙ নাবা কত্রি হায়রবদায়, নহাক নখোঙনা চংপা ঙম্মোই।"

মহাত্মা হায়রকই, "ইমাগী মন্দির হৌজিক জামিদার বাবুগী ওইরে। হুজুরগী হুকুমি, হুমিং হুম্মিদগী হেন্না কনাম্বু লৈবা য়ারোই।"

জীবানন্দনা নোকতুনা হায়রকই, "ভৈরবী হৌজিক চংলু চংথিত্রি, ময়ক অদিদা হুজুরগী হুকুম জারিরবা। ইমা চণ্ডী মরাইবক কৈ।" অসি হায়রগা মহাত্মা বা অমা মপুক্কিংদা খঙনিংলকতুনা হংলকই, "করে, ওসি অতিথিশিংগী সেবাদি করম করম তৌই ? কহি চাবগে ভাই।"

সুপাহনা হায়রকই, "লৈবা হুমিং হুম্মিদগী হেল্লিবা মখোয়দি লোইনা ইমাগী প্রসাদ কংই।"

"অহুবু মহাক্তি ? নহাক্তি হুমিং হুম্মিদগী হেন্নে ?"

হুপা অসি অকবা মীনি, কনাবুম্বু পাক হেক নিন্দা তৌবা পামদে, হায়রকই, "ঠাকুর মহাশয়না কহি তৌবা ঙমগনি, জামিদার বাবুগী হুকুম য়াউদনদি।"

"মহু ওইরমগনি।" হায়রগা হুংপা মপী হোন্দোক্লগা জীবানন্দ হুমিন্না লৈরে, বার্ত্তোন য়াউদবা বাত্রিকশিংগী মরিদা মহৌশাদগী অসিগুম্বা চংনরকপা নিয়ম অমা লৈরম্বা য়াই, অহুবু যোড়শীনা মহু ইমা চংপা ঙম্মদবা য়াই। হৌজিক ভাবাদাস অমম্বুং এককড়ি নন্দী মরাম্বিনা ভায়রগা জমিদারগী মিংদা কিস্তর অহু হায়তভ চপ চানা শেমদোক্লবা হোৎনরিবনি। কবিতবা মদি ওইরম্বনি

থোইদোক্লা বারৌনিংঙাই কবিশু লৈতে, অদুবু মাগী থম্মোয়না করিগুম্বা মঙংদসু বাকম অসি থাজবা ঙমদে। মুংদগী হন্না হন্না হায়রকই, অসুম্না ওইবা থক য়ারোই। অসুম্না ওইবা থক য়াবোই! চম্বা হেনবদু পীজ-পীথকপদা করি নিয়ম। মপুক লাম্লবা অতিথি অসি চম্বা হেন্দুনা কপ্লি, অরাম-অশোয়বা থাংহুনা লৈগদবনি হাযবগী করম্বা আইন-কানুন। হায়রকই, "তাবিত্রা ভাই, হয়েং অমুক ঐ লাকনি, অদুবু তুমিন্নদি চংখিরোইদবনি, হায়রম্লিবসিনি।"

"অদুবু ঠাকুর মহাশয়না চংলো হায়রক্লবদি ?"

জীবানন্দনা হায়রকই, "হায়জসু। অদুক অরাবা থাংবদি ঙম্লগা বামোনগী বা অমতংদি থাংবা ঙম্লরোইদ্রা ?" ওপ্না ওপা মপান্দা থোরক্লে, থঙহৌদনা মন্দিরগী মাঙ্গোম্পগী উথোং মরুমদা খোঙ্গেল কাজিম্না মী থম্বা বা ভাংনরম্বা তাবদা ঙকত্রে। অহানবদা মপুক্লিংদা থম্লকই, অচিকপদা কনানো লাই থুরুম্লি, অদুবু বাহু ম শী নাকোংদা চংত্রে। কনানো অমনা হায়রি,"ঐবোযগী ইনাবু ম..মণব। শিল্লিবা মাগী মাংন-ভাক্লবা তৌরবদদা লেনগনি।"

অতোপ্পা অমনা খুম্লকই, "ইমাগী লাইশঙ শোকতুনা বাশল্লবনি থুড়া — ফাঁসি চংপা তারবসু চংখিগনি।"

মী অমনা অমুক হায়রকই, "হাঃ — ঐখোয়গী অমুক জেল! ঐখোয়গী অমুক ফাঁসি! ইমা মশানা চংনিংলে হায়না চংখিসু —"

অময়দা মীশক থঙবা ঙমদে, খোঙ্গেল থঙদে, অদুবু মী অমগী অকম্বা খোঙ্গেল অহু মহাক কদায়দনো তাত্রে, মশক শুপথঙ থঙদবা মীশক ময়েং হায়না থম্লকই। মুম্না থম্নরবদি থঙবা ঙম্বা য়াই। অদুবু

ঙসি মহাক মহুদা মপুক্লিং চংলুদে। মহাক্কা মী কয়া কয়াগী মাংনবা তৌখি — ময়ম অহুনা হায়রিবহু মহাক মশাময়কপু ঙাইরম্বা য়াই, অহুবু ঙসি মহু খঙ্গনবগী হৈনিংবা পোক্কে। মপুক্লিংদা য়োকহুনা হায়রক্কে, অচুম্বনি, ঈশ্বরগী মতৌগুম অসিঙম্বা পুক্চেল চাউবা তাখিনবা মীশক অতোপ্পা কনা লৈরোই। ঙাইজসমু মীনম্বা নাপল, অহুবু মসিগী মমল লৈ। অশোনবগী অৱেস্বদা মুপা-থোকপা, অহুম ওইনমক খরমথৈ চাউথোকচনিংঙাই মশক্তি। ওস্থোকপনি।

হম্না য়েংলমদনা মনা-মনিল নাইদনা মপান্দা থোংকপা মতেংহু অহিংগী মুখক অনি হেল্লগ্না য়াই। লম্বী ময়াদা মচি মাচিদা ময়ম অমদা অমদা লৈপুংনা চোকথরবা লম্বী চংপগী মতৌগুম মতম কয়াদগী তুমিন তুমিন ফমহুনা লৈরক্লি, মহুগী ইতিহাস লৈতে, মহুগী অমগী ময়াদা মহাক মতৌ অহুম্নক উফুলদা ফমথক্রে।

মাংদা লমহাং খরা লৈখিবা অহুগী চিদায় অমদা ষোডশীগী থাংপোক লৈ, উনা-মানানা খঞ্জিনখিহুনা মখেক শেংনা উবা ফংদ্রবহু মী কয়ামক্কম পরেং শানা থোক্লকপগুম খল্লকই, অমস্তুং মনাক নক্কা চংখিবা মতম অহুদা মখোয়না শানখিবা বারিদগী জীবানন্দনা অসিমখৈদি থঙবা ঙম্রে মহুদি, ষোডশীগী শন-গাডী য়োরক্লে অহুগা হরেং অমুক অঙনবদা মহাক চণ্ডীগড থাদোকতুনা চংগ্রগনি। ভক্ত প্রজা কাংবু অহু মাগী থুম্রা-উফুল লোবা চংলুবদগী মযুমদা হল্লরিবনি। ষোডশীবু থাম্মনবগী লম্বী লৈত্রে, থাক্লবহু মহাক্কা তারবোই হুমিং খরনি অসিদা মহাক্কা মাবু খরমথৈ খঙলে — অহুবু মহাক্কী থম্মোয় মুংঙোইতবনা ফুনগংলক্লে। জ্ঞান জানা অমস্তুং তাদনা প্রাণী মায়োক্কা অয়ানবা কয়া চংক্লে, অমুক্কম ওইনা মহুগী চেনা কাক্কলুরা

ওইথোক্লবনি, অদুবু মহুক য়াম্না মশীং থিজমত্রবা ওং-নৈথিবা পূম্নমক ভসি মাগী মাংদা লৈপুং শামা পৈরম্মে। মহুবু ঈপ্তাকতুনা খম্নবা মকম সংসারদা মহাক্না কদায়দসু উন্দ্রে। মাগী মুপীনি হান্নবা লোশিনবদা ঈকাইথিবা মহাক অদুবু ওক্কবী অমা ওইনা লৌশিন্নিংবগী ওক্ক-শাজং অদু মহাক্না কদায়দগী কংলক্লিবনো খনবদা থোক্কে। ভসি থম্মোয় 'পূম্না এহাক্কী ষোড়শীবু পূকচেল তিংনা পামঙ্গরি, মাস মাগী অধিকারগী দাবীনি, অদুবু মওম চুম্নদা মাবু থৌভইথিথিদবা, ঈকাইবা নংহনথিবা, মীনম্বা অমগী মথক্তা নীনম্বা অমা ননশিনথিথিবা অদুনা পল শাম্রে, ভসি মহুবু নংথেক্লবগী মাগী নাথী কদায় ?

খঙহেন্দনা কনানো অম থোঙথা কম্না লাক্লি। মহাকপু অমম্বা অহুদসু শক খঙবদা কুইনা চংদে, কৌরকই, "অলকা ?"

ষোড়শী চঙক্লনা চপ লেপ্লি। মহাক জীবানন্দনি হায়বা শিংগৌ অদি তাবমক্তুদা খঙক্কে। খম্না চংশিল্লগা থোঙ্গেল য়াক্লা হায়রকই, সিদা কৈদৌবিরম্লিবনো ?"

জীবানন্দনা তেংগংলগা হায়রকই, কনানা খঙগনি, অমুম কম্লিবনি। নহাক চংলমদাবগী ওইনা দেবী খুরুম্বা চংলিবা নত্রা ? চংসি ঐসু নঙগা লোয়ননা চংকে।"

নোংমজ্জাংগী মহুদা মহাক্কী থোঙ্গেল কয়িনো অঙকপা ফংনা ওক্লম্মে, ষোড়শী ভকতুনা তুমিন্না লৈ। ভাইহাক লৈরগা হায়রকই, "ঐপ চংলিম্নবদা খুদোংথৌনিংঙাই লৈ মহু খঙবিরিবন্ধুনি।"

জীবানন্দনা হায়রকই, "খঙই। অদুবু মহু ঐতোন্দগীদি মহু তুপথোক থোক্লারাই। ভসি ঐ ইথন্দনি অদুগা খুংলামহু ভবতা য়াউদে — চৈ মচা অমা কাওবা শায়দে।"

ষোড়শীনা হায়রকই, "ভাজরে। প্রফুল্ল বাবুনা অদোম্বু থিবা লাল্লম্মী, মঙোন্দগী পাউ কংই, ভসি খুংশায় য়াউখিদে, য়ুমদগী মথন্দা থোকখি, অদুগা — "

"অদুগা থোইদোক্লা লাংজক্লবগী মথক্তা যু থক্তনা চংখি, নত্রা ?"

ষোড়শীনা হায়রকই, "হোয়। অদুবু চণ্ডীগড়দা মহুম্না মতুংদা অমুক তৌবিরোইদবনি।"

জীবানন্দনা হায়রকই, "অদুম্না ঐ হুমিং খুদিংগী তৌরগনি, অদুগা হিংলিমখৈ তৌগনি। প্রফুল্লনা বা য়াম্না হায়রম্মে, বাক্য অসিমদি হায়রমদ্রা, ঐগী য়েক্লবা নৈ হায়না করিগুম্বদম্বু অমুক হন্না লৌররোই হায়বা ?"

যে . চপ য়ুংনা লেপখ্রুনা নৈ। হীরম অসি পন্দুনা তর্ক তৌদে বাক্যম্বু বা হায়বম্বু হংদে। জীবানন্দগী মাইথোং অমম্বা অদুদা মহাক্না উবা ফংদে, অদুবু মাগী অশুকপা থোম্মোক অসিনা অথেংবা অহিং চিক্লবা লমহাং অসিদা মহাক্কী নাকোংদা অশুকপা হুন্ন অমনা কন্না যৈরবে। ভাইহাক নৈরগা হায়রকই, "ঐগা মন্দিরদা চংমিন্নরগা করি কাম্নগদগে ?"

জীবানন্দনা হায়রকই, "কামবা করিম্বু নৈতে। নৈরিবমখৈ লোয়নন্না নৈমিন্নগনি, মহুগী মতুংদা চৎপগী মতম ওইরক্লগা নহাকপু গাড়িদা থাংগৎলম্লগা ঐ য়ুমদা হনগনি।"

ষোড়শী থুদঙ্কা পাউথুম পীবা ঙমজে। জীবানন্দনা হায়রকই, "চৎলগদবা ঙসিগী হুমিং অসিদদি ঐহাকপু অমুক থাজদবা তৌরগনু অমকা। ঐগী পূজিগী মমল নঙনা থঙলিবহুনি, অমুক উব্রখিদবনু য়াই। ঐবু নঙনা মওং কন্নাদা থোজালবিরম্মে, ঐগী অয়োইবা হুমিং কাওবা ঐ বাক্য পুম্নমক অদু নিংশিংলগনি।"

ষোড়শীনা হায়রকই, "কুবে লাকপিরো।" হায়রবা মহাক চৎখৎল্লে।

মিনিট অনি তুমিন্না চৎলবা তুংদা জীবানন্দনা হায়রকই, "খোজাগবিবগী অমুক মতিক চাবা চাদবা করিনো? খোজাগবিবদি কুপাগী পাম্জবা মতুং ইন্না তৌরনি। অদু নত্রবদি ঐবু খোজাগবিবা য়াবা মীশক্তি হায়না লাম্না লৌবদি গুপ্নগী শাথীবা যেক্লবদনা থম্মোইদবা নত্তে, মহাক্কু কাওবা ওন্নোই।"

ষোড়শীনা খোয়ল্লেল তপ্না হায়রকই, "ঐক্তোন্দগী হেন্না শাথীবা অদোমগী য়েকবা সংসারদা খঙলে অমমুক লৈররিরোইদে?"

জীবানন্দনা হায়রকই, "নত্তে।"

মন্দির মথুংদা চংলবা মতুংদা জীবানন্দনা খঙহৌদনা হায়রকই, "মুংওাইত্রা য়েংউ অলকা, মশাগী মচেং লৈত্তবা মুখোয়না তাইবংপান অসিদা মীগী মচেংদা য়াইদগী শাথীনা অপনবা পীরি।" ষোড়শীনা অহুংবা মিৎয়েংনা য়েংলকপদা হায়রকই, "ওসি ঐ কনা কুইনা মন্দির অসিদা কল্লম্মী, তৈরবী লৈরম্লে, হৌজিক জমিদারনা খোবুরেম্নি। হুজুরগী মমিংদা চৈথক অসিদা যান্ত্রিকশিংদা অহিং অহুমগী আইন কারিরে। নওগী খোঙথেকপা অতিথি অহুবু নহাক্না মখোও নাবা হন্ত্রিবমথৈ লৈননবা য়াথং পীরবনি, মহাকী মচিন্দগী তারকই, হুজুরগী অকনবা হুকুম্না ওসি মাগী চিঙ্গাক করে। মরাইবক থীরবা মুপা অহু চরা হেন্দুনা চণ্ডীগী নাম খোন্দুনা কম্লম্মী — হুজুরগী য়াইকবা ওইসনু, হয়েং হায়র্রা করিনো মহাক অমুক চৎখিন্না তারে, মখোও কপে কনহু করোই তোকসনু।"

ষোড়শীনা হায়রকই, "খঙলে, ঐখোয়গী বাবাগী হুকুম ওইরিনিদে?"

জীবানন্দনা হায়রকই, "কদায়দগী নখোয়গী বাবাদা ওইগমগে, লাইয়ব অমংববু হুংশিবিবদা থুঙংসিদা অপনবা য়াম্না লৈ, অদুগা হুজুরগী মাইক-মিংলেন্দা স্বর্গ মর্ত্ত্য য়োনা শন্দোকপ্রবনি। অদুনা থুপাদুগী মনাক্তা ফমদুনা থম্লগী অলকা, নহাক চৎপ্রবা মতুংদা সন্ন্যাসিনীগী আসন্দা ফমদুনা বাবাগী কাংলুপ পুম্নমক অসিনা প্রলক্ক তৌরকপদা মদুবু ঐনা কমদৌরগা থিংগদগে ?"

ষোড়শী তুমিন্না লৈ।

জীবানন্দ মশামকতু ফনা কুইরবা কাওবা তুমিন্না লৈদুনা মপুক্কিংদা মওল মওল কয়া থম্লকই, ইথঙ খঙহৌদনা মতম অমদা হায়রকই, "নহাক ঐগী দরকার য়াম্না ওই অলকা। মুখিং নিনিদত্তু নহাক অমুক লৈথখিবা য়াররোইদ্রা ?"

ষোড়শীনা তপ্পা ঈংনা অদুম্মদা হায়রকই, "য়াররোই।" অদুগী তুংদা মহাক হৌগৎতুনা চৎপ্রগা থিংলিবা মন্দিরগী থোঙ ময়াদা ফমা কুইনা খুক্কম্লরগা হল্লক্রে, জীবানন্দনা হায়রকই, "অদুবু নোংমতংদি ?"

ষোড়শীনা হায়রকই, "য়াররোই।"

"অদু ওইরবদি ইরাল পুম্নমক মফমসিদা লেপ্পুনা ঙাকপিরম্লো ?"

"অদুবু মদুদা অদোমগী থোইনা হেন্না দরকার ওইব্রা ?"

জীবানন্দনা ঙাইহাক থম্লগা হায়রকই, "মসিগী পাউখুম পীননবা ঐগী শক্তি লৈতে। হৌজিক ৱাকম অসিদংদি থম্মোয় শিন্না লৈরি অলকা করি তৌরগা নহাকপু নোংমতংদি থামদুনা থম্বা য়াম্লদগে। ওঃ — ইশাগী পুক্কিং অতোম্লগী মথুত্তা চৎত্রে, সংসারদা মসিদগী হেন্না উপায় লৈতবা অতৈ অমমুক লৈত্রে। ঐনা খ্রাইদগী হেন্না বাত্তিবদি মীনা থম্লখিনি, ঐনা নহাকপু দণ্ডী পীখি, নহাক্কা থাংখি,

অদুগা মনা-মমিংগী মাইয়মদনা চংবি। এহাক্না চংলিঙৈগী মমাংদা মতাক্কী চণ্ডী-মাতাদা খঙহল্লম্মু মহাক্নাদি, মসিগী হেন্না মীং থাবা অমম্মুক লৈতে হায়বা।"

ষোড়শীনা কন্নিশুন্না পাউথুম অমত্তা পীদনা তুমিন্না 'হনগংতুনা চংখিবদা জীবানন্দনা মমাংদা মথুং চিংশোকতুনা থংতুনা হায়রকই, "এহাক্কী ঈশ্বরগী মমাংদা লপ্তুনা হসি বাকম অসি ঐহাক্না হায়রবখো, করি তৌরগা নহাকপু ঐনা লোংমখক্তদি ইনাক্না থম্না য়াগদগে। অদুগী মতুংদা নহাক —"

ষোড়শীনা মতুংলোমন হান্দাক্লগা হায়রকই, "চৌধুরী মহাশয়, মোলাইরেং শিয়ন কনাঙ্গু লৈতন্ত্র অদুক হাপক-নোঙ্গরিবদি? ঐদি কনাগী মফমদসু য়াকংশোই খঙ বরিব নি।"

জীবানন্দ লম্বী থাদোকতুনা লেপখ্রে। শাইদে, য়ামৌদে, মোনুকপগা লেমনবনা তপ্না তপ্না হায়রকই, "নহাক চংলো, ওইখোক্তবগী অপান্দগা নহাকপু অমুক থংলরোই। মোলাইরেং শিয়ন ওন্না লৈ অদুগা, অদুবু মশানা য়াদবনু নবহুনা ফাহুনা থম্না মহুক্কী পোংশুম পুঠনা চংনবগী পাঙ্গল ঐগী হকচাং দা লৈত্রে।"

লম্বী থাদোব্রবদসু ষোড়শী মখোঙ থাংদ্রে, হায়রকই, "ঐ কনায়দা চংকদৌরিবনো হায়বা খঙবিনিংদবরা?"

জীবানন্দনা হায়রকই, "খঙনিংবা? মহুক্কী মপান্দ নাইরনবা হাই — অদুবু মহুদম্ভ মসাক অমম্মুক লৈত্রে অলকা। ঐনা মসিগুম্বি লিংজবি মহুদি, নকখন্দা কনানসু নঙোন্দা অবাবা পীরদ্রা। মহাকপু লেংবিব মখোয়না নহাকপু পুমকাউ কাউখোকপ্রসনু?"
খঙহৌদনা থাম্বী বংগ্লেন ফাঙ্গিম্লক্লে, অদুবু মহু লিংকুম্বা ফাখবগা

হায়রকই, "ঐ থওই, মপানা থাদোকচপ্রবা মহাক অতুগা মুক্রকপা য়াদে। ঐখোয়গী পুক্তা নহাক্না শো শিন্নখিবা হৌমিং অতুদা নহাক্কী মকথদা ঐখোয় পুন্নমক অমুক্তদা যাইথিপ্রবনি। ওসি নহাক্কী শক্তি মপাল নাইদে — অদুম ওইনমকপু খীওইবগী পুক্নিংদি থওদে। হিংলিবমথৈ ঐগী চিংনবা অসি করিগুম্বা মুথিত্তনু কোক্লরোই।"

ষোড়শীনা মকম অতুদা কুনথহনা থুক্রগা জীবানন্দগী থুযাগী উফুল মকোক্তা হাপকংথ্রে, হায়রকই, "অদোমগী মকমদা ঐনা হায়জরমগদা অমতং — "

"করি হায়নিংবগে অলকা ?"

ষোড়শীনা নিংকুপমুক তুম্মিন নৈরগা হায়রকই, "মহৃদি অদোম থওবিরিবনি।"

জীবানন্দনা হাইহেং থল্লগা হায়রকই "থওঙম্বা য়াই, থম্বহনা য়েংলবদি থওবা ওম্বনু য়াই — অদুবু নোংমা নহাক্না চেকশিন্না নৈনবা হায়থি — কনানা থওগনি, মতু চাকপা ওমদবনু য়াই নিংই। ওসিমক ওাইহাক্কী মমাংদা মপা অনিথক্না দেবীগী মন্দির শোকতুনা বাশকথি — মরুমদা লেপতুনা ইনাকোংমক্না মতু পুন্নমক তাই — হৌখিং নিনিগী মমাংদা ওইরম্লবদি মতু ঐবুনি হায়না লৌরম্বা য়াই — অর-বাথলগী ওমথৈ নৈরম্লরোইদবনি, অদুবু ওসিদি পুন্নিন্দা করিনু থল্লুদে — করিনো অলকা ?"

"নত্তে, করিনু নত্তে।" হায়রগা ষোড়শী নমহনা চুম্না অমুক লেপনবা হোৎনরকই। অমথকতুদা জীবানন্দনা উবা কংলে, থওহৌদনা য়াগী মাইথোং তাইকেং তাইথ্রে। হায়রকই, "লোংলসি, ঐগী মমদা ওসিদি ওাইহাক্না কথিখিবা তারি। ঐহাকপু পাড়ীমা থাংলেংশিরমথনদি মুমদা হনবিখিবা য়ারোই। অকশিনো — "

কুনমঙা

শণ-পাড়ৌগী মথাদা চাকথনা কিক্রক শুমহুমা গাডীবালা হিপ্পি, মহাক্না যোডশীগী খোঙথাং মখোল খঙলহুনা হায়রকই, "ইমা, মৈবাল দীঘিদি ক্রোশ তরা-তরানিখোইগী লম্বীনি, অহিং থরা লৈবিরৈদা খোঙশানহৌরবদি হয়েং থেংনা থুংলুগনি।

যোডশীনা হায়রকই, "ফরে, খঙলে।" খোঙকাপ থরা চংলগা হায়রকই, "কদায়দা চংকদৌরিবনো তাবিহৌরা ?"

জীবানন্দনা হায়রকই, "করিগী তাদনি।"

যোডশীনা হায়রকই, "থাইনা লাপ্পা নত্তে। মহুথক্তগী লম্বীনিনা অদোমগী অপাম্বা মতুংইন্না ঐবু থিরকপা ঙম্বিগনি।"

"অহুবু নত্তোন্দা খোইদোকপা অহুঙম্বা ঐগী অপাম্বা লৈত্রে।"

খোঙ হাংলগা যোডশী ইমুংদা চংলক্রে। হায়রকই, "ঐগী লৈজবা কম্বল অমথক্তু গাডীদা থাজিনত্রে। অদোম্বু ফমহনবা য়াবা খোইদোকপা কথিম্ম লৈতে। নির্ম্মল বাবু ওইরম্লবদি ফিজি তিংথোক্তুনা ফমহনবা য়াবমগদবনি, অহুবু অদোমদি মহু পকচরোই।" অসি হায়রগা মহাক্না কংনোক নোকতুনা ইমুং কাচিন্দগী কুশগী আসন অমা লৌরুরগা লৈমায়দা থারে, হায়রকই, "করিঙম্বা দোষ তৌবিরোই হায়রদি — "

জীবানন্দ বা ঙাংদনা ফমথরগা তুমিল্লা লৈত্রে।

অঙুক থীনা করেম্মনবগী পাউথুম ফংদবদা যোডশী মপুক্কিংদা চকই। থাউমৈ য়াম্না মমথরক্নে, যোড়শীনা ঙাবথংহল্লগা মহু পায়হুনা জীবানন্দগী মাংদা পুশিল্লরগা মিংকুপম্নক চপ মুংনা লৈরুরগা হায়রকই, "কবি থনবিরিবনো তাকপিয়ুদনা ?"

"ঐগী মাথলগী লোইবা লৈত্তে।"

"অরোইবা লৈতে অহৌবা লৈ, মহু তাকপিয়ু।"

জীবানন্দনা মঙক হাইহুনা হায়রকই, "নত্তে, মহুত্ম লৈতে। অরোইবা লৈতবা অহুগী অহৌবস্থু লৈতে।"

ষোড়শীনা মচিন্দা খোরকপা অমা হেক্তা শুম্লকই হায়রকই, "মহুগুম্বহুদি গুপ্নগী দর্শনশাস্ত্রদদা য়াউবনি — বাতৈদনি — মহুনা সংসারদ চংনবা য়াদে।" অহুবু জীবানন্দগী মাইখোং উক্লবদা মহাক্কী মপুক্লিংদ তশেংনমক চঙক্লবনা থল্লবগুম ফাওরকই, গুপগী হৈ-শিংবা পাউথুম অমা ওইনা বা অসি মহাক্না হায়রকপা নত্তে, মসিগী মরিদা অমুক য়েৎন-খোৎনক্লবা মহাক পামদ্রে। তশেংনা অয়েম্বনি লৌরবা মহুগী মরমদা অমুক য়েংনপদৌরিবা কয়িগীনো?"

মক্কম অহুদা তুমিন্না ওাইহাক কমহুবা লৈক্লরগা ষোড়শীনা হৌগৎতুনা থাউমৈ থমলুরগা মথুৎ হাম্লকই, হায়রকই, "ঐনা হায়জবা অমতং য়াবিগদ্রা?"

"কয়িনো?"

"যুম অসিদা নোংমা ঐঙোন্দা অদোম্না হায়বিহুনা চাবিখি, তসি মত্তৌ অহুম্না ঐনা পামজবদগী চাবিখিবা তারে।"

"পুরকউ। লামহু লাম্মী।"

"মহু থঙই। ঐখোয়দি নুপাশিংগী মাইখোং উবদা হেক্তা থঙই।" হায়রগা ষোড়শীনা মখুত্তা ঈশিং লৌক্লরগা তৈথোকতুনা মংমক্তদা চাফম শেম্লে। দেবীগী প্রসাদ ওসিদি লৈতে, অহুবু প্রকাশিংনা মঙোন্দা থরমথৈ শীরম্মী, মহু উনাদা হ পূনা পুংক্লমা ষোড়শী চাকশঙদা চংশ্লবদা জীবানন্দনা মতোমদা মাইকৈ মরি লৈহুনা য়েংবদা শাগাইদা মুকফুগা কলমগা লৈরম্বা উক্লরে। মিনিট

আমায়োম খল্লগা মহাক্না মতু লৌথরে। পকেটতগী চিঠি অমা লৌথোরক্লগা মহুগী ইরবা শরুক অতু শেগায়রুনা লৌরগা মৈঙালদা মহাক্না চিঠি ইবা হৌরকই। পরেং অহুম মরিদগী তেম্লমদবা মাই, লোইরগা কহেল্লে অমস্তুং মথক্তা ষোড়শীগী মমিং ইরগা পকেটতা হাপচিনল্লে। ভাইহাক লৈরগা ষোড়শী চানবা পুহুনা চংলকই। চীংগু মন গী দোনাদা শঙ্গোম অফম্বা, অহুগা উনা অন্দা উইহে-বাইহে থনগা চিনি থরগা, অমস্তুং খুক্তায়দা ঈশিং হাপতুনা পুনক্লগা মহাক্তী মাংদা থম্লগা হু ডাইতবা মীনোক্লা নাকফেৎ তৌহুনা হায়রকই "হুমিং অহুগীদি ঈনাক খুনবা লাইগী প্রসাদনি, অহুগা ভসিদি লাইরবা ইমুংগী চে পাক শঙ্গোম অফম্বা অহুগা চিনি থজিল্লগনি। মসি য়োংপা য়াগদ্রা ?"

জীবানন্দনা মথুং গামদোক্লে, মচিন তেংথোক্লে। অহুগা চাগদবগী মমথরগা হায়রকই, "মহাক্না চাও হাযরবদি য়োংপগীদি থনবু থল্লুদে অপকা, অহুবু পুক অসিনা খাংবা ভম্নগা লোইরে, ঐগী চাকথাওগী অনাবা অহু অমুক—"

মা ভাংবা লোইকাদ্রিইঙেদা ষোড়শীনা মিংকুপ্তা চানবা হাপ্লা উনা অহু দিংথোকহুনা লৌথোকল্লে। লাংতক্লনা মাইথোং মকশিল্লা মরাইদা খুহুম্না ভুরহুনা হায়রকই, "ঐগী ইয়াইবকসে ভম্নোক্না থীদ্রে, অহুনা কাউথোকলুবনি! অহুবু মসিদি ঐগী থবায়না লৈরিবমথৈদি শীঙ্গবা ভয়োক।"

"অহুবু চাদ্রবদি মহাক নথবায় হুংতাইরোইদে।"

ষোড়শীনা মুখ থংলহুনা হায়রকই, "করিগী হুংতাইরোইদগে ? হংওমদ,হুদ চিনংলদী চানবা মুদে, করিহু শীজবা ভমল্লে — ঐদি

কপ্পতনা শিরগনি।" ডাইহাক ছুমিন্না লৈরগা খঙহৌদনা য়াম্না কন্না হায়জবগী খোঙ্খোক্তা হায়রকই, "অমুক্তি থবক চিন্দুনা চাক থোংবা ঙমহৌদে, হৌজিক সন্ধ্যা মতুংদা থোংই। চাকা ঙা মহি নাইনা থোংবগা — "

"ঙা মহি কয়ম্বা মঙংগী ?"

ষোড়শীনা নোকতুনা হায়রকই, "ঐবু লুপ্পাবীরনে ? ঐদি পূম্নমক চাই।"

অস্থক বুইরবগী তুংদা জীবানন্দ নোক্লকই, হায়রকই, "অহু ওইরবদি ময়ামহু নশাগীদমক থাক্লগা চানবিহুনা উইহ-বাহৈ পীজগে তৌরম্নিবা করিগীনে ?"

ষোড়শীনা খুদক্তা হায়রকই, "ঐগী দোষনি, লানদ্রে — চাম্নরক হন্ন। ইশানা য়ারি। করিগুম্বা তাকপু তাকপিরবদি ঐ হৌজিকমক পুজরক্কে।" হায়রগা মহাক চেংপাক অতিংবা হাপ্পা উনাহু পাম্নখংলগা চাক অমন্তুং ঙা থোংবা লৌক্কনবা হন্নাঙ-মামোন তৌনা হৌগংলক্লে।

ষোড়শীগী বাহংগী পাউখুমদা জীবানন্দনা হায়খি, মহাকী বাখলগী অহৌবা অরোইবা লৈতে, মতম অহুদা মহাক মীযম্বা ঙাংখিবা নত্তে, হেজিন্নস্থ হায়রম্লোই। পূন্সি অসিদা মশাগী পূন্সিবু মহাক্না কৈদোইদেন্নু থম্নবগী হীরম অমা ওইনা থনখিদে, করিগুম্বা তুম্বিংতা করিগুম্বা দরকার অমতনা মহাকী ডাইহাক ডাইহাকী দরকারদগী ল.ম্থোককুনা চংপা ওমখিদে। অহুনা, মহাকী ডাইহাকী কমান্দগী দরকারদগী তুংদা দরকার ওইরগদবা চাকাগী চাব্বদগী মমল হেনখি, অহুনা, খোম্পাককিদক লৈতবদগী কমুংদা মহাকী মমল য়াম্নবা শাল থাজিনখি, মহুগীদমক্তনা মহাকী মখুং ময়াদা এন্দ্রে কংদবদগী নমাদা

মতিদা চাক্লিবা চুরুট মচেক থম্বদা থজিক্না হন্জানখিদে। তুংগী হায়রবসি মহাক্তী মকমদা অচুম্বা পোৎশক নত্তে, ওইজিবা য়োৎকত্রিবা অতুগী মাইকৈদা মহাক্না হন্না য়েংশুদে। তুপীগী হকচাং মহাক্না থমিত্তা উই, অতুনা মহাক্না মতুবু মীহৌরিবনি, অতুবু খিৎ শাংহনগু উবা ফংদবা, হকচাং অতুদগী থোইদোক হেন্দোকপা নারীত্ব— মতুদা মহাক্তী করিগুম্বা মীহোৎবা অমতা লৈতে। অতুবু প্রহনা শুনখিহনা য়ৌবনগী ওমথৈ য়োৎরক্লবদা ওসি মৈচাক অমনা মহাকপু লমুরুহল্লে, অতুগী হীরমদা করিগুম্বা মরম অমত্তা মহাক্না থিজিনদ্রম থওদে। করিগীদমক্তা অলকাগী মনাক্তদা মহাক্তী পুক্লিং অফিং-চুংখিল নাইদনা কোইহনা লৈবিবনো, মথল-মথা কমাগী থবক্তা হকচাং থাক্সন্দুনা য়ৌবনবু নৈহৎপ্রবী, চোকথহনপ্রবী, থম্মোয় থুহম চনপ্রবী অমম্বুং অইনকনবী, মহাক অতুতবু মতম থুদিংমক্তা নিংজহনা সংসার অসি মঙোন্দা অতুম্মা মহাও চন্দনা থোকপ্রে, মতম অসিদা কায়দবা অশাম্বা অসিগী মরম মহাক মশাগী মতুদা থিজবদা ফংদে। করম্বা নোংদমথোম্না মুপী অসিনা মহাক্তী করিগুম্বা অরাংপা অমবু মপুং ফাহনগদৌরিবনো, মহাক্তী দরকার করিনো, মফম থওদবা বাখল অসিগী ওমথৈ মহাক্না লাম্বা ফংদে।

চাক চাবিথৈদা মহাক তাঙ্গা অমদা মুংগুক-মুংজায়রকই। হাংজিবা থোঙলোমদা মতুং ওন্থোকতুনা ষোড়শী কপ্লি, অচম্বা রাহং অমগী শাউখুম মওং চুম্না কল্লহনা মহাক্না হায়রকই, "করি থবরিবরিবগে," ঐগী শাউখুম শীবিজবদি কৈদৌরবগে?"

জীবানন্দনা মথাই নোমথৎলক্লগা হায়রকই, "করিনো?"

ষোড়শীনা হায়রকই, "হৌজিক্তি চণ্ডীগড় থাদোকতুনা ঙমদা চনবিথিবনা করোইদ্রা? লম অসিদা অদোমগী থবকসু অমুক লৈত্রে।"

জীবানন্দ রাখল অমদা লুপন্নবনা হাযরিবসি ভাব তাত্রমাদে, হায়রকই, "থবক লৈতবা ?"

ষোড়শীনা হায়রকই "কদায়, ঐদি উদেনা। খুদং অসি অদোমগীনি, মসিবু পাপ চেনহন্দনবগীদমক্তা লাকপিবনি। ঐগী ওক্তবীবু তাম্বোক্লবা মতুংদদি লম অসিদা অদোমগী দবকার করি লৈরিবগে ঐদি উদ।"

"অহুমু নঙদি ওক্তবী নত্তে।" অসি হায়রগা জীবানন্দনা মঙোন্দা মুয়া য়েংলকই। ঙাইহাক মথোয় অনি মিংকা মিংকা চানরুবে, অহুগী মতুংদা ষোড়শী মমাই লৈখোরকই। অহুবু ঙসায়এথে অহুক য়াম্না রাম্নী শানরিঙৈদা মহাক্না উরক্লবা পোৎ অদু ঙাইহাক্কী মিৎয়েং অসিদা মসিনা অহানবা ওইনা উবগা মহাক থাঙ্গেমক শেংনা চঙক্লখে। জীবানন্দগী মিত্তা লৌশিংগী মরৌ য়াম্না থাংবা নিংয়েং অদু য়াউদে, হায়দোরকপা রাইহেগী মতৌগুম মহাক্কী মিৎয়েংসু ময়েক শেংই, চম্মী অমম্ভং লৌথুপ-লৈকোই লৈত্তে। মহাক্কী কোংচি থাংবা অমদি নাপল পুপা অসিগী মফমদা অরেম্বা ওইরে হায়বা মহাক্না ময়েক শেংনা উরে। ঙাইহাক তুমিন লৈরগা হায়রকই, "অহুবু বাকম অসিদি হায়দগী ঐঙোন্দগী অদোম্না হেন্না মুন্না খঙবিররিবনি।"

জীবানন্দনা হায়রকই, "অহুবু নির্মলনা নহাকপু হংশিং মসিদি অচুম্বনি।"

পাউগুম শীবদা ষোডশীনা মাগী ভাংলবা মাইথোং উথিল্লনবা লৈথোক্লগা হায়রকই, "মহহু ঐগী ইরাল্লা ? অতোপ্পা কনাগুম্বনা করিগুম্বা হুংশিবগী লৈথোম চাইরকতুনা ঐগী পূক্তি বাহনবা মহহু ঐগী ইরাল ওইরগন্ত্রা ?" অদুবু মা অসি হায়দোকলুবগা মাগী মাইথোংদা হন্না য়েংলুবদা নীংঙ্গ্রকত্রহুনা খুদক্তা হায়রকই, "অহুবু ঐগী ইরালগীদমক্তদি মথোয়গী দায়ী অমুক লৈতে।" অসি হায়রগা মহাক্না মাংদা লৈরিবা চাক-ইঞ্জাং য়েংহুনা হায়রকই, "চাবা লৈপ্লিরিবদি করিগীনো ? ইরেং লেংদনা অহুম লৈরেনা ?"

"নক্তে, চারিবসিনি।" হায়রগা মহাক চাবদা মপুক্লিং চংখ্রে।

গাডীবালানা লাউনা হায়রকই, "ইমা, যাম্না অমুক থিহখিগন্ত্রা ?"

"নক্তে ইবুংঙো অমুক থিস্তররোই।" খোদেম্লগা হায়রকই, "অদুবু চণ্ডীগডদগী চংশিরগদবনি, হায়জহৌরিবসিনি।"

জীবানন্দনা হায়রকই, "কদায়দা চংলুগে হায়মু ?"

"করিগীনো, নশাগী য়ুমদনিদনা, বীজগাঁদা।"

"চৰে, মহু চংলগে।"

"অহুবু হয়েংমক চংশিগদবনি।"

জীবানন্দনা মমাই থোনথংলক্লগা হায়রকই, "হয়েংমক ? অহুবু থবক লৈরিনে। লৌবুকী ঈশিং চিংথোক্লবা উকু ফাংপা তাম্নি, মহুদি লঙমক্না হায়খিবনি। অহুদা নত্তন, মন্দিরগী কিভম মঙং চানা শিল্লখা পাম্মী — অতিথি ওইনা লাক্লিবা মথোয়দা ওংলি-নৈবিদনবা — পূমমক অসি তৌরমদনা নহাক্না চংলো হায়রিত্রা ?"

ষোডশী খাম্না লুরে। অহুবু লোকহুনা হংলকই, "সাধু সন্তম্ন পূমমক অসিবু হয়েং অমুক কাওবা লৈখিগন্ত্রা ?"

জীবানন্দ করেম্নবা অসিদা য়াউশিন্দে, তুম্মিন্না লৈ।

ষোডশীনা হায়রকই, "অদুবু দরকার ওইবদগী নোংমদত্তু হেক্না লৈবিরোই হায়না ঐনোন্দা হায়বিয়ু। অদুগা হৌজিক থরনি অদু মহৌশাগী মতৌঙুম চেকশিন্না লৈবিগন্ত্রা হায়বিয়ু?"

বাকস অসিগীদু মহাক পাউথুম পীদে, তুম্মিন্না কমদুনা চান্নি। ষোডশীনসু অঙম ভাস্ত্রে, অদুবু বা ওাংবদগী তুম্মিন্না লৈখিবা অম্মিনা হেন্না জীবানন্দগী মপুক্কন্দেল কন্না য়াম্না ওনশ্রবগে হায়বা মহাক্কী মকমদা খোইদোক-হেন্দোক্না ময়েক শেংখ্রে।

চাবা লোইরবদা মপান্দা খোবক্লগা ষোড়শীনা মহাক্কী মথুক্তা ঈশিং থাম্বকই, গামছা গাডীদা হাপখ্রে, মহাক্না মশাগী ফিজি মঙোন্দা পীরদুনা অহুমদা হায়রকই, "সে সি লৌবিয়ু।"

জীবানন্দনা মথুং মচিন তৈথোক্লগা খঙহৌদনা হায়রকই, "অদুবু মসিদি নঙনা অতোপ্পা কনাদসু পীবা য়ারোই অলকা।"

ষোডশীনা ফিজি চিংশিল্লগা মাইথোং লুক্না হায়রকই, "ইমুংদা ওাইহাক্লগা কম্বিরখো, লোইশিন-থমজিনবদা কুইনা অমুক চংলরোই। ঐবু গাডীদা খাংগাংপিরম্লগা চৎপিখিবা য়াগনি।"

জীবানন্দনা হায়রকই, "হায়বদি নহাকপু ভাস্কেকপগী থবক লোইশিন্নগা চৎপা য়াগনি। করে, ঐ মহুমক তৌরগে, অদুবু নহাকীদু থবক অমদি লৈহৌরে। ঐনা তৌকবা কর্দগী [illegible] ঐনা কংদনদি কনানা কংগদগে — মসিগীদমক ঐ কনাদত্ত বাধ্যোরে — অদুবু চংলমদায়সিদা নঙোন্দা দাবী অশিদ্দংদি তৌবনি, ঐ, মসিদগী হেক্না অবাবা অমুক কংদনবা।" অদি বাক্সুদুনা মহাক্না

ইমুংদা চংলক্লগা চিঠি লৌথোকতুনা ষোড়শীদা পীরগা হায়রকই, "ঙসিমা লমদং নত্তবা মীওই মখোয়না চঙলক্লি। মখোয়না মসিদা চরিবা থানা চাদুনা লৈরক্কনি।" অসি হায়রগা চৎকদবগী তৌরকপা খুদক্তা ষোড়শীনা খোঙদা থৎতুনা লেপ্লরে। মা অস্তক যাম্না ঙাংনগ্রবা অসিগী মরক্তসু মীগী অৱাবা থঙদবা মশাদগী থনবা মুপা। অসিনা মাগী চাবগী কচিন্থু লৈতবা মাকমতবু কাউরমত্রি, মসি থল্লুবদা মহাক্কী থম্মোয় মুঙ্গকত্রে, মুত্তা পায়রিবা চিঠি অদুদা য়েংলতুনা হংলকই, "মসিদি এঙোন্দা ইথনি অদোমগী মাংদা চিঠি অসি ঐনা পাবা য়ারোইদ্রা ?'

জীবানন্দনা হায়রকই, "য়াই, অদুবু কান্নবদি লৈতে, মসিগী পাউখুম পীবগী দরকার ওইরোই। ঐবু অৱাবদগী কন্নবগীদমক নহাক নশানা মতুদগী শরুক কয়া হেন্না অৱাবা লৌখিজরি। অদু মংলমত্রবদি মতৌ অসুম্না নহাক চংলমদবসু য়াই। ঐগী অরোইবা হায়জবা মসিদা ইরবনি, মতু করিগুম্বা ঙাকপা ওন্নবদি মতুদগী হেন্না মুংঙাইবা ঐগী লৈত্রে।"

ষোড়শীনা হায়রকই, "অদু ওইরবদি পারোর। ?"

জীবানন্দ তুমিন্না লৈ।

ষোড়শীনা চেক্তু কাক্তোকতুনা পায়রগা লুকথতুনা পরেং থন্না ইরিবা অদু অমুক্তন্দা পাকবদা চঙক্লগ্রে অমস্তুং চপ লেপতুনা লৈরে। মশান্দা মহাক্কী মমিং থারবস্থ মরু ওইনা চিঠি অসি মহাক্কী নম্রে।

অমুক্তা অসুম্না ইরি —

ফকির সাহেব,

ষোড়শীগী অশেংবা মিং অলকা কৌই। মহাক ঐগী লুপীনি। অদোমগী কুষ্ঠাশ্রমগী মাইকবা নিজরি, মহাকপু করিগুম্বা হঙ্বা থবক অমতা তৌহনবিগনু। আশ্রম লৈরিবা মফম অদু ঐগী নত্তে, অদুসু মহুগা থংনরিবা শৈবাল-দীঘি ঐগীনি। খুঙ্গং অদুগী চহিগী আয় লুপা লিশিং মঙ-তরুক্কি। অদোমসু খঙৈজে। অদুবু অদোম লৈতবা মতমদা কনাগুম্বনা মহাকপু উপায় লৈতবীনি থন্দুনা ঈকাই-খুম্নবি-রোইদ্রা? মসি কিবদগী আশ্রমগীদমক্তা খুঙ্গং অসি মঙোন্দা পীরবনি। অদোম ইশামক নোংমা উকিল ওইরম্মী, দান অসি পাকা ওইহনবা দরকার ওইবা পুম্নমক শিনবিয়ু, মদুগী খরচ ঐনা পীজগনি। চে-চাং শেম-শাদুনা থারকপগা ঐনা সহি তৌদুনা রেজিষ্টর তৌগনি।

শ্রীজীবানন্দ চৌধুরী

ষোড়শী মপান্দা খোকভুনা থুনা মপী তৈথোকলুগা হল্লক্লে, হায়রকই, "মহাক্না অসুক য়াম্না পাউ অসি কদায়দগী ফংবগে? ঐ কুষ্ঠাশ্রমদুদা মীনাই-মুবী ওইনা চংলিবনি হায়বা অসিনা কমদোনা খঙলিবনো?"

জীবানন্দনা হায়রকই, "কুষ্ঠাশ্রমগী বা ময়াম্না খঙৈ। অদুগা নঙগী বা? ভৈরবক দেবীগী মন্দিরদা লেপহুনা বাশকথিবা ইনামক্তা তারবসু অমম্বদা ঐনা মশক লাকপা ওমখিদবা মখোয়নু মহাক্না খঙলিবদি কমদোনবো?"

বে' ভ্রষ্টীন' মসিগী চপ চাবা পাউখুম পীবা ওমগ্রহুনা খোক হেক

হায়দোকল্লে, "মুত্থানবগী বাখল অমুক লৈবিত্রব্রা? অবৈবা পুম্নমক য়েম্মোকখুনা মাংহল্লম্লগা নহাক সন্ন্যাসী ওইদুনা চংপা পাম্লব্রা?"

বাহংসি মবানিমক্কী নাকোংদা ওল্লা থোকই। জীবানন্দ অহানবদা রা ঙাংবা ঙমদে, অদুবু উনা উনা মহাক কমদোঙ্গনবো খংথক খংথক্লক্লে। হায়রকই, "ঐবু সন্ন্যাসী? মীনম্মা বানি। সংসারদা ঐ কহিক্ত অমুক মাংহনবা ঙম্লোই। মসিদা ঐ হিংবা পাম্মী— মীওইবগী মরক্তা মীওইবগী মতোংগুম হিংবা পাম্মী। ইংখোল পাম্মী, যুম পাম্মী, যুপী পাম্মী, ইচা-ইশু পাম্মী— শিবগী মুমিৎ অদুবুদি থামদুনা থম্বা ঙম্লোই, মুমিৎ অদুদা মথোয়বু ইমাংদা থম্লগা য়েংদুনা চংশিন্বা পাম্মী। ঐগী য়াম্মা মাংজল্লে, কয়া খামা মাংহনব্রবগে হায়বা ত'রবদি নহাক পাথংকনি— অদুবু ঐ অমুক মাংহনবা ঙম্মরোই।"

ষোড়শীনা কিমা তপ্পা তপ্পা হায়রকই, "অদুবু ঐদি সন্ন্যাসিনীনি। পৃথিবীদা যুপী বাংপা লৈতে— অদুবু মদুগী মরক্তা ঐবু নহাক্লা চিংশিনবা পাম্লিবা' করিগীনো?"

জীবানন্দ খা ঙাংদে। পৃথিবীদা যুপী বাংলি বাংতে, রাকম অসি মঙোন্দা হায়বা ওম্বগী মথোনা লৈরবী মহাক অদুদা করি অমুক হায়কখিগদগে?

গাড়ীবালানা মাঙ্গোলদগী লাউনা হায়রকই, "ইমা, নোংঙানগদবা কুইরকত্রে।"

"চংলসি ইবুঙো, চংলসি।" অসি হায়রগা ষোড়শীনা থাউবৈ ঙানখংহল্লগা মপান্দা থোরক্লে। যুম শো লোনবগী দরকার লৈতে, শোল্লবা খোঙ শুপ্পগী পুনা পানশিল্লে, অদুগা মঙক্তা মকি য়েংদুনা মখং ও মরাম খুজ্মগা খুয়া উকুল লোরগা হায়রকই, "ঐ চংচরে।"

জীবানন্দনা হায়রকই, "চানবা মতম কাওবা লৈত্রে।"

"লৈত্রে। ঐ মন্ত্রিশিংদা চৎকনি হায়বা প্রজাশিংনা থমজদে, মখোয় য়েংলকত্রিবদা ঐ বিদায় ওইবা পাম্মী।" নোকখ্রেৎ তৌদুনা হায়রকই, "চয়া অমা-অনি চাদবনা ঐখোয় শিদে।"

লোয়নদুনা থোকমিন্নরক্লগা জীবানন্দনা মহাকপু গাড়ীদা থাংগৎপিরে। গাড়ী থোরবদা মনাকোং ময়াদা মচিন থমদুনা হায়রকই, "নহাক্কী নমানা নহাকপু ঐগী থুক্তা লৌখি, অদুম ওইনমক নহাকপু ফংজদে, অদুবু, হুমিং অদুদা ঐহাকপু করিগুম্বা কনাগুম্বনা নহাক্কী নথুক্তা শিন্নরম্লবদি ওসি নহাক্না অমম্বদা ঐবু মতৌ অম্মুম্না থাদোকতুনা চৎপা ওম্নমদবা য়াই।"

মসিগী পাউথুম ষোড়শীনা থিবদা ফংত্রে। ওপ্পগী বাহৈশিংদুগী হায়ফম থওদবা, লোইবা নাইদবা লাংতক্লবা খোঙ্খাংনা মহাক্কী নাকোং অনিমক য়েংশিনত্রে। গাড়ী কোনা থেকচিনখিত্রিবৈ মমাংদগী মচাক্না মমাই লৈদুনা য়েংলকই, নোংঙাল্লমদায়গী তক-তুনা মরবা মরক্তা মফম অদুমক্তুদা অদুম মহাক চপ য়ুংনা লেপতুনা লৈরি।

মোংঙানগদবা থোইনা বাংলকত্রে, জীবানন্দ লোবুকী লম্বীদা শমথত্থুনা মমুমদা হল্লকই। ঙাইহাক্কী মমাংদগী শেংফাত্তবা লাউন-খোংনবা মহাক তাঁরকই, থরগা চংশিনবদা মাংদা অতিয়াবা ঙাঙ্গানবা মচুগুম অঙাংবা মৈরি মমিত্তা ঊরক্লে, অদুগা চংশিনবগা লোয়ন-লোয়নবা লাংবা হৌনা তারকই অমম্বুং মঙাল অমু অদুম পাকথোক-চাউথোরকই। মবৈথংদা মনাক লকশিন্নরবদা উরে, মীয়াম্না অরেম্ববা লাউ-খোংলিবা অমম্বুং চেম্থোক-চেনশিন তৌনরিবা

অদুগী মরক্তা বীজগাঁগী জমিদারগী য়াইক কোল, মহাকী মামা পোকপা মথৌনা থোইদোক্লা পামজরবা শান্তি-কুঞ্জ মৈ চাকতুনা উং ওনখিগদবা অমুক কুইরবোই।

কুনতকক

নোংঙাংদ্রিংশীংদগী চণ্ডীগড়গী ভদ্রলোকী মাইথুম হায়বা মথোয় পুম্নমক ওয়না হাহাকার লাউনা চেম্নরক্লে। শিরোমণি লাক্লে, রায় মহাশয় লাক্লে, তারাদাস লাক্লে, অদুগা অতৈ অতোপ্পা ভদ্রলোক কয়া অমসুং য়ৌরক্লে — শান্তি-কুঞ্জ তুম্না চাক্তে, ঈশ্বরগী নোংদমদগী থরা কলহোৌই, মতুগা চাকখ্রিবা অদুগী মমল কয়ানো মতুদা লেপ্পহৌরিবা অদুদি থরদনি অমসুং থোইনা য়াম্বা নত্তে, অসিনচিংবা কয়া মরিকচুপ্পা অমসুং কুপ্পা খিজিল্লগা চেম্নরকই। অদুগা মসি কমদৌনা ওইথ্রিবনো অমসুং কনানা তৌরম্লিবনো? ময়াম নমাংদা এককড়ি নন্দীনা কা হেম্না ইরাং তৌরকই। মাংলিবসি মশানক্কীগুম্বা। মহাক্না মরূম মমাংদা লাউনা কোংদোক্লকই মহুদি, থবক ভসি সাগর সর্দ্দারগীনি। মহাকা মাগী মী অনিগা কনা কনানো ওয়াং অহিং অথোংবা ফাওবা মপান্দা কোইচং চংপা থেংনৈ। থানাদা পাউ পীখ্রে, পুলিস য়ৌরক্লগনি। লৌ-উবা কাংবু পুম্নমকপু করিগুম্বা মহাক্না থৌদোক অসিগী মরিদা আন্দামান্দা থাবা ওমত্রবাদ মাগী মখিং এককড়ি নন্দী নত্রে — মহাক্না অস্থুক কুইনা হুজুর সরকারগী মনাই ওইরকপসি অরেম্বদা ভারগনি!

মুথংগ্রবা অদুগী মৈশাদগী থরা লাপ্পা থোংনাং বট অমগী মক্কমদা সুস্তা কম্নি। জীবানন্দ য়াউরি, মহাকী বাইথোংদা বাবনা

চোকথবা পম্বরগী নত্তনা পাখংপা নত্রগা লাংচক্রবগী মমি ঙায়দে, নোকফেং তৌনা হায়রকই, "অহ্ ওইরবদি নহাক্তু মথোয়গা লোয়ননা চংপা তাররবনি এককড়ি। জমিদারগী গোমস্তাগী থবক্তা নহাক্না কনা কনাগী ময়ুম মৈ থাখিবগে, মহুগী পাউ ঐ খঙই। মৈ থাবদা মথোয়বু কনানম্তু মমিংমক্তা উবা নত্তে, ওইদবদা চিংনবগীদমক পুলিশনা করিগুম্বা মথোয়গী মথক্তা ওং-নৈরবদি অচুম্বা থবক্তীদমক নওস্তু মহুগী শরুক য়াবা তাবনি।"

মাগী বা তাবদা ময়াম পূম্নমক চঙক্লে। এককড়ি অহানবদা তৌফম খঙদনা লৈ, মতুংদা মহুবু ফাগী ভাহম্নবা নোকশিনহুনা হায়রকই, "হুজুরদি ইমা-ইপানি। ঐখোয়গী পারোল-পুরোল ওয়েং ওয়ে হুজুরগী ননাই ওইরকপা। হুজুরগী য়াথংদা করিগী জেলদা চংগদগে ফাঁসি চংপা তাররবস্তু ঐখোয়গী চাউখোকচনিংঙাইনি।"

জীবানন্দনা শাউনা হায়রকই, "ঐঙোন্দা খঙহন্নমদনা পুলিশঙা পাউ পীরুবা নহাক চুমদবনি। চাকথ্রবশিং অহু অমুক হন্নক্লরোই, অহুবু মসিগী মথক্তা করিগুম্বা পুলিশকা লোয়ননা লোতুনহুম্না নৌনা ইরাং অমা তৌহুনা অহেনবা শেল তাম্নবা হোৎনরবদি নঙগী শাংজবগী চাং য়াম্না হেনগৎলক্কনি।"

অয়াম্বনা মচিন খুমহুনা নোকই। এককড়ি পাউথুন পীবা হন্নক্লে — শাউবনা মমাই ডাংলক্লে, মপুক্লিংদা জমিদারগী শাগৈ মুংননাবা নিজরকই। তুরেল্লোম থংবদা মীনাই শিংগী য়ুম থরা লৈ; মহুগী মখোল অনিগী য়ুম অমগী কা অনিদা মহাক লৈরগনি অমেপ্পা বা খঙহন্নগা জীবানন্দনা মীগী য়াইকনবা থম্নিবা হায়রবা

কারেবু অহু বিদায় তৌরে অহুগা তারাদাস ঠাকুরবুদি হযেং অমুক অমুক্তুং উপ্পরনবা য়াথং পীরে।

তারাদাসনা হায়রকই, "উব্যং অহিং ষোড়শী চৎত্রে -"

"ঐ পাউ ফংলে।"

"পুথম তেংগোৎ খুজায় থবা ফংত্রে —"

"অহু ওইরবদি খরহু অমুক লৈশিনবা তাই।"

মৈ চাকপা অসিগী মরমদা ইকুই কুইদনা বা কয়া কয়া মথং মথং শন্দোক্লক্রে। জমিদার অহিং অহু মযুমদা লৈতে মসিগী মরমদা য়াম্না থম্ন-নৈনক্লহুনা কাম্নদে থৈম্নে, অহুবু ষোড়শী ভৈরবীনা চৎখিবনা মসিগ' থোইদে ক্লা মরি লৈনৈ, অহুগা থবক অসি কনানা তৌরম্নিবনো থওল-উরবা ফাওবা জমিদারনা মীশক অহুবু লেম্না খাদোকই হায়রবা ব্যক্তি অসিগী মরিদা ভাবনা শাবা অমসুং চিংনবা কোংথোক্লবগী লোইবা নাইদে। রায় মহাশয় হৈ শিংবা মীনি, এককডিগী লাংদা জীবানন্দ মথোক থাংজিল্লে উবদা মণী হৈ শিংবা অমসুং মরৌশিংগীদমক মহাক্তা নোংলুকপা শক্তক চাম্না হেনগৎলে, অহুবু মশাগী খল্লুবদা মহাক থোইদোক্লা মীপাইরক্লে। ষোড়শীবু তাম্থোকপগী থবক্তা মহাকন্না শক্তক য়াথিবা মীশক্তি, অমসুং জমিদারগী মুম উং ওলহনখিবা মথোয় অহু খারদা নক্লা কদায়দনো লৈরি, য়াকম অসি খন্দুনা মহাক কমুংদা হিম্নদা মশা 'পুম্বা হুমাংনা লুপত্রে। তাক-শেম্নবা মাইকৈ মরিদা মী শংহন্দুনা থম্নবদন্নু মহাক অহিং চুম্না মাঙ্গোলদা হুজং-হন্দা চৎতুনা লৈ। অহুনা ওম্নগী মুমদরা? মহাক্তা ফৌগী কৈ কয়া, চক্ল-চনাইগী মপৈ কয়া, মহুৎ মরোং খোমজিন্নবা খোরাং — পুম্নক অসি কম্নবা মহাক

থোইদোক্লা চেকশিন্না লৈবা তাই। কিন্না কিন্না মতম লেপ্লি — অহুম ওইনমকস্থু মুমিৎ কয়ানি করিগুম্বা মওং অমদা হৌরে, অহুবু চৈনক অসিদা অসিগুম্বা থোদোক অমা থোক্লকে, মহু লাপ্নোক্লবা লম্বা অমুক লৈখিদ্রে। কোর্টকী সমন থুংলবে, লৌ-উবা অমসুং অতোপ অতোপ্পা প্রজা ময়াম অমতা ওইনা তীরহুনা জমিদার অমদি মহাকী মখিৎদা বাকৎ-চে থাগৎখ্রে। লম অহু মবানি লৌতুনহুনা চু থানবা অমসুং চিনিগী কারখানা লিংনবা মাত্রাঙ্গী সাহেব অমদা য়োনখ্রবনি, মহুবু নমথাক অমসুং লৌনম তাহনবা বাকৎনি। পাউ লাক্লে, কোর্টকী প্রস্তাব অমসুং ইঙ্গিত মতুং ইন্না কলেক্টর সাহেব মশামক মকম অসিদা লাকতুনা তদন্ত তৌরগনি। লেল য়াম্না চংগনি, মতৌ অহুম্না হায়বদি এককভিগা তীরগা সহি কন্না শাখি, বন্ধকী ইনবা চে অমসুং লেল পুবগী ইনবা চে কন্না শাজিনখি — অমগী অমদা য়োনশিনবগুম্বা মথল কন্নাগী ঠোক-ঠাক কন্না লাপ্নোকখ্রবনি — পুম্নমক অহু থম্মোয়-মিংনা য়ে লহুনা কনা কুইরবা কাওবা মহাক চপ যুংনা কমহুনা লৈ, অহুবু মসিদগী হেন্না অচৌবা বাকনদি ক্লৈসিনি মহুদি, অতোনবা অপঙবা, অশিবগী পাংথক ওইরবা লৌগী কাংবু অসিনা কমদোনা অমুক কন্না ইচং থোরক্লিবনো মহুদি, খুঙং অমত্তদ, লৈরগা তমথীরবা তারা নন্দ চৌধুরী অমসুং জনার্দ্দন রায়গী মথক্তা বাকৎলুরিবা। পুন্সিগী অয়াম্বা শক্তক পুক থম্না চাবা কংজব্রবা, অশিং-অরান থাগী অহিং কমহুনা লেল্লিবা, অনা-অন্নক মতমদা হুই-হৌদোংগুম শিরিবা, চাক তাংবা মতমদা চেং খুয়া অমগীদমক লমশি শিদিবা, মশোয় অহুবা কোর্ট কাননবা লেল কনাদগী কংলিবনো? মশাগী গ্রাংজনবা লৌখুং

অসি মখোয়দা কনানা ইনশিনবিরিবনো ? মহাক অহুনা চন্নবা বাকম অসি মখোয়দা ভাকপিবা য়াত্রা মহুদি, জিলাগী কোর্টতা নত্তে, হাইকোর্ট হায়বা অমস্থু লৈরি, মফম অদুদা জীবানন্দ অমসুং জনার্দ্দনবু ইনথুহনা সাগর সর্দ্দারনা কৈদৌঙৈদসু থাই পাকপা ঙম্রোই। ইংরেজগী বিচার তৌফম শণ্ড ঈনাক-খুনবশিংগীদমক লিংবনি, লাইরশিংগী নত্তে — মাগীদি মরল লৈ, বেরিষ্টর মমহাক লৈ, থাজবা য়াবা উকিল এট্টরনি লৈ, অদুগা অতৈ খুদোংচাবা কয়াসু লৈ — পূরমক অসি মশাদা খণ্ডহজহনা জনার্দ্দনা শক্তি অমদি থৌনা হল্লমবা হোংলৈ, অদুবু কায়বদি থোইনা কংদে। মরমদি, মসিদি তপগী শেল-থুম, লৌ-ইংখোল, লৈবা য়োননগী অচম্বা কেশ নত্তে, থৌদোক-মাথোক কয়াদা অরুবা থবক কয়া লোইশিনখিবা অদুগী মতৈগী মশক ওইনা ফৌজদারী দণ্ডবিধিগী থাক্তাদা অকনবা থাহৈ কয়া ইহুনা লৈরি, মহুগী তমথীরবা শক্তয়া মরুমদা লেপ্পহনা মহাকপু থোইদোক্লা কিহল্লকই।

বাকম অসি শন্দোকপদা চিথবা মফম লৈখিদ্রে, মতম শাংনা থওলক উমরুবা রায় মহাশয়না মচু খণ্ডই, মরম অদুনা লুংথিলগী মতম করিগুম্বা মওং অমদা লেল্লগা অহিংগী অমম্বদা এককড়িবু কৌহল্লুরে, অদুগা জমিদার সরকারগী মাইকৈদা করম্বা মওংদা থবক চখরিবগে হংলকই।

এককড়িনা হায়রকই, "হুজুরগী মফমদদি হৌজিক কাওবা হঙ্গংত্রি।"

জনার্দ্দনা শাউনা হায়রকই, "হঙ্গংত্রবদি হঙ্গংলুরো চংলো। হন্থকংসিদা ফাদোক ভাবা ভারত্রা ?"

মাগী চিংনবা অমদি পাখংপা মতৌ অসিদা এককড়িনা নোকতুনা হায়রকই, "কিরনিংঙাই কবি লৈ খায় মহাশয়. ফাদোক তাবা তারবস্থ ঐনা তাগনি, ইবুংঙোবুখি চংহঞ্জরোই। অদুবু লাইরববু য়েংশিনবিগদবনি, কাউবিগন্থ।"

জনার্দ্দন্না হয়াওরহুনা হায়রকই, "মহুদি খঙই এককড়ি, নহাক লৈরবদি কিনিংঙাই লৈতে, নঙনা খঙলিবহু উকিলগী মশানা ফাওবা খঙবা ঙম্বা নত্তে, অদুবু খঙলেদনকো পূম্নমক ? কে সাহেব মশামক লাকদৌরিমাল্লে — মহাক মতা বদমাইসনি। অদুবু মহুংগী পাউ খরা খঙব্রা ? কনানা মখোয়দা লৌশিং তাক্লিবনো হায়য়ুদনা ? শেল কনানা খোরাং শৌম্বিবনো।"

এককড়িনা চিংনবা লৈঙনা ষোড়শীগী মমিং পল্লগা হায়রকই, "শেল খোরাং তৌরবদি চণ্ডী মাতাননি, অতৈ কনানা ওইগদগে ? মতুমক্তনা হাথু হাথু থৈদোকতুনা লোৎতুনা লৈখ্রিবনি।"

"মহাক কদায়দা লৈবগে হায়রুদনা ?"

এককড়িনা হায়রকই, "অনকপদা কদায়দনো লোৎলমগনি — নোংমাদ খঙলকনি।"

জনার্দ্দন্না ভাইহাক তুমিন্না লৈরগা হায়রকই, "পাউহু লৌশিন্থ। ইরাংদা নেমখিসন্থ, মহুগী তুংদা — "

এককড়ি হুমিং অহু মকম অসিদা চাক-ঈশিং চারপা অহিং য়াম্না খেংনা ময়ুমদা হুনখি।

এককড়িনা মতাং অমদা বারৌনা হায়রকই, "হুমিং অহুনা সাগর সর্দ্দারগী মরমদা মরামদি মাগী মপুক্সিং খঙহুনা চিন থুবক্তুনা নোকতুনা লৈখোকপিখি, অদুবু পুক্সিশতা পাউহু পীরৌরম্নবদি ঙদি ময়াকপী থুমোংখোবা অসি খোক্লোইদ্রবনি।"

জনার্দ্দনা ঊকাইনা মরাল য়াক্সরে, এককড়িনা মতমহূদা হুজুরগী মরমদা থোইদোকপা পাউ অমা মপোন্দা থঙহল্লগা হায়রকই, "য়ু খক্লিঙ্গেগা থোইথোক্লা ফরম্মী, হৌজিক বা ভাংবা লুরে। অমমকনবা শারি — মতম কুইনা হৈনরক্লবনি, কুইনা খাংবা ঙম্মোইদা।"

জনার্দ্দনা খাজবা ঙমদে, হায়রকই, তশেং তশেংনক থকত্রব্রনে?"

এককড়িনা মঙক নোমহুনা হায়রকই, "মসি অচুম্বনি মহাক থকত্রে। হুনিং নোংচুপ্তা থোক্লকপন্থ লায় — অহুবু থঙবিদব্রা রায় মহাশয়, অনমকনগ্রবা মীনি — নোংমদি হুমিং চুপ্পা ওন-থাইনা অনা-মৈচাক থাংলকপনা অহিংদদি মথোঙ মথুং পুমনৈং ঈংথরকই, ডাক্তর বাবুনা চিংনরহুনা হায়রকই, ঐগী বা লৌবহুনা য়ামদ্রবদা চামচ অমত্তদি থকপিয়ু — হার্ট ফেল ওইরকপা য়াই — অহুবু বাবুদি অকিবা লৈতে। নোককেং তৌহুনা হায়রকই, অস্তুক কুইবসি মচাক কৈদৌঙৈদস্থ ফেল ওইরক্তে, চাং মায়না লৈ, ঙসি নোংমা করিগুম্বা ফেল ওইরক্লবস্থ দোষ অমুক তৌরোই, অহুবু ঐদি পূন্সি চুপ্পা ফেল ওইহুনদা লাক্লবনি, য়ামদ্রবদা ঙসি নোংমত্তদি ঐবু পাশ তৌহল্লু। কনানস্থ পীথকপা থমথিদে।"

"হায়রিবহু করি।"

এককড়িনা হায়রকই, "বাখল অসি চুপ্রে, য়ুম মোরামত্ত লৈখিসম্মু, মহুগী শেলমা লৌবুক মরাইদা উকু অমা চনগনি, অহুগা রূপসী বিলগী অবাং থংবা মপান্দা কাঁচ্চাগী থোঙ অচৌবা অমা শাগনি। ইজি নিয়ার বাবু থুংলবে, হিসাব থোংলগা হায়রকই, মহুগী শরুক অমা সোমদা খাদহুনা য়ুম শেমজিনবিয়ু, অহুবু য়াবা কৌবা লৈতে। লেৱানবী ইপাগুম্বা অহলনি, হায়জে, জমিদারী বন্দোন

চংশ্রগনিবে? বাবুনা হায়, প্রজাশিং চহি খুদিংগী খাজনা খিগৎলকপদা শিগদোবে। মখোয়গী লৌবুক কনখিনবগীদমক করিগুম্বা জমিদারী চংখিবা তারবস্থ চংচখিসস্থ। হন্নোক্লগা লোইরে।"

রায় মহাশয় ওাইহাক তুমিন নৈরুমগা মরৈখংদা হায়রকই, "মিহুন চোই-লাকপদি নত্তেকো?"

মসিগী হুমিং নিনিগী মতুংদা জানর্দ্দমা পাউ লৌহনা খঙলে, ওসিস্থ বাকমহ্ হুজুরদা হঙ্গংত্রে, মতম অহুদা মহাক অমুক ওপথনা ওল্লকত্রে। খঙহৌদনা করিগুম্বা পাউ পীরকতুনা তদন্ত তৌবা লাক্লবদি খুদোংথীবগী ওমথৈ অমুক নৈরবোই। মাইকৈ খুদিংদা শেম-শাহনা নৈহৌত্রবদি করি খোক্লগদপে হায়বা লুই। লেপ্লে, মথংগী হুমিত্তা উম্রহনা মশামক্লা বা পূম্নমক হঙ্গংলগনি — মীওোন্দা খাজবা থমহনা মতম মাংহল্লবদি শিহনা তোক্লনি।

অয়ুক্তা দূর্গাগী নাম চাম্মগা নিপাল্লক শোয়ে, অহুম্না মঙ্গলগী খোরম কয়া পাংখোক্লে। অহুগা হুপা মরি শোয়নহনা মহাক জমিদার উম্লকনবা যাত্রা তৌরক্লে। অহুবু খোইনা লাম্না চংলুবগী দরকার ওইদে, হুপা মঙা-তরুক চেল্লকতুনা পীরম্বিবা পাউ অহু পেম্নিংওাই ওইদবা অহুক খাজনিংওাই ওইদবা বাফম্নি। অম্নাম্বা নত্তে, কাঠা তরাগী লম সডক অচৌবা মম্নাদা মংশ্ম খরগী মমাংদা রায় মহাশয়না দখল্ল তৌহনা থাজিন্দুনা থমখি। মহাক্লা পাল্লিবদি চুক্তানগী শঙ অহু মকম অসিদা হোংলোগক্কে অসিনি। চণ্ডীগী সম্পত্তিনি, অহুগা মসিগী মরমদা ষোডশীগা য়েংস্থ য়েংনএবনি, অহুবু মণ্ডিক-ময়াই নৈরম্না জনার্দ্দন রায়বু মহাক্লা খিবো ওমখিলে। মসিগী মরিদা মহাকী দলিল অমস্থ লৈবালে, অহুবু খুম্নাশিনবদি

মহু থাজদে। ওসি অমুক্তা মহাকী লমহু বে-দখল তৌরে। মকম অহু য়োবদা জনার্দ্দনা উবে, অয়াম্বনা কৈনবয়ে। শিরোমণি, তারাদাস, মগন চক্রবর্ত্তী অমসুং মথোয়গী মাংবুগী ভদ্রলোক কয়া কৈরিবা অতুগী মাংদা জীবানন্দ চৌধু[illegible] তৌহুনা অমসুং মশাগী মী থাদোকতুনা মহাকী শবল [illegible]লগী অমলোমদা খোপচিনহনরে। কনানসু য়ানিংদবা উংলুনবগী থোনা কৈদ্রে।

জনার্দ্দনা লুংঙাইতবা শাউনিংবা কাথরগা হায়রকই, "মসি তৌবিত্রিদৈঙদা ঐঙোন্দা পাউ অমতং পীবিরকপা য়াবনি।"

জীবানন্দনা নোকতুনা হায়রকই, "মহুদা অরেম্বদা থিম্ব্হনতা তোকনি, পাউ য়োৎপনি হায়বা খঙই।"

জনার্দ্দনা হায়রকই, "পাউ ফংলে, অহুবু নোংমতং মাংজোননা খঙহনবিয়ক্কনবদি কেশ-নোং তৌরোইদবনি।"

জীবানন্দনা অহুম নোককেং তৌহুনা হায়রকই, "মসিদসু কেশ তৌবা চুমোই রায় মহাশয়। ভৈরবীশিংগী মখুত্তগী দেবীগী সম্পত্তি য়ায়া মীগী মখুৎ চনরে, অমুক ময়াম অহু লৌশিনবা দরকার ওই।"

জনার্দ্দনা কংনোক নোকতুনা হায়রকই, "মহুদগী হেয়া লুংঙাইবা অতৈ করি কৈনগনি হজুর। খুদং পূয়মক অসি চণ্ডীমাতাগী ওইরম্মী হায়রৈ, অহুবু তৌজিক্কি—"

কোংচি অহু ময়াম পূয়মক ভাব তাবৈ। শিরোমণি ঠাকুরদি জনার্দ্দন য়ায়গী লৌশিং অমসুং ঙাংবা কৈনা অসিদা লোয়ে।

জীবানন্দগী মাইথোংগী ফিভম করিগুম্বা মওং খজিক্কা হোংখা উদে। হায়রকই, "মতুগী অশোয়বা লৈরম্মোই রায় মহাশয়। চণ্ডীমাতাগী দলিল-মুংশিল, প্লান, মেপ পুম্নমক অরৈবনৌশ ঐনা কলকাত্তাগী এটর্নিগী ময়ুমদা থাম্রে। অদুবু ময়াম্না ঐগী সহায় [illegible]নি।"

শিরোমণিনা জায়ধ্বনি লাউরকই, অদুবু রাক্ষম অদুনা অচুম্বা ওইরবদি করি থোক্লগদগে খল্লুবদা শাউনিংবা অমম্মুং চংনবনা জনার্দ্দনগী মাইথোং কাহংম্রে। অদুবু মসিদগী শরুক কয়া তুম্না খুদোংচীবা নহাক্কী কোকথক্তা থরাক থরাক য়ান্দুনালৈ লিংশিংশকতুনা ভূশগী ওইনা মপুক্লিং ফাজিন্দুনা মমুমদা হনম্রে। য়ুমদগী থোরকপগী হ্যাম অহু অরেম্বা ওইরে। লম্বী চংনা চংনা মহাক্কা মপুক্কি'দা খল্লকই, ঐগীদি বিঘা ১০০/২০০ দগী হেন্না মাংলদবা য়াই, অদুবু চণ্ডীগড পুম্নমক য়োংশিল্লিবা মহাক্কীদি? মরম অসিনা রাফম অহু কাম্নদবা রারোম্নি, নমথাক তৌবা য়ানবগীদমক্তা হায়রিবনি হায়বা অসিদা চিনবা অমুক লৈত্রে। ইমুংদা চংলক্লগ ফিদ কীদমক লাউরম্লগা মীউম্নফম কাদা মথোক্ত থাংজিল্লকপমক্তদা মহাক ক্রকপনা খম থেংম্রে। মচি অমদা এককড়ি লোংতুনা থম্লম্মী, মহাক্কী মমাই তাইফেং তাই, শকওং অমা তৌই— "হাই করি থৌরবগোন, ইথক্ত খন্ডহৌনা নক্ত মক্ষম অসিদা? নক্তগী অত্তাওবা হুজুর অহুক্কি অসোমদা চৈ-নোং পাম্নহৌরে।"

এককড়িনা হায়রকই, "খক্তৈজে। অত্তাওবা অদুগী মনাক্তা হৌজিকমক ঐশোয় অমুক্তা চেল্লুদবা য়াদ্রে।"

জনার্দ্দন্না চিংননা হংলকই, "করিগা নো হায়রুদনা?"

এককড়িনা হায়রকই, "অত্তোন-অত্তাশিংদা দৌশিং কমানা ফাকপাগ অহুগা শেল কনানা পুথে ক্লিবনো থগুবা ডময়ত্রি, অদুবু অসিমখিদি থগুলে, সাক্ষী ওইবা য়ারগদি হুজুরনা অরোংপা করিগনি থম্মোই। দলিল শেম্বগী বাকস ফাওবা—"

জনার্দ্দনগী মাইথোং পুযকা কাহৎত্রে। মুপা অদুগী অনমকনবগী অকিবা কংবা ৱারী হুমিংতুদা তাখিবচু নিংশিংলাক্লে। মহাক্না অশুম্মদা হায়রকই, "কারিনো লঙ্কাকাণ্ড তৌত্রিবথৈ তৌক্লোইদৌরিব্রা ঝৈনেখংদা!"

মাগীমমক হাল্লকপা হিদাক থুমজিল্লক্লে, ইকুজবা ঈশিং ঈংপরক্লে জনার্দ্দনা নপান্দা চোস্থাকত্রে। জীবানন্দ মতম অদুদা মন্দিরগী কারিনো অকায়বা অমা য়েংহনা লৈরম্মা, তারাদাসনা ফাওখ্রা লেপহনা মহাক্কী বাহংগী পাউথুম পীহনা লৈরম্মী, জনাদ্দনা মমাংমক্তদা চংশিল্লগা হায়রকই, "হুজুর! থৌদোকাশিসি অমুত্তা থম্বহনা য়েংবিযু"

জীবানন্দ অহানবদদি করিগী থৌদোক্লো থগুবা ডম্লমদে, অদুবু মহাক্কী কাহেন্না পাথংপা অমম্বুং শুমাং মচিদা এককড়ি নন্দী উবদা ডরাং অহিংগী বাখনিং নিংশিংলক্লে। হায়রকই, "অদুবু উপায় করি লৈ রায় মহাশয়। সাহেব লম থাদোক্লোই হায়রি মহাক্না হোংনা লৈখিবনি—অদুদা নত্তনা মগী য়াম্না মাংগনি। মরম অসিনা কেশ ওবা নত্তনা প্রজাশিংগী অতৈ লম্বী অমা উদ।"

জনার্দ্দনা থস্মোয় কায়না হায়রকই, "অদুবু ঐখোয়গী লম্বীদি?"

জীবানন্দনা ডাইহাক থল্লগা হায়রকই, "মহু অচুম্বনি, ঐখোয়গী লম্বীসু য়াম্না লুপত্রা নিংই।"

মহাক্কী অতম্না খোঙেল অমসুং শক্লোন হোংবা নাইদবা মাইথোং উবদা জনার্দ্দন মশাবু অমুক ফাধজবা ঙমকত্রে। নিংবা কারক্লুনা হায়রকই, "হুজুর, লম্বী শুপ্পগী লুবদা নত্তে — জেল চংগদৌরিবনি, অদুগা ঐ হৈথন্দা নত্তে, হুজুর চিথগদবা নত্তে।"

জীবানন্দ মোমোন 'নাক্লকই, হায়রকই, "মহুদা কবিদি তৌরনি রায় মহাশয়। পামজহনা উ থাক্লববনিনা মহুগী মহৈ চাবা তারেদনা কমদৌনি!"

জনার্দ্দনা পাউথুম অমুক পীত্রে। নোংথাংহুক মাংনা মপান্দা খোকত্রে। এককড়ি বা পূম্নমক তারমগনি নিংদে, মহাক থুনা মাংনা চংশিল্লকপদা জনার্দ্দনা লাউ-খোংহুনা হায়রকই, "মসিনা ঐখোয়বু মাং-তাকহনগদৌরবনি এককড়ি, ঐখোয়গী নির্ম্মলদা টেলিগ্রাম অনন্তা থাখো — মহাক অমুক্তা য়োরকখিসনু।"

কুনতবেৎ

চণ্ডীগড়দগী নির্ম্মল মথবায় হুংঙাইতনা চংখিবনি। লমদমহুগী অফ-ফত্তা অমসুং মরি পূম্নমক্তগী মশাবু পুন্সি চুমগী ওইনা ককথৎতুনা চংলবনি, চংলমদায় মকমদা মহাক্কী অমতা ঙাইরবা অপাম্বহু অসিনি। ঈশ্বরগী মফমদা পুক্নিং লোংদনা খুক্রমদৈ, হোৎরবা অহু অমুক হঞ্জিল্লকবা, মহুগী করিগুম্বা মরা অমতা মহাক্কী কদায়রদহু ঙাহন্দবা। মহাক ছুররিংবা মীনি। অকে-অমো অমসুং সাহেব শাবা মরক অহুদমু সংসারগী অচম্বা লম্বী মতুংইন্না চংপা পামদৈ। হৈরনা মহাক্কী অমতা ঙাইরবী — মহাক্কী মুপীনি, মহাক্কী চায়খোইবীনি, মহাক্কী মচাগী মমানি — কল্লবদা, হুংশিলবদা

শাজংতা, লৌশিংদা মঙ্গোন্দগী হেনবীবু কনাগুম্বা নুপানা করিগুম্বা মতমদা ফংজগে নিংজরমগনি হায়বা মহাক থনবা ফাওবা ঙমদে, অদুম ওইনমক অদুক মমল য়াম্বা ময়লবু থোওইক্লদন। মগাকী পুক্নিং নোংমা ককওাওনবা শামথি, হল্লকপা ফাওবা কান্নদবা মৈচাক অদু হেক নিংশিংলকপদা খুদক্তা রাফম অসিনা মহাকপু থোইদাক্লা ওংলকই। অহানবনা অসিনি মতুদি, ফত্তবা রাখলগী রারী অদু মহাক্না হৈমগী মফমদা পূন্সিম্মী ওইনা লোৎতুনা থনগদবনি, অদুগা অনিগুবনা ষোড়শীগী লমচৎনি। মসিগী মরমদা মরু ওইনা মহাক করিস্নু থওদে, অদুম ওইনমকস্তু করিগীনো নোংমা মহাক্কী থাম্মোয়দা অপাম-মুংশি পোকক্রিবা, মশাগী থম্মোয়দা রাহং অসি হুম্না হন্না হৃবদা নির্ম্মলনা পাউথুম অসিদমক চিংনবা লৈতনা ফংই, ষোড়শী লমচৎ নাইদবীনি। ওইথোক্কবা পোংপু মহাক্কী থম্মোয়দা মীচৌকবা লৈত্তে, লৈফম থোক্কবনি। মতু ফংবা য়াবগী মপান্দা লৈবা নত্তে, মসি থওাল হায়রুননি মহাক্কী পুক্নিং অদুম্না হোংলক্লিবা। রা অসি নিংশিংহনা মহাক্না মওং অমদা মশাবু থেমজিনৈঙ্গ, অমস্তুং মপুক্নিংদা হায়ৈজ, লক্ষ্মী অদোমদা কৈদৌৈঙদস্তু মাই ওাক্লাইদবনি। হৈমগী মপাম্মি, চৎলিংলবদি মহাক চৎচসনু, মহাক মশামক্তি চণ্ডীগড়গী মমিং কৈদৌৈঙদস্তু মচিন্দা পল্লরোই।

মুমিৎতুদা কোর্টতগী হল্লকপদা হৈমগী মফমদগী মমাগী চিঠি লাকই তারে। মহাক্না ইরকই, অহিংদা লোৎতুনা ষোড়শী কদায়দনো চৎখিবা অদু কনাস্তু থওহৌদে।

নির্ম্মলনা ফাগী ত্তোনবা কম্না হোৎনজুনা নোকফেং ৎৌতুনা হায়রকই, "কদায়দা চৎখিবগে কনাস্তু থওহৌদবা? সাগর সর্দ্দারস্তু থওহৌদবা, জমিদার জীবানন্দ ফাওবা থওহৌদবা?"

হৈমনা শাউত্নুনা হায়রকই, "নখোয়গী হৈনবীনি। সাগরদি খণ্ডেলহন্নু য়াই, অদুবু জমিদারদি কমদৌনা খণ্ডগদগে? নুপীশিংগী মমিংদবু বদনাম পীশিনবা ওয়বদি নখোয় পেল্লবনি!"

"মদু ওইরম্বা য়াই।" হায়রগা নির্ম্মল মপান্দা থোকখিগে তৌই, হৈমনা কৌরগা হায়রকই, "থোদোক অমগন্নু থোক্লে। অহিং অদুদা জমিদারগী শান্তিকুঞ্জ কনাননো তুম্না মৈ থাল্লে।"

"হায়রিবদু করিনো?"

"অচুম্বনি। শাউত্নুনা সাগরনা থাবনি হায়না ময়াম্না থাজনৈ। অদুবু জমিদারগী মিং পকশিন্দুনা ওইদবা বদনাম খুঞ্জশিংনা তৌরিবা অদু অচুম্বা ওইরবদি করিগুম্বদা জমিদারগী য়ুম মে চাক্কাদ্রা? অমুক্তা খুম্বিয়ু?"

নির্ম্মল তুমিন্না লৈ। হৈমনা হায়রকই, "হায়নিংবা হায়নজনু, অদুবু ঐদি তশেংনা খণ্ডই মহাক ময়াল লৈজদবীনি। চণ্ডীগী মহাক্কুম্বী ভৈরবী অমতা কৈদৌঙৈদস্তু লৈথিদ্রে। মাগী থৌজালদনা ইচান্নুপাগী মশক উজবা ফংলিবনি, মদু খণ্ডবিদ্রা?"

য়া অসিগীসু নির্ম্মলনা পাউখুম অমতা পীদে। থোদোক পূম্নমক খণ্ডনবা চিঠি ইত্নুনা পাউ পূম্নমক মরিক চুম্না লৌনিংবনা মহাক খোইরাংবগী ওমথৈ লৈতে, অদুবু অপাম্বা অসি নমথরগা মহাক মপান্দা থোকক্লে। ষোড়শীগী মরি পূম্নমক্তগী মশাবু মহাক্না খদংচত্নুনা খমগদবনি, মলিনি মহাক্কী বাশক। অদুবু মথংগী হুদ্ধংকী নোংঙাল্লিবৈদা মকুবোক্তী অথুবা টেলিগ্রাম থুংলরে অমসুং সন্ধ্যাগী মেলদা মনেজোক্তী চিঠিসু য়ৌরক্লে, চিঠি হেক ফংবগা ময়ামুম্না লাকত্রবদি মহাক্কী অহল ওইরবা মকুবোকপু থোকফম অসিদগী

কনানম্তু কনবা ভুম্ৰোই — মহাক কাদোক হাগদৌবিবনি, মতম অচুদা হৈম কপখৎলক্লে, অহগা অমুক্তা হোরঙ অমম্তুং যেডিং য়েংম্নবা য়াথং পীবগ্গা নির্মল মাগী খবক্কী শিন্দোক-শিঞ্জিনক্তে ননবা য়ুমদগী থোকক্লে।

জমিং নিনিগী মতুংদা হৈমগা লোয়ননা নির্মল চণ্ডীগড়দা থুংলক্লে। উহ্‌র, অকিব অমদা লুপতুনা ময়াম পূম্নমক মতম লেপ্লি। কনানা কৈদৌদৈ নৈ থাবগনগে মতুগী অরেপ্পা নৈতে। মাইকৈ মরিমা মী ওম্লি, য়ুসুরেন ময়াং কংজ্রক কংলে, কদায়দম্তু চংথোক্কে— অতুক মস্তিস্ক-মণ্ডপ নৈরবা মুপা অসি মথুঙংদা ফাওবা অচৌয়োনা খুদোংথীবা উবদা নির্মল চঙকলে। মফম অসি থাদোকতুনা চংলুবা মতম মুইদ্রি, অদুবু কাবিনা মংং অমা ৎহায়ে। ফংখিবা পাউ অদু থোইদোক্লা ভদ্র-কৈনবহম্মী, থাইদোকপা করিম্তু খঙবা ঙমদে, ঙমগী পাউ অসিনচি ময়াম পুম্নমক্কী চিনথুম চপ মাইগ্গে মতুংদি, জমিদার জীবানন্দ চৌধুরী মাথা চোইরে। মহাক য়ু থাদোকখ্রে, প্রজাশিংবু মশাগী মাইয়োক্তা কেশ থাংগৎহল্লে, ময়ুম শেমজিন্নবা শেল অদুনা লৌবুক্ত অচৌবা উকু অমা চনবদা শিজিন্নখি— অসিগুম্বা রাবী কয়ানি, অদুবু খঙহৌদনা করিগীদমক্তা মহাক মওং অসি ওইথ্রিবনে, মহ কনানম্তু খঙদে। নুপা অসিবু নির্মলনা য়াম্না ভুবৈচে, মহ ক্কী মনাক্তা রা তামবা চংলুগনি থল্লুবনা মহাক থোইদোক্লা চিংখৈ। অদুম ওইনমক খোদোক্লা ওইরক্লিবা ফিভম অসিনা মচম্বা অইত লক্সী হৈদিত্রা হায়বম্তু মমিত্তা উংদে। লৌউবা প্রজাশিং থোইদোক্লা মায়োক্তা লেপ্লি। মৎগোবগী য়াইকনবা থনবী মমা ভৈরবীদা ওংখিবা অহুনা মখোয় শাউবম্মী ওমথৈ নৈতে। মখোয়না করিগুম্বা

ৱা অমত্তা তারোই। সোমদনা মাদ্রাজী সাহেবকী য়াম্না মাংলে, মসিগী মোহন-মুংছিন পূরকতুনা তাহনা লৈরি, মহুৎ ক্ষতিপূরণ পীবা মওং অমদা ওইখোক্কবা রাকম্নি। লম দখল মহাক্না তৌদবা শুপয়া য়াদে। মরু ওইনা মশা য়াউদনা এটর্নিগী মতেংনা মহাক্না থবক শিল্লি, এটর্নি অহু শাথীবা মীনি, অহুম লৈবাক মচা তাদে, মহাকী মকমদগী করিগুম্বা খুদোংচাবা অমতত্ম ফংবগী আশা লৈতে। আশা তৌনংঙাই হায়রবু এখোয় মশেল য়ানবা অসিনি। মখোয় মশেল ময়ক্কা যানত্রবদি লম্বা অমমুক লৈত্রে, অহুগা অণাওবা মুপা অহুনা বিচারপতিদা মহাক্না করিগুম্বা বা অমতা লোৎলোই হায়না কিহল্লি। বা অসি নির্ম্মলবা মোকতুনা থোশারম্লোইদবনি, করিগুম্বা য়োরকপদগী মহাক্না রারী ময়াম অহু তারমদব' থোক্লবদি, মরু ওইনা যু থকপা তোকপগী রারী — হার্টফেলগী অকিবা উৎলবম্ম ডাক্তরনা যু মরিক অমা ফাওবা পীথকপা শুমথিদ, অহুক তমথীবা অইনকনবা মুপা অহুগী মকোক্তা খঙহৌদনা অণাওবা রাথল অমা চংত্রে, কনানা মহু কোকহনবা শুমলগে? অহুম ওইনমক, রাথল চোইরবা অপঙবা মুপা অসিদা অকবা লৌশিং তকপা মহাক লাক্লিবনি। মঙোন্দা ভাব তাহনগদবনি, অকিবা উৎকদবনি, হায়জ-নোঞ্জগদবনি — কম্নি তৌগদগে হায়রবা মহাক করিম্ভ থওদে। থোইদোক্না পামজদবা থবক অসিগী মায়োক্তা নির্ম্মলগী থম্মোয়দা লাল হৌরকই। হৈম কপ্পকই, মনেম্বোক কপ্পকই, এককড়ি হুম্মানবঙম চংথোক চংশিন তৌরি, মকুবোক চরা কেন্দুনা ফমুংদগী হেনথিত্রে — অহুম ওইনমক মরক অসিদা লোংমশুংদি থম্মি, হংচিৎ বিচারপতি তাত্ত তৌবা থুংলমগনি।

সুংখিদা ওইরকপদা জীবানন্দগী মহাক্তা লৌবুক ময়াইদা থেংনরে। অদুক কুইবসি ঈশিং চিথোকুবা ঈরম লৈরমদে, উকু চনবা হোৎনরি। ঈংনা নোকতুনা মথুং ত্তিংথোকতুনা জীবানন্দনা মহাকপু তয়াম তরাম ওক্লগা হায়রকই, "অদোম লাকপগী পাউ ঐ তরাংমক কংজরে। য়াইকবিরিদনা? ইমুংগী কনাগুম অনা-অয়েক য়াউবিরিরোয়।" মহাক্তী বাতাং-শাতাংদা চাউথোকপা য়াউদে, লৈশি-লৈথোনবা য়াউদে — চম্বা অদুক ত্রো ত্রো তৌই — মহাকপু তিংমজনবা মতম কাওবা কংদে। মসি কাওবগীদমক্ত নির্ম্মগনা শেন-শাহৌদে, মহাক মশানা মশাবু তোম্ভুনা থজ্জরকই। কবিগুম্বা মাথা চোইরম্বা থোক্লবগুম মতুদা ঈকাইনিংতাই ওইদে।

জীবানন্দনা হায়রকই, "অদোমদি তাই-শেলনি, খুঙ্গং 'পুম্বগী হায়ওনিংতাই ওইবা মীশক্তি। অদুবু পাম্বিদুনা অসিগুম্বা মকম অমদা লাকতুনা উন্নবিরয়ে মতুদি —" থত্তহৌদনা মিস্ত্রী অমসুং যুগালিশিং উক্তদনা হায়রকই, "ইবুংঙোথোয়, তসিদি ঐথোয় অহিং থক্তা থেংবা কাওবা গুণা তারি। চয়োল চুপ্পা নোং মংলক্তি, তসি-হয়েংগী মনুংদা নোং তারক্লগনি। অদুবু মতু ওইরবদি কবিগুম্বা মওংদমক য়াররোই। ঐথোয়না অসিগুম্বা থবক তৌবা তাই মতুদি, ঐ থাংগী ইচা-ইগুনা ফাওবা মতক নোমহুনা হায়নথিনবা মতুদি, হোয় উকু চল্লম্নিবা অসি নথোয়না তশেংনা অরাং-অনা থিদনা হোৎনথিবননি। মতুদি ঐথোয়গী থুংগুমল।"

মরাংগী মপুক্লিং পেৎপ্রে। বীজগাঁগী তমথীবগী মশক কংলোবা জমিদারগা লোয়ননা থবক তমিন্নরি, মহাক্তী মচিন্দনা অম্তুম্না বা

ভাংলি, মখোয়না খোঙ্গেল মায়না বাশকতুনা থঙহল্লে মতুদি, মখোয়গীসু অপাম্বা মতমক্তি। করিগুম্বা নোংমংদহুনা থাবল ফরবদি মখোয অহিংগী পুং তরা ফাওবা থবক ওগনি।

নির্ম্মলনা হায়রকই, "অদোমগা ঐগা থম্নগদবা বা থরা নৈ।"

জীবানন্দনা হায়রকই, "অতোপ্পা মুমিৎ অমদা ম্নারোইগ্রা?"

"নত্তে, ঐগী দরকার য়াম্না ওইরে।"

জীবানন্দ নোক্লকই, হায়রকই, "মহু ওইরম্বা যাই। চুমদবা থবক্কী পোংলুম পুস্নদুনা অস্তুক লাপ্পা পুরক্লিবা মখোযনা অদোম্বু তরাই তরাই থাদোকত্রদো।"

কোংচি অহুনা নির্ম্মলগী থম্মোযদা য়ুররে। মহাক্না হায়রকই, "মহুবুদি অচুম্বা বানি। চুমদবা থবক মীওইবনা তৌনৈ হাযহুনবি সংসারদা ঐখোয়গী দরকার ওইরিবসি চৌধুরী মহাশয়। মহু নংলমদ্রবদি অদোম্বু অমুক লৌবুক য়রাই অসিদা ওৎলবগী ঐগী দরকার করিনো?"

জীবানন্দ করিমতা শাউদে, অহুম মাইথোং মকা লায়া হায়রকই, "ঐ হুংঙাইতবা করিস্থ তৌদে নির্ম্মল বাবু। অদোম লাকপিরিবসি অদোমগী তৌকম থোকপা থৌদা নি, হৌরম স্নাসদস্থ ঐ মরিক অমত্তা চিংনবা নৈত্তে, অহু নত্রবদি অদোম নৈহদোনা লাকপিগদগে? অহুবু থৌদাংগী বাথলদি পুম্নমক্কী চপ মায়বা নত্তে। রায় মহাশয়গী মাংননবা ঐ থন্দে, অদোম্না লাকপগী মহৈ য়ামবদি ঐ থাঙৈমক শেংনা হুংঙাইগনি, অহুবু ঐগী থৌদাংনস্থ ঐবু কিরেপ অমা লৌহনত্রে, মসিদগী লেং-লাকপা ওম্বগী শক্তি নৈত্রে।"

নির্মলগী মাইথোং ওংলক্লে। মহাক্না হাইফং থরূপা হায়রকই, "ফজদবা বা থরূগদবা বাহৌদোকৌ তাকক্তগী অদোম্না ঐহাক লাম্থোকপিবসি য়াম্না থুংঙাইজে। হেক য়োবকপদগী অদোবনী হরূবদা ঐ বা য়াম্না তাক্করে —"

জীবানন্দনা নোকতুনা হায়রকই, "অমনা মসিনি মতুংদি ঐগী মাথা চোইরে, চুমদত্রা হায়বিয়ু?"

নির্মলনা হায়রকই, "সংসারদা সাধারণ মীগী বাখল-লৌশিংগা থঙহৌদনা কনাগুম্বগী থৌদাংগী বাখলগা করিগুম্বা চেঙিন্না থেন্নরক্লবদি বদনাম অমদি মপিনরে। বাকম অসি তশেংনা অদোম ইশানা পূমথক য়াবিরেদনা?"

জীবানন্দনা হায়রকই "অচুম্বা বানি।" মহাক্না থোঙজেলনা ফিংগংগা চেন্দে, চিনবান মতাযদা নাকাফং তৌবগী মমি তাই, অতুম ওইনমক মসি ফাগী নত্তে হায়বা নির্মলনা চিংনবা লৈতনা থঙলে। হায়রকই, "ইশানা য়াজবা পাউথুম্না অদোম দণ্ড ফংবিবনি মাই, অদুবু অতৈ ময়ামদি হিংখিগনি।"

জীবানন্দনা হায়রকই, "নির্মলবাবু অদোমগী বাংলু পাঠশালাগী গোবিন্দগীগা চপ মান্নে। পণ্ডিত মহাশয়! মুকুন্দনু হৈনৌ হরালি। হায়বদি, চৈহুনা শাস্ত্রহল্লবদি মাগী মনঙ্গদা নাবিবহু হস্তরোইত্রা?" অসি হায়রগা মহাক নোক্লকই। মহাক্না মকালাম্বা মীনোক্লৌ চৈথেংনা নির্মলগী মাইথোংদা অশাউবগী ফিভম উরক্তুনা মহাক্না নোকপা লেপত্তুনা হায়রকই, "ওাকশিং নি অদোম্না, মসিদি ঐ মঙদা ফাওবা শামজদে। ঐনা তৌজবা কর্মগী মহে ইশানা কংজরগা লোইরে। নত্রবদি, রায় মহাশয় থবক মহে য়ান্দুনা হুংঙাইনা তাইবং

খোঙচত্তা পানসন্থু, অদুগা ঐগী এককড়ি নন্দী মহাশয় অতোপ্পা কদায়নো। গোমস্তাগী থবক তৌদুনা মথং মথং চাউখংদুনা সুংডাই-য়াইকনা পানসন্থু, কনাদন্থ ঐ করিগুম্বা হায়রৌবা অমতা লৈতে।"

নির্মল আইন লনোনবা মীনি, লায়না খুৎলায় থাদোকদবা মীশক নত্তে, হায়রকই, "অসুমন্থু ওইবা য়াই, কনাগী দণ্ডি ফংবগী দরকার ওইদবা, অদুগা কনাগীন্থু করিন্থ মাংজদবা।"

জীবানন্দনা খুদক্তা য়ানিংলদুনা হায়রকই, "সুংডাইরে, মদু ওইরবদি। অদুবু ঐনা কয়া থন্দুনা য়েংবদা মদু ওইগনি নিংদে। লৌউবশিংনা মখোয়গী লম থাদোক্লোইদৌরি। মরমদি, মসি শুগগী লেংপা চাবগী য়াফমদা নত্তে, মখোয়গী পায়োন-পুয়োন কয়াদগী উয়ক্লবা লৌফম্রি, অদুগা মখোযগী ঈগা মরি লৈনক্লবনি। মসি মাখায়দা পীগদবনি।" ভাইহাক তুমিন লৈরগা হায়রকই, "অদোমদি মুন্না খঙবিরিবনি, শুগগী লৌউবশিংগী মথক্তা — অদুবু মতম পূমমক্তা মখোয়দা শুংপি-নৈবিদুনদা লাক্লবনি, মসিদি অমুক থোকহল্লরোই।"

নির্মলনা হায়রকই, "অদোমগী জমিদারী পাক-চাউরিবনি, লৌউবা থবা অসিগী মতুদা মকম অমুক লৈররোইগ্রা? কদায়দনো নত্রগা কদাদনোপ্পা —"

"নত্তে নত্তে, অমুক কদায়দন্থু নত্তে — চণ্ডীগড অসিদা। ঐনা নমদুনা মখোয়গী মকমদগী লুপা লিশিং তরুক লৌখংবি — অদুগা লুপা অদু জনার্দ্দন রায়না থোমগংখিবনি — মদু শিংবা তাবনি। অদুবু কজদবা য়াকমসি লৈনক্লদুনা কায়বা লৈতে নির্মলবাবু, ঐগী পুক্কিং লেপ্লবনি।"

লুপা লিশিং তরুক্কী ইঙ্গিত অসি নির্ম্মলনা খঙবা ঙমদে, অদুবু মসিদি খঙলে মতুঙদি মহাক্কী মবুখোক বাখোক কয়াদা মশাবু পুনশিল্লরিবা অসিদগী নাম্থোকপা অরাযবা নত্তে। মহাক্না অরোইবা ওইনা হোৎনদুনা হায়রকই, "মশা কঞ্জবা হায়বসিদি পুম্নমক্কী অধিকার লৈ, অদুনা ইকুবোকীসু মতু থোবা তাই। অদোম ইশামক জমিদারনি, অদোমগী মফমদা কেশকী মরম শুগায়না হ য়ুক্কবগী কায়বা লৈতে — মমৈথংদদি হু থাদুনা হুগী লায়েংবা তাই।"

জীবানন্দনা খোইরুম মোমোন নোকচুনা হায়রকই, "লায়েংবনা জাল থাবগী হুনা হাংপগী কিডম ওইহল্লগদ্রা ?"

নির্ম্মল মমাই ঙাংলক্রে। হায়রকই, "খঙবিরিবতনি, অয়'মা মতমদা হিদাক্কী মমিং তাবদা অনাবা ফবনা কয়ানি ! মতু ওইনি,বা ওইজসমু, অদোম ব্রাহ্মণনি, চহিদা অহলনি, অদোমগী মফমদা অকনবা রা ঙাংবা ঐ পামজদে। অতুগা খঙহোদনা করি মরমদগী অদোমগী ধর্ম্ম-জ্ঞান অনুক কনখৎলক্লিবনো হায়বা অহু খঙনিংবা পোক্কে, অদুবু বা অমদি হায়জরমগনি মতুদি, মতু অদোমগী অচম্বা মওংগী নত্তে। গভর্মেন্টনা করিগুম্বা প্রসিকিউট তৌরবদি জেল মন্নুংদা মোংমা মতু ভাব তাবিরকনি। অদোম্না লিনবু থৌরিবি হায়না লায়া লৌবিরি !"

জীবানন্দনা হায়রকই, "অদোম্না হায়রিবসি অচুম্বনি, অদুবু লায়া লৌরিবমৈথদি থৌরি অদুমক ঐতোন্দদি অচুম্বনি !"

নির্ম্মলনা হায়রকই, "অদুবু মতুদা লিবা কাওবা লেংদনা লৈরোই। অচুম্বা রা অমগসু হায়জরমগনি। অদোম্সু ঐ য়ায়া তুকচ্চে, অদুগা পাগী অমনা অতোম্না পাগী অমদা হায়জবা ঐ

ঈকাইনা খল্লি, অদুবু মহু অদোমা থওলোই — মহু থওনবা অদোমগী শক্তি লৈতে।"

জীবানন্দনা মাইথোংদা করিগুম্বা অওনবা অমতা উদে। খজিক্কম্থু ফিংগংতে, অহুম তপ্পা ঈংলবা খোঞ্জেলনা হায়রকই, "অদুবু ঐদি অদোম্বু তুকচ্চদে নির্ম্মলবাবু, মোল্লুকই মসি থওবা ওম্বগী থৌনাম্থু অদোমগী লৈতে।"

ফিভম কায়দবা মনিং-মথা তম্বা মওং অসিদা নির্ম্মল মৈ হৌরক্লে, অমম্থুং পাউথুম অদুবু শাথীনা করেম্নবনি থন্দুনা খোঞ্জেল য়াক্লা হায়রকই, "হুয়ান-চিঙ্খিবশিংগী মরক্তম্থু থাজবা হায়বা পোংশক অমা লৈ, মখোয় মশেল মরক্তা মখোয়স্থু মহু থুগায়নদে, বিশ্বাসঘাটকপু মখোয়না তুকচ্চনৈ। অদুবু পুন্সি চুপ্পা লমচৎ নাইরক্তবনা মবুদ্ধি চোঙইরক্লবা মহাক্কা য়েংক্লবগী কান্নবা লৈতে — ঐ চৎচরে।" অসি হায়রম্লগা শূদক্তা মতুংলোমদা ওন্দুনা খোঙথাং য়াংনা চৎখ্রে।

নুমিৎ মরিনিগী মতুংদা লৌ-উবা কাংবুগী মওম চুপ্পগী ওইনা অরাবা কোক্লবা মশক ওইরবা ঈশিং চিংখোক্লবা উকু চনবা লোইরে, খুঙ্গং কয়াদগী মী কাংবু কাংবু মহু য়েংবা লাক্লরি অদুবু মহু শারিবা জীবানন্দ খুত্থদি নাহুনা কমুংদগী হৌগংখিদ্রে। গু নামথিবক মহাক খাংবা ওমদ্রে। চৈয়ক অসিদা সাহেবকা উয়হুনা লৌশিং কয়া তৌরগা নির্ম্মসনা তদন্ত তৌবা লাকদোরিবা নুমিৎ অহু চয়োল অমা রৈখোকহনবা ওমদ্রে, অদুবু নুমিৎ অহুগুম থৌমশগুদ্রে। গুপ্পগী নুমিৎ নিনিদা তায়রে। হিংনবা লম্বী অমথক ইলখি অমম্থুং মহুগী মতুংইগ্না জনার্দনা তারাদাসবু চণ্ডীমাতাগী খোইদোকপা

পূজাগী থৌরাং তৌহনরে, ইমাগী থৌজাফমগী হন্নকী থোঙকম অসিদা জীবানন্দ অমুক হোৌগৎলক্তনবা। সাহেব হাথোকখমদা খুদংলমজিদৈঙগী মমাংদা কখিজখা অমা শিনহৌদবা যাদে। মচাহুপী পুহনা ষোড়শীগী মখোঙদা তুজকবগী রাকমন্নু মপুক্কিংদা থল্লকই, মরমদি অত্তোনবশিংহৈবু থেমজিনবা ঙমগদবদি শুপ্নগী মহাক্তমনি, অদুবু মহাক্কি কদায় ? মহাকপু খিনখিবা গাড়ীবাদা অদু ফনা করা খিবদা ফংহে। ষুমিং ভরেংনিঙী এতম ফংবদা হৈমবতীনা তশেংনা খাজরম্মী, মচাহুপা পুহনা অমুক্তং কপচকবা ফংলবদি মহাক্না কখিজখা মঙেনহু ঙমোই হায়রক্লোই, অদুবু আশা অদু অরেম্বা ওইশিনহে।

ষুনিং কয়ানি অসি চাউরাক্না ষুমিং খুদিংগী নির্ম্মল তেড অফিসনা চংগা তারম্মী। মওং চাদবা কেশ অসি শোক্লগদৌরিবনি, মহুগী অহোবা খুদিংমক মাংজোননা মেনশিনহোবা দরকার ওই। ষুমিং অদুগী মুংথিলদা মহাক রেজেষ্টি অফিসকী মাঙ্গোল মচি অমদা থেক অমদা ফমহনা দরকার ওইবা দলিলগী নকল লৌহনা মপুক্কিং চংনা পাখি, থঙহৌদনা মমাংমক্তগী কৌবা তারকই, "ময়হাক ইবুংঙো, সলাম। য়াইফবিরিদনা ?"

নির্ম্মলনা ঙক্না মযাই নোকথংহুনা য়েংলকই, ফকির সাহেব। মহাক চে মপুল অমা পায়খি। মুক থোংহুনা ঈকাই-খুম্নবা উৎলগা মহাকী মখুং অনি পারহনা পুশিন্দুনা মনাক্তা কমহল্লে, হায়রকই, "অদোম্নু কৌজরবদি হেক্তা উহনখি হায়না তাখে। ষুমিং কয়ানি অসি ঐনা থখোয় মুংনা কৌজরিবনি।"

ফকির হায়রকই, "কনিদনা হায়রুদনা ?"

"ষোড়শীবু ঐগী দরকার নৈ। মহাক কনাগুম্বদা নৈরবদে-ই ঐগা অমুক্তা উন্নহনবিয়ু।"

ফকির ফজক্কে, হন্না-ওথনু উংতে, হায়রকই, "উন্নদবনদি কৈ।"

নির্মল য়াম্না ঈকাইরে। হায়রকই, "অদোমদি পূম্নমক থঙ-উরবা মীশক্কি। মহু করিগুম্বা ওইরবদি থঙবিরিবহুনি ঐখোয়গী কয়া য়াম্না দরকার ওইবগে।"

ফকিরনা হায়রকই, "নত্তে, ঐ পূম্নমক থঙ-উবা মীশক নত্তে, অদুবু মুশীমচা ষোড়শীনা করিগুম্বা রা অমতা ঐহোন্দা লোৎত্তে।" হাইফেং লেপ্লগা হায়রকই, "উন্নবা উন্নদবগী বাদি মহাক্না থঙলিনি, ঐদি থঙদে, অদুবু মাগী রাকম পূম্নমক অদোমদা তম্বদা য়ানিংদবা নৈত্তে। মরমদি, নোংমা ময়াম চংদুনা মাগী মাংনবা শিনখিবা মতম অদুদা ইবুংঙোদদি মহাকপু কনবিনবা চোংথোকপিরকখি। ঐ মাগী মচিন্দগী রা অসি ত্তারে।"

নির্মলনা হায়রকই, "অদুবু ঙসিদি মহু ওয়-তৈতনা থোক্লে ফকির সাহেব। হৌজিক কনাগুম্বনা করিগুম্বা মথোয়বু কনবিবা ওমগদবদি মহাক্কনা ওমগনি।"

ফকিরগী মাইথোংদা য়াংশিংদবগী মমি তারকই। মহুগী শক্লোকপা রাকম থঙশিংবনা মহাক লাংতকবা উংত্তে, হায়রকই, "চণ্ডীগড়গী পাউ থঙদে। অদুবু ঐনা হায়নিংবাদি, মথোয়গী কনবা শিনবগী ভার ঈশ্বরগী মকমদা ইবুংঙোনা শিন্নথোকপিখো। ঐগী মুশীমচাবু মহুগী মরক্তা অমুক চিংশিনবিরগনু নির্মল বাবু।"

হৌখিবা পুজিগী অরাবা ইতিহাস নির্মলগী মপুক্কিংদা নিংশিংলক্রে। মসিগী পাউথুম পীবা দুই, মহাক্না হুংজাইতনা লোয়রনা হায়রকই, "হৌজিক মহাক কনাগুম্না নৈবগে?"

"মফম অমু শৈবাল-দীঘি কৌই।"

"মফমদুদা মুংঙাইনা লৈরিদনা ?"

ছন্দদক্ষি ফকির সাহেবনা নোকফেং তৌদুনা হায়রকই, "অসি তাখিয়ু। মুপী ওইবাশিংগী মুংঙাইবা মুংঙাইতবগী বাদি ঈশ্বরনা ফাওবা থঙদে। ঐদি অমুকম্ন সন্ন্যাসী ওইরবা মীনি। অদুদি ওইরগা ঐগী ইচামুপীদু মপুক্কং ঈংনা লৈরি হায়বা অসিদংদি ভাবনা খঙবা চম্মী।"

নির্ম্মলনা ঙাইহাক তুশ্মিন্না লৈরগা হায়রকই, "কোর্টতা অদোম কৈদৌবা লাকপিরিবনো ?"

ফকিরনা হায়রকই, "মদু অচুম্বনি। সন্ন্যাসী ফকির মফম অসিদা চংবা য়াদে চুম্মী। অদুবু সংসারগী মায়ানদি মীওংবদু থক থাদোক্কে ইবুংঙো, অদুনা শিরমদায়দা অমুক ইরল লৈরক্লে। মুংঙাইরে, শেল তিংদুনা ইবুংঙোগুম্বা আইন খঙবা মীশক অমমুক ফংলোই, অদুগা ইবুংবৃন্দদদি তমথোকপা য়াই। ঐগী চেপি, অসি চানবিদুনা অমুক্তা পে..থরম্মু।"

নির্ম্মলনা মখুং তিংথোকতুনা হায়রকই, "মসি করিগী চনো ?"

"দান-পত্র অমগী ড্রাফনি।" হায়রগা ফকিরনা মহাক্কী চেগী বাগুল অদু নির্ম্মলদা পীরকই। অঙোম্পগী থবক তৌবা য়াবা মতম অমসুং পুক্নিংগী কিভম নির্ম্মলগী ওইদে, মহাক্কা তঞ্জানবা মওংদা মদু লৌশিন্নে, অমসুং তপ্পা ওম্মা মদুগী মখুম হাইদোক্লগা পারকই, অদুবু পরেং খরা পাথরকপমক্তদা থম্বোদনা মাগী মিংয়েং কুপশিন্নরক্লে, লামায় কয়া চংনা মরম তাক্লি, ময়াম অমু পাবা

লোইরগা অকোনবদা অয়োইবা চেনাদা ফকিরদা ইরকপা জীবানন্দগী চিঠি অহুদা মিৎয়েং তাকরে, মতম অহুদা পরেং শরদং ইরিবহ্ অমুক্তদা পারগা নির্ম্মল চপ য়ুংনা লৈরে।

ফকিরনা মাণী মাইথোংগী ফিভম য়েংলগা হায়রকই, "সংসারদা অঙকপা কয়া লৈত্রদো।"

নির্ম্মলগী মচিন্দা মুংশা মপী অমা হোন্দোরকই, মহাক্না মতক নোমত্তুনা অস্থম্মদা হায়রকই, "হোয়।"

ফকিরনা হায়রকই, "ড্রাফ অহু য়ারগত্রা?"

নির্ম্মলনা হায়রকই, "য়ারে। অদুবু মসি অচুম্বনি হায়বগী প্রমাণ করিনো?"

ফকিরনা হায়রকই, "নংলমত্রবদি ষোড়শীনা লোয়রোই। মসিদগী হেনবা অচৌবা প্রমাণ করি লৈরিবগে নির্ম্মল বাবু?" অসি হায়রগা শঙনিংবা মিৎযেংনা য়েংত্তুনা লৈ, অদুবু পাউথুম ফংত্রে। নির্ম্মলগী মিৎযেং শাক্মী অমস্তুং ময়াইবক শুপকংলি, মহাক্কী পুক্কিং কদায় য়োৗগ্রবগে, ফকিরনা মত্ত অনুমান তৌবা ঙমদবা য়াই।

কুননিপাল

থঙহৌদনা হুদিং কয়ানি অরেম্বা লৈতনা নোং চুবনা সংসারগী থবক-থানা পূম্নমক অহুম্বা লেপখ্রে মহুদি, পন্থবা লৈহুবা জেলাগী মেজিষ্ট্রেট কাওবা মহাক্কী তদন্তগী চাকাবু ওলহন্দুনা পুরকপা ঙমদ্রে। অদুবু মাগী হুকুমদি লৈ, নোং হাংলগা মহাক চণ্ডীগড়দা খোঙদারগনি, অদুগা হুকুম অদু ঙাকপগী হুদিং ঙসি থোকই। পাউ কংলে, খুনংগী মপান্দা বাক্লকই তুরেল ঙো'র্বান্দা মাগী কেম্প্ শারে, য়েন, য়েরুম, শঙ্গোম, ঘি অদিনচিংবা কংলুমবগী থবক্তা এককড়িনা থরায় খুবাক্তা হাপতুনা হোৎনরি অমসুং হুংখিল পোবোপ্তা মাইকৈ সোমদা চণ্ডীগড়দা মহাক্কী শগোল শোয়দনা রোরকপা য়াউ থাজনরি

হৌখিবা অহিংদগী নোং চুবা লেপখ্রে, অদুবু অ তৈরাগী শক্লোন্দি থোংজ্রি। শকুম অদি উবদা থৌনা কনা নোং চুবা লেপ্লগনি হায়বা তঙগী উপায় লৈতে। য়ুম মৈ চাকথবা তুংদা মপালগী হুইমুলাগী কা অনি অহুদা জীবানন্দ হোংজিন্দুনা লৈরি, মহুগী পিক্তকপা মাঙ্গোন্দা কেম্প বেড়তা হিপ্তুনা মহাক বাক্লকইবোমদা মিংয়েং হোংদনা য়েংলি। চীংদগী মমাই থক্লা চেম্নরকপা ঈশিংমা তুরেল অদু অমুক মরাং কংপ্রে, অকনবা ঈচেলনা লৈরাক্লপা ঙাথু-থেংথুহুনা চেম্নরি — জীবানন্দ কবি থল্লিবগে মহুগী অবেম্বা লৈতে। মহাক নাবদি কয়ক্লে, অদুবু মশাদি য়াম্না শোজি। ঙসিহু মহাক কমুংদগী হেজ্রি, হৌশংতুনা চংপা য়ারি। মেজিষ্ট্রেট সাহেব থুংলরবদি মহাক দোলাই তোংহুনা মলামক উম্না চংলুগনি। মীনম্বা কবিমতা হায়রোই হায়না মহাক্না লেপ্লে — য়ু থকপা তোঙ্গবা মহাক্না লেপখিবা অহুম্বা

তৌহুনা, পুন্সি অসিদা কনাগুম্বু অৱাবা অমুক শীঘ্রগোই হায়না অচেংপা ৱাশক থমখিবা অহুগুম্বা মসিম্নু মহাক্না লেপপ্রবনি। অহুবু গুসি তশেংবদি মহাক কনাগী মায়োক্তম্নু কৱিগুম্বা ৱারৌবা, কৱিগুম্বা, ৱাকং অমলা লৈতে, মহাক্না মপুক্রিংদা অসি হায়না তর্ক তৌরকই মহুদি, মরালদি মীওইবনা লংজনরিবনি, চুমদবদি মীওইবগীদমক্তা শেম্লিবনি, মরম অসিনা মহাক্না সাক্ষী ওইরবদি মহাক মশাদা নত্তনা অতোপ্পা কনাগুম্বা অমম্নু দণ্ডি ফংগনি থল্লুবদা মহাক থাজৈশেংনা হুংঙাইজদবা পোক্কই। কৱি হায়না হায়গদগে কনাগীম্নু কৱিগুম্বা অমাং-অতা অমতা থোক্তনবা, ৱাকম অসি মগুং করাদা মথল কয়া থোক্না থল্লকই, মতুগী অৱেপ্পা লেতে, অহুবু কৱিগুম্বা হীরম অমত্তা কিশি থোকপা গুম্বা থম্হনবগী ফিভমম্নু ওইত্রি, কোইনা থনবমখৈ থল্লুরগা হীরম অতুগী কস অমত্তদা হজিন হজিন মাগী মিংয়েং মাংলো লাকই, মসিগীদমক্তা মহাক তশেংনা তৌকম থঙলকত্রবা অশিগুম্বা মতম অসিদা পুম্নৌ নৌবা পোংশক অমদা মাগী পুক্রিং, মিংয়েং মতম অমত্তদা চিংশিনখ্রে। হি মচা অমা ঈচেলগী মতুং ইম্না য়াম্না য়াংনা চেম্বরক্লি, অমম্নুং মহাক্কী যুম ময়া য়োরকপমক্তদা হিরোইনা নৌ থাদহুনা মহুগী লম্বী থিংখ্রে। তুরেল অসিদা হি থোইনা চংলদে। চহিগী অয়াম্বা মতমদা ঈশিং কংকই হারবগী নত্তে, নোংজু থাবনা ঈরেল কমমনবনা চংথোক চংশিন্দা থুদোংচাদে। মক্ক ওইনা মাগী যুম মরাদা হি থাংলবা অসিদা থঙনিংলহুনা মহাক্না মোম্না ভাহুনা ফমহুনা য়েংলকই, হুপা অনি অমম্নুং হুপী অহুম কুমথরক্লি। মনা পুংলবা উ মরুমদা মথোয়বু ময়েক শেংনা উবা ফংত্রবম্নু হুপা অমম্বুদি

জীবানন্দনা তশেংবা খঙলে, মহাক জনার্দ্দন রায়নি। অহল ওইরবা মুপী অসি মাগী মুপীনি অমমুং অতোপ্পা অসিনা মহাকী মচাম্পু ওইরবা য়াই, কনায়না চংদুবা ওইরমগনি, মেজিস্ট্রেট লাকপগী পাউ কংহুনা হাখু-হাখু হল্লক্লিবনি। মহাক্না মসিমদি খঙবা ওমদে মহুতি, মশাগী হিদেন থাদোকতুনা অমুক লাপ্পা লাক্লগা হি থাংলরিবা কৰিগীনো। থুদোংচাদবা ওইরম্বা য়াই, শোয়দুনা ওইরম্বা যাই, মেজিস্ট্রেটকা লম্নীদা থেংনগত্রা কিবদগী ওইরম্বা য়াই, অতুবু ওইনিংবা ওইজসমু, মুপা অসি রায় মহাশয়নি, অসিনা মাগী মতুগা মচাগনি খঙলবা মতম অসিদদি ৱানা ফমদুনা লৈরকপগী কারত্রে খন্দুনা জীবানন্দ অমুক হিপথত্রে। মমিং উইশিল্লগা মপুক্লিংদা লোকতুনা হায়রকই, মরালগী চৈরাক পীননবা কোর্ট মতুতরা? মুপা অসিবু মেজিস্ট্রেটনা কৱিগুম্বদম্বু মাবু উখিরমদবা য়াই, উমন্নবমু শক খঙম্ববা য়াই। অদুম ওইনমক মহাক্না চিংনবা অমদি চেকশিনবগী মপান নাইদে। মতু মচাগী মকমদা পাংদবা অসিগী ঔকাইবা দণ্ডিগা চাংদম্নবদা মসিমক কয়া চপগে?

খঙহৌদনা কনানো অমা লাকতুনা কমথরকপদা কেম্প-বেত অমু কেং কেং হাইরকই। জীবানন্দনা চঙক্লহুনা হংলকই, "কনানো?" মাকোল কাখংতুনা লাকপগী খোঙথাং মথোল ফাওবা, মহাক তাহৌদে, কন্নরিবা মহাক অহুনা মাগী লাইবক্তা মথুংদা [illegible]দুনা হায়রকই, "ঐনি।"

জীবানন্দনা মাগী শোরবা মখুং ভিংথোকতুনা মখুং পায়দুনা কনা মুইনা তুমিন্না লৈ। অতুগী মুংদা তপ্না তপ্না হায়রকই, "হি [illegible]না?"

"হোয় ।"

"রায় মহাশয়না নমহুনা পুরকপা ওইরিনিনে, মাবু কনবা তারিবরা ?"

"হোয়, মহু হৈমগী বাবাবুনি, জনার্দ্দন রায়বু নত্তে ।"

"খঙলে । অহুবু প্রজাশিংনা কেপ করিগী তোকদোৌরিবনো, সাগয়না করিগী য়াগদৌরিবনো ?"

"ঐংঙাম্মা মখোয়না য়ারক্রে ।"

"য়ারবা ? অঙকপনি ।"

ষোড়শীনা হায়রকই, "নত্তে, ঙক্লিংঙাই ওইদে । মখোয়না ঐঙোন্দা ইমা কৌই ।"

"ঐ মহু খঙই ।" জীবানন্দগী খুংকী খুংপায় কোমখোয়ক্রে । মহাক্না কনা কুইনা লেংদনা লৈরগা তপ্না তপ্না হায়রকই, "য়াম্না ফবে । অসি অবুক্কগী ঐনা খল্লম্লিবনি অলকা, শাথীরবা অরুবা থবক অসি ঐ কমদৌনা তোৌগদগে ? ঐ হিংলে, কয়িস্থ অমুক তোনিংঙাই লৈত্রে । নঙনা পুরমক তৌব্রে ।"

ষোড়শীনা মঙক হাইহুনা হায়রকই, "নহাক্না তৌননবা থবক অহৈ লৈরমদবা য়াই অহুবু ঐগী তৌগদবা থবক্তি হৌজিকস্থ বাংলি ।" অসি হায়রগা মহাক্না কমুংদা পদাক পদাক তাহুনা লৈরিবা খুং অহু খুবাম-হুংদা পায়শিল্লগা জীবানন্দগী মাকোংদা মচিন থবহুনা হায়রকই, "ঐ হি পুরকই, কয়িগুম্বা মওং অমদা নহাকপু পুহুনা চেনখিবা ওয়বদি ঐগী থৌদাংশিংগী মমুংদা অথোইবা থৌদাং পাংথোক্লবনি । চৎলসি ।" অসি হায়রগা মহাক্না পুক্কহুনা [illegible]

জীবানন্দগী মথৰাক্তা থম্নগা লেংদনা লৈ। কনা কুইৰবা ফাওবা কনাম্ব বা থাংদে, গুপ্নগী মী অমগী থবাকী মিহুল কম্না চোংলি অহুগা মী অমনা ছুমিন্না মহু তাৰি।

জীবানন্দনা হায়ৰকই "ঐবু কদায়দা পুগে হায়ৰিবনো ?"

ষোড়শীনা হায়ৰকই, "ঐগী খোঙনা পুবা মফমহুদা।"

"কদৌঙৈ চৎকদগে ?"

"হৌজিকমক। সাহেব থুংলৰক্রিঙৈগী মমাংদা।"

জীবানন্দনা মাগী মাইথোংদা য়েংহুনা তপ্না তপ্না হায়ৰকই, "অদুবু ঐগী প্রজাশিংদি ? ঐখোয়গী পুৰোন-পুৰোন কয়াদগী তোনশিল্লক্রিবা মখোয়গী লমন অসিদি ?"

ষোড়শীনা মমাই লৈখোক্লগা তুমিন ছুমিন হায়ৰকই, "চাৰোন-গুৰোন নাইনা মহু শিংগদবনি।"

জীবানন্দনা হৰাওনা হায়ৰকই, "অচুম্বনি অদকা। অদুবু খিম্বৰবদি য়াৰয়োই। হৌজিক্তগী ঐখোয়গী কোকথক্তা পোৎলুম অসি নম্লবনি।"

ষোড়শীনা থঙহৌদনা মখুৎ লোমহুনা হায়ৰকই, "হুজুৰ, ননাইহুৰীদা গুপ্নগী ভিক্ষা অসিদংদি পীবিয়ু, প্রজাশিংগী ভাৰ লৌনবা হোৎনহুনা অমুক ভাম্বি ননশিনবিক্লয়ু। পুন্সি চুপ্না মথম-মথা অয়াম্বা ভাৰ পুবিৰক্লে, হৌজিক হকচাং ডমজ্রিঙৈ অসিদদি থৰদং লোথাবিবদা কনানম্ব নিন্দা তৌৰোই। অদুবু সাহেব ৰৌৰকপনা হানবা য়াই, ডংলদ্রি।"

মহুগী পাউখুমদা জীবানন্দ নোককেং তৌহুবা হৌগথকক্লো।

হায়রকই, "অহুম্না ঐগী থৌদাং পূম্নমক নঙনা মুনখিশহু অলকা। ঐবু লাইরৎ-অনংবশিংগী থবক্তা শিজিন্নহন্দুনা য়েংবা কৈদৌউবদসু নিংবা কায়রোই।"

বা অসি তাবদা অলকাগী মমিত্তা থঙহৌদনা ঈয়া চেন্নরে, অহুম্না মশাবু মপুংফানা কথোকপা অসিনা মাগী পূম্নমক জয় তৌগ্রবা মহাক অহুগী মাইথোং য়েংলুবদা মথোঙনা নেৎলিবা মাঙেম কাওবা থঙহৌদনা নিক্লকপগুমগ্রে, অহুবু মশাবু মহাক্না কাথজরগা খুং থংপায় অমুক্তং পায়শিল্লগা নোকতুনা হায়রকই, "করে, চৎলসি হৌজিক্তি। হিম্নুংদা কম্লগা মতমহুদা তপ্না ঈংনা করম করম্বা থৌদাংনা নঙোন্দা শিন্নবা য়াবগে অহুগা করম করম্বনা শিন্নবা য়াদবগে খন্নরুসি।"

"মহুনা করে!" হায়রগা জীবানন্দ ষোড়শীগা খুং শন্নহুনা চৎল্রে।

লোইরবা



শরৎ চন্দ্র চট্টোপাধ্যায়নী

স্বামী

জোন কয়াদা হন্দোবগ্রবা ১সুং কিন্তু নমগ্রবা রায়ীনি।

হন্দোকপা

রঘুমণি

রঘুমণিনা হন্দোকপা শৰৎ চন্দ্র চট্টোপাধ্যায়নী
উপন্যাস অনি অসি য়াম্মা থুনা
থুখোকচরগনি।

শেষের পরিচয়

অমস্রুং

শেষ প্রশ্ন